শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত

আদি লীলা (খণ্ড মাপলশুবা)

পূজ্যপাদ

শ্রীলকৃষ্ণদাস কবিরাজগোস্বামিবিরচিত

শীতলজিৎ সিংহনা

তোবা মণিপুরী অনুবাদ অমস্লুং নৈনরোল য়াওবা

শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত

আদি লীলা (খণ্ড মাপলগুবা)

পূজ্যপাদ

শ্রীলকৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামিবিরচিত

শীতলজিৎ সিংহনা

তৌবা মণিপুরী অনুবাদ অমসুং নৈনরোল য়াওবা।

অহানবা সংস্করণ

ফ্রেণ্ডস্ ইউনিওন্ প্রেসতা শ্রীকোইজম ইবোবী সিংহনা নবা

অমসুং শীতলজিৎ-না কোঙবা।

ফংফম—(১) ফ্রেণ্ডস্ ইউনিওন প্রেস, ইম্ফাল।

(২) শীতলজিৎ সিংহ, কৈশামথোং,

তোপ লৈরক, ইম্ফাল।

(৩) পাইওনিযর ট্রেডিং কোং,

বীর টিকেন্দ্রজিৎ রোড, ইম্ফাল।

ইং কুমজা ১৯৯৩

সত্ত পুম্বা ভাক্সবনী]

মমল লুপা ৪০ ০

5827
...ated
7-6-93

আদি লীলা

তরামরিশুবা পরিচ্ছেদ

মূল ১

কথঞ্চন স্মৃতে যস্মিন্ দুষ্করং সুকরং ভবেৎ।

বিস্মৃতে বিপরীতং স্যাৎ শ্রীচৈতন্যং নমামি তম ॥ ১ ॥

শব্দার্থ

কথঞ্চন - মও, করিনো অমদা, স্মৃতে—নীঙশীঙবদা, যস্মিন—মাবু, দুষ্করম—পাঙথোকপদা নাববা থবক, সুকরম্—লাইনা পাঙথোরগাই, ভবেৎ—ওই, বিস্মৃতে—কাউরগদি বিপরীতম—ওন্ন-তৈনবা হাযবদি অরায়বস্থ রানগাই, স্যাৎ—ওই, শ্রীচৈতন্যম—শ্রীচৈতন্যবু, নমামি—খুরুমজরি, তম—মহাকপু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মও করিনো অমদগী মাবু নীঙশীঙলুবদা বাগদবা থবক অদু ইলায হেক লায়, অদুগা মাবু কাউথোরবদি ওন্ন-তৈনবা ওই হাযবদি অরাযবদুস্থ রানগাই ওই, অদুগুম্বা শ্রীচৈতন্য মহাকপু এনা খুরুমজরি।

নৈনরোল

শ্লোক অসি হরিভক্তিবিলাস-দগী লোথোকপনী (১০/১)।

মূল ২

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।

জযাদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্তবৃন্দ ॥ ২ ॥

শব্দার্থ

জয় জয়—খুরুমজরি, খুরুমজরি, শ্রীচৈতন্য—শ্রীচৈতন্যবু, জয—খুরুমজরি, নিত্যানন্দ—শ্রীনিত্যানন্দবু, জয়—খুরুমজরি, অদ্বৈতচন্দ্র——শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্রবু, জয়—খুরুমজরি, গৌরভক্তবৃন্দ—শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুগী ভক্তশিংবু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীচৈতন্যপ্রভুবু, শ্রীনিত্যানন্দ প্রভুবু, শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্র প্রভুবু অদুগা শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুগী ভক্তশিংবু খুরুমজরি।

মূল ৩

প্রভুর কহিল এই জন্মলীলা সূত্র।
যশোদানন্দন যৈছে হৈল শচীপুত্র ॥ ৩ ॥

শব্দার্থ

প্রভুর – শ্রীচৈতন্য প্রভুগী , কহিল – হায়জখ্রে এই – হৌজিক্কী , জন্মলীল – সূত্র – পোকপগী সূত্র , যশোদা-নন্দন – যশোদাগী মপাবিনা , যৈছে – মওং করম্না , হৈল – ওইখি শচী পুত্র – শ্রীশচীগী মপাবি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীযশোদাদেবীগী মপাবিনা শ্রীশচীদেবীগী মপাবি ওইখি হায়বগী মতাংদা শ্রী চৈতন্য প্রভুগী জন্মলীলাসূত্র হৌজিক্কী হায়জখ্রে।

তৈৎনরোল

তরাহুমদোইশুবা পরিচ্ছেদদা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীচৈতন্যপ্রভু ওইখিবগী রাদো হায়জখ্রে হায়না গ্রন্থকারনা হায়রী।

মূল ৪

সঙ্ক্ষেপে কহিল জন্মলীলা-অনুক্রম।
এবে কহি বাল্যলীলা-সূত্রের গণন ॥ ৪ ॥

শব্দার্থ

সঙ্ক্ষেপে – শম্না ; কহিল – হায়জখ্রে জন্মলীলা অনুক্রম – পোকপগী রা মথং-মনাং এবে – হৌজিক , কহি – হায়জবগে , বাল্য-লীলা-সূত্রের – বাল্যগী মতাংদা তৌখিবা লীলাগী সূত্রগী , গণন – মীংথাবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুনা পোকপা-লীলাগী সূত্রশু শম্না হায়খ্রে হৌজিক বাল্যগী মতাংদা তৌখিবা লীলাগী সূত্রশু মীংথজরগে।

মূল ৫

বন্দে চৈতন্যকৃষ্ণস্য বাল্যলীলাং মনোহরাম্ ।
লৌকিকীমপি তামীশচেষ্টয়া বলিতান্তরাম্ ॥ ৫ ॥

শব্দার্থ

বন্দে - খুরুমজরি . চৈতন্যকৃষ্ণস্য—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী ; বাল্যলীলাম—বালাকালগী লীলাবু মনোহরাম—পৃথীও-হুনঙাই-ওইবা লৌকিকীম—মীয়াম্নেনগী ওইবা অপি—স্য তাম মতুবু, ঈশচেষ্টয়া - ঈশ্বরগী থৌদোনা , বলিতান্তরাম— মনূঙদা যাওবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীচৈতন্যপ্রভুগী বালা-লীলাদো মীয়ম্নেনগী মতৌদা শান্নবা লীলা ওইরবসু ঈশ্বরগী থৌদোনা থনবা ভাক্তনী, অদুগুম্বা বাল্যলীলার ঐনা খুরুমজরি ।

তৈনবোল

প্রভুগী বাল্যলীলাদু নবলীলা মাল্লবসু মনূঙদদি ঈশ্বরনা তৌবা থৌদোগুম্বা মীয়ম্নেনগী নত্তবা থৌদো য়োঙদোক্লম্মী । ইমুংদা ধ্বজ-বজ্র-নচিংবা খুয়াগী খুদম উৎপা, অদুগা মখুযাদা হায়রিবা খুদমশিংসে উৎপা, শৈপাক চাবগা তত্বগী বা তাকপা অতিথি-ব্রাহ্মণগী চাক চাবা, হুরাণবগী মবেংবান্দা যুমদা হল্লকপা বিষ্ণুগী নৈবেদ্য চাবা, যুবা পুবকপা, মমাবেম্মগী নাৱন্দা হিপ্লিডৌদা লাইশি না লাঙপা কবিমতসু শিদবা থোঙদা নপুর মখোল থোকহনবা, ব্রাহ্মণ হন্নুবনা জগন্নাথমিশ্রগী মমঙদা মিশ্রবু শাউনা রা হাযবগা—ত স্নিনচিংবা খবক্তা প্রভুগী লৌকিকী ওইবা বাল্যলীলাদা ঐশ্বর্য্য (ঈশ্বরগী ওইবা মতৌ) ফোঙখি ।

মূল ৬

বাল্যলীলায় আগে প্রভুর উত্তান-শয়ন ।
পিতামাতার দেখাইল চিহ্নচরণ ॥ ৬ ॥

শব্দার্থ

বাল্যলীলায—বাল্যলীলাদা, আগে—অহানবদা; প্রভুর—মহাপ্রভুগী, উত্তান-শয়ন—লোংনা হিপ্পা, পিতামাতায়—মপামমাদা, দেখাইল—উৎখি, চিহ্নচরণ—খুদম য়াওবা খোঙ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহানবদা বাল্যলীলাদা প্রভুনা লোংনা চেপ্পী, মহুদা মপাবুংগা মমাবেম্মগদা খোঙগী চিহ্নশিংহু উৎখি।

মূল ৭

গৃহে দুইজন দেখে লঘু পদচিহ্ন।

তাহে শোভে ধ্বজ বজ্র শঙ্খ চক্র মীন॥ ৭॥

শব্দার্থ

গৃহে—ইমুংদা, দুইজন—অনীনা দেখে—উই, লঘু—অপীকপা, পদচিহ্ন—খোঙ্গুল তাহে মহুদা, শোভে—লৈতেংও ওইনা ফজবি, ধ্বজ—ফিরাল, বজ্র—নোংমৈশিঙজঙ, শঙ্খ—মোইবুং, চক্র কা খোঙ, মীন—ঙা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মমুংদা মখোয অনীনা (জগন্নাথমিশ্রগা শচীগনা) অপীক-অপীকপা খোঙ্গুল উখি। খোঙ্গুলদা ফিরাল, বজ্র, মোইবুং, কাংখোঙ অমদি ঙানা লৈতেংলম্মী।

মূল ৮

দেখিয়া দোঁহার চিত্তে জন্মিল বিস্ময়।

কার পদচিহ্ন ঘরে, না পায় নিশ্চয়॥ ৮॥

শব্দার্থ

দেখিযা—উরগা, দোঁহার—অনীগী, চিত্তে—থম্মোইদা, জন্মিল—পোকখি, বিস্ময়—ঙকপা, কার—কনাগী, পদচিহ্ন—খোঙ্গুল, ঘরে—ইমুংদা, না পায়—ফংদে, নিশ্চয়—অরেপ্পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পদচিহ্নতু উবগা মথায অনীগী থম্মোইদা অঙকপা তমা পোকখি। কনাগী পদচিহ্ন ওইবিগবা ইমুংদা লৈবম্লিবসে হাযতুনা অবেপ্পা খঙলমদে।

মূল ৯

মিশ্র কহে—বালগোপাল আছে শিলা সঙ্গে।
তেঁহো মূর্ত্তি হঞা ঘরে খেলে জানি রঙ্গে ॥ ৯ ॥

শব্দার্থ

মিশ্র—শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা কহে—হায, বালগোপাল—বাল-কৃষ্ণ, আছে—লৈ, শিলা—নঙ, শালগ্রাম নঙ, সঙ্গে—লোযনন, তেঁহো—মহাক্না, মূর্ত্তি হঞা—মূর্ত্তি ওইদুনা, ঘরে—যুমদা, খেলে—শানৈ, জানি—খঙজী, রঙ্গে—নুংঙাইনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা হায—শালগ্রাম শিলাগা লোযননা বালগোপাল কৃষ্ণতু লৈ হায়রদি বালগোপাল অদু শালগ্রাম শিলা ওইনা লে। মহাক্না মূর্ত্তি লৈদুনা চাংযোল্লগা ইমুংদা নুংঙাইনা শান্নরিবনী হায়না খল্লি।

মূল ১০

সেইক্ষণে জাগি নিমাই করয়ে ক্রন্দন।
অঙ্কে লৈয়া শচী তাঁরে পিয়াইল স্তন ॥ ১০ ॥

শব্দার্থ

সেইক্ষণে—থূদক অদুমক্তদা, জাগি—তুম্বদগী হৌগৎলগা, নিমাই—নিমাইনা, করয়ে—তৌযি, ক্রন্দন—কপ্পা, অঙ্কে—তম্পাক্তা লৈয়া—লৌবগা, শচী—শ্রীশচীদেবীনা, তাঁরে—মঙোন্দা, পিয়াইল—পিথকখি, স্তন—খোম্লাং।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

থূদক অদুমক্তদা তুম্বদগী মীৎকপ থোক্তুনা নিমাই কপ্লকযি। শ্রীশচী-দেবীনা মহাকপু মতম্বাক্তা লৌবগা খোম ইল্লম্মী।

মূল ১১

স্তন পিয়াইতে পুত্রের চরণ দেখিল।
সেই চিহ্ন পায়ে দেখি মিশ্রে বোলাইল ॥ ১১ ॥

শব্দার্থ

স্তন—খোম্না পিয়াইতে—পীথকপদা, পুত্রের—মচানুপাগী, চরণ—খোঙ, দেখিল—উকরে, সেই চিহ্ন—খূদমশিংদো, পায়ে—খোঙদা, দেখি—উত্লুনা, মিশ্রে—জগন্নাথ মিশ্রবু, বোলাইল—কৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীশচীদেবীনা খোম ইনবদা মচানুপাগী খোঙ অত্নু উখি। চিহ্নশি হু মখোঙদা উবগা (শচীমাতানা) শ্রীজগন্নাথ মিশ্রবু কৌশল্লম্মী।

মূল ১২

দেখিয়া মিশ্রের হৈল আনন্দিত মতি।
গুপ্তে বোলাইল নীলাম্বর চক্রবর্ত্তী ॥ ১২ ॥

শব্দার্থ

দেখিয়া—উবগা, মিশ্রের—শ্রীজগন্নাথ মিশ্রগী, হৈল—ওইখি, আনন্দিত—নুংঙাইবা, মতি—পূক্নীঙ, গুপ্তে—লোন্না হায়বদি মী খঙহন্দবমখৈ, বোলাইল—কৌহনখি, নীলাম্বর চক্রবর্ত্তী—শ্রীনীলাম্বর চক্রবর্ত্তীব।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(পদচিহ্নত্নু) উবগা শ্রীজগন্নাথ মিশ্রগী পূক্নীঙ নুংঙাইজখি। লোন্না হায়বদি অতৈ কনামতবু খঙহন্দনা শ্রীনীলাম্বর চক্রবর্ত্তীবু কৌহনখি।

মূল ১৩-১৪

চিহ্ন দেখি চক্রবর্ত্তী বোলেন হাসিয়া।
লগ্ন গণি পূর্ব্বে আমি রাখিয়াছি লিখিয়া ॥ ১৩ ॥
বত্রিশ লক্ষণ মহাপুরুষ-ভূষণ।
এই শিশু-অঙ্গে দেখি সে সব লক্ষণ ॥ ১৪ ॥

শব্দার্থ

চিহ্ন—খূদম, দেখি—উবগা, চক্রবর্ত্তী—শ্রীনীলাম্বর চক্রবর্ত্তীনা, বোলেন—হায, হাসিয়া—নোক্তুনা, লগ্ন—জন্ম-লগ, গণি—হোৎলগা, পূর্ব্বে—নহান্না, আমি—ঐনা, রাখিযাছি—থমখ্রে, লিখিযা—ইতুনা, বত্রিশ—কুন্থ্রানীথোই, লক্ষণ—চিহ্ন, মহাপুরুষ-ভূষণ—মহাপুরুষগী ওইবা লৈতেংনী এই শিশু-অঙ্গ—অঙাঙগী মশাসিদা, দেখি—উই, সে সব—মতু পূম্বা, লক্ষণ—চিহ্ন।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নিমাইগী পদচিহ্নতু উবগা শ্রীনীলাম্বর চক্রবর্ত্তীনা নোক্লগা হাযবম্মী—জন্মলগ্ন হোৎলগা ঐনা ইতুনা থমখ্রবনী। মহাপুরুষগী লৈতেং ওইবা লক্ষণ কুন্থ্রানীথোইনী। লক্ষণ পূম্বতু অঙাঙগী মছাসিদা উইয়ে।

তৈনরোল

নিমাইগী জন্মলগ্নদগী মহাপুরুষগী লক্ষণ লৈ, অতুগা মহাক্কী হকচাঙদসু মহাপুরুষগী লক্ষণ কুন্থ্রানীথোইদো লোইনা লৈ।

মূল ১৫

পঞ্চদীর্ঘ পঞ্চসূক্ষ্ম সপ্তরক্ত ছডুন্নতঃ।
ত্রিহ্রস্ব-পৃথু-গম্ভীরো দ্বাত্রিংশল্লক্ষণো মহান। ১৫ ॥

শব্দার্থ

পঞ্চদীর্ঘ—অঙ্গ মঙা শাংবা, পঞ্চসূক্ষ্ম—অঙ্গ মঙা কূপ্পা, সপ্তরক্তঃ—অঙ্গ তরেৎ ঙাঙবা; ছডুন্নত—অঙ্গ তরুক ৱাংবা, ত্রিহ্রস্ব-পৃথু-গম্ভীর—অঙ্গ অহুম তেনবা, অঙ্গ অহুম পাকপা, অতুগা অঙ্গ অহুম গম্ভীর (চীঙলেম্বা), দ্বাত্রিংশৎ-কুন্থ্রানীথোই, লক্ষণ—চিহ্ন চেনবা, মহান্—মহাপুরুষ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপুরুষগী লক্ষণ কুন্থ্রানীথোইনী, মতুদি—অঙ্গ (হকচাং কাযাৎ) মঙা শাংঙী, অঙ্গ মঙা কূপ্পী, অঙ্গ তরেৎ ঙাঙঙী, অঙ্গ তরুক ৱাংঙী, অঙ্গ অহুম তেল্লী, অঙ্গ অহুম পাকযি অতুগা অঙ্গ অহুম গম্ভীর (চীঙলেম্বা) ওই।

তৈনবোল

শ্লোক অসি সামুদ্রিক-তগী লৈথোকপনী (৩)।

পঞ্চদীর্ঘ হায়বদি শাংলিবা অঙ্গ মঙাদি নাতোল (নাসা), পাম্বোম (ভুজ), খাযাং (হনু), মীৎ (নেত্র), খুকউ (জানু) অসিনী।

পঞ্চসূক্ষ্ম হায়বদি অপীকপা নত্রগা কূপ্পা অঙ্গ মঙাদি উন্সা (ত্বক্), শম (কেশ), খুৎচাগী তাং (অঙ্গুলি পর্ব্ব), যা (দন্ত), ম (রোম) অসিনী।

সপ্তরক্ত হায়বদি মচু-ঙাংওবা অঙ্গ অবেংতি মীৎপান (নেত্রপ্রান্ত) খুযা (পদতল), খুবাক (করতল), ঙৌ (তালু), চীনবান (ওষ্ঠাধর), লৈযেঙ (জিহ্বা), খুজিন (নখ) অসিনা।

ষট্-উন্নত হায়বদি বাংবা (তোঙবা) অঙ্গ তঙ্কতি থবাক (বক্ষ স্থল) লেবান (স্কন্ধ), খুজিল (নখ), নাতোন (নাসিকা) খ্বাঙ (কটিদেশ), মায়তা (মুখ) অসিনী।

ত্রিহ্রস্ব হায়বদি অতেনবা অঙ্গ অহুমদি ঙক (গ্রীবা), ফবাক (জঙ্ঘা), অথীযম (মেহন) অসিনী।

ত্রিপৃথু হায়বদি অপাকপা (বিস্তীর্ণ) অঙ্গ অহুমদি খ্বাঙ (কটিদেশ) নাইবক (ললাট), থবাক (বক্ষ স্থল) অসিনী।

ত্রিগম্ভীর হায়বদি চাঙলেম্বা (গম্ভীর) অঙ্গ অহুমদি খোযাদৌ (নাভি), সোব (স্বর), লৌশিং (বুদ্ধি) অসিনী।

মূল ১৬-১৭

নারায়ণের চিহ্নযুক্ত শ্রীহস্ত চরণ।
এই শিশু সব লোকের করিবে তারণ॥ ১৬॥
এইত করিবে বৈষ্ণব ধর্ম্মের প্রচার।
ইহা হৈতে হবে দুই কুলের উদ্ধার॥ ১৭॥

শব্দার্থ

নারায়ণের—শ্রীনারায়ণগী, চিহ্নযুক্ত—খুদম য়াবো, শ্রীহস্তচরণ—খুৎকা খোঙগা, এই শিশু—অঙাঙ অসিনা, সব লোকের—মী পুম্নমক্কী,

করিবে—তৌগনী, তারণ—লানবীবা, এইত—মসিমক্না, বৈষ্ণব ধর্ম্মের—বৈষ্ণব ধর্ম্মগী, প্রচার—শন্দোকপা, ইহা হৈতে—মঙোন্দগী, হবে—ওইগনী, দুই অনী কুলেব শাগৈ অনীগী হাযবদি ইপাবোমগী ইমাবোমগী উদ্ধাব অবান থুভম।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(অঙাঙসিগী) থূৎ-খোঙসি শ্রীনাবাযণ কৃষ্ণগী চিহ্নঙান্না যাংবেনী। অঙাংসিনা মী পূম্নমবপু লানবিগনী। মসিমবা বৈষ্ণব-ধর্ম্ম শন্দোক্রগনী। মহাক্নী মপান্না মপাবোমগী মমাবোমগী শাগৈ অনীমক্নী অবানথুভম ওইগনী।

মুল ১৮-১৯

মহেৎসব কব সব—বোলাহ ব্রাহ্মণ।
আজি দিন ভাল, কবিব নাম-কবণ ॥ ১৮ ॥
সর্ব্বলোকেব কবিব ইঁহো, ধাবণ-পোষণ।
বিশ্বম্ভব নাম ইঁহাব এইত কাবণ ॥ ১৯ ॥

শব্দার্থ

মহোৎসব—উৎসব অচৌবা কব তৌবো, সব লোইনমক্না, বোলাহ—কৌহল্লুবো, ব্রাহ্মণ—ব্রাহ্মণ, আজ দিন—ঙসিগী নুমিৎ ভাল—ফৈ, কবিব—তৌগে নাম কবণ—মিংথানবা, সর্ব্বলোকেব—মী পূম্নমক্নী কবিব—তৌগনী, ইঁহো—মহাকসিনা ধারণ-পোষণ যোকপী শেনবাবা, বিশ্বম্ভব বিশ্বম্ভর, নাম—মিং, ইঁহাব—মহাক্নী, এইত—মসিনী, কাবণ—মবম।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহোৎসব অমা তৌবসি, ব্রাহ্মণশিং বু কৌহল্লূবা। ঙসিগী নুমিৎসে ফৈ, অহুনা মমিং থোল্লগে। মী পূম্নমকপু মহাক্নিনা যোকপী শেনবীগনী। মবমসিন, মহাক্নী মিং বিশ্বম্ভর কৌববনী।

মৈনঙ্গোল

অঙাঙ পোকপা নুমীত্তগী তবানীশুবা, তরানীথোইনীশুবা, তবামাথোইনীশুবা নক্ষত্রগা চাম-শুবা নুমীত্তা, নক্ষত্রগা শাগৈগী চৎনবী মতুঙ-ইন্না

অফবা নুমীৎ অফবা থাবান্দা অমসুং শুভযোগ-কব। দা অঙাঙগী নামকবণ (মিংথোনবা) কৈ। মতুগী প্রমাণ ওইনা "দিগবিশিষশত হে তৎকুলাচাবতো বা শুভতিথিদিন-যোগে নাম কুর্য্যাৎ প্রশস্তম।"

মূল ২০

শুনি শচী-মিশ্রেব মনে আনন্দ বাঢ়িল।
ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণী আনি মহোৎসব কৈল ॥ ২০ ॥

শব্দার্থ

শুনি - নাকোঙনা তাবগা, শচী-মিশ্রেব — শ্রীশচীদেবী অমসুং শ্রীজগন্নাথ মিশ্রগী, মনে—পূক্নীঙদা, আনন্দ — নুংঙাইবা, বাঢ়িল — হেঙ্গৎলম্মী ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মণ, ব্রাহ্মণী বামানবী, আনি পুবতুনা, মহোৎসব — অচৌবা উৎসব, কৈল—তৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নীলাম্বর চক্রবর্ত্তীগী বাসি তাবগা শ্রীশচীদেবী অমসুং শ্রীজগন্নাথ মিশ্রগী পূক্নীঙদা নুংঙাইবা হেঙ্গৎলম্মী। মখোয়না ব্রাহ্মণ অমদি ব্রাহ্মণী মযাম কৌরুবগা মহোৎসব তৌখি।

মূল ২১

তবে কথোদিনে প্রভুব জানুচঙক্রমণ।
নানা চমৎকাব তথা কবাইল দর্শন ॥ ২১ ॥

শব্দার্থ

তবে — অতুদগী, কথোদিনে — নুমীৎ কযানীরোমগী মনুঙদা, প্রভুব — মহাপ্রভুগী, জানু-চঙক্রমণ- শন্ শাবগা চৎপা হৌযি, নানা — মখল মখাগী, চমৎকার — অঙকপা, তথা — মতমদুদা, করাইল দর্শন — উহনখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগী নুমীৎ কয়ানীরোম তৌরগা মহাপ্রভুনা শন্-শাদুনা চৎপা হৌয়ি। মতমদুদা অঙকপা মখল মখল উহনখি।

মৈনবরোল

প্রভুনা শন-শাবা হৈবব মতমদা তৌখিবা অডকপা থবক কয়াগী মনুংদা অমখক শ্রীচৈতন্য ভাগবত কী আদি খণ্ড তৃতীয় অধ্যায়দা য়াওবা বারী অমা পনজরি। নো মা প্রভুনা লিল অমা ফাবগা ফমম্লী লিল অদুনস্থ প্রভুবু ফৈজা শানা কোনশল্লম্মী। প্রভুস্থ লিলগী মথক্তা চেপ্লগা নোক্তনা লৈবম্মী। অউবা মীশিংনা হাই হাই' কবম্লো করম্লো' হায়দুনা লাউনরম্মী। খরনা 'গরুড গরুড' হায়না শোল্লম্মী। শচী জগন্নাথ অনীদি কিবদগী কপ্লম্মী। মযাম্না লাওবদু তাবকপদগী লিল অদু প্রভুবু থাদোক্লম্লগা চৎখ্রে। প্রভুনা লিল-দুবু যাগদোবগী চেল্লম্মী। মতমদুদা মযাম্না মাবু যাবগা হন্না পুবকখি অদুগা রক্ষামন্ত্রনচিংবা পাঠ তৌখি।

মূল ২২

ক্রন্দনের ছলে বোলাইল হরিনাম।

নারী-সব হরি বোলে, হাসে গৌরধাম। ২২ ॥

শব্দার্থ

ক্রন্দনের—কপ্পগী, ছলে—তাংনা, বোলাইল—শোলহনখি, হরিনাম—হরিগী মিংলেন, নারী—নুপী, সব—পুম্বনা, হরি বোলে—হরি শোল্লী, হাসে—নোকই, গৌরধাম—শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপ্রভুনা কপশন্নবগা খ্বাইবু হরিনাম শোলহনখি। নুপীশিং পুম্বনা হরি হরি হায়না শোল্লী, অদুগা শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুনা নোকই।

মূল ২৩-২৪

তবে কথোদিনে কৈল পদচঙ্ক্রমণ।

শিশুগণে মিলি করে বিবিধ খেলন ॥ ২৩ ॥

একদিন শচী খৈ সন্দেশ আনিয়া।

বাটা ভরি দিয়া বৈল—'খাও ত বসিয়া' ॥ ২৪ ॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী, কথোদিনে—হুমিং খবগী মতুংদা, কৈল—তৌখি, পদচঙ্ক্রমণ--খোঙ থাংদুনা চৎপা, শিশুগণে—অঙাঙশিংনা, মিলি—

মৈনরোল

প্রভুনা লৈবাক চাবদা শচীমাতানা ঙাঙলম্বদুদা প্রভুনা থুমখিবা রাহু তত্ত্ববিচাবগী কথা ঙাল্লী। মতুংম্বা পাউখুমদি মীংইবা জাতিগী অঙাঙনা পীবা ঙম্বা নত্তে। অতুনা তাক্লিবদি প্রভুনা ঈশ্বরগী থৌদৌ উৎপতনী হাযবনী।

মুল ৩০-৩২

অন্তরে বিস্মিতা শচী বলিল তাঁহারে।
মাটী খাইতে জ্ঞানযোগ কে শিখাইল তোরে॥ ৩০॥
মাটীর বিকাব অন্ন খাইলে দেহ পুষ্ট হয।
মাটী খাইলে বোগ হয—দেহ যায ক্ষয॥ ৩১॥
মাটীব বিকাব ঘটে পানী ভবি আনি।
মাটী-পিণ্ডে ধরি যবে—শোষি যায পানী॥ ৩২॥

শব্দার্থ

অন্তবে—পূক্নুংদা, বিস্মিতা—ঙল্লম্বী, শচো—শচীদেবীনা, বলিল—হাযবকযি, তাঁহারে মঙোন্দা, মহাপ্রভুদা, মাটী—লৈবাক, খাইতে—চাননবা, জ্ঞানযোগ—তত্ত্ববিচাব, কে—কনানা, শিখাইল—তম্বিবম্বগে তোবে—নঙোন্দা, মাটীব—লৈবাক্কী, বিকাব—শকহো, অন্ন—অচাপোৎ খাইলে—চাববদি, দেহ—হকচাঙ পুষ্ট—যোকখৎপা হয—ওই, মাটী খাইলে—লৈবাক চাবগদি, রোগ—অনাবা, হয—ওই, দেহ—হকচাঙ, যায—ওই, ক্ষয—মাঙ-তাকপা, মাটীব বিকাব—লৈবাক্না শকওল্লকপা, ঘটে—চফুদা, পানী—ঈশীঙ, ভবি হাপ্লগা, আনি—পুরকযি, মাটী পিণ্ডে—লৈবাক মতূমদা, ধরি হাপ্লবা, যবে মতমদা, শোষি যায—চূপশল্লী, পানী—ঈশীঙ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শচীমাতানা মপূক্নীঙদা ঙল্লদুনা মচান্নুপাদা হাযবম্মী—লৈবাক চাবগী-দমক জ্ঞানযোগ কনানা নঙোন্দা তাকপীরম্বগে? লৈবাক্না ওইরকপা অচাপোৎ চারগদি হকচাঙ য়োকপা যাই লৈবাক চারগদি অনাবা পোকযি, হকচাঙ কংশল্লী। লৈবাক্না শাবা চফুদা ঈশীঙ হাপ্লগা পুবকযি, লৈবাক মতুমদা হাপ্লগদি ঈশীঙদো চূপশল্লী।

মূল ৩৩

আত্ম লুকাইতে প্রভু কহিল তাঁহারে।
আগে কেনে ইহা মাতা না শিখাইলে মোরে ॥ ৩৩ ॥

শব্দার্থ

আত্ম—মছাবু, লুকাইতে—লোৎনবা হাযত্না প্রভু—প্রভুনা, কহিল—হাযবম্মী তাঁহারে মঙোন্দা (মমাদা) আগে—হান্ননা, কেনে—করিগীনো ইহা—(বা) অসি, মাতা—ইমা, না শিখাইলে—তম্বিদবা; মোরে—ঐঙোন্দা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা মছাবু (ঈশ্বর-নী হাযবা) লোৎনবা হায়ত্না মমাদা হাযবম্মী—ইমা, হান্না বাসি ঐঙোন্দা তাকপিদবদি করিগীনো?

মূল ৩৪

এবে ত জানিনু আব মাটী না খাইব।
ক্ষুধা লাগিলে তোমাব স্তনদুগ্ধ পিব ॥ ৩৪ ॥

শব্দার্থ

এবে ত—হৌজিক্তি, জানিনু—খঙলে, আব—অমুক, মাটী—লৈবাক, না খাইব—চাবরোই, ক্ষুধা—চাক্লাম্বা, লাগিলে—ওইববদি, তোমাব—নঙগী, স্তনদুগ্ধ—খোম্লাং, পিব—থক্কনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হৌজিক্তি খঙলে, লৈবাক অমুক চাবরোই। চাক-লাম্লগদি নঙগী খোম্লাং থক্কনী।

মূল ৩৫

এত বলি জননীব কোলেতে চটিয়া।
স্তনপান কবে প্রভু ঈষৎ হাসিয়া ॥ ৩৫ ॥

শব্দার্থ

এত—অসিখক ; বলি—হাযরগা জননীর অপোকপীগী কেংলেতে —মতম্বাক্তা, চটিয়া—কাহুনা, স্তনপান করে—খোম থকয়ি, প্রভু—প্রভুনা, ঈষৎ—হাইফেৎ, হাসিযা—নোক্লুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

য়া অসিখক হাযরগা মমাগী তম্পাক্তা কাহুনা প্রভুনা হাইফেৎ নোক্লগা খোম থকয়ি।

মূল ৩৬

এই মত নানা ছলে ঐশ্বর্য্য দেখায়।

বাল্যভাব প্রকটিয়া পশ্চাৎ লুকায়॥ ৩৬॥

শব্দার্থ

এইমত—মতৌ অসুম্না, নানা—মখল মখাগী, ছলে—তাংনা, ঐশ্বর্য্য—ঈশ্বর ওইবগী মতৌ, দেখায—উৎলী, বাল্যভাব—অঙাঙ ওইবগী মতৌ, প্রকটিয়া—ফোঙলগা, পশ্চাৎ—তুংদা লুকায—লোংলী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না মখল মখাগী তাংনা ঈশ্বরনী হাযবগী মতৌদু উৎলী। অতুদগী অঙাঙ ওইবগী মতৌ উৎলগা মতুংদা অমূব ঐশ্বর্য্যদু লোংলী।

মূল ৩৭

অতিথি-বিপ্রের অন্ন খাইল তিনবার।

পাছে গুপ্তে সেই বিপ্রে করিল নিস্তার॥ ৩৭॥

শব্দার্থ

অতিথি-বিপ্রের—অতিথি ব্রাহ্মণগী, অন্ন—চাক, খাইল—চাথোকখি, তিনবার—অহুম্রক পাছে—তুংদা, গুপ্তে—নোম্না, সেই-বিপ্রে—ব্রাহ্মণদুবু, করিল নিস্তার—লানবিখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতিথি-ব্রাহ্মণগী চাক অহুম্রক প্রভুনা চাথোকখি। তুংদা লোম্না ব্রাহ্মণ অদুবু লান্‌বিখি।

মৈনবোল

নোংমা মুন্দা.দা তীর্থ-চৎপা ব্রাহ্মণ অমা জগন্নাথ মিশ্রগী যুমদা অতিথি ওইখি। ব্রাহ্মণসিনা চাক থোংবা লোইবগা ইষ্টদা ভোগ কৎতুনা মন্ত্রধ্যান তৌবিঙৈদা কদাযদগীনো নিপামচা নিমাই লাক্লগা কৎলিবা চাক অদু চাবস্বদো উবে। ভোগ অদু মাংলে অমস্তুং মাঙডে হাযতুনা ব্রাহ্মণতুনা কবিনো তৌবিসিদি হাযবম্মী। জগন্নাথ মিশ্রনা শাউখিবনা মৈ হৌতুনা মচাবু চৈত্থনা ব্রাহ্মণতুদা অমুক হন্না চাক থোংবিযু হাযনা হাযজরম্মী। ব্রাহ্মণতুনা লুক অমুক হৌবি, অদুগা শচীমাতানা নিমাইবু পমতুনা অতোপ্পগী যুমদা চৎখিরম্মী। অতুবু ব্রাহ্মণতুনা ভোগ চন্দুনা ধ্যান তৌবিঙৈদা ববম তৌবক্লিবনো খুঙদে নিমাইনা অমুক লাক্তুনা চাক অদু চাবম্মী। অদুদগী মিশ্রনা নিমাইবু যুগে তৌবম্মী অদুবু নিমাইদি হৌতুনা চেনখ্রে। বিশ্বরূপনা হায়ভতুনা ব্রাহ্মণতুনা লুক অমুক হৌবম্মী নিমাইদু ইমুদা তুম্লে, অদুগা মিশ্রনা চৈ অমা পাযবগা থো জৌন্দা শঙনম্মী। ব্রাহ্মণনা ভোগ চন্দুনা ধ্যান তৌবিঙৈদা নিমাইনা লাতুনা চাক চাখৎলম্মী। হন্দকমুক্তি যোগমাযাগী থোবাংনা মিশ্রনচিংবা মী পুম্নমক তুম্নবম্লে। প্রভুনা হন্দকমুক্তি বালগোপালগী মূর্তিদা দর্শন পীবগা ব্রাহ্মণতুবু ধন্য ওইহনখি।

মসিগী মবমদা বাবী শন্দোক্পা শ্রীচৈতন্যভগবত গ্রন্থদা যাওবি।

মূল ৩৮

চোরে লৈযা গেল প্রভুকে বাহিরে পাইযা।
তার স্কন্ধে চড়ি আইলা তারে ভুলাইযা॥ ৩৮॥

শব্দার্থ

চোরে—হুবানবনা, লৈযা—পুতুনা, গেল—চৎখ্রে, প্রভুকে—প্রভুবু, বাহিরে—মাপান্দা, পাইয়া—ফংতুনা, তার—মাগী স্কন্ধে—শেঙবান্দা, চড়ি—তোংতুনা, আইলা—লাকখি, তারে—মহাকপু, ভুলাইযা—শুমহৎতুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপ্রভুবু যুমগী মাপান্দা থেংনতুনা হুবানবনা পুতুনা চৎখ্রে। প্রভুনা হুরানবতুব শুমহৎলগা মাগী মকেংবান্দা তোংলগা যুমদা হল্লকখি।

ঐনবরোল

প্রভুনা অঙাঙ শীংএক ওইবিভেদা নোংমদি প্রভুনা থোক্লম্বা লীকোন শিংদু পাম্বদগী হুবানবা অনীনা বোন্দুনা পম্নগা মগম মাঝকৈ পাংখি। অদুব বৈষ্ণবীমায়ানা মখোয়দু লম্বেল কাউথি, মতম যাম্না শাংনা কোয়না চৎশুরগা কোন্থংদা জগন্নাথ মিশ্রগী যুমদা থুংঙবগা মখোযগী যুমদা থুংলে হায়না থনখি, অদুনা নিমাইদা হায়রম্মী বে বাপ হৌজিক্তি কুমথবো, যুম যৌরে। হৌজিক অঙাঙগী লাম্বোলশিংদু নৌথোকপা যাবগনী হায়না যাম্না নুংঙাইজবাম্ম। মতমদুদা প্রভুনা হুরানবগী তম্বাক্তগী কুমথবগা চৎখিদুনা জগন্নাথ মিশ্রগী মতম্বাক্তা কাববে। মতমদুদা হুবানবশিংদু ভাব তাবক্লে, অদুদগীদি খোঙবাপ অমা, অনী থাংলগা হৌদুনা চেনখি।

মযমসিদা হুবানবব শুমহৎতুনা মযমদা প্রভুনা হল্লকপসি ঈশ্বরগী মতৌ অমনী। ব্রাবিসিগী মবোল অদূপ্পদি শ্রীচৈতন্যভাগবতদা যাওরিবনী।

মূল ৩৯

ব্যাধিচ্ছলে জগদীশ-হিরণ্যসদনে।
বিষ্ণুর নৈবেদ্য খাইলা একাদশী দিনে ॥ ৩৯ ॥

শব্দার্থ

ব্যাধি-ছলে—নাবে হায়শন্নদুনা, জগদীশ-হিরণ্য—জগদীশ পণ্ডিত অমসুং হিরণ্যগী, সদনে যুমদা, বিষ্ণুর—বিষ্ণুগী, নৈবেদ্য—বৎপা লূব, খাইলা—চাখি, একাদশী দিনে একাদশী নুমিত্তা।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

প্রভুনা নোংমা নাবে হায়শন্নদুনা জগদীশ অমসুং হিরণ্যগী যুমদা একাদশী নুমিত্তা বিষ্ণুগী নৈবেদ্য কৎপা চাদু হাখি।

ঐনবরোল

নোংমা প্রভুনা নাশন্নদুনা কপ্লম্মী। মহৌশাদি কপ্লগা মযাম্না হরিনাম হেক শোনবদা কপ্পা যবনা। অদুবু হন্দক্তি হরিনাম শ্রবণ তৌরফাওবদা প্রভুগী কপ্পা তোরমত্রে। কপ্পা তোক্লবা য়াম্না কন্না মযাম পূম্নমক্না তোংন-রিভৈদা প্রভুনা হায়রকযি - নখোয়না ইথক্লাই কনবিগে হায়ববদি জগদীশ-পণ্ডিত অমসুং হিরণ্যগী মনাক্তা চৎলো। ওসি একাদশীনী, মখোযনী চারা

হেন্দুনা বিষ্ণুগী নৈবেদ্যগীদমক পোৎ লাওলিবনী। নৈবেদ্যগী পোৎশিংদু পুবক্তুনা ঐঙোন্দা পীজববদি ঐহাক নাবা যগনী। ব্রাসি তাবদা মযাম পূম্নমক ইঙক ঙকখি। জগদীশকা হিবণ্যগস্ক ব্রাসি তাবদা খল্লম্মী, ঙসিসে হবিবাসবনা (একাদশীনী) হাযবদু পীশক পীক্লিবা অঙাঙ নিমাইমা করম্না খঙলিবা। অদুগা বিষ্ণু-নৈবেদ্যগী ব্রাসিমা কবম্না খঙলিবা। শোযদে, অঙাঙনিনী দেহদা বালগোপাল লৈনা তাই। অম্সুম্না খল্লগা মখোযনা মথূৎমক্লা বিষ্ণুগী নৈবেদ্য পুবক্তুনা নিমাইদা পীজখি।

মযমসিদা একাদশীব্রত অমস্তুং বিষ্ণুনৈবেদ্যগী বা খঙলিবসে ঈশ্বব-চেৎনি। বাবিস মাচা খাযনা শ্রীচৈতন্যভাগবতদা যাওবি।

মূল ৪০

শিশুসব লৈযা পাড়া পড়সীব ঘবে।
চুবি কবি দ্রব্য খায মাবে বালবেবে। ৪০ ॥

শব্দার্থ

শিশু—অঙাঙ, সব—পূম্নমক, লৈযা—লোযনবগা, পাড়া—লৈকাই, পড়সীব—যম্নোন্নবগী, ঘবে—যমদা, চুবি কবি—হুবান্দুনা, দ্রব্য—পোৎ, খায—চায, মাবে—যৈ, বালকেবে—নিপামচাদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অঙাঙ পূম্নমক্না লোযননা কৈবোয-লৈকাযগী যুমদা পোৎ হুবান্দুনা চায অদুগা নিপামচাশিংবু যৈবী।

মূল ৪১

শিশুসব শচীস্থানে কৈল নিবেদন।
শুনি শচী পুত্রে কিছু দিলা ওলাহন ॥ ৪১ ॥

শব্দার্থ

শিশুসব—অঙাঙ পূম্বনা, শচীস্থানে—শচীগী মযমদা, কৈল—তৌরম্মী, নিবেদন—হঙ্গৎপা, শুনি—মনাকোন্না তারদুনা, শচী—শচীনা, পুত্রে—মচানুপাদা, কিছু—খরা, দিলা—পীরম্মী, ওলাহন—ঙাঙবা, চৈবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অঙাঙপুম্বনা শচীগী মফমদা বা পূম্বা হঙ্গৎলম্মী। মনাকোঙনা তাবত্তুনা। শচীনা মচানুপাদা ঙাঙ-চৈরম্মী।

মূল ৪২

কেনে চুরি কর কেনে মারহ শিশুরে।
কেনে পর-ঘরে যাহ কিবা নাহি ঘরে ॥ ৪২ ॥

শব্দার্থ

কেনে—করিগীনো; চুরি কর—হুরাল্লিরদি, কেনে—করিগীনো মারহ—যৈরীকই, শিশুরে—অঙাঙমচাশিংদা, কেনে—করিগীনো পর-ঘরে—অতোপ্পগী যুমদা, যাহ—চৎলী কিবা নাহি—করি লৈতে, ঘরে—যুমদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শচীনা হাযরম্মী—করিগী হুরাল্লি, করিগী মীগী মচা পীশকশিংবু যৈরিরুই? করিগীনো মীগী যুমদা চৎলিবা? নযুমদা করি লৈত্রবগে।

মূল ৪৩

শুনি প্রভু ক্রুদ্ধ হৈয়া ঘর ভিতর যাঞা।
ঘরে যত ভাণ্ড ছিল ফেলিল ভাঙ্গিয়া ॥ ৪৩ ॥

শব্দার্থ

শুনি—নাকোঙনা তাবদা, প্রভু—শ্রীমন্মহাপ্রভুনা, ক্রুদ্ধ—অশাউবা, হৈয়া—শুইরত্তুনা, ঘর ভিতর—ইমুংদা, যাঞা—চংত্তুনা, ঘরে—যুমদা, যত—খিবিব, ভাণ্ড—চফু, ছিল—লৈরম্মী, ফেলিল—লংশেকখি, ভাঙ্গিয়া—থুগাইত্তুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শচীনা ঙাঙরকপু) নাকোঙনা তাররদা মহাপ্রভুনা ইমুংদা চংত্থগা যুমদা লৈরম্বা চফু খিবিক্তো থুগাইত্তুনা লংশেকখি।

মূল ৪৪

তবে শচী কোলে করি করাইল সন্তোষ।

লজ্জিত হইলা প্রভু জানি নিজদোষ ।। ৪৪ ।।

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী শচী—শচীনা, কোলে করি—ভম্পাক্তা কোন-খৎলগা, করাইল সন্তোষ—হবাওহল্লম্মী, থেমজন্নুনা পেলহল্লম্মী, লজ্জিত—ইকাইবা, হইল—ওইখি প্রভু—মহাপ্রভুনা, জানি—খঙলগা, নিজ—মহাগী, দোষ—লানবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী শচীমাতানা প্রভুবু মতম্বাক্তা কোনখৎলগা থেমতুনা পেল-হনখি। প্রভুন মহাগী মবাল খঙলকুনা ইকাইখি।

মূল ৪৫

কভু মৃদু হস্তে কৈল মাতাকে তাড়ন।

মাতাকে মূর্চ্ছিতা দেখি করয়ে ক্রন্দন।। ৪৫ ।।

শব্দার্থ

কভু—কবিগুম্বা মতমদা, মৃদু—ভপ্না, হস্তে—খুৎনা, কৈল—তৌখি, মাতাকে—মমাবেম্মবু, তাড়ন—ফুবা; মাতাবু—মমাবু, মুর্চ্ছিতা—রাম্থবা, দেখি—উবতুনা, করয়ে—তৌযি, ক্রন্দন—কপ্পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

করিগুম্বা মতমদা তপ্পা মখুৎতুনা মমাবেম্মদা ফুখি। মমানা রাম্থরম্বা উরগা প্রভুনা কপ খি।

তৈমনরোল

তশেংবদি শচীমাতাহু রাম্থবমদে। প্রভুনা তপ্না ফুবা চৈফুহুদা য়াম্না নাবে হায়না রাম্থশন্নরম্বদনী।

মূল ৪৬

নারীগণ কহে—নারিকেল দেহ আনি।

তবে সুস্থ হইবেন তোমার জননী।। ৪৬ ।।

শব্দার্থ

নারীগণ—নুপীশিংনা, কহে—হায়বম্মী, নারিকেল—যুবী, দেহ—পীবো, আনি—পুবক্তুনা, তবে—অদু ওইববদি, সুস্থ হইবেন—হন্থবকনী, তোমার—নহাক্কী, জননী—অপোকপী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(মতমন্থুদা) নুপীশিংনা হায়রম্মী—যুবী লৌকচো। অদু পীববদি নমাসী ব্রাস্থবদগী হন্থবকনী।

মূল ৪৭

বাহির হইয়া আনিল (প্রভু) দুই নারিকেল।

দেখিয়া অপূর্ব্ব হৈল বিস্মিত সকল ॥ ৪৭ ॥

শব্দার্থ

বাহির হইয়া—মাপান্দা থোকখ্রগা, আনিল—পুবকখি, প্রভু—প্রভুনা, দুই—অনী নারিকেল—যুবী, দেখিয়া—উবগা অপূর্ব্ব—অঙকপা থোদোক হৈল—ওইখি, বিস্মিত—ঙকপা, সকল—মী পূম্নমক।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা মাপাল্লোমদা থোকখ্রগা যুবী অনীখক পুবক্তুনা পীরবে। অঙকপা থোদোকতু উবগা লোইনমক্না ঙকখি।

টৈনরোল

মাপান্দা থোকখিবা অতুগা যুবী পুংনা লাকপতুদা মযাম্না ঙকখি, মবমদি কদায়দগী যুবী পুবক্লিবনো হায়বতু মযাম্না হায়বা ঙম্মদে। মসিমস্তু প্রভুনা উৎপা ঐশ্বর্য্য অমগী খুদম্নী। মহাক্না হেক নীঙঙকপগা লীলাশক্তিনা মথুত্তা যুবী পীবল্লিবনী।

মূল ৪৮

কভু শিশুসঙ্গে স্নান করেন গঙ্গাতে।

কন্যাগণ আইলা তাঁহা দেবতা পূজিতে ॥ ৪৮ ॥

শব্দার্থ

কভু—করিগুম্বা মতমদা , শিশুসঙ্গে—অঙাঙশিংগা লোযননা , স্নান করেন— স্নান তৌগ্নি , গঙ্গাতে—গঙ্গাতুরেন্দা , কন্যাগণ—লৈশাবীশিংনা , আইলা—লাকখি , তাহাঁ— মফমতুদা , দেবতা—লাই , পূজিতে—পূজা তৌবগী ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কবিগুম্বা মতমদা প্রভুনা অঙাঙশিংগা লোয়ননা গঙ্গাস্নান তৌবা লাকখি মফমতুদা লৈশাবীশিংনা দেবতা পূজা তৌবগী লাক্লম্মী ।

মূল ৪৯

গঙ্গাস্নান করি পূজা করিতে লাগিলা ।

কন্যাগণ মধ্যে প্রভু আসিয়া বসিলা ।। ৪৯ ।।

শব্দার্থ

গঙ্গাস্নান—গঙ্গাদা ইরুজবা , করি—তৌবগা , পূজা—পূজা করিতে —তৌবা , লাগিলা—হৌবম্মী , কন্যাগণমধ্যে—কন্যাশিংগী মরক্তা , প্রভু —প্রভুনা , আসিয়া—লাক্লুনা , বসিলা—ফমখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গঙ্গাস্নান তৌবগা কন্যাশিংনা দেবতা পূজা তৌবা হৌবম্মী । মতমতুদা প্রভুনা লাক্লুনা মখোযগী মরক্তা ফম্লম্মী ।

মূল ৫০

কন্যাগণে কহে—আমা পূজ, আমি দিব বর ।

গঙ্গা দুর্গা দাসী মোর মহেশ কিঙ্কর ।। ৫০ ।।

শব্দার্থ

কন্যাগণে—লৈশাবীশিংদুদা , কহে—হায ; আমা—ঐবু ; পূজ— পূজা তৌ , আমি—ঐ , দিব—পীগে , বর—অপাম্বা , গঙ্গা—গঙ্গা দেবী , দুর্গা—দুর্গা দেবী ; দাসী—মীনাইনুবী ; মোর—ঐগী , মহেশ—শিব মহাদেব , কিঙ্কর—মীনাই নুপা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা কন্যাশিংদা হায়রম্মী—ঐবু পূজা তৌ: ঐ হন্ন পীবিগে। গঙ্গাগা দুর্গাগদু ইনাইনুবীনী, অদুগা শিব মহাদেবসু ইনাইনী।

নৈনরোল

পযারসিদা হাযরিবা ব্রাফমসিনসু মহাপ্রভু ঈশ্বরনী হাযবদু তাক্লি। মহাক মছামক্কা ভগবান্ ওইবনা গঙ্গা—দুর্গা-নচিংবসি তত্ত্বগী হাযকবগদি মহাক্কী শক্তিনী, অদুগা মখোযসি মাগী অংশকলা ভাক্তনীনা মাগী মনাই (দাস—দাসী) ভাক্লী অমসুং স্বয়ং ভগবানবু পূজা তৌবগা দেব দেবী অতৈ পুম্বনা অদুগা ভগবৎ-স্বরূপ পুম্বনা পেল্লী হাযবসিসু তত্ত্বগী হায়রগদি অওইব। ব্রানী।

মূল ৫১

আপনি চন্দন পরি পরেন ফুলমালা।

নৈবেদ্য কাড়িয়া খান সন্দেশ চালু কলা॥ ৫১॥

শব্দার্থ

আপনি—মছামথন্তনা চন্দন পরি—চন্দন থিন্দুনা, পরেন—শি, ফুলমালা—লৈপরেং, নৈবেদ্য—কৎলিবা পোৎ, কাড়িয়া—মুন্নগা, লান্নগা, খান—চায়, সন্দেশ—সন্দেশ, চালু—চেঙ, কলা—লফোই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভু মছামক্কা চন্দন থিনজরগা লৈপরেং শিজনজৈ, কৎলম্বা সন্দেশ, চেঙ, লফোই-নচিংবা পোৎশিংদু লাক্তুনা চারম্মী।

মূল ৫২-৫৩

ক্রোধে কন্যাগণ বোলে—শুনহে নিমাই।

গ্রাম-সম্বন্ধে তুমি আমা সভাকার ভাই॥ ৫২॥

আমা সভার পক্ষে ইহা করিতে না জুয়ায়।

না লহ দেবতাসজ্জ, না কর অন্যায়॥ ৫৩॥

শব্দার্থ

ক্রোধে শাউবনা; কন্যাগণ—লৈশাবীশিংনা, বোলে—হায়;

শুনহে - তাওনে হৈ নিমাই—হে নিমাই , গ্রাম-সম্বন্ধে—কৌরাই-লৈকাইগী মবীদা , তুমি—নহাক আমা-সভাকাব—ঐখোয লোইনমক্কী , ভাই ইপ্পানী আমা-সভাব—ঐখোয পুম্বগী মযমদা , ইহা—মসি , কবিতে - তৌবা , না জযায—তৌনদে , না লহ লৌগনু , দেবতাসজ্জ—লাইগীদমক সাজ তৌরিবা পোৎশিংসে , না কব—তৌগনু , অন্যায - নত্তবা, চুমদবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কন্যাশিংনা শাউদুনা হায়বম্মী—হে নিমাই, ননাকোঙডুনা তাজৌ। গ্রাম-সম্বন্ধদা নহাক ঐখোয লোইনমক্কী ইবং-ইপ্পানী, ঐখোযগী ইযমদা পৌবিবসে তৌনদে। লাইগীদমক সাজ তোৎববা পোৎলমশিংসে লৌগনু, নত্তবা ওইদবা তৌগনু।

মূল ৫৪

প্রভু কহে—তোমা সভাকে দিল এই বর।
তোমা সভাব ভর্ত্তা হবে পবমসুন্দব ।৫৪ ॥

শব্দার্থ

প্রভু—মহাপ্রভুনা , কহে—হায , তোম সভাকে—নাখোই পুম্বদা , দিল পীববনী , এই বব—বব অসি তোমা সভাব—নখোয পুম্বগী ভর্ত্তা—নপুবোইবা , হবে—ওইগনী , পবমসুন্দব—খ্বাইদগী হেন্না শকযজবা ।

মৌতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা হায়বম্মী—নখোয লোইনমক্তা ঐনা বব অসি পীবি মতুদি নখোয় লোইনমক্কী নপুবোইবাদা খ্বাইদগী হেন্না শকফজবনা ওইগনু ।

মুল ৫৫

পণ্ডিত বিদগ্ধ যুবা ধনধান্যবান ।
সাত সাত পুত্র হৈবে চিবাযু মতিমান্ ॥ ৫৫ ॥

শব্দার্থ

পণ্ডিত—লাইরীক হৈবা মী , বিদগ্ধ—রস-খঙবা, রসিক , যুবা—

পাখং, ধনধান্যবান্ - লনগা ফোগগী মপু, সাত সাত - তরেং তরেং; পুত্র—মচানুপা, হৈবে—ওইগনী, চিবায়ু - পুন্সি-ন্নুংশাংবা, মতিমান—বুদ্ধি-লৈবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা মখাতানা হায়বম্মী — নখোয়গী নপুবোইবদি) পণ্ডিত বসিক অদুগা মবল-মথুম লৈবা পাখণ্ড ওইগনী, নচানা তরেং তরেং পোক্কনী, মখোয় পুন্সি-ন্নুংশাগনী অদুগা বুদ্ধি-লৈবা ওইগনী।

মূল ৫৬

বব শুনি কন্যাগণেব অন্তরে সন্তোষ।
বাহিবে ভৎর্সনা কবে কবি মিথ্যা রোষ ॥ ৫৬ ॥

শব্দার্থ

বব—বর, শুনি—তাবগা, কন্যাগণেব—লৈশাবীশিংগী অন্তবে—মপূক্কীওদা, সন্তোষ—পেনবা (ওই), বাহিরে—মপান্থো দা, ভৎর্সনা—চৈবা, করে—তৌযি, কবি—তৌবগা, মিথ্যা—ওইদবা, বোষ—মশাউ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা পীবা বর অদু মনাকোওনা তারগা কন্যাশিংদু পূক্কুংদা হরাংজবম্মী, অদুগা মপান্থোংদনা শাউশন্নদুনা চৈবম্মী।

মূল ৫৭-৫৮

কোন কন্যা পালাইল নৈবেদ্য লইযা।
তাবে ডাকি প্রভু কহে সক্রোধ হইযা ॥ ৫৭ ॥
যদি মোবে নৈবেদ্য না দেহ হইযা কৃপণী।
বুড়া ভর্ত্তা হবে আব চারি চারি সতিনী ॥ ৫৮ ॥

শব্দার্থ

কোন—কনাগুম্বা, কন্যা—লৈশাবীনা, পালাইল—চেল্লম্মী, নৈবেদ্য—কৎনবা পোৎ, লইযা—পুদুনা, তাবে—মাবু, ডাকি—কৌবগা, প্রভু—মহাপ্রভুনা, কহে—হায, সক্রোধ হইযা—অশাউবগা লোয়নননা,

যদি—বদি , মোরে—ঐঙোন্দা , নৈবেদ্য—কংনবা পোৎ , না দেহ—পীবন্নু , হইয়া—ওইদুনা . কৃপণী—অবিকপী বুড়া—হন্নুবা , ভর্ত্তা—নপুবোইবা হবে—ওইজগনী আর—অতুগা , চারি চারি—মরি মরি ; সতিনী—তুবোন্নবী (ওইগনী) ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কনা কনাগুম্বী লৈশাবীনা নৈবেদ্য পুতনা চেল্লম্মী , মখোযদুবু প্রভুনা কৌবগা শাউন শাউনা হাযবম্মী—অবিকপী ওইদুনা নৈবেদ্যদু ঐঙোন্দা পীদ্রবদি হন্নুবা নপুবোইবা ফংজগনী অতুগা তুবোন্নবীস্নু মরি মরি লৈজনী ।

মূল ৫৯

ইহা শুনি তা-সভার মনে হৈল ভয়— ।

জানি কোন দেবাবিষ্ট ইহাতে বা হয় ॥ ৫৯ ॥

শব্দার্থ

ইহা—ব্রাসি , শুনি—নাকোঙনা তাদুনা , তা-সভার—মখোয লোইনমক্কী , মনে—পুক্কীঙদা , হৈল—ওইখি ভয়—অকিবা , জানি—কনানা খঙনী , কোন—কনাগুম্বা , দেবাবিষ্ট—লাইচঙবা , ইহাতে—মঙোন্দা , বা হয়—ওইবস্বা যাই ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুগী) ব্রাসি মনানা তাবগা মখোয লোইনমক্কী মপুক্কীঙদা অকিবা পোকখি । কনানা খঙনী করিনো লাই অমনা মঙোন্দা চঙলম্বস্নু যাইনা ।

মূল ৬০

আনিয়া নৈবেদ্য তারা সম্মুখে ধরিল ।

খাইযা নৈবেদ্য তারে ইষ্টবর দিল ॥ ৬০ ॥

শব্দার্থ

আনিয়া—পুরকুনা , নৈবেদ্য—কংনবা পোৎ , তারা—মখোযনা ; সম্মুখে—মাঙদা , ধরিল—পাযবম্মী ; খাইযা—চারগা , নৈবেদ্য—কংলবা পোৎ , তারে—মখোযদা , ইষ্টবর—অপাম্বা বর ; দিল—পীখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মখোয়শিংদুনা নৈবেদ্য পুবক্লনা মমাঙদা লাকখি। নৈবেদ্য চাবগা প্রভুনা মখোয়দা অপাম্-অপাম্বা বর পীখি।

মূল ৬১

এইমত চাপল্য সব লোকেবে দেখায়।

দুখ কাবো মনে নহে সভে সুখ পায়॥ ৬১॥

শব্দার্থ

এইমত—মতৌঅসুম্না, চাপল্য—পুক্নীঙ তযাবা, সব—পুম্বা, লোকেবে—মীওন্দা দেখায—উৎলী, দুখ—নুঙাইতবা, কাবো—কনাগীসু, মনে—পুক্নীঙদা, নহে—ওইদে, সভে—পুম্নমক্না, সুখ—নুংঙাইবা, পায—ফংঙী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না মপুক্নীঙগী তযা,-তশোইবা মা পুম্নমক্না উৎলী। কনা-গুম্বগী মপুক্নীঙদা নুংঙাইতবা পোক্তে, লেইনমক্না নুংঙাইবদুম ফংলম্মী।

মূল ৬২

একদিন বল্লভাচার্যের কন্যা লক্ষ্মী নাম।

দেবতা পুজিতে আইলা করি গঙ্গাস্নান। ৬২।

শব্দার্থ

একদিন—নোংমা, বল্লভাচার্য্যের—শ্রীবল্লভাচার্য্যগী, কন্যা—মচা-নুপী, লক্ষ্মী নাম—লক্ষ্মী কৌবীদো, দেবতা—লাই পূজিতে—পূজা তৌবা, আইলা—লাকখি, করি—তৌবগা গঙ্গাস্নান—গঙ্গাদা ইরুবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা শ্রীবল্লভাচার্য্যগী মচানুপী লক্ষ্মী কৌবীদো গঙ্গাস্নান তৌবগা লাই পূজা তৌবা লাকখি।

মূল ৬৩

তাহা দেখি প্রভুর হৈল সাভিলাষ মন।

লক্ষ্মী চিত্তে প্রীত পাইলা প্রভু-দরশন॥ ৬৩॥

শব্দার্থ

তাহা—মহু , দেখি—উরগা প্রভুর—মহাপ্রভুগী , হৈল—ওইখি , সাভিলাষ—অনীঙবগা লোয়নমা , মন—পুক্লীও , লক্ষ্মী—লক্ষ্মীনা . চিত্তে —থম্মোইদা , প্রীত পাইলা—পেনজখি , প্রভু দরশন—প্রভুবু উবদো ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহু উরগা প্রভুগী পুক্লীওদা অনীঙবা অমা পোকখি । প্রভুবু উবদা লক্ষ্মীগীসু মপুক্লীওদা পেনজখি ।

মূল ৬৪-৬৫

সাহজিক প্রীতি দোঁহার করিল উদয় ।

বাল্যভাবাচ্ছন্ন তভু হইল নিশ্চয় ।। ৬৪ ।।

দোঁহা দেখি দোঁহার চিত্তে হইল উল্লাস ।

দেবপূজাচ্ছলে দোহে করেন প্রকাশ ।। ৬৫ ।।

শব্দার্থ

সাহজিক—হৌনশা ওইবা , প্রীতি—নুংশিবা দোহার—অনীগী , করিল উদয—থোরকখি , বাল্যভাব-আচ্ছন্ন (অনীমক) অঙাং ওইবগী ভাব অমনা কুপ্লম্মী , তভু—অদুম ওইনমক , হইল—ওইখি নিশ্চয— অবেপ্পা , দোঁহা—অনী , দেখি—যেংনবগা , দোঁহার—অনীগী , চিত্তে— পুক্লীওদা , হইল—ওইখি , উল্লাস—হরাওবা , দেব-পূজাচ্ছলে—লাই-পূজা তৌবনী হায়শন্নদুনা , দোহে—অনীনা , করেন—তৌযি , প্রকাশ — ফোঙদোকপা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অনীমক্তা হৌনশা ওইবা নুংশিবা পোকখি । অঙাং ওইবগী ৱাখল্লা কুপ্পল্লবসু শোযদ্রে হাযবা অমদি নীঙনখি । অনীনা যেংনবগা অনীগী থম্মোইদা হরাওবা পোকখি । দেব-পূজানী হাযনা থোকহল্লগা অনী মশেল ফোঙদোক্নৈ ।

বৈনবরোল

সাহজিক প্রীতি—হৌনশা ওইবা নুংশিবা হাযবদি হান্নদগী লৈনবকপা নুংশিবা হাযবনী । দ্বাপর-লীলাদা প্রভু শ্রীকৃষ্ণ ওইখিবনী অদুগা লক্ষ্মী-দেবীসু তত্ব খিকবগদি বৈকুণ্ঠগী মবেম্মা লক্ষ্মীনী , মতোন্দা জানকী অমসুং

রুক্মিণীগী ভাবস্থু লৈবম্মী। লক্ষ্মীগা জানকীগনা শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ-বিশেষগী কান্তানী (নুপীনী), অদুগা রুক্মিণীনা শ্রীকৃষ্ণ মহামক্কী কান্তা-নী, মবমদুনা লক্ষ্মীদেবীগা প্রভুগা মতম-পুম্বগী ওইবা নুপা নুপী ওইবগী (দাম্পত্য ভাবকী) সম্বন্ধ অমা লৈবম্মী। প্রকট লীলাদা মতম অদুফাওবগী মনুং দা মখোয়নীমক বাল্য-ভাব-তা চঙদুনা লৈবনা মাখোয়নীগী দাম্পত্যভাব অদু যোঙদোক্কবা ওইনা লৈবম্মী। হৌজিক্তি অমগা অমগা উনবদা মখোয়গী দাম্পত্যভাব অদু যোঙদোরক্কদ্রবস্থু মদুগী ওইবা নুংশিনবদি মখোয় অনীমক্কী চিন্তদা পোকখি। মবমদুনা অনীনা মশেল উনবদা অনীমক্কী থম্মোইদা হবাওবা পোকখি। মখোয়নী নুংশিনবগী ভাবসে দেবপূজা তৌবনী হায়শন্নবগা ফোঙদোরখি।

মূল ৬৬

প্রভু কহে—আমা পূজ, আমি মহেশ্বর।

আমারে পূজিলে পাবে অভীপ্সিত বর ॥ ৬৬ ॥

শব্দার্থ

প্রভু—প্রভুনা কহে- হায় আমা—ঐবু, পূজা—পূজা তৌ, আমি—ঐ, মহেশ্বর—শিব মহাদেবনী, আমারে—ঐবু, পূজিলে—লাৎলবদি, পাবে- ফংগনী, অভীপ্সিত—অপাম্বা, বর—বর।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়রম্মী—ঐবু লাৎচৌ, ঐহাক শিব মহাদেবনী। ঐবু লাৎলবদি অপাম্বা বর (নিজবা পোৎ নত্রগা অপাম্বা নিপা) ফংগনি।

নৈনরোল

বর শব্দগী অর্থ অমনা অপাম্বা হায়বনী। কবিগুপ্তা পোৎ অমা ফংজগে হায়দুনা লাই থুকুম্নে অদুদা লাইদুনা মাবু লাৎলিবা মীদুগী অনীঙবা থু হল্লী। প্রভুনা লক্ষ্মীদা হায়রম্মী—"ঐবু পূজা তৌববদি নঙনা নিজবা (প্রার্থনা) অদু থুংগনী।"

বর-গী অর্থদি নুপীগী মপুরোইবস্থু (পতি) হায়নৈ। অদুনা অভীপ্সিত বরগী অর্থ অপাম্বা নুপা হায়বস্থু য়াই। প্রভুনা হায়রিবসিগী ওইবা য়াবা অর্থ অমদি অসিনী—"অসিগুম্বা নিপা (বর) অমা ফংনীঙদুনা মহেশ্বর

পূজা তৌবা লাক্লিবদো, ঐবু পূজা তৌত্রবদি অপাম্বা নিপাত্নু ফংগনী। "প্রভুগী বাহৈসিনা তাক্লিবা ইঙ্গিৎ-তি অসি ওইবা য়াই মহুদি—"ঐসে নহাক্কী মহেশ্বরনী, ঐমক্কী নঙনা পামজরিবা নপুবোইবদি।"

মূল ৬৭

লক্ষ্মী তাঁর অঙ্গে দিল পুষ্প চন্দন।

মল্লিকার মালা দিয়া করিল বন্দন ।। ৬৭ ।।

শব্দার্থ

লক্ষ্মী—লক্ষ্মীনা, তাঁর—মহাক্কী (প্রভুগী), অঙ্গ—হকচাঙদা, দিল—কংখি, পুষ্প—লৈ, চন্দন—চন্দন, মল্লিকার মালা—মালিবা লৈবাংগী পরে, (মালা), দিয়া—কংতুনা, করিল—তৌখি, বন্দন—খুরুম্বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুগী রা তাবগা) লক্ষ্মীদেবীনা প্রভুগী অঙ্গদা লৈ-চন্দন থোগন্খি। মালিকা-পরেং কংলগা খুরুমজখি।

মুল ৬৮

প্রভু তাঁর পূজা পাঞা হাসিতে লাগিলা।

শ্লোক পড়ি তার ভাব অঙ্গীকার কৈলা ।। ৬৮ ।।

শব্দার্থ

প্রভু—মহাপ্রভুনা, তাঁর—মহাক্কী (লক্ষ্মীগী), পূজা—পূজা, পাঞা—ফংলতুনা, হাসিতে—নোকপা, লাগিলা—হৌখি, শ্লোক পড়ি—শ্লোক পাদুনা, তার—মহুগী, ভাব—ভাব, অঙ্গীকার কৈলা—লৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা লক্ষ্মীগী পূজা ফংলগা নোকপা হৌখি। শ্লোক পারগা মহুগী ভাব লৌখি।

তৈনবোল

লক্ষ্মীগী পূজাদু লৌবিবে হায়বগী ভাব উৎপগীদমক প্রভুনা নোক্লম্বনী। প্রভুনা পারম্বা শ্লোকসি শ্রীমদ্ভাগবতমদগী লৌথোকপনী, শ্রীকৃষ্ণ

মপুবোইবা ক্‌জগে হায়দুনা গোপকন্যাশিংনা কাত্যায়নী ব্রত তৌবন্মী। ব্রত মপূঙফাবা তুম্নীত্তা মখোয়না যমুনা-স্নান তৌবগী ঈশীঙদা কুমবদা শ্রীকৃষ্ণনা মখোয়গী ফি হুবানখি। মখোয়না মফি মফিদু লোৗগে হায়না লাকপদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়বিবা শ্লোকসি থীদুনা গোপকন্যাশিংদুগী মবুক্কুংদা লৈবম্বা ভাব অদু লৌশিনবিখি।

শ্রীমনমহাপ্রভুস্ন হায়রিব। শ্লোকতু থীদুনা লক্ষ্মীদেবীগী মবুক্কুংগী ৱাদু লৌশনবিখি হায়বদি মহাকপু মাগী নুপী ওইহনগনী হায়দুনা ইঙ্গিংনা উংখি। শ্লোক অদু মথাদা পীরি।

মুল ৬৯

সঙ্কল্পো বিদিতং সাধ্ব্যো ভবতীনাং মদর্চ্চনম।
ময়ানুমোদিতঃ সোঽসৌ সত্যো ভবিতুমর্হতি। ৬৯ ॥

শব্দার্থ

সঙ্কল্প — তৌগে হায়না লেপ্পা ৱা, বিদিতঃ—খঙলবনী, সাধ্ব্যঃ—হে সাধ্বীশিং ভবতীনাম—নখোয়গী (নখোয়না তৌবা), মৎ-অর্চ্চনম ঐগী পূজা (ঐবু পূজা তৌবা), ময়া—ঐনা, অনুমোদিত—যাবিববনী, স—মদু, অসৌ—অদু (সঙ্কল্প), সত্যঃ—সত্য, ভবিতুম—ওইবদা, অর্হতি মতীক চাবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হে সাধ্বীশিং ঐবু পূজা তৌবনী নখোয়গী সঙ্কল্পদি, (মদু নখোয়না টকাইবদগী ফোঙদোক্রবস্ন) ঐনা খঙলে অদুগা ঐনা য়াবস্নু য়াবিরে। নখোইগী সঙ্কল্পদু সত্য (অওইবা) ওইসনু।

নৈনরোল

শ্লোক অসি শ্রীমদ্ভাগবতমদগীনী (১০/২২/২৫)। শ্রীকৃষ্ণনা গোপকন্যাশিংবু সাধ্বী হায়না কৌরি। সাধ্বী-সি সাধু শব্দগী স্ত্রীলিঙ্গনী। মদুগী বহুবচন-দা সাধ্ব্যঃ ওইবনী, অর্থনা সাধ্বীশিং হায়বনী। গোপকন্যাশিংনা মপূক্নীঙ্ক কোঙদবমখৈ শ্রীকৃষ্ণ হবু মপুবোইবা ওইগে নীঙজখি হায়দুনা মখোয়বু সাধ্বী হায়রিবনী।

কাত্যায়নী-ব্রতদা গোপীশিংনা শোনখিবা প্রার্থনা-মন্ত্রদি অসিনী—
"কাত্যায়নি মহামায়ে মহাযোগিন্যধীশ্বরি। নন্দগোপসুতং দেবি পতিং মে কুরু তে নমঃ। —হে কাত্যায়নী হে মহামায়া, হে মহাযোগিনী, হে দেবী, নন্দগোপগী মচানুপাচু ইপুবোইবা ওইহনবিয়ু। ঐনা নঙবু খুরুমজরি। শ্রীভাগবত /১০/২২/৪ ॥"

মুল ৭০

এই মত লীলা করি দোঁহে গেলা ঘর।

গম্ভীর চৈতন্যলীলা কে বুঝিবে পর ॥ ৭০ ॥

শব্দার্থ

এইমত—মতৌসিগুম্বা, লীলা—থৌদৌ করি—তৌদুনা দোঁহে—অনীনা, গেলা—চৎখ্রে ঘর-যুমদা গম্ভীর (ঈশীঙগী অক-অথেন-হুম্না হাযবগা) লুবনা চৈতন্যলীলা-শ্রীচৈতন্যগী লীলাদি, কে—কনানা, বুঝিবে—খঙগনী, পর—অতোপ্পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মখোই অসুম তৌনা লীলা তৌবগা অনীনা যুম হনখি। শ্রীচৈতন্যগী লীলাদি লেপ-ফংদবমথৈ লুবনী (মাগী অন্তরঙ্গ ভক্ত নত্তবা) অতোপ্পা কনানা খঙবা ঙমগনী?

মূল ৭১

চৈতন্য-চাপল্য দেখি প্রেমে সর্ব্বজন।

শচী জগন্নাথে দেখি দেন ওলাহন ॥ ৭১ ॥

শব্দার্থ

চৈতন্য-চাপল্য—শ্রীচৈতন্যদেবগী তযাং-তশোইবা; দেখি উবগা; প্রেমে নুংশিবনা, সর্ব্বজন মীপুম্বা, শচী-জগন্নাথে—শ্রীশচীদেবীগা শ্রীজগন্নাথগা দেখি—উনবগা, দেন ওলাহন—রাকৎলম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীচৈতন্যদেবগী তযাং-তশোইবা অদু উবগা নুংশিবনা মী পুম্নমক লোইরম্মী অদুগা শ্রীশচীগা শ্রী জগন্নাথগদা উনদুনা রাকৎলম্মী।

মূল ৭২

একদিন শচীদেবী পুত্রেরে ভৎর্সিয়া।

ধরিবারে গেলা, পুত্র গেলা পলাইয়া ॥ ৭২ ॥

শব্দার্থ

একদিন—নোংমা, শচীদেবী—শ্রীশচীদেবীনা, পুত্রেরে—মচানুপাবু, ভৎর্সিয়া—চৈত্থনা, ধরিবারে—ফাগে হায়না, গেলা—চৎলম্মী, পুত্র—মচানুপানা, গেলা—চৎখি, পলাইয়া—চেন্দুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা শ্রীশচীদেবীনা মচানুপাবু চৈরগা ফাগে তৌরম্মী। অদুবু মচানা হৌথুনা চেন্থোকখি।

মূল ৭৩

উচ্ছিষ্ট-গর্ত্তে ত্যক্ত হাণ্ডীর উপর।

বসিয়া আছেন সুখে প্রভু বিশ্বম্ভর ॥ ৭৩ ॥

শব্দার্থ

উচ্ছিষ্ট-গর্ত্তে—লুকখাবক-কোমদা, ত্যক্ত—হুন্দোক্লবা, হাণ্ডীর—চফুগী উপর মথক্তা; বসিয়া—ফমথুনা, আছেন—লৈ, সুখে—সুংঙাইনা, প্রভু বিশ্বম্ভর—শ্রীমন্মহাপ্রভু বিশ্বম্ভর-না।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীমন্মহাপ্রভু বিশ্বম্ভরনা লুকখাক-কোমদা হুন্দোক্লবা চফুগী মথক্তা সুংঙাইনা ফমথুনা লৈরম্মী।

মূল ৭৪

শচী আসি কহে কেন অশুচি ছুঁইলা।

গঙ্গাস্নান কর যাই—অপবিত্র হৈলা ॥ ৭৪ ॥

শব্দার্থ

শচী—শ্রীশচীদেবী, আসি—লাক্লুনা; কহে—হায়, কেন—করিগীনো, অশুচি—অমাংঙবু, ছুঁইলা—শোক্লুবিবদি, গঙ্গাস্নান কর—গঙ্গাদা ইরুজথোক্লু, যাই—চৎতুনা, অপবিত্র—মাঙবা, হৈলা—ওইরে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীশচীদেবীনা লাক্লগা হায়বম্মী—কবিগীনো অমাংবদু শোক্রুরিবা ? গঙ্গাস্নান তৌরুচো, নহাক মাংলে।

মূল ৭৫

ইহা শুনি মাতাকে কহিল ব্রহ্মজ্ঞান।
বিস্মিতা হইয়া মাতা করাইল গঙ্গাস্নান ॥ ৭৫ ॥

শব্দার্থ

ইহা—(বা) অসি , শুনি—তাবগা মাতাকে—মমাদ , কহিল—হায়বম্মী ব্রহ্মজ্ঞান—ব্রহ্মগী মরমদা খংনভাই , বিস্মিতা—ঙকপা , হইয়া—ওইবত্নুনা , মাতা—মমানা , করাইল—তৌহনখি , গঙ্গাস্নান—গঙ্গাদা স্নান।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(মমাগী) ব্রাসি তাবগা প্রভুনা মমাবেম্মাদা ব্রহ্মজ্ঞান (ব্রহ্মগী মরমদা খঙনভাই রা) হায়বম্মী। ঙক্লদুনা মমানা মচাবু গঙ্গাস্নান তৌহনখি।

তৈনবৃত্তোল

বিশ্বরূপনা সন্ন্যাস লৌবগা মতু দা জগন্নাথ মিশ্রনা নো মা মপুক্লীওঙদা খনখি—"শাস্ত্রনহিংবা তমদুনা সংসারসি নিত্য নত্তে হায়বা খঙলদুনা বিশ্বরূপ-না সন্ন্যাস তৌখিল্নী , নিমাইসু লাইরীক-লাইশু তৌবগদি শাস্ত্রনচিংবা উবগা বিশ্বরূপতৌনা সন্ন্যাস লৌখ্রগনী।" মতৌসুম্না চিংনবদগী মহাক্না নিমাইনা লাইরীক তম্বদু তোকহনখি। নিমাইদি লাইরীক তম্নবা মতমদা অদোমম্বা মপুক্লীও লৈহন্নিনখিদুন' অর্থাৎ ওইবগী তয়াং-তশোইদু খরা হম্বরম্লরব্নি। অতুবু লাইরীক তম্বা তোকহনবদগী মহাক অমুক লম-হেঙ্গংলকখি। অমুক তয়াং-তশোইবগী থবক তৌবা হৌবকখি। লমহেনবা অঙা শিংগা লোয়ননা কবিগুম্বা মতমদা ময়ুমদা, করিগুম্বদনা মীগী পোৎ-চৈ থুগাইবা মাঙ-তাকহনবা হৌখি। করিগুম্বা মতমদা কম্পোরনা মশা কুপশিন্দুনা শল্লাবা শাবগা বৈবোয়-লৈকায়গী লফু-কোন নৈথেকয়ি , করিগুম্বদনা অহিংদা কনাগুম্বা ইমুগী থোঙ মপাল্লোমদগী থিংডল্লম্মী।

অসুম্না বাল্য-চাপল্য কয়া তৌরম্মী। অতুবু বিশ্বরূপ লৈতবদগী চাকখিবা মৈচাক্তুনা জগন্নাথ মিশ্রনা মচা নিমাইনা লম হেনবতু খঙনা-উনা কাবমতা হায়রমদে।

নোংমদি নিমাই লুক্‌থাক্‌-কোমদা হুন্দোক্লম্বা চফু মথক্তা ফম্লম্মী। অমুবা চফূগী হামুক অতুনা মশাতুগী মযম মযমদা তৈবদগী যজবা মযজদি হায়নঙাই লৈরমদে। গৌরাঙ্গসুন্দরনা অতুদা ফম্লগা নোক্তুনা লৈরম্মী। নমান্নবশিংনা শচীমাতাদা পাউদম্লুবে। পাউ তাবদগী শচীনা প্রং প্রং চেন্থোবক্লগা নিমাইনা তৌরিবা মতোন্থু উবদা ঙক্লম্মী। শচীদেবীদি আচার-নাইবী-ব্রাহ্মণ বীনী, মচানা অতুগুম্বা নত্তবা আচার তৌবম্বতুদদি ঙক্তবা ঙম্লমদে। অতুনা, শচীমাতানা নিমাইদা হায়বম্মী—"কবিনো, নিমাই নঙনা তৌ বরদো, অমাঙবা চফুতুদা ফম্লিবতুব কবিগনে। ? চফু অমাংবতু শোক্লগদি ইকক্লখোক্কদবনী হায়বা নঙ খঙদবা ? হৌজিক ফাওবা নঙ মতু খঙদ্রিবা?" মমাবেম্মাগী রাসি মনাকোঙনা তাবগা নিমাইনা খমখি—"ইম, মতু করম্না খঙগনী ? নখোয়নদি ঐবু লাইরীক তমহন্দে, অপাঙবা ঐনদি অফ-ফত্ত অমাং-অশেং করম্না খঙগনী ? ঐনা খনবদি লোইনমক অমতনী হায়না খল্লী, মসিদা অশেঙ-অমাং অমদি অফ-যত্তগী খেন্নবা ববি লৈবগে ?" অস্থুম্না খল্লগা নিমাই চফু অমনবতুগী মথক্তা ফমতুনা অতুম লৈবম্মী। মমাগা মচাগা অমাঙ অশেংগী রা যাম্না যেৎনখৎলকখি, অতুদা নিমাইনা অঙাং ওংনা ওইনা অথুপ্পা তত্ত্ব যোঙদোক্তুনা হায়বকখি - "ইমা, ঐনা ফম্লিবা মফমসে যাম্না শেংবনী, মসি শূকমাং মাদে। ঈশ্বরনা শেম্বা মতমদা অশেংবা পোৎনা অসিনী অমাংবা পোৎনা অসিনী হায়না খক শেম্লমদে, মতু শেঙ তো মতু মাংঙৌ হায়বসে মাতনা হায়বনী হায়রবদি মতু লোকাচার দেশাচারগী বানী। থোইদোক-হেন্দোক্কা চফুশিংসিদা বিষ্ণুদা কৎনবা পোৎ থোংলিবনী, মখোয়সি করম্না মাংগদোবিবনো ? অতুগীস্থু মথক্তা মসিদা অমূক ঐনগা ফমজল্লে, ঐনবু শোক্লবদি পোৎ পূম্নমক শেংদবা লেত্রে।" নিমাইগী রাসি তাবদা লোইনমক নোক্লম্মী। অতুদগী শচীমাতানা হায়বম্মী—"থুনমক লাক্তুনা গঙ্গাস্নান তৌবোনে।" নিমাইনা খুম্লম্মী—"লাইবীক তমহন্দ্রবদি স্নুক্রাক লাক্রোই।" মযাত্রবতুদদি মমানা ফাতুনা পুরক্লগা মচাবু স্নান তৌহন্‌খি অতুগা মা মত্থামবস্থু স্নান তৌতুনা শেংদোকখি।

রারীসি শ্রীচৈতন্যভাগবত-দা য়াওবনী। থোদোকসিস্থু প্রভুনা চহী মঙা চঙলকপদনী, হায়রবদি বাল্যগী অরোইবা মতাঙদনী বাল্যগী মতাঙ

লোইরগা পৌগণ্ড মতাঙ হৌবনী। লাইরীক তম্বা হৌগৎলকপদা লাইরীক তম্বা তোকহল্লম্বনী।

উপনিষদকী "সর্ব্বং খল্বিদ, ব্রহ্ম" হায়বা বাক্যসি অদ্বৈতবাদীশিংনা তৌবা ব্যাখ্যাগী মতু ইন্না 'জগৎতা উৎনিবা পুম্নমক ব্রহ্মনী, ব্রহ্ম ওইববনীনা শেংদবা অমতা নত্রে। হুন্দোক্লবা চকুগী মথক্তা ফম্লগা শ্রীনিমাইনা মমাদা হায়বম্মী—"সর্ব্বত্র আমার অদ্বিতীয জ্ঞান। আবার সে কাল্পনিক শুচি বা অশুচি। স্রষ্টার কি দোষ আছে, মনে ভাব বুঝি। —মফম পূম্নমক অনী থোক্তে হায়না ঐনা খণ্ডী। অশেং-অমাং হায়বত্তুদি ভাবতনা শাগৎপা ঙাক্লী। লৈশেম্বা ঈশ্বরগী কবি দোষ লৈবগে, পুক্নীডনা পঙখন খনবনী ঙাক্লী।" হাসি অদ্বৈতবাদীশিংগী ব্যাখ্যাগী মতু ইনবনী। মবমতুনা শ্রীনিমাইগী বা পূম্নমক্সে ব্রহ্মজ্ঞানগী ওইবা বা ঙাক্লী।

তশেংনা হাযবা তাববদি, পোৎ পূম্নমক মচাক (হায়বদি ঈশ্বর অমসুং প্রকৃতিগী মশক ওইবা উপাদান) অমতনা ওইবকপনী, মরমতুনা স্বরূপকী হায়রবদি পোৎ অমতা মাংবা লৈতে হাযবা যাই। লোকাচার দেশাচারগী মতুঙ ইন্না অশেং-অমাং লেপ্পনী। আচার পূম্নমকসি দেশ-কাল পাত্রগী মতুঙ ইন্না হোংবা নাইরবসু মতম মতমগী চৎনবা আচারতুদি দেশগী, সমাজগী অমসুং মী মছা অমগী পুন্সীগী মঙ্গল ওইনবা হাযদুনা চৎনবিবা আচারত্থু ঐখোয় পূম্নমক্না ঙাকপা চুম্মি। মরম্দি শ্রীহরিভক্তি বিলাস-না হায়রি (৩/৪) মতুদি—"গৃহস্থেন সদা কার্য্যমাচার-পরিপালনম। ন হ্যাচারবিহীনস্য সুখমত্রপরত্র চ ॥ যজ্ঞদ ন-তপাংসীহ পুরুষস্য ন ভূতয়ে। ভবন্তি যঃ সদাচারং সমুল্লঙ্ঘ্য প্রবর্ত্ততে। —য়ুম্পানবা মীনা মতম পূম্বদা আচার ঙাক্তুনা চৎকদবনী। হন্দক্কী মপোক্তা অত্থগ হযে মুক্কী মপোক্তা, আচার-নাইদবা মীনা নুংঙাইবা ফংদে। আচার চৎত্রবদি মানা তৌবা যজ্ঞ দান-তপস্যাত্থু ইহলোক্তদি মাগী মঙ্গল ওইনবগী নত্রে।

শ্রীমন্মহাপ্রভুনা অমাংবা চযু মথক্তা ফম্লম্বদি আচার পালন তৌদ্রবসু যাই হায়বা উৎননবা নৎলমদে, লাইবক তম্বনা ফৈ হায়বত্থু মমাগা মপাগবু পামহনগে হায়বগীদমক্তনী।

মুল ৭৬

কভু পুত্র-সঙ্গে শচী করিলা শয়ন।
দেখে—দিব্য লোক আসি ভরিল ভবন॥ ৭৬॥

শব্দার্থ

কভু কহিগুম্বা মতমদা , পুত্র-সঙ্গে—মচানুপাগা লোয়ননা , শচী—শ্রীশচীদেবীনা , করিল শয়ন—চেপ্লম্মী , দেখে—উই , দিব্যলোক—(মীওইবা নত্তবা) দেবতাশিং , আসি—লাকুনা , ভরিল—থন্‌খি , ভবন—য়ুম ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কহিগুম্বা মতমদা শ্রীশচীনা মচানুপাগা লোয়ননা চেপ্লম্মী । মতমতুদা দেবতা ময়াম লাকুনা য়ুমদু পুম্‌থন্‌ থনখি হাযবত্তু উবম্মী ।

মূল ৭৭-৭৮

শচী বোলে—যাহ পুত্র বোলাহ বাপেরে ।

মাতৃ-আজ্ঞা পাঞা প্রভু চলিলা বাহিরে ।। ৭৭ ।।

চলিতে নূপুর-ধ্বনি বাজে ঝন ঝন ।

শুনি চমকিত হৈল মাতা-পিতার মন ।। ৭৮ ।।

শব্দার্থ

শচী—শ্রীশচীনা , বোলে—হায , যাহ—চৎলু , পুত্র—ইচা , বোলাহ—কৌবকউ , বাপেরে—নপাবুংবু , মাতৃ-আজ্ঞা—মমাগী য়াথং , পাঞা—ফংলতুনা , প্রভু—মহাপ্রভুনা , চলিলা—লেংখি , বাহিরে—মাপালোমদা , চলিতে—লেংবদা , নূপুরধ্বনি—নূপুর মখোন , বাজে—থোকঁযি , ঝন ঝন—শ্রেং শ্রেং , শুনি—নাকোংনা তাবতুনা , চমকিত—উকপা , হৈল—ওইখি , মাতা-পিতার—মপামমাগী , মন—পুক্নীং ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীশচীদেবীনা নোংমা হায়রম্মী—ইমাগী ইবুংঙো চৎলু, নপাবুংবু কৌরক্চো । মমাগী য়াথং ফংলগা মহাপ্রভুনা মাপালোমদা লেংথোকখি । অদুম চৎপদা নূপুর খোঞ্জেন শ্রেং শ্রেং হায়না থোরকয়ি । মখোন্দু তাবদা মমামপা অনীগী মপুক্নীংদা উকখি ।

মূল ৭৯

মিশ্র কহে—এই বড় অদ্ভুত কাহিনী ।

শিশুর শূন্যপদে কেনে নূপুরের ধ্বনি ।। ৭৯ ।।

শব্দার্থ

মিশ্র— শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা , কহে—হায় , এই- মসি , বড—য়াম্না , অদ্ভুত- ভকপা , কাহিনী- রাণী শিশুর—অঙাঙগী , শূন্যপদে- ইহাঙ-হাঙ বা খোঙদা কেনে করিগীনো নূপুরের—নূপুরগী , ধ্বনি—খোঞ্জেল।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা হায়রম্মী—মসি য়াম্না ভকপা রারীনী। অঙাঙগী ইহাঙ-হাঙবা খোঙদা করিগীনো নূপুরগী মখোন থোক্লিবা।

মূল ৮০

শচী বোলে- আর এক অদ্ভুত দেখিল।

দিব্য দিব্য লোক আসি অঙ্গন ভরিল ॥ ৮০ ॥

শব্দার্থ

শচী—শচীনা বোলে- হায় , আর—অতোপ্পা , এক—অমা অদ্ভুত অঙকপা , দেখিল—উখি , দিব্য দিব্য লোক—দিব্যদেহগী মী হায়বদি দেবতাশিং , আসি- লাক্লুনা , অঙ্গন—শুমাং , ভরিল- থল্লম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শচীনা হায়রম্মী- অঙকপা অমগু উই। দিব্যদেহগী মীতা ভাক্ লাক্লুনা শুমাঙ থনখি।

মূল ৮১

কিবা কোলাহল করে বুঝিতে না পারি।

কাহাকে বা স্তুতি করে—অনুমান করি ॥ ৮১ ॥

শব্দার্থ

কিবা—কবি , কোলাহল—ইলাঙ-লাঙ বা ; করে—তৌরি , বুঝিতে —খঙবা , না পারি—ঙমদে , কাহাকে বা—কনাবুনো , স্তুতি করে—চান্দা শোল্লগা থুকম্মী , অনুমান করি—ভার-না শাই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

করিনো ইলাঙ-লাঙবগুম্না অমা তৌরি, ঐ মরোন্দি খঙবা ঙমদে। কনাবুনো অমবু স্তুতি তৌবরোই তৌরি হায়বা ভার-না শাই।

মূল ৮২

মিশ্র কহে—কিছু হউক, চিন্তা কিছু নাই।
বিশ্বম্ভরের কুশল হউক—এইমাত্র চাই ॥ ৮২ ॥

শব্দার্থ

মিশ্র—শ্রীজগন্নাথনা, কহে—হায, কিছু—করিনো অম, হউক—থোক্লনু, চিন্তা—ৱাথল, কিছু—কবিসু, নাই—লৈতে, বিশ্বম্ভরের—বিশ্বম্ভরগী (শ্রীগৌরাঙ্গগী), কুশল—য়াইফবা, হউক—ওইসনু, এইমাত্র—অসিতা, চাই—ঐনা পাম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা হায়রম্মী—করিনো থোকপা অমা থোকসনু চিন্তা করিসু তৌনগাই লৈতে। বিশ্বম্ভরগী মঙ্গল ওইবা অদুতা পাম্মী।

মূল ৮৩

একদিন মিশ্র পুত্রের চাঞ্চল্য দেখিয়া।
ধর্ম্মশিক্ষা দিল বহু ভৎর্সনা করিয়া ॥ ৮৩ ॥

শব্দার্থ

একদিন—নোংমদি, মিশ্র—শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা, পুত্রের—মচানুপাগী, চাঞ্চল্য—চরাংনবদু, দেখিয়া—উরগা, ধর্ম্মশিক্ষা—ধর্ম্মগী মবমদা তাকপা, দিল—পীরম্মী; বহু—য়াম্না, ভৎর্সনা—চৈবা, করিয়া—তৌদুনা,

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমদি মিশ্রনা মচানা লম-হেনবদু উবদা যাম্না চৈরগা হৌনবা হৌনদবা (ধর্ম্ম-অধর্ম্ম) করিনো হায়বদু তাক্লম্মী।

মূল ৮৪-৮৫

রাত্রে স্বপ্ন দেখে—এক আসিয়া ব্রাহ্মণ।
মিশ্রেরে কহয়ে কিছু সরোষ বচন ॥ ৮৪ ॥
মিশ্র। তুমি পুত্রের তত্ত্ব কিছুই না জান।
ভৎর্সনা তাড়ন কর, পুত্র করি মান ॥ ৮৫ ॥

শব্দার্থ

রাত্রে—অহিংদা, স্বপ্ন—মঙ, দেখে—উই, এক—অমা, আসিয়া—লাকুনা, ব্রাহ্মণ—ব্রাহ্মণ, মিশ্রেরে—মিশ্রদা, কহয়ে—হায়, কিছু—খরা, সরোষ—অশাউবগা লোযনবা, বচন—হ্রাইে, মিশ্র—ওহে মিশ্র, তুমি—নহাক, পুত্রের—নচাগী, তত্ত্ব—অওইবা করিনো হায়বত্থু, কিছুই কবিমত্তা না জান—খঙদে, ভর্ৎসনা—চৈবা, তাড়ন—য়েবা, কর তৌযি পুত্র—নচানী, করি—হায়ত্থুনা, মান—লৌরি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহিংদা মিশ্রনা মঙদা উবম্মী, ব্রাহ্মণ অমা লাকুগা অশাউবা হ্রাইনা মিশ্রদা বা খরা হায়রে—ওহে মিশ্র নহাক নচাগী তত্ত্ব (হায়বদি নচাগী পাসি কনানো হায়ত্থু। করিমত্তা খঙদে। অত্থুনা মহাকপু নচানী হায়না লৌরগা য়ে-চৈবা তৌবা শাগ্র।

মূল ৮৬-৮৭

মিশ্র কহে দেব সিদ্ধ মুনি কেনে নয়।

যে সে বড় হউক মাত্র আমার তনয় ॥ ৮৬ ॥

পুত্রের লালন-শিক্ষা পিতার স্বধর্ম।

আমি না শিখাইলে কৈছে জানিবে ধর্মমর্ম। ৮৭ ॥

শব্দার্থ

মিশ্র-জগন্নাথ মিশ্রনা কহে হায় দেব—লাই, সিদ্ধ—সিদ্ধি ফংলবা মহাপুরুষ, মুনি ঋষি, কেনে হয়—করিগী ওইরোয় হায়বদি ওইজগনু, যে সে-অমা অমা বড—অচৌবা, হউক—ওইজগনু, মাত্র-তনী আমার—ঐগী তনয়—অঙকচাঙগী থোকপা ইচাগুপা, পুত্রের-মচাগী লালন-শিক্ষা—জুনা য়োকপা অমসুং তাকপী-তীকপিবা, পিতার—মপাগী স্বধর্ম—লম্নাইগী ওইবা মথৌনী। আমি—ঐন, না শিখাইলে তাকপিদ্রবদি, কৈছে—করম্না, জানিবে—খঙগনী, ধর্মমর্ম—ধর্মগী অথুপা য়া।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা হায়রম্মী—(নিমাইদে) দেব ওইরো ওইদ্রবসু,

নত্রগা সিদ্ধ মহাপুরুষ অমা ওইসনু নত্রগা মুনি ঋষি ওইগে ওইসনু, করিনো অচৌবা অমা ওইরবসু অহু মঙাঘবে, মহাক ঐনা পোকপা ইচানী। মচাবু য়োকপা-তাকপী-তীকপীবদি মপাগী লম্নাই ওইবা মথৌনী। ঐনা তাকপিদ্রবদি মাদি করম্না ধর্মগী অথুপ্না য়াবোল খঙগনী?

নৈনক্লোল

শ্রীজগন্নাথ মিশ্রদি বাৎসল্য-প্রেমগী (মচা-মুংশিবগী) প্রতিমূর্ত্তিনী। অহুনা নিমাইগী ঐশ্বর্য্যগী য়া ব্রাহ্মণনা হায়বা মনাকোঙনা তাববসু বাৎসল্য-প্রেমগী খোঙকমদগী শন্না অমকাওবা লেঙলমদে। অহুনা মচাগী অফ ফত্তদি মপাগী মথৌনী হায়না মিশ্রনা ইলায-লাযনা খুমখি।

মূল ৮৮

বিপ্র কহে— পুত্র যদি দেবশ্রেষ্ঠ হয়।
স্বতঃসিদ্ধজ্ঞান, তবে শিক্ষা ব্যর্থ হয়॥ ৮৮॥

শব্দার্থ

বিপ্র—ব্রাহ্মণনা, কহে—হায, পুত্র—মচানা, যদি—বদি, দেবশ্রেষ্ঠ—দেব মকোক, হয—ওই, স্বতঃসিদ্ধজ্ঞান—মশানা অহুম খঙলবা অমনী, তবে—অহুনা, শিক্ষা—তাকপীবহু, ব্যর্থ—অবেস্বা, হয—ওই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ব্রাহ্মণনা হাযখি—নচানুপাসিনা দেবতা মকোক ওইরবদি খঙগদবা পুম্নমক মশানা অহুম মখঙবা হাযবহু ওই, অহুনা মঙোন্দা তাকপী-তীকপীবদি থৌবেম ওইহনা তোকনি।

মূল ৮৯

মিশ্র বোলে - পুত্র কেনে নহে নারায়ণ।
তথাপি পিতার ধর্ম্ম পুত্রের শিক্ষণ॥ ৮৯॥

শব্দার্থ

মিশ্র—মিশ্রনা; বোলে—হায, পুত্র—ইচানা, কেনে নহে—করিগী ওইরোই হাযবদি ওইগে ওইসনু' নারায়ণ—নারায়ণ তথাপি—অহুম ওইনমক, পিতার—মপাগী, ধর্ম্ম—মথৌদি, পুত্রের শিক্ষণ—মচাবু তাকপী-তীকপীবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মিশ্রনা হায়বমী—ইচাসিনা নারায়ণ ওইগে ওইসনু। অতুম ওইনমক মচাবু শিক্ষা পীবদি মপাগী মথৌনী।

মুল ৯০

এইমতে দোঁহে করে ধর্মের বিচার।

বিশুদ্ধ বাৎসল্য মিশ্র—নাহি জানে আর॥ ৯০॥

শব্দার্থ

এইমতে- মতৌ অসুম্না, দোঁহে—অনীনা, করে—তৌযি, ধর্মের—মপা ওইবগী মচাগী মরুমদা তৌকম থোকপা মথৌগী, বিচার—খন্নবা; বিশুদ্ধ-বাৎসল্য—মকুবা বাৎসল্য প্রেম। মাগী ওইববা অত্তুম্বা, মিশ্র—মিশ্রঠাকুরণী, নাহি জানে—খঙদে, আর—অতৈ করিসু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না অনীনা হায়বদি মিশ্রগা মওদা উবা ব্রাহ্মণগনা মপা ওইবনা চৎকদবা ধর্মগী বিচার তৌনৈ। মিশ্রদি মকুবা বাৎসল্যগী প্রতি-মূর্ত্তিনী, মহাক অতৈ ব্রা অমা খঙবা লৈবমদে।

মুল ৯১

এত শুনি দ্বিজ গেলা হৈয়া আনন্দিত।

মিশ্র জাগিয়া হৈলা পরম বিস্মিত॥ ৯১॥

শব্দার্থ

এত- অসুকখক, শুনি মনাকোঙনা তাবগা, দ্বিজ—ব্রাহ্মণচু, গেলা—চৎখি হৈয়া—ওইদুনা, আনন্দিত—নুংঙাইবা মিশ্র—মিশ্রনা, জাগিয়া—মীৎকপ থোক্লগা, হৈলা—ওইখি, পরম—য়াম্না য়োনা, বিস্মিত—ঙকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ব্রা ময়ামসি মনাকোঙনা তারগা ব্রাহ্মণচু নুংঙাইরদুনা চৎখ্রে। মিশ্রনা মীৎকপ থোক্লগা য়োনা ঙকখি।

মূল ৯২

বন্ধুবান্ধব স্থানে স্বপন কহিল ।
শুনিয়া সকল লোক বিস্মিত হইল ॥ ৯২ ॥

শব্দার্থ

বন্ধু-বান্ধব—মরূপ মপাঙ মবীমতাগী , স্থানে—মফমদা , স্বপন—মঙঙ্ ; কহিল—লীরম্মী ; শুনিয়া—মনাকোঙনা তারগা ; সকল লোক—মী পুম্বনা , বিস্মিত—ঙকপা , হইল—ওইখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মিশ্রনা মমঙঙ্ মরীমতা-মরূপ-মপাংশিংদা লীরম্মী । মদু তাবদা মী পুম্নমক ঙকখি ।

মূল ৯৩

এই মত শিশুলীলা করে গৌরচন্দ্র ।
দিনে দিনে পিতা-মাতার বাড়য়ে আনন্দ । ৯৩ ॥

শব্দার্থ

এই মত—মতৌ অসুম্না , শিশুলীলা—অঙাংমচানা তৌগদবা লীলা (থৌদৌ) , করে তৌয়ি গৌরচন্দ্র—শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুনা দিনে দিনে—নোংমা নোংমগী ; পিতামাতার—মপা মমাগী , বাড়য় হেন্গৎলী , আনন্দ নুংঙাইবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুনা অঙাংমচা ওইরবগী লীলা তৌখি । মপামমা অমসুং মমাবেম্মী নুংঙাইবসু নোংমা নোংমগী হেন্গৎখি ।

মূল ৯৪

কথোদিনে মিশ্র পুত্রের হাথে খড়ি দিল ।
অল্পদিনে দ্বাদশ ফলা অক্ষর শিখিল ॥ ৯৪ ॥

শব্দার্থ

কথাদিনে—নুমিৎ খরনী লৈবগা, মিশ্র—মিশ্রঠাকুরনা, পুত্রের—মচাগী হাৎ—খুৎতা খড়ি—কাগু দিলা—পীবম্মী, অল্পদিনে—নুমিৎ খরতগী মনুংদা, দ্বাদশফলা—ফলা তরানিথোই অক্ষর মাযেক শিখিল—হৈখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নুমীৎ খরনী লৈবগা মিশ্রঠাকুরনা মচানুপাগী বিদ্যারম্ভ তৌহল্লী। নমীৎ খরতগী মনুংদা নিমাইনা দ্বাদশ ফলা মাযেকশিংতু হেদোকখি।

লৈনরোল

দ্বাদশ ফলা ফলা তরানিথোইগী মাযেকশিংদি মথাদা পীজরি—য-ফলা (ক্য) র ফলা (ক্র) ঋ-ফলা (কৃ), ৯-ফলা (ক৯), ন-ফলা (ক্ন) ব-ফলা (ক্ব), ল-ফলা (ক্ল) ম-ফলা (ক্ম), রেফ-ফলা (র্ক) ক-ফলা (ক্ক), ষ্ক-ফলা (ষ্ক), স্ক ফলা (স্ক)—মাখাযসিনী দ্বাদশ ফলা।

অক্ষর (মযেক) অতুগা ফলা-নচিংবা তম্বগু ঈশ্বরনা তৌগদব হৌদোক্তা চনবগী মরমদি অসিনী—খঙহনদা মপা-লৈত্রবা শ্রীমমহাপ্রভুন বিদ্যারম্ভ বা পরিচয (মাযেকখঙবা) অতুগা দ্বাদশ-ফলা হৈনবা তম্বদি মহাত্র লীলা শানবা হাযরতুনা মসি হেতবনী অতুন হৈযম থোকহি হাযতুনা তম্বা নাও। অতুগা হৈবস্ত্র মতম খাজিকগী মনুংদা হেখি। মসি-মসি ঈশ্বর-শক্তি নত্তনা ওইবা যাবা নত্ত, মীওইবগীদি ওইথোক্তবনী। মরমসিন লাইরিক মাযেক তম্বসিস্থ ঐশ্বর্য্য উৎপগী ওইব বাল্যলীলানা।

মূল ৯৫-৯৬

বাল্যলীলা সূত্রে এই কৈল অনুক্রম।
ইহা বিস্তারিয়াছেন দাস বৃন্দাবন ॥ ৯৫ ॥
অতএব এই লীলা সংক্ষেপে সূত্র কৈল।
পুনরুক্তি হয—বিস্তারিয়া না কহিল ॥ ৯৬ ॥

শব্দার্থ

বাল্যলীলাসূত্রে—অঙাং-পিশক ওইরিবৈগী লীলাগী সূত্রদা এই—মসি, কৈল—তৌবে, অনুক্রম—হোৱা, ইহা—মসি, বিস্তারিয়াছেন—শন্দোক্না ইরম্লে, দাস বৃন্দাবন বৃন্দাবন দাস-না, অতএব মরমতুনা

এই লীলা (অর্থাৎ ওইবিবিউগী) লীলাসি সংক্ষেপে—শম্পংনা সূত্র-স্বত্র, কৈল—তৌরবনী পুনরুক্তি—হঙ্গন্না হাযবা, হয—ওই, বিস্তারিযা শন্দোক্লা, না কহিল—লীজদ্রে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বাল্য-লীলাগী সূত্র ইবসিদা মসিনা অহৌবনী। মসিবু বৃন্দাবন দাসনা শন্দ্রোক্লা ইবম্লে। মবমতুনা লীলাসি সূত্র ওইনা শম্না ইববনী। হঙ্গন্না লীব হাযবতু ওইগনী হাযদুনা শন্দোন্না লীজদ্রবনী।

তৈনবোল

শ্রীলবৃন্দাবন দাস ঠাকুরনা শ্রীচৈতন্যভাগবতকী আদি খণ্ডগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা অধ্যাযদা প্রভুগী বাল্যলীলা শন্দোন্না বর্ণনা তৌবমে। অতুনা হঙ্গন্না হাযবতু থোক্তনবা হাযদুনা সূত্র ওইনদা কবিরাজ গোস্বামীনা বাল্যলীলাসি শন্দোন্না টদতুনা শম্না ইবনী।

মূল ৯৭

শ্রীরূপরঘুনাথ-পদে যার আশ।
চৈতন্যচরিতামৃত কহে কৃষ্ণদাস ॥ ৯৭ ॥

শব্দার্থ

শ্রীরূপ রঘুনাথ-পদে—শ্রীরূপ অমসুং শ্রীরঘুনাথ গোস্বামীগী খুযাদা যার—মহ কী আশ—আশা চৈতন্যচরিতামৃত—অমৃতগী মশক ওই। চৈতন্যচরিত অসি, কহে—লীজে, কৃষ্ণদাস—কৃষ্ণদাসনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ গোস্বামী অমসুং শ্রীরঘুনাথ গোস্বামীগী চরণখাদা আশা থমজরিবা কৃষ্ণদাস ঐহাক্না শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতসে লীজরি।

ইতি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতে আদিখণ্ডে বাল্যলীলা-সূত্র-বর্ণনং নাম চতুর্দ্দশপরিচ্ছেদঃ ॥

আদি লীলা

তরামঙাশুবা পরিচ্ছেদ

মূল ১

কুমনা স্থমনস্থ, হি যাতি যস্য পাদাব্জযোঃ।

স্থমনোঽর্পণমাত্রেণ তং চৈতন্যপ্রভুং ভজে ॥ ১ ॥

শব্দার্থ

কুমনাং—পূকচেল-মকপা মীনা স্থমনস্থম-মক্তবা পূকচেল হি—লেপমক যাতি য়ৌ যস্য মহাক্কী (শ্রীচৈতন্য প্রভুগী), পাদাব্জযোঃ—খুযা-খ্বাল অনীদা, স্থমনঃ—লৈরা, অর্পণ-মাত্রেণ—কৎপদদা, তম—মহাবপু, চৈতন্যপ্রভুং শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুবু, ভজে—খুরুমজৈ, ভজন তৌজৈ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাক্কী খুযা-খ্বাল অনীদা লৈ হেক কৎপগা পূকচেলমকপা মীনা পূকচেল-মক্তবা ওইরকযিবা অদুগুম্বা শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুবু ঐনা ভজন তৌজৈ।

নৈনরোল

হৌজিক শ্রীকৃষ্ণদাস কবিরাজ শ্রীমন্মহাপ্রভুগী পৌগণ্ড-লীলা হির হৌগদৌবে। শ্রীমন্মহাপ্রভুগী চরণপদ্মদা লৈ অমত্তং হেক কৎপগা কৎনিবা নুপাছুগী অমরপা পূকচেন্দু মাঙহনা মক্তবা পূকচেল ওইরকযি, মদুগুম্বা মহাপ্রভুগী চরণ অনীতুবু নীঙশিংলগা মহাক্কী লীলা লেংবদা মতীক-চাজবা ওইরকপদা ভক্তগাই মরম লৌত। অদুনা কবিরাজ গোস্বামীনা পৌগণ্ডলীলা হৌরমদাইদা প্রভুগী কৃপা নিজহনা নৈনরিবা শ্লোকসি লৌখৎহনা হাপ্লিবনী। শ্লোকসি হরিভক্তিবিলাসতগী লৌথোকপনী (৭/১)।

মূল ২

জয় জয় শ্রীচৈতন্য জয় নিত্যানন্দ।

জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্ত বৃন্দ। ২ ॥

শব্দার্থ

জয় জয় শ্রীচৈতন্য—শ্রীচৈতন্যবু খুরুমজৈ নত্রগা শ্রীচৈতন্যনা জয় ওইবে জয় নিত্যানন্দ—শ্রীনিত্যানন্দবু খুরুমজৈ , জয়-অদ্বৈতচন্দ্র—শ্রীঅদ্বৈতবু খুরুমজৈ , জয় গৌরভক্তবৃন্দ—শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী ভক্তশিংবু খুরুমজৈ ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুবু খুরুমজরি , শ্রীনিত্যানন্দবু খুরুমজৈ শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্রবু খুরুমজৈ, অদুগা গৌরভক্তশিংবু খুরুমজৈ।

মূল ৩

পৌগণ্ডলীলার সূত্র করযে গণন ।
পৌগণ্ডবয়সে প্রভুর মুখ্য অধ্যয়ন ৩ ॥

শব্দার্থ

পৌগণ্ড- মঙাশুবা চহী লোইরগা তরাশুবা চহী ফাওবগী মতাং লীলার— লীলাগী , সূত্র- সূত্র , করযে গণন- শীঙথাবি , পৌগণ্ডবয়সে —পৌগণ্ডগী চহী মতাঙদা প্রভুর মহাপ্রভুগী , মুখ্য— অাংবা ওইবনি , অধ্যয়ন—লাইরীক তম্বনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পৌগণ্ডলীলাগী সূত্র মশীঙ থাজরি। পৌগণ্ডগী চহী মতাঙদা মাংকাক ওইবা লীলাদি প্রভুনা লাইরীক তম্বনী।

তৈনরোল

প্রভুদি সর্ব্বজ্ঞশিংগী মরক্তা মকোক্নী, মচামক জ্ঞানগী মশক্নী , মহাক্কী লাংদৈক তম্বা হায়রগী রা লেযম থোক্তে। অদুবু নবলীলাদা চঙলিবনীনা মীচম অঙাওগুম্বা লাইরীক তম্মী হায়দুনা মসিবু লীলা (শান্নবা) হায়রিবনী।

মূল ৪

পৌগণ্ডলীলা চৈতন্যকৃষ্ণস্যাতিসুবিস্তৃতা ।
বিদ্যারম্ভমুখা পাণিগ্রহণান্ত মনোহরা ॥ ৪ ॥

শব্দার্থ

পৌগণ্ডলীলা—পৌগণ্ড চহীমতাঙগী লীলা, চৈতন্যকৃষ্ণস্য—শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যগী, অতি—যাম্না হেন্না, সুবিস্তৃতা—ফজনা পাক শল্লিবা (অমনী), বিদ্যাবন্তমুখা—লাইবীক তম্বদগী হৌবতুনা, পাণিগ্রহণান্তা—লুহোংবনা লোম্বা, মনোহরা—পুক্নীওঙ্গবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুগী পৌগণ্ডলীলাদি যাম্না পাক-চাউখবে। মহাক্কী লাইবীক-তম্বা হৌবদগী লুহোংবনা লোম্বা লীলাদি পুক্নীও হুনওাইনী।

তাৎপর্য

প্রভুগী পৌগণ্ডলীলাসি লুহোংবনা লোম্বা লীলানী হায়না শ্লোকসিদা হায়রী। অসিগী মতুঙ ইথ্রবদি প্রভুনা লুহোংবসি চহী-তরা-শুরা মতমদা ওইবম থোকখি। অদুবু শ্রীলবৃন্দাবন দাস ঠাকুরনা মাগী শ্রীচৈতন্য ভাগবত কোবা লাইবীক্তা হায়রিবদি প্রভুগী যৌবন চঙলকপদনী অদুগা যৌবন হৌবনা প্রভুগী চহী ১৬ চঙলকপদনী। কবিরাজ গোস্বামীনা ১৩ শুবা পরিচ্ছেদদা হিরি "পৌগণ্ডবয়স যাবৎ বিবাহ না কৈল।"—পৌগণ্ড ফাওব-দদি লুহোংদে।" অদুনাদ মফমসিদা করম্বা প্রমাণ তৌরগা পৌগণ্ডগী লোইবকপদা মহাপ্রভু লুহোংঙী হায়রিবনো হায়রবদু খণ্ডনরবা উপায় লৈত্রে।

মূল ৫

গঙ্গাদাস পণ্ডিত স্থানে পড়ে ব্যাকরণ।
শ্রবণমাত্রে কণ্ঠে কৈল সূত্রবৃত্তিগণ ॥ ৫ ॥

শব্দার্থ

গঙ্গাদাস পণ্ডিত-স্থানে—শ্রীগঙ্গাদাস পণ্ডিতকী মফমদা, পড়ে—তম্মী, ব্যাকরণ—ব্যাকরণ, শ্রবণমাত্রে—মনাকোওদা হেক তাবগা, কণ্ঠে কৈল—চীনফা পুখি, সূত্রবৃত্তিগণ—সূত্রবৃত্তিশিংদু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীগঙ্গাদাস পণ্ডিতকী টোল-দা প্রভুনা ব্যাকরণ তম্মী। (ওজানা তাকপদু) মনাকোওনা হেক তাবগা সূত্রবৃত্তিশিংদু চীনফা পুখি।

মূল ৬

অল্পকালে হৈল পঞ্জী টীকাতে প্রবীণ।
চিরকালের পড়ুয়া জিনে হইয়া নবীন ॥ ৬ ॥

শব্দার্থ

অল্পকালে—মতম খজিক্কদা হৈল—ওইখি, পঞ্জী-টীকাতে—পাঁজি টীকাদা, প্রবীণ—অহৈবা, চিরকালের পড়ুয়া—মতম শাংনা তম্লরুবা ছাত্রশিংবু, জিনে—হেন্দোকখি হইযা নবীন নহা ওইরগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতম খজিক্কগী মনুংদা পঞ্জী-টীকাদা মপুংফাবা অহৈবা অমা ওইখি। মতম কুইনা তম্লরুবা ছাত্রবু মহাক্না নহা শোইনৌ ওইনা মাযথীবা পীখি।

মূল ৭

অধ্যযনলীলা প্রভুর দাস বৃন্দাবন।
চৈতন্যমঙ্গলে কৈল বিস্তারি বর্ণন ॥ ৭ ॥

শব্দার্থ

অধ্যযন-লীলা—লাইরীক তম্বগী লীলা, প্রভুর—প্রভুগী, দাস বৃন্দাবন—বৃন্দাবন দাসনা চৈতন্যমঙ্গলে—শ্রী চৈতন্যমঙ্গলদা (শ্রীচৈতন্য-ভাগবত দা), কৈল—তৌরম্লে, বিস্তারি—শান্দোকা, বর্ণন—লীবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীমন মহাপ্রভুনা লাইরীক-তম্বগী লীলাদো শ্রীবৃন্দাবন দাসনা শ্রীচৈতন্য-মঙ্গলদা শন্দোক্লা বর্ণন তৌরম্লে।

মূল ৮

একদিন মাতার করি চরণে প্রণাম।
প্রভু কহে—মাতা! মোরে দেহ এক দান ॥ ৮ ॥

শব্দার্থ

একদিন—নোংমা, মাতার—মমাগী, করি—তৌদুনা চরণে—খোংদা, প্রণাম—খুরুম্বা, প্রভু—প্রভুনা, কহে—হায় মাতা—ইমা, মোরে—ঐঙোন্দা, দেহ—পীয়ু; এক—অমা, দান—দান।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

লোংমা প্রভুনা মমাগী চরণ-থাদা খুকয়ুগা হঙ্গৎলম্মী—ইমা, ঐঙোন্দা দান অমতা পীয়ুবা।

মূল ৯

মাতা কহে　তাহা দিব, যে তুমি মাগিবা।
প্রভু কহে একাদশীতে অন্ন না খাইবা ॥ ৯ ॥

শব্দার্থ

মাতা—মমানা কহে—হায, তাহা—মদু, দিব—পীগনী, যে—মদু, তুমি—নঙনা, মাগিবা—নিগনী প্রভু—প্রভুনা কহে—হায়, একাদশীতে- একাদশীদা, অন্ন—চাক, না খাইবা—চাগনু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শচীমাতানা থম্লম্মী—নঙনা নিবা অদু পীগনী। প্রভুনা হাযরম্মী—একাদশীদা চাক চাগনু।

তৈনরোল

একাদশী ব্রত তৌরবদি শ্রীবিষ্ণুনা পেল্লী. "একাদশীব্রতং নাম বিষ্ণু প্রীণনকারণম হায়না হরিভক্তিবিলাস-তা হাযরি। ১২/৭॥ মরমদুনা একাদশী ব্রতগী মমি, অতোপ্পা অমদি হরিবাসর কৌবনী। ব্রতদু তৌবগা নাইহ লৈবা অদুগা তৌদ্রগনা পাপ নত্রগা অমাঙবা ওইবা, অদুগুম্বা ব্রতবু নিত্য (মতমপুম্বগী ওইবা) ব্রত কৌযি। শ্রীহরিভক্তিবিলাসনা হাযরি—"অত্র ব্রতস্য নিত্যত্বাদবশ্যং তৎ সমাচরেৎ। ১১/৩—একাদশী-ব্রতসি নিত্তানীনা তৌদবা যাদবনী।" অদুগা অনিমশু হাযরি মদুদি- "ন ভোক্তব্যং ন ভোক্তব্যং সংপ্রাপ্তে হরিবাসরে। হরিভক্তিবিলাস ১২/১০॥—একাদশীব্রতদা ভোজন (চাকচাবা) তৌহৈদে তৌহৈদে।" বৈষ্ণবশিংদি মতম পুম্নমক্তা অন্ন-নচিংবা ভগবান্দা কৎলগা মহাপ্রসাদ লৌখি, বৈষ্ণব-শিংনা মহাপ্রসাদ নত্তনা করিগুম্বা পোৎ অমতা চাবগী বিধি লৈতে। একাদশীদা করিমতা চাবা য়াদে হায়বনীনা বৈষ্ণবশিংনা একাদশীদা মহাপ্রসাদ-অন্ন ফাওবা লৌফদ্রে, মরমদুনা একাদশীব্রতগী মরা হায়লকপদা শ্রীজীব গোস্বামীনা ভক্তিসন্দর্ভদা ইরম্মী— অত্র বৈষ্ণবানাং নিরহারত্বং নাম

মহাপ্রসাদান্ন-পরিত্যাগ এব। তেষামন্নভোজনস্য নিত্যমেব নিষিদ্ধত্বাৎ। ২৯৯॥ ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্র-নুপা-নুপী পুম্মক একাদশী-ব্রত তৌগদবনী। ৱাফমসি হবিভক্তিবিলাসনস্তু হাযরি মহুদি—ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়-বিশাং শূদ্রাণাঞ্চৈবযোষিতাম। মোক্ষদ কুর্ব্বতাং ভক্ত্যা বিষ্ণো প্রিযতরং-দ্বিজা ॥ ১২/৬॥" অসিমস্তু হাযরি—"ব্রহ্মচাবী গৃহস্থো বা বানপ্রস্থোঽথবা যতিঃ। একাদশ্যাং হি ভুঞ্জানো ভুঙক্তে গোমাংসমেব হি। ১৪/৫—ব্রহ্মচাবী, গৃহস্থ, বানপ্রস্থ সন্ন্যাসী—আশ্রম মবিমকপ্তিগী মী খূদি মক্লা একাদশীদা চাক চাববদি শল-শা চাবমল্লী॥" মসি বিষ্ণুধর্ম্মোত্তর-দগী হবিভক্তি বিলাসনা লৌখৎপা বচন অমনী। 'ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিযবিশাং'—নচি বা মথক্কী শ্লোকসিদা যাংবিবা 'যোষিতাম্' হাযবা শব্দনা হাযবিবদি লুখ্রাবী খণ্ডদে মপুবোইবা-লৈবিবী খণ্ডদে নুপী খূদিংমক্লা একাদশীদা চবা হেনগদবনী হাযনা লেপ্লবনী। মযাম্না থাজনবা অমস্তু লৈবি মহুদি—মপুবোইবনা হিংনিঙৈদা নুপীনা চবা হেল্লবদি মপুবোইবগী পুন্সীডু মহাক্লা লৌথোকফি অত্তুগা নবক-কোমদস্তু তাই। মসিবু য়োকখৎপা স্মৃতি-বচন অমস্তু লৈ মহুদি—"পত্যৌ জীবতি যা নাবী উপবাসব্রতঞ্চবেৎ। আয়ুঃ সা হবতি ভর্ত্তুর্নবকঞ্চৈব গচ্ছতি॥" বচনসিগী মহুৎ ইন্না একাদশীদা চবা হেনবা নুপীগীদি তৌহৈদে হাযনা কনাগুম্বনা হায। অহুবু একাদশীব্রতদি তৌগন্নু হাযদে। স্মৃতি-বচনসিনা মপুবোইনা-লৈবীনা ব্রত-উপবাস তৌবা য়াদে হাযবিবসিদি একাদশীব্রত নত্তবা অতৈ ব্রতোপবাসপুনী। অস্মুম্না বচনসিগী তাৎপর্য্য থিদ্রবদি শাস্ত্র-প্রমাণ অতৈগা যেংনবা হাযবত্তু ওইংদৌবি। হবিভক্তিবিলাসনা হাযবি—"সপুত্রশ্চ স্বজনৈর্ভক্তি-সংযুত। একাদশ্যামুপবসেৎ পক্ষযোরুভযোরপি।" নুপী, মচা-নুপা অত্তুগা স্বজনশিংগা পুন্না ভক্তিগা লোযননা পক্ষ অনীগ্রন্ত্বা একাদশীদা উপবাস তৌগদবনী /১২/১১। বচনসিদা নুপীগা লোয়ননা উপবাস তৌগদবনী হাযবসিনা তাকপদি মপুবোইবা-লৈবীসিস্তু একাদশীদা উপবাস তৌপদবনী হাযবনী। অহুনা শ্রীমন মহাপ্রভুনা লুখ্রা-ওইদ্রিবী মমাদা একাদশীদা চরা হেল্লু হাযরিবনী। নমানা যাবম্বহুস্ত শাস্ত্রনা যাবনা যারম্লিবনী।

মূল ১০

শচী বোলেন—না খাইব, ভালই কহিলা।
সেই হৈতে একাদশী করিতে লাগিলা॥ ১০॥

শব্দার্থ

শচী—শ্রীশচীদেবীনা , বোলেন—হায় না খাইব—চারোই , ভালই—ফবমক্কী , ক'হলা—হায়খিবদু , সেই হৈতে—মতুদগী , একাদশী —একাদশী , করিতে—তৌবা , লাগিলা—হৌখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীশচীদেবীনা হায—নঙনা হায়বদু ফনবু ফবে, ঐ চারোই । (শচীনা) মতুদগী একাদশী তৌবা হৌখি ।

মূল ১১

তবে মিশ্র বিশ্বরূপের দেখিযা যৌবন ।
কন্যা চাহি বিবাহ দিতে করিলেন মন।। ১১ ।।

শব্দার্থ

তবে—অতুদগীদি মিশ্র—শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা , বিশ্বরূপের - নিমাইগী মযাম্বুং বিশ্বরূপকী , দেখিযা—উবদুনা , যৌবন—মাথাক-কাবা চহীমতাঙ ; কন্যা—কন্যা , চাহি - য়েংলগা , বিবাহ দিতে—লুহো বিগে হায়না , করিলেন মন—নীঙখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগীদি শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা বিশ্বরূপকী যৌবন ওইরকপদু উবগ লুপী অমা য়েংলগা লুহোংবিরগে নীঙখি ।

মূল ১২

বিশ্বরূপ শুনি ঘর ছাড়ি পলাইলা ।
সন্ন্যাস করিযা তীর্থ করিবারে গেলা ।। ১২ ।।

শব্দার্থ

বিশ্বরূপ—শ্রীবিশ্বরূপ মিশ্রনা , শুনি—(লুহোংবগী পাওদু) মমা-কোঙনা তারদুনা , ঘর—যুম , ছাড়—থাদোক্লুনা পলাইলা—চেনখরে , সন্ন্যাস করিযা—সন্ন্যাস তৌদুনা , তীর্থ করিবারে—তীর্থ কোযননবা , গেলা—চৎখ্রে ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(লুহোংবগী পাওহ্) বিশ্বরূপনা তাত্নুনা যুম থাদোক্লুনা চেন্‌খি। সন্ন্যাস লৌরগা তীর্থ কোযগে হাযনা চংখি।

মূল ১৩

শুনি মিশ্র পুরন্দর দুঃখী হৈল মন।
তবে প্রভু পিতা-মাতার কৈল আশ্বাসন॥ ১৩॥

শব্দার্থ

শুনি—নাকোঙনা তারগা, মিশ্র পুরন্দর—শ্রীজগন্নাথ মিশ্র, দুঃখী—নুংঙাইতবা, হৈল—ওইখি, মন—পুক্নীঙ, তবে—অদুবু, প্রভু—মহাপ্রভুনা, পিতা-মাতার—মপামমাবু, কৈল—তৌখি, আশ্বাসন—থেমজনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(বিশ্বরূপ-না যুম থাদোকপগী ৱা) তাবগা শ্রীজগন্নাথ মিশ্রগী পুক্নীঙ নুংঙাইবমদে। অদুবু শ্রীমন্ মহাপ্রভুনা মপাবু, অমসুং মমাবেম্মা অনীবু থেমজল্লম্মী।

নৈনরোল

মথং মথং মচা নিপাল শিরবা তুংদা বিশ্বরূপ পোক্‌খিবনী। অদুনা বিশ্বরূপতুবু লুনা থমজবম্বনী। মানা সন্ন্যাস লৌখিবগী ৱা তাবদা শ্রীজগন্নাথ মিশ্র অমসুং শচীদেবীদো থরাই যাম্না নুংঙাইতবমদে। সন্ন্যাস লৌবা হাযবসিদা লাইনীংবগী থল্লুরগদি যাম্না নুংঙাইবা ৱানীদি হাযববু মচা নংশিবগী মৈচাক্তি কোকপা য়ারমদে। মতুদা মহাপ্রভুনা মপাবুংগা মমাবেম্নগা অনীবু থেমজনখি।

মূল ১৪-১৫

ভাল হৈল-বিশ্বরূপ সন্ন্যাস করিল।
পিতৃকুল মাতৃকুল দুই উদ্ধারিল॥ ১৪॥
আমি ত করিব তোমা দোঁহার সেবন।
শুনিঞা সন্তুষ্ট হৈল পিতামাতার মন। ১৫॥

শব্দার্থ

ভাল অফবা, হৈল—ওইরে, বিশ্বরূপে—বিশ্বরূপ দাদানা, সন্ন্যাস করিল—সন্ন্যাস তৌখবে, পিতৃকুল—ইপাবোমগী শাগৈ; মাতৃকুল—ইমাবোমগী শাগৈ দুহ—অনীমকপু, উদ্ধারিল—লানবিরে, আমি ত—ঐনা, কারব তৌগনী, তোমা দোঁহার—নখোয়নীগী, সেবন—সেবা, শুনিঞা—(মতু) তাবদা, সন্তুষ্ট—পেনজবা; হৈল—ওইখি, পিতা-মাতার—মমামপাগী, মন—পুক্নাও।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়বম্মী—বিশ্বরূপ দাদানা সন্ন্যাস তৌখিবসে যনা যবে। মবমদি ইপাবোমগী শাগৈ অদুগা ইমাবোমগী শাগৈ অনীমক অরান-খুভম ফংলগনী। নখোযনীগী সেবাদি ঐনতুম তৌগনী। প্রভুগী ৱাসি তাবগা মমামপাগী পুক্নীও পেনজখি।

মূল ১৬

একদিন নৈবেদ্য তাম্বুল খাইযা।
ভূমিতে পড়িলা প্রভু অচেতন হৈযা॥ ১৬॥

শব্দার্থ

একদিন—নোংমা, নৈবেদ্য--অকৎপা, তাম্বুল—কা পানা, খাইযা—চাদুনা ভূমিতে—লৈপাক্তা, পড়িলা—তুখি, প্রভু—প্রভুনা; অচেতন—ৱান্থবা হৈযা—ওইদুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা প্রভুনা লাইদা কৎপা পানা-কাদু চাবগা লৈপাক্তা ৱান্থদুনা লৈখি।

মূল ১৭

আস্তেব্যস্তে পিতামাতা মুখে দিলা পানী।
সুস্থ হৈঞা কহে প্রভু অপূর্ব্ব কাহিনী॥ ১৭॥

শব্দার্থ

আস্তেব্যস্তে—পাখৎপদগী হাথু হাথু তৌদুনা, পিতামাতা - মপাগা

মমাগনা, মুখে—ময়াদা, দিলা—পীখি; পানী—ঈশীঙ সুস্থ—হন্থরকপা হৈঞা—ওইরহুনা, কহে—হায, প্রভু—প্রভুনা, অপূর্ব্ব—অঙকপা, কাহিনী—ৱারী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পাখংপদগী হাথু হাথুনা মপাগা মমাগনা প্রভুগী যানুংদা ঈশিং হৈজিন্নখি। হন্থরক্লগা প্রভুনা অঙকপা ৱারী অমা লীরম্মী।

মুল ১৮-২১

এথা হৈতে বিশ্বরূপ মোরে লঞা গেলা।
সন্ন্যাস কবহ তুমি আমারে কহিলা ॥ ১৮ ॥
আমি কহি আমার অনাথ পিতা-মাতা।
আমি বালক, সন্ন্যাসের কিবা জানি কথা ॥ ১৯ ॥
গৃহস্থ হইযা কবিব পিতা মাতাব সেবন।
ইহাতেই তুষ্ট হবেন লক্ষ্মীনারায়ণ ॥ ২০ ॥
তবে বিশ্বরূপ ইহা পাঠাইল মোরে।
মাতাকে কহিও কোটি কোটি নমস্কারে ॥ ২১ ॥

শব্দার্থ

এথা হৈতে—মফমসিদগী, বিশ্বরূপ—বিশ্বরূপনা, মোরে—ঐবু, লঞা—পুহনা, গেলা—চৎলী, সন্ন্যাস কবহ—সন্ন্যাস তৌবো, তুমি—নহাক আমারে—ঐঙোন্দা, কহিলা—হায়খি, আমি—ঐনা, কহি—হায, আমাব—ঐগী, অনাথ—কনা-লৈতবা, পিতা-মাতা—ইপা-ইমানী; আমি—ঐ, বালক—ঙপামচা পিশক্লী, সন্ন্যাসের—সন্ন্যাসগী, কিবা—করি, জানি—খঙঙী, কথা—ৱা, গৃহস্থ—যুমপানবা, হইয়া—ওইদুনা, করিব—তৌগনী, পিতামাতার—ইপা-ইমাগী, সেবন—সেবা, ইহাতেই—মসিনা, তুষ্ট হবেন—পেন্‌গনী, লক্ষ্মীনারায়ণ—শ্রীলক্ষ্মনারাযণনা, তবে—অদুদগী, বিশ্বরূপ—বিশ্বরূপ-না, ইহা—মফম-সিদা, পাঠাইল—থারকয়ি, মোরে—ঐবু, মাতাকে—ইমাদা, কহিও—হায়য়ু, কোটি কোটি—কোটি কোটি, নমস্কারে—খুরুম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়বম্মী- মফমসিদগী বিশ্বরূপ-না ঐবু পুবগা চৎলম্মী। "নহাক সন্ন্যাস তৌবো" হায়না ঐঙোন্দা হাযবম্মী। অত্তুদা ঐনা খুম্মী— "ঐগী ইপাগা ইমাগদি যেংবিনীঙঙাই লৈত্তবনী। ঐস্তু অঙাঙনী, সন্ন্যাসগী রা করিনো হায়বত্ত্ মফম খঙদে। যুম-পাল্লগা ঐদি ইপা-ইমাগী সেবা তৌগনী। মত্তুদা লক্ষ্মীনারায়ণ্না পেন্‌গনি। অত্তুদগী বিশ্বরূপনা ঐবু মফম-সিদা অমূক থারকয়ি। (অত্তুগা মহাক্না অসিমস্তু হায়রকয়ি), "হে নিমাই, কোটি কোটিরক হন্না ঐনা থুকম্লকয়ি হায়না ইমাদা তম্মুকো।"

মুল ২২

এইমত নানা লীলা করে গৌরহরি।

কি কারণে লীলা, ইহা বুঝিতে না পারি।। ২২ ।।

শব্দার্থ

এইমত—মতৌ অস্মুন্না, নানা—মখল মখাগী, লীলা—লীলা, করে—তৌযি, গৌরহরি- গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা, কি কারণে—করি মরমগী, লীলা—লীলানো, ইহা—মসি, বুঝিতে—খঙবা, না পারি—ঙমদে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অস্মুন্না গৌরহরিনা লীলা মখল মখা শান্নে। করি মরমগী লীলা-নো হাযবত্ত্ খঙবা ঙমদে।

মুল ২৩

কথোদিন রহি মিশ্র গেলা পরলোক।

মাতা পুত্র দোঁহার বাঢ়িল হৃদি শোক।। ২৩ ।।

শব্দার্থ

কথোদিন—সুমীৎ কযানী রহি—লৈবল্লগা মিশ্র—জগন্নাথ মিশ্র, গেলা পরলোক—থুপখ্রে মাতা পুত্র—মমা-মচা, দোঁহার—অনীগী; বাঢ়িল—হেঙ্গৎলম্মী, হৃদি—থম্মোইদা, শোক—অৱাবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সুমীৎ খরনী লৈরম্লগা শ্রীজগন্নাথ মিশ্র থুপখ্রে। মমা-মচা অনীগী থম্মোইদা ৱাবদো হেঙ্গৎলম্মী।

মুল ২৪

বন্ধুবান্ধব আসি দোঁহে প্রবোধিল।
পিতৃক্রিয়া বিধিদৃষ্টে ঈশ্বর করিল॥ ২৪ ॥

শব্দার্থ

বন্ধু-বান্ধব—মরূপ-মপাং আসি—লাকুনা, দোঁহে—অনীবু, প্রবোধিল—থেমজল্লম্মী; পিতৃক্রিয়া- শোবাৎনচিংবা থবক, বিধিদৃষ্টে—শাস্ত্রবিধি মতুং ইন্না, ঈশ্বব—গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা, করিল—তৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মরূপ-মপাং লাকুনা মখোয অনীবু থেমজল্লম্মী। ঈশ্বর গৌবহরিনা শাস্ত্রবিধি মতুং ইন্না পিতৃশ্রাদ্ধনচিংবা থবক্তু তৌখি।

নৈনরোল

পবলোক্তা চৎখিবা জীবদুগী মঙ্গল ওইনন্দবা হাযদুনা মীওইবনা শোবাৎ শোন্নে। শ্রীজগন্নাথমিশ্রদি নিত্য-সিদ্ধনী ভগবানগী পবিকরনী, তশেংবদি মাগীদি মৃত্যু লৈতে পরলোক-তা মাগী মঙ্গল ওইবা ওইদবগী ব্রা লৈতে। অদুম ওইনমক প্রভুনা শান্নরিবা নবলীলাগী দমক মীওইবনা শিনবগী মতৌ তমদুনা শ্রীজগন্নাথ মিশ্রনা অপ্রকট লীলাদা চঙব্রে অদুগা লৌকিক লীলাগীনী হাযদুনা প্রভুস্ন অতৈ থ্বাইনা তৌবংম্মা শাস্ত্রবিধি মতুং ইন্না পিতৃশ্রাদ্ধনচিংবা কর্ম্মদু তৌখি।

মুল ২৫-২৬

কথোদিনে প্রভু চিত্তে করিলা চিন্তন—।
গৃহস্থ হইলাম এবে চাহি গৃহধর্ম্ম॥ ২৫ ॥
গৃহিণী বিনা গৃহধর্ম্ম না হয শোভন।
এত চিন্তি বিবাহ করিতে হৈল মন॥ ২৬ ॥

শব্দার্থ

কথোদিনে নুমীৎ খরা লৈরগা, প্রভু—প্রভুনা, চিত্তে—পুক্নীংদা, করিলা তৌখি চিন্তন বাখল, গৃহস্থ—যুম্বু, হইলাম ওইরে, এবে—হৌজিক চাহি-পাম্মী, গৃহধর্ম্ম—যুম্বানুবগী মখো, গৃহিণী—যুম্বগী

নুপী, বিনা—নত্তনা, গৃহধর্ম্ম—যুম্বান্বগী থবক্তি, না হয—ওইদে; শোভন—নীঙথিবা, এত—ময়ামসি ' চিন্তি—খল্লুরগা, বিবাহ করিতে—লুহোংলগে হায়না, হৈস মন—খনখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নুমীৎ থরগী মতুংদা প্রভুনা মপূক্লীডদা খন্‌খি—য়ুম্বু হায়বহু ওইরে, হৌজিক যুম্বান্নবা থবক তৌনাঙলে। যুমগী নুপী (গৃহিণী) য়াওদনদি যুম্বানবা নীঙথিনা যাদে। রাখল ময়ামসি তৌরুবগা প্রভুনা লুহোংলগে হায়না পূক্লীডদা খন্‌খি।

মূল ২৭

ন গৃহম গৃহমিত্যাহু র্গৃহিণী গৃহমুচ্যতে।

তয়া হি সহিত. সর্ব্বান পুরুষার্থান সমশ্নুতে ॥ ২৭ ॥

শব্দার্থ

ন—নত্তে, গৃহম—যুম, গৃহম—য়ুম, ইতি—অম্মুম্না, আহুঃ—হায়, গৃহিণী—যুমগী নুপী (যুম্বান্‌বী), গৃহম—যুম্নী. উচ্যতে—হায, তযা—মহাক্কা (গৃহিণীগা), হি—লেপ্পন্নক, সহিত.—লোয়ননা, সর্ব্বান্—পূম্নমক, পুরুষার্থান—পুরুষার্থশিং, সমশ্নুতে—ভোগ তৌয়ি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

যুমতব যম কৌবা যাদে, গৃহিণীবু যুম কৌযি হাযনা পণ্ডিতশিংনা হাযবন্মী। গৃহিণীগা লোয়নহুনা (ধর্ম্ম-অর্থ-কাম-মোক্ষ কৌবা) পুরুষার্থ পূম্বহু ভোগ তৌমিন্নগদোবনী।

নৈনরোল

শ্লোকসি উদ্বাহ তত্ত্বদগী লৌথোবকপনী। নুপী য়াওদ্রবদি যুম পান্‌বা কৌদে। অদুনা গৃহিণীবু পণ্ডিতশিংনা যুম্নী হায়বম্লিবনী। পুরুষার্থ হাযবদি মীওইবনা তান্‌গদবা বিষয মবিদি ধর্ম্ম (বর্ণাশ্রম ধর্ম্ম), অর্থ (লন্থুম), কাম (লন্থুম্না পাঙথোকপা য়াবা অপাম্বা) মোক্ষ (অরানখুভম) হাযবসিনী। পুরুষার্থশিংসিগী ওইগদবা থবক নুপীগা লোযননা পাঙথোকপা তাই অদুগা মতুগী ওইরকপা মহৈস্নু নুপীগা লোযননা ফংমিন্নগদবনী।

হায়বদি থবক পূন্নমকসে মুপী য়াওপ্রবদি মীওথিনা পাওথোকপা য়াদে। মরমসিনা য়ুম হায়ববু মুপীনী হায়রিবনী। য়ুম লৈতবা মীবু য়ুম্নানবা (গৃহস্থ) কৌবা যাদে। অতুগুম্না গৃহিণী লৈতবা মীবু গৃহস্থ কৌবা য়াদে করিনা মুপী যাওপ্রবদি গৃহকর্ম্ম মপুঙফানা পাওথোকপা য়াদে। মরমতুনা গৃহস্থ ওইগে নীঙলবদি মহাক লুহোংবা তাবনী।

শ্লোকসি মমাঙ থাখিবা পয়ার অনীতুনা হায়রিবা য়াফমগী প্রমাণনি।

২৮

দৈবে একদিন প্রভু পঢ়িয়া আসিতে।

বল্লভাচার্য্যের কন্যা দেখে গঙ্গাপথে ॥ ২৮ ॥

শব্দার্থ

দৈবে—খঙহৌদবমখৈ, একদিন—নোংমা; প্রভু—প্রভুনা পঢ়িয়া—লাইরীক তম্লগা, আসিতে—লাকপদা; বল্লভাচার্য্যের—বল্লভাচার্য্যগী; কন্যা—মচানুপীবু, দেখে—উই, গঙ্গাপথে—গঙ্গাগী লম্বীদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা প্রভুনা লাইরীক তম্লগা হল্লকপদা গঙ্গাগী-লম্বীদা বল্লভাচার্য্যগী মচানুপীবু (লক্ষ্মীদেবীবু) খঙহৌদবমখৈ উথি।

মূল ২৯

পূর্ব্বসিদ্ধভাব দোঁহার উদয় করিল।

দৈবে বনমালী ঘটক শচীস্থানে আইল ॥ ২৯ ॥

শব্দার্থ

পূর্ব্বসিদ্ধভাব—হান্নগী (অনাদি কালদগী ওইরক্লবা) ভাব, দোঁহার—অনীগী, উদয করিল—পোকহনখি, দৈবে—খঙহৌদনা, বনমালী—বনমালী ঘটক—মুপীগী য়া পুবা মী, শচীস্থানে—শচীগী মফমদা, আইল—লাকখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অনাদি কালদগী সিদ্ধ ওইরক্লবা অনীগী ভাব অদু থোরকখি। খঙহৌদনা বনমালী ঘটক শচীদেবীগী মফমদা লাকখি।

লৈনরোল

প্রভুদি শ্রীকৃষ্ণ স্বয়ংনী অদুগা লক্ষ্মীদেবীনা স্বয়ং শ্রীলক্ষ্মীনী। মরমদুনা মখোয়গী মছানা ওইরম থোকপা ভাবত্তি কান্তাভাব-নী। মখোয়গী কান্তাভাবসি অনাদিসিদ্ধনী। নবদ্বীপ লীলা হৌরকপদা লৌকিক লীলাগী-দমক হায়দুনা অনাদিসিদ্ধ কান্তাভাব অসি লোৎনুনা লৈরম্বনী। হৌজিক্তি খঙহৌদনা অনী মশেল উনবদা হান্নগী ভাব অদু মাপান থোরককখি হায়বদি লক্ষ্মীদেবীবু পত্নী ওইনা ফংগে হায়না প্রভুনা নীঙখি অদুগা প্রভুবু পতি ওইনা ফংগে হায়না লক্ষ্মীদেবীনা খনখি।

মূল ৩০

শচীর ইঙ্গিতে সম্বন্ধ করিল ঘটন।
লক্ষ্মীকে বিবাহ কৈল শ্রীশচীনন্দন ॥ ৩০ ॥

শব্দার্থ

শচীর—শ্রীশচীদেবীগী, ইঙ্গিতে—ইঙ্গিতনা, সম্বন্ধ—মরি করিল—ওইহল্লে, ঘটন—থোকপা, লক্ষ্মীকে—শ্রীলক্ষ্মীদেবীবু, বিবাহ কৈল—লুহোংলে, শ্রীশচীনন্দন—শ্রীশচীগী মচাবু ঙোনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীশচীমাতাগী ইঙ্গিতনা মরি থম্নবদু থোকহল্লে। লক্ষ্মীদেবীবু শ্রীশচী-নন্দন গৌরাঙ্গ প্রভুনা লুহোংদুনা লৌরে।

লৈনরোল

শ্রীলক্ষ্মীবু প্রভুনা লুহোংবগী মতাঙসি শ্রীচৈতন্যভাগবতনা অস্থুম্না হায়, মদুদি - বনমালী ঘটকনা লুহোংবগী ৱাসি পুশিল্লকপদা অহানবদা শচীদেবীনা য়াবমদে। লাইবীক তম্বা লোইরগা লুহোংবিগনী হায়না শচীদেবীনা খুমখি। মদুদা নীঙবা কায়দুনা বনমালী ঘটকসু হনখি। লমখাঙদা মহাপ্রভুনা টোলদগী হল্লকপদা বনমালীগা থেংনববদা বারোল পুন্নমক খঙখি। অদুদগী প্রভুনা য়ুম য়োরগা নোক্ক নোক্কদুনা মমাদা হায়খি--- বনমালী আচার্য্যগা ৱারী ফনা শাহৌদ্রিবা কবিগীনো? মচাগী বাসি তাবদা নিমাই লুহোংনীংলে হায়বগী ইঙ্গিত ফংলদুনা শচীমাতানা ঘটক বনমালী আচার্য্যবু কৌহল্লুই অদুগা লক্ষ্মীদেবীগা সম্বন্ধ থম্নবা হোৎনবিরো হায়খি।

বিস্তারি বর্ণিলেন ইহা বৃন্দাবনদাস।
এইত পৌগণ্ডলীলার সূত্রের প্রকাশ ॥ ৩১ ॥

শব্দার্থ

বিস্তারি—শন্দোক্না, বর্ণিলেন বর্ণনা তৌবন্নে, ইহা মসিবু, বৃন্দাবনদাস—শ্রীবৃন্দাবনদাসনা এই ত—মসিনীদে পৌগণ্ডলীলার—পৌগণ্ডলীলাগী, সূত্রেব প্রকাশ সূত্র ফোঙবা হাযবদি ইবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বাবীসিবু শ্রী বৃন্দাবনদাসনা শন্দোক্না ইরম্লে। ঐনা ইবিবসিদি পৌগণ্ড লীলাগী সূত্র ওইনা ফোঙদোকপদনী।

মূল ৩২

পৌগণ্ডবযসে লীলা বহুত প্রকার।
বৃন্দাবনদাস তাহা করিয়াছেন বিস্তাব ॥ ৩২ ॥

শব্দার্থ

পৌগণ্ডবযসে—পৌগণ্ডগী চহী মতাঙদা, লীলা—লীলা, বহুত—অযাম্বা, প্রকার—মখল্লা বৃন্দাবনদাস—শ্রীবৃন্দাবনদাসনা, তাহা—মদু, কবিযাছেন—তৌরে, বিস্তাব—শন্দোকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পৌগণ্ডবযসদা প্রভুগী লীলাদি মখল মথা যাম্নথবে। মদু পুম্নমক শ্রীবৃন্দাবনদাসনা শন্দোক শন্দোক্না ইরম্লে।

মূল ৩৩

অতএব দিঙ্মাত্র ইহাঁ দেখাইল।
চৈতন্য মঙ্গলে সর্ব্বলোকে খ্যাত হৈল ॥ ৩৩ ॥

শব্দার্থ

অতএব—মরমদুনা, দিঙ্মাত্র—শন্নক অমত্তং, ইহাঁ মফমসিদা,

দেখাইল— উৎপদনী , চৈতন্য মঙ্গলে—চৈতন্য মঙ্গলদা (শ্রীচৈতন্য ভাগবত-দা) , সর্ব্বলোকে—মী পুন্নমক্কী মফমদা , খ্যাত—খঙনরবা , হৈল—ওইববনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মরমত্থনা মফমসিদা ঐহাক্না শরুক অমতং উৎপদনী । শ্রীচৈতন্য-মঙ্গলদগী রাফমসি মী পুন্নমক্না খঙনরবনী ।

মুল ৩৪

শ্রীরূপরঘুনাথপদে যার আশ ।

চৈতন্যচরিতামৃত কহে কৃষ্ণদাস ॥ ৩৪ ॥

শব্দার্থ

শ্রীরূপরঘুনাথপদে—শ্রীরূপ অমসুং শ্রীরঘুনাথকী খুযাদা , যার—মাগী , আশ—আশা (লৈ) , চৈতন্যচরিতামৃত—শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত , কহে—লীজৈ , কৃষ্ণদাস—শ্রীকৃষ্ণদাসনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ গোস্বামী অমসুং শ্রীরঘুনাথ গোস্বামীগী খুয়াখাদা আশা থম্জরিবা কৃষ্ণদাসনা চৈতন্যচরিতামৃত লীজৈযে ।

ইতি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতে আদিখণ্ডে পৌগণ্ডলীলা-সূত্র-বর্ণনং নাম পঞ্চদশপরিচ্ছেদঃ ॥

আদিলীলা

তরাতরুকশুবা পরিচ্ছেদ

মূল ১

কৃপাসুধাসরিদ যস্য বিশ্বমাপ্লাবয়ন্ত্যপি।
নীচগৈব সদা ভাতি তং চৈতন্যপ্রভুং ভজে ॥ ১ ॥

শব্দার্থ

কৃপাসুধা—কৃপাগী মশক ওইবা অমৃতগী, সরিৎ—তুবেল, যস্য—মহাক্কী, বিশ্বম—বিশ্বজগৎপু আপ্লাবয়ন্তী অপি—ঈশী, ইচাওনা থুম্বগুম থুমহল্লবস্থু, নীচগা—খাবোমদা চেন্থবী, এব—গুম্না, সদা—মতম পুম্বদা, ভাতি—ডাল্লি, তম—মহাকপু, চৈতন্যপ্রভুম—শ্রীচৈতন্যপ্রভুবু; ভজে—খুকমজৈ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাক্কী থৌজালগী মশক ওইবা অমৃত-তুবেল্না বিশ্বজগৎপু মপূঙফানা থুমহৎলবসু মতমপূম্নমক্তা খা-পাৎবী ওইনা ডাল্লিবা, অদুগুম্বা শ্রীচৈতন্য-প্রভুবু খুকমজৈ।

মৈমরোল

শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী কৃপাতু মফম পুম্বদা যেল্লবস্থু কৃপাগী পাত্র মবক্তা খেন্নবা মতুঙ ইন্না য়েংলগদি কৃপাতু খেন্নবা উবা ফংঙী। মহাক্কী কৃপাদি থাম্নম-পাংবী তুরেনগুম্না মখাবোমদা হায়বদি অনেম্বা হায়বদি নাপন-যাওদবা ভক্তগী মায়কৈদদা চেন্থে। মতুগী প্রমাণদি তুরেন্না চেন্থবসি অনেম্-অনেম্বা লমদম থিব-থিরগা চেন্থে। নোংচুবা মতমদা মফম পুম্নমক্তা চপ মান্নবা চুরিবনী। অদুবু অবাংবা অমস্তু, লৈতেম-মান্নবা মফমদা নোংগী ঈশীঙ তুংদে। অকুৎপা মফম থিদুনা চেন্থে। ভক্তদি মহাগী অভিমান লৈতে অদুনা গৌর-কৃপাতু ভক্তনা হেন্না ফংঙী। শ্রী গৌরাঙ্গপ্রভুনা মীচং-মীথাব [illegible] না নন্তে।

মূল ২

জয় জয় শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য নিত্যানন্দ।
জয়াদ্বৈতচন্দ্র জয় গৌরভক্তবৃন্দ ॥ ২ ॥

জয় জয়— থুকমজৈ, থুকমজৈ ! শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য — শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু, নিত্যানন্দ- শ্রীনিত্যানন্দবু, জয় অদ্বৈতচন্দ্র — শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্রব থুকমজৈ, জয়— থুকমজৈ, গৌরভক্তবৃন্দ- শ্রীগৌরচন্দ্রপ্রভুগী ভক্ত পুম্নমকপু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যবু, শ্রীনিত্যানন্দবু, শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্রবু অমসুং শ্রীগৌরাঙ্গগী ভক্তশিংবু থুকমজরি।

মূল ৩

জীয়াৎ কৈশোরচৈতন্যো মূর্ত্তিমত্যা গৃহাশ্রমাৎ।
লক্ষ্ম্যার্চ্চিতোঽথ বাগ্দেব্যা দিশাং জয়িজয়চ্ছলাৎ ॥ ৩ ॥

শব্দার্থ

জীয়াৎ—জয় ওইসনু কৈশোরচৈতন্যঃ—কৈশোরগী চহীমতা দা লৈরিবা শ্রীচৈতন্য প্রভু; মূর্ত্তিমত্যা—মূর্ত্তিমতী ওইবী, গৃহ-আশ্রমাৎ - যুম্মানবগী আশ্রমদা লৈত্রনা লক্ষ্ম্যা লক্ষ্মীদেবীনা, অর্চ্চিতঃ পূজা-তৌবিবা, অথ—অতুগা, বাগ্দেব্যা—সরস্বতী দেবীনা, দিশাং—মাযকৈ পুম্নমকী, জয়িজয়চ্ছলাৎ—জয়ীবু (জয়-তৌবরুবা মীবু) জয় তৌবগী ছল-দা (তাং-তা)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গৃহস্থ-আশ্রমদা মূর্ত্তিলৈত্রনা চোংথোরবী লক্ষ্মীগী মশক ওইবী লক্ষ্মীপ্রিয়ানা পূজা তৌজরিবা অতুগা দিগ্বিজয়ীবু মাযথীবা পীবনী হাযহল্লগা সরস্বতীদেবীনা ইভ্রাংচরিবা, কৈশোরগী চহী মতাংদা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা জয়-ওইবা ওইসনু।

তাৎপর্য্য

চহী তরামতা কাওবগী মতাঙবু কৈশোর হায়না খঙলৈ। কৈশোরগী

মতাঙদা প্রভুনা শ্রীলক্ষ্মীপ্রিয়াদেবীবু লুহোংলগা গৃহস্থ-আশ্রমদা চঙবা হৌখি অদুগা দিগ্বিজয়ী পণ্ডিতপু শাস্ত্রযুদ্ধদা মাঁথীবা পীদুনা মাগী বিদ্যা অঙকপহু উংখি। তরাতরাকশুবা পরিচ্ছেদদা বর্ণন তৌগদৌরিবা বিষয়শু পল্লি।

মূল ৪

এই ত কৈশোরলীলার সূত্রঅনুবন্ধ।
শিষ্যগণ পড়াইতে করিলা আরম্ভ ॥ ৪ ॥

শব্দার্থ

এইত—মসিনীদো. কৈশোর-লীলার—কৈশোরদা শান্নখিবা লীলাগী. সূত্রঅনুবন্ধ—সূত্র হোৌবা শিষ্যগণ—শিষ্যশিংবু, পড়াইতে—(লাইরীক) তম্বীবা, করিলা—তৌখি, আরম্ভ—হৌবা।

মেতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসিনীদো কৈশোর-বয়সদা তৌখিবা লীলাগী সূত্র হৌবা। প্রভুনা শিষ্যশিংবু লাইরীক তম্বীবা হৌবক্লে।

কৈনরোল

প্রভুনা কৈশোর বয়সদা [illegible] লিংহুনা শিষ্যশিংদা বিদ্যা তম্বিবা হৌখি।

মূল ৫

শতশত শিষ্যসঙ্গে সদা অধ্যাপন।
ব্যাখ্যা শুনি সর্ব্বলোকের চমকিত মন ॥ ৫ ॥

শব্দার্থ

শতশত—চামা চামা, শিষ্যসঙ্গে—শিষ্যশিংগা লোয়নননা, সদা—মতম পুম্নমদা, অধ্যাপন—লাইরীক তাকপীরবা, ব্যাখ্যা—শন্দোক্না হায়বা, শুনি—নাকোঙনা তাবগা, সর্ব্বলোকের—মী পুম্নমক্কী, চমকিত—ঙকখিবা, মন—পুক্নীং।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শিষ্য চাম-চামগা লোয়নননা লাইরীক তাকপিখি। প্রভুনা তাকপীরবা ব্যাখ্যা মনাকোঙনা তাবগা মী পুম্নমক্কী পুক্নীংহু ঙকখি।

মূল ৬

সর্ব্বশাস্ত্রে সর্ব্বপণ্ডিত পায় পরাজয়।

বিনয়-ভঙ্গীতে কারো দুঃখ নাহি হয় ॥ ৬ ॥

শব্দার্থ

সর্ব্বশাস্ত্রে—শাস্ত্র পুম্নমক্তা ; সর্ব্বপণ্ডিতে—পণ্ডিত পুম্নমক , পায—ফংঙী , পরাজয়—মায়থীবা , বিনয—নো-লুকপগী , ভঙ্গীতে- মতৌদা কারো—কনাগী সু , দুঃখ—ৱাবা ; নাহি হয়—ওইদে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শাস্ত্র পুম্নমক্তা পণ্ডিত পুম্নমক্না মহাপ্রভুগী মফম্দা মাযথীবা ফংঙী অদুবু প্রভুগী নো-লুকপা মতৌনা কনামতনা মথৱাই নুংঙাইতবা তৌরমদে

মূল ৭

বিবিধ ঔদ্ধত্য করে শিষ্যগণসঙ্গে।

জাহ্নবীতে জলকেলি করে নানারঙ্গে ॥ ৭ ॥

শব্দার্থ

বিবিধ—মখল মখাগী , ঔদ্ধত্য—পুক্নীং-চরাংনবগী থবক , করে—তৌয়ি , শিষ্যগণ সঙ্গে—শিষ্যশিংগা লোযননা , জাহ্নবীতে - গঙ্গ দা , জলকেলি—ঈশীংদা শান্নবা , করে—তৌয়ি , নানা রঙ্গে—মও, মংদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা শিষ্যশিংগা লোযননা পুক্নীং-তয়াংতশোয়বগী লীলা মখল মথেল শান্নৈ। গঙ্গাদা কুম্নগা জলকেলি মখল মখল শান্নখি।

মূল ৮

কথোদিনে কৈল প্রভু বঙ্গেতে গমন।

যাহাঁ যায তাহাঁ লওয়ায় নামসঙ্কীর্ত্তন। ৮ ॥

শব্দার্থ

কথোদিনে—মুহিং থৱগী মতুংদা , কৈল- তৌখি ; প্রভু- প্রভুনা ;

বঙ্গেতে—বঙ্গদেশদা হায়বাদ পূর্ব্ববঙ্গদা (হৌজিক্কী বাংলাদেশদা), গমন—লেঙবা, যাঁহা—মফমদা যায—চংলী তাঁহা—মফমতুদা, লওয়ায়—লৌহল্লী (তৌহল্লী), নামসঙ্কীর্ত্তন—হরিনাম শোন্‌বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতম খরা লৈরগা প্রভুনা বাংলাদেশদা (পূর্ব্ববঙ্গদা) লেঙখি। লেঙলু-লেঙলুবা মফমদা নাম সঙ্কীর্ত্তন তৌহন্‌খি।

মূল ৯

বিদ্যার প্রভাব দেখি চমৎকার চিতে।

শত শত পড়ুয়া আসি লাগিল পড়িতে ॥ ৯ ॥

শব্দার্থ

বিদ্যার প্রভাব—বিদ্যাগী শক্তি, দেখি—উদ্লুনা, চমৎকার—ঙকপী, চিতে—থম্মোইদা, শত শত—চামা চামা, পড়ুয়া—পড়োবান, আসি—লাক্লুনা, লাগিল—হৌখি, পড়িতে—(লাইরীক) তম্বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুদা লৈবম্বা) বিদ্যাগী শক্তিতু উবদা (ময়ামগী) থম্মোযদা অঙকপা পোকখি। পড়োযান্ চামা চামা লাক্লুনা লাইরীক তম্বা হৌখি।

মূল ১০

সেই দেশে বিপ্র-নাম মিশ্র তপন।

নিশ্চয় করিতে নারে সাধ্য-সাধন ॥ ১০ ॥

শব্দার্থ

সেই দেশে—দেশতুদা (পূর্ব্ববঙ্গদা), বিপ্র—ব্রাহ্মণ নাম—মিংনা, মিশ্র তপন—শ্রীতপন মিশ্র, নিশ্চয় করিতে—শোয়দবা ওইনা খঙবা, নারে—ঙম্দে, সাধ্য—তানগদবা পোৎ, পান্দম, সাধন—তান্নবা পান্থৈ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

দেশতুদা হায়বদি পূর্ব্ববঙ্গদা শ্রীতপনমিশ্র কৌবা ব্রাহ্মণ অমা লৈরম্মী।

মহাক্লা মীওইবগী সাধ্য (পুন্সী-পান্দম, পুন্সীদা তানগদবা পোৎ অমগা সাধন হায়বদি সাধ্যমু ফংনবা প্যাম্বে করিনো হায়বা লেপ্পা ওয়মদে।

মূল ১১

বহুশাস্ত্রে বহুবাক্যে চিত্তে ভ্রম হয়।

'সাধ্য-সাধন শ্রেষ্ঠ' না হয় নিশ্চয় ॥ ১১ ॥

শব্দার্থ

বহুশাস্ত্রে—শাস্ত্র ময়ামদা, বহুবাক্যে—ৱা তোঙান-তোঙানবা ময়াম্না চিত্তে—পুক্লীঙদা, ভ্রম—অরানবা; হয়—ওই, সাধ্য—পুন্সী-পান্দম; সাধন—সাধ্য ফংনবা প্যাম্বে, শ্রেষ্ঠ—পুঙথোই-থোইবা, না হয় —ওইদে, নিশ্চয়—তশেংনা লেপ্পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শাস্ত্র মযামদা ৱা মযামম্না যাম্মনবদা পুক্লীঙদা চিংনবদা পোকযি। থ্বাইদগী অথোইবা সাধ্য করিনো সাধন করিনো হায়বমু লেপ্পা ওয়মদে।

মূল ১২

স্বপ্নে এক বিপ্র কহে—শুনহ তপন।

নিমাই পণ্ডিত-পাশে করহ গমন ॥ ১২ ॥

শব্দার্থ

স্বপ্নে—মঙদা, এক বিপ্র—ব্রাহ্মণ অমনা, কহে—হায়রম্মী, শুনহ—ননাকোঙনা তাও, তপন—হে তপনমিশ্র; নিমাই পণ্ডিত—শ্রীনিমাই পণ্ডিতকী, পাশে—নাক্তা, করহ গমন—চৎলু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীতপনমিশ্রগী মঙদা ব্রাহ্মণ অমনা হায়রে—ওহে তপন, তাও। নহাক শ্রীনিমাই পণ্ডিতকী নাক্তা চৎলু।

তৈনবোল

শ্রীনিমাইবু মফমসিদা পণ্ডিত-নী হায়রী। পণ্ডিত শব্দগী অর্থদি অউবা হায়বনী। মহাক্লা উরিবা অহুদগী অমমুক উবঙাই লৈত্রবা, মহাক্লা

উবিবতুনা খ্বা'দগী হেনবা উফম ওইরিবা—অতুওবা পোৎপু উবা হাযবনী। শ্রীনিমাইনা উবদোনা হাযবদি খওবদোনা য়েনা খওবা লৈত্রবনী, মহাক্না হাযবতুদনা অওইবনি অরেপ্পা ওইগদবনি হায়বনী, ইঙ্গিত ওইনা পণ্ডিত শব্দসি নিমাই হায়বা মিংসিগা লোয়নবিবনী। মপাম্বোংদগী হায়রগনা শ্রীনিমাইদি টোল লিংতুনা ওজা ওইরম্মী অৌলগী ওজাবু পণ্ডিত হায়নমু কৌনৈ।

মূল ১৩

তেঁহো তোমার সাধ্য সাধন করিবে নিশ্চয।
সাক্ষাৎ ঈশ্বর তেঁহো নাহিক সংশয় ॥ ১৩ ॥

শব্দার্থ

তেঁহো মহাক্না তোমাব—নহাকী, সাধ্য-সাধন—পুন্সী-পান্দমগা পান্দম ফংনবা পাম্বৈগা, কবিবে নিশ্চয—(করিনো হায়বতু) শোযদনা লেপ কনী, সাক্ষাৎ—শংবা; ঈশ্বর—ঈশ্বরনী, তেঁহো—মহাক্তি, নাহিক—লৈতে, সংশয়—চিংনবগাই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাক্না নওগী সাধ্য-সাধন কবিনো হায়বতু শোয়দনমক লেপ্পিগনী। মহাক্তি সাক্ষাৎ ঈশ্বরনী, মসুদা কবিগুম্বা চিংনবগাই লৈতে।

মূল ১৪

স্বপ্ন দেখি মিশ্র আসি প্রভুর চরণে।
স্বপ্নের বৃত্তান্ত সব কৈল নিবেদনে ॥ ১৪ ॥

শব্দার্থ

স্বপ্ন—মঙ, দেখি—উরগা, মিশ্র—তপন মিশ্রনা; আসি—লাকুনা, প্রভুব—প্রভুগী; চরণে—খোঙদা, স্বপ্নের—মঙগী; বৃত্তান্ত—রাম্রোল, সব—পুম্বা; কৈল নিবেদনে—হন্নৎলম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

১৬ উরগা শ্রীতপন মিশ্রনা শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী চরণাক্তা লাক্লুনা মঙগী য়াবোল পুখ্রা হঙংখি।

মূল ১৫

প্রভু তুষ্ট হঞা সাধ্য-সাধন কহিল।

'নামসঙ্কীর্ত্তন কর' উপদেশ কৈল। ১৫ ॥

শব্দার্থ

প্রভু—শ্রীগৌরাঙ্গপ্রভুনা, তুষ্ট—পেনবা হঞা—ওইরদুনা সাধ্য-সাধন—পুন্সী-পান্দমগা পান্দম ফংনবা পাম্বৈগা, কহিল—হাযখি; নামসঙ্কীর্ত্তন—হরিগী কোলোয় শোনবা; কর—তৌও, উপদেশ—পাউতাক, কৈল—হাযখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীমন্মহাপ্রভুনা পেনবিরদুনা (তপন মিশ্রদা) সাধ্যগী পাম্বৈ তাকপিখি। হরিনাম শোল্লু হায়না পাউতাক তাকখি।

নৈনবোল

সাধ্য সাধন হাযবদি সাধ্য ফংনবা সাধন (পাম্বৈ) করিনো হায়রদু শ্রীমন্মহাপ্রভুনা শ্রীতপন মিশ্রদা তাকখি। সাধ্য-সাধন হাযবদি সাধ্য (পুন্সী পান্দম) করিনো হাযবদুগা অমসুং সাধ্যদু ফংনবা সাধন (পাম্বৈ) অদুগা হায়নস্ত অর্থ লৌবা য়াই। অদুনদি শ্রীমন্মহাপ্রভুনা অথোইবা সাধ্য হাযবা পোৎনে অদুগা সাধ্যদু ফংননবা উপায় সাধন হায়রদুনে তপন মিশ্রদা তাকপিখি। নামসঙ্কীর্ত্তন তৌনবা পাউতাক পিবিখি। শ্রীচৈতন্য-ভাগবত কৌবা লাইরীক্তগী খণ্ডবা ওম্মী 'হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে। হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে ॥' মি, তবাতক্লক মরেক কুম্মান্দা মথাই অসি কীর্ত্তন তৌনবা হাযদুনা প্রভুনা তাক্পিখি। পাউতাক অসি পিরগা প্রভুনা হাযবিখি—সাধিতে সাধিতে যবে প্রেমাঙ্কুর হবে। সাধ্য-সাধন-তত্ত্ব জানিবা তবে ॥—হাযবা তৌর তৌরগা হায়রদি

নাম-সঙ্কীর্ত্তন তৌব-তৌবগা প্রেম-গী হায়বদি কৃষ্ণবু মুংশিবা হায়বতুগী অঙ্কুর (মযোল) শোংলকনী, মতু ওইববদি সাধ্য-সাধনগী অওববা মশক খঙগনী। প্রভুনা তপনমিশ্রদা সাধ্য-সাধন-তত্ত্ব তাক্‌পিবায়্ম মিশ্রস্মু মতু মনাকোঙনা তাবে। মহাপ্রভুসি স্বয়ং ভগবানী হায়বা মমঙদা খঙলাবনীনা মিশ্রনা প্রভুনা হায়রম্বা বাতু চেৎনা থাজবদি থাজবগা তাকপিবম্বা শাফমতু অনুভূতিদি তৌবমদে। প্রমাণ-ওইনা হায়বগা—মিচবী থুম্মী হায়বদি নাকোঙনা তাবে অদুগা থাজবস্তু থাজবে, অদুগা কবি তৌবগা মিচবীগী অথম্বদ মহাও তংগদী হায়বতুস্তু খঙলে অংবু মহাক মিচবীগী অথুম্বদুদি মহাও-তংবা যংদবি। মবমতুনা প্রভুনা তপন মিশ্রদা হায়বিখি—'মিশ্র, নহাক যোলনাম (মিং তোত্‌নক) বত্রিশ অক্ষর (মযেক কুন্থানীখোই) অসি শোল্লু, মসিনা নঙগী সাধন ওইগদৌবনী জপ তৌব-তৌবগা চিংগী (থাম্মোইগী) অমাংপা (সংসার-বাসনা) থোরবপা মতমদা নঙগী চিংদা প্রেমগী অঙ্কুর হায়বদি কৃষ্ণবু নুংশিবা হায়বতু শোগনি। প্রেমাঙ্কুরসি পোক্লবদদা সাধ্যবস্তুগী (সাধন তৌবগা যংগে তাক্লিবা পোৎতুগী) মরমদা নহাকী সাক্ষাৎ অনুভূতি (শংশ না খঙবা) হায়বতু ওইগনী, অদুগা মতম-তুদা খঙবা ঙমগনী নাম সঙ্কীর্ত্তন তনা সাধ্যবস্তু যংবগী অথোইবা সাধন-নী হায়বা। সাধন তৌব-তোবগা চিত্তদা প্রেম পোক্লংদি শ্রীকৃষ্ণবু সেবা তৌনীঙবতু কনখৎলকনী মতমতুদা ঐগোয়না পামগদবা পোৎতি হায়বদি সাধ্যবস্তু হায়বতুদি শ্রীকৃষ্ণ-সেবানী হায়বতু অনুভব তৌগনা মহাও তংলগা খঙবদে না হঙগনী মবমতুনা প্রভুনা হায়খিবনী চিত্তদা প্রেমাঙ্কুর পোক্লবা মতমতুদদা সাধ্যবস্তু করিনা অদুগা মতুগী সাধন-না করিনো হায়বতু খঙবা ঙমগনী হায়বদি অনুভব তৌগনী। রাফমসিদগী তাশংনা খঙবা ঙম্লে—কৃষ্ণসেবানা অথোইবা সাধ্যনী অদুগা নামসঙ্কীর্ত্তন-তনা সাধ্য ফংনবগী অথোইবা সাধন-নী হায়না শ্রীমনমহাপ্রভুনা তপন মিশ্রদা পাউতাক্‌ পিখি।

সাধ্যগী মতাঙদা খঙজনগদবা য়া অমা লৈ। মতুদি কনাগুম্বনা স্বর্গ-যংববু সাধ্য-নী হায়, কনাগুম্বনা পরমাত্মাগা শিন্নববু (মিলন ওইববু) সাধ্য-নী হায়না লৌরি কনাগুম্বনা ব্রহ্মদা তিনবা (সাযুজ্য মুক্তি) হায়বতুনী সাধ্যদি হায়বা যাওরি, অদুবু কনাগুম্বনা ভগবান্‌গী সেবা যংবতুনী সাধ্য হায়বতুদি হায়রি। অসুম্না সাধ্যবস্তু মখল তোঙানবা মরী সি লৈ। স্বর্গ যংবগীদমক বেদনা হায়বা কর্ম্মশিং তৌগদবনী পরমাত্মাগা

মিলন ওইনবগীদমক যোগ সাধন তৌগদবনী, ব্রহ্মসাযুজ্যাদিদমক জ্ঞানমার্গ চৎকদবনী ভগবৎ-সেবা ফংননবা ভক্তি-অঙ্গ সাধন তৌবা তাই, অদুনা কর্ম্ম যোগ, জ্ঞান, ভক্তি হায়রিবসি তোঙান্ তোঙানবা সাধ -ক্তাকী। তোরু-তৌরুবা সাধনগী মতুঙ ইন্না ফংভম-থোকপা সাধ্যবস্তু ফংগদৌরিবনী, জ্ঞানমার্গদা চৎলগা ব্রহ্মসাযুজ্য (ব্রহ্মদা তিন্দুনা অমত্তা ওইথরবা হায়বদি তোঙান তান্নবা ফীভমত্তু) ফংগনী, তৌইগুম্রসু, ভগবৎ-সেবাদি ফংবা ভঙ্গোই অদুনা ভগবৎ-সেবা ফংলুগে হায়রবদি সেবাদুনা সাধ্যবস্তু ওইনা ফংগে হায়রবদি মতুংগী সাধন-দি নাম-সঙ্কীর্ত্তন-অনা ওইগনী হায়না শ্রীমন্মহাপ্রভুনা তপনমিশ্রদা তাকুখি।

মূল ১৭

তাঁর ইচ্ছা—প্রভু সঙ্গে নবদ্বীপে বসি।

প্রভু আজ্ঞা দিল—তুমি যাও বারাণসী ॥ ১৭ ॥

শব্দার্থ

তাঁর—মহাকী (তপন মিশ্রগী), ইচ্ছা—অপীওবা, প্রভুসঙ্গে—শ্রীমন্মহাপ্রভুগা লোয়ননা নবদ্বীপে—নবদ্বীপ-দা, বসি—লৈগে, প্রভু—প্রভুনা, আজ্ঞা—যাথং দিল—পিখি, তুমি—নহাক, যাও—চৎলু, বারাণসী—বারাণসীদা (কাশীদা)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীতপনমিশ্রনা পাম্লজবদি প্রভুগা লোয়ননা নবদ্বীপ-তা লৈবনী। অদুবু প্রভুনা যাথং কাউথরকখি—নহাক বারাণসীদা চৎলু।

মূল ১৮

তাঁহা আমার সঙ্গে তোমার হবে দরশন।

আজ্ঞা পাঞা মিশ্র কৈল কাশীতে গমন ॥ ১৮ ॥

শব্দার্থ

তাঁহা—মফমতুদা (বারাণসীদা), আমার সঙ্গে—ঐগা লোয়ননা, তোমার—নহাকী, হবে—ওইগনী; দরশন—উনবা, আজ্ঞা—যাথং, পাঞা—ফংদুনা, মিশ্র—তপন মিশ্রনা, কৈল তৌখি; কাশীতে—কাশীদা, গমন—চৎপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মককমতুদা ঐগা নওগা উনবগনী। প্রভুগী য়াথং ফংতুনা শ্রীতপনমিশ্রবু কাশীদা লেওখি।

মূল ১৯

প্রভুর অতর্ক্য লীলা বুঝিতে না পারি।

স্বসঙ্গ ছাড়াঞা কেনে পাঠায় কাশীপুরী॥ ১৯॥

শব্দার্থ

প্রভুর—শ্রীমন্মহাপ্রভুগী, অতর্ক্যলীলা—খেংনবাই ওইবা লীলা, বুঝিতে—খঙবা, না পারি—ঙমদে, স্বসঙ্গ—মছামক্কী সঙ্গ, ছাড়াঞা—থাদোকহনগা, কেনে—করিগীদমক, পাঠায—ঠায়, কাশীপুরী—কাশীনগরীদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীমনমহাপ্রভুগী লীলাদি তর্ক তৌকবা যাবা নত্তে হায়বদি করিমবমগী তৌবিবনো হায়বতু ওয়বা বুদ্ধি কনাগীসু লৈরমদে, অতুনা ঐসু খঙবা ঙমদে। মছামক্কী সঙ্গতু ফংহন্দতুনা (তপন মিশ্রবু) করি মরমগীদমক কাশীদা ঠারম্লিবনো ?

মূল ২০

এইমত বঙ্গের লোকের কৈলা মহা হিত।

নাম দিয়া ভক্ত কৈল—পঢাঞা পণ্ডিত॥ ২০॥

শব্দার্থ

এইমত—মতৌ অসুম্না হায়বদি নামসঙ্কীর্ত্তন তৌনবা পাউতাক পীতুনা অতুগা শাস্ত্রনচিংবা তম্বিতুনা, বঙ্গের—পূর্ব্ববঙ্গগী লোকের—মীশিংগী, কৈলা—তৌখি, মহা—অচৌবা, হিত—কান্নবা, নাম—শ্রীশ্রীহরিনাম কীর্ত্তনগী উপদেশ, দিয়া—পীতুনা, ভক্ত কৈল—ভক্ত ওইহনখি, পঢাঞা—(শাস্ত্র) তম্বীতুনা, পণ্ডিত—পণ্ডিত (ওইহনখি)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না পূর্ব্ববঙ্গগী মীশিংগীদমক য়াম্না কান্নবা তৌখি। শ্রীশ্রীহরিনাম পীতুনা ভক্ত ওইহনখি অতুগা শাস্ত্র তাকপীতুনা পণ্ডিত ওইহনখি।

মুল ২১

এইমত বঙ্গে প্রভু করে নানা লীলা।
এথা নবদ্বীপে লক্ষ্মী বিরহে দুঃখী হৈলা ॥ ২১ ॥

শব্দার্থ

এইমত—মতৌ অসুম্না বঙ্গে—পূর্ব্ববঙ্গদা, প্রভু—প্রভুনা করে—তৌযি, নানা—মখল মখাগী লীলা—লীলা, এথা—অসোমদনা, নবদ্বীপে—নবদ্বীপ-তা, লক্ষ্মী প্রভুগী অহানবা মুপী লক্ষ্মীপ্রিয়া দেবী, বিরহে—মপুরোইবগী কাযনবদা, দুঃখী—থরাই মুংডাংতবা, হৈলা—হৈখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না পূর্ব্ববঙ্গদা প্রভুনা লীলা মখল মথা শান্নখি। অসোমদা নবদ্বীপলোমদনা শ্রীমতী লক্ষ্মীপ্রিয়া দেবীদু মপুরোইবগী কাযনবদা মথবাহ চাকখি।

মূল ২২

প্রভুর বিরহ-সর্প লক্ষ্মীরে দংশিল।
বিরহ সর্পবিষে তাঁর পরলোক হৈল ॥ ২২ ॥

শব্দার্থ

প্রভুর—প্রভুগী, বিরহ-সর্প—বিরহ (কাযনবা) কৌবা লিন, লক্ষ্মীরে—লক্ষ্মীপ্রিযাবু, দংশিল—চীকখি বিরহ-সর্পবিষে—বিরহ কোবা লিনগী হূনা, তাঁর—মহাক্কী (লক্ষ্মীপ্রিযাগী), পরলোক হৈল - থুপ খ্রে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুগা কাযনবা লিনা শ্রীমতী লক্ষ্মীপ্রিয়া দেবীদা চীবখি। কায়নবা কৌবা লিনগী হূনা মহাক থুপখি।

চৈনদ্রোল

প্রভুগা কাযনবগী মৈচাক্কু মপুবোইবা নীঙবী লক্ষ্মীপ্রিয়া দেবীগী মফমদা কল্লবা লিনু মহুনা চাবপা মৈচাক্কগী হেন্না খাঙবদা বাবা ওক্টবদ্মী। মহু থঙহনগে হায়বগী মতাংম লীলাশক্তিনা লক্ষ্মীদেবীবু লিন্না চীবহন্দুনা

থুপহনখিবসি মুরারিগুপ্তগী কড়চাদগী খঙবা ওন্মী—লক্ষ্মীদেবীনা যুমদা লৈরিঙৈদা লিন্ অমা লাকুনা খঙহোঁদবমখৈ মখোঙদা চীবখি। শচীদেবানা ৎঝা-মাইবশি কৌবহুনা হু কন্থোক্লবা যামা কন্না হোৎনখি, অদুবু কল্লিমক্তা কানরমদ্রে। মতমদুদা শচীমাতানা লৈকাইগী নুপী মযামগা লোয়ননা মমৌ-বেন্মাদুবু গঙ্গাগী তোর্বান্দা পুবুরকখি, অদুগা তুলসী মনানা লক্ষ্মীপ্রিয়াবু লৈতেংহল্লগা নুপীময়ামদুগা লোয়ননা শচীদেবীনা শ্রীহরিনাম কীর্ত্তন তৌখি। কীর্ত্তন তানা তানা শ্রীকৃষ্ণগী খোঙ-থম্বালবু নীঙশীঙনা লক্ষ্মীদেবী অন্তর্দ্ধান ওইখি।

মূল ২৩

অন্তরে জানিলা প্রভু—যাতে অন্তর্যামী।

দেশেরে আইলা প্রভু শচী-দুঃখ জানি ॥ ২৩ ॥

শব্দার্থ

অন্তরে—পুক্নিংদা জানিলা—খঙলে প্রভু—মহাপ্রভুনা; যাতে—মরমদি, অন্তর্যামী—পুম্নমক্কী অন্তরদা চঙহনা লৈবনী দেশেরে—দেশদা হায়বদি নবদ্বীপ-তা; আইলা—লেঙলকখি, প্রভু—প্রভুনা, শচী-দুঃখ—শচীমাতাগী অবাবদু, জানি—খঙদুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীমন মহাপ্রভুদি অন্তর্যামীনি (লক্ষ্মীপ্রিয়ানা থুপবিবগী বাদু) মপুক্নিংদা খঙলম্মী। অদুনা শচীমাতানা বাবে হায়বা খঙদুনা প্রভুনা দেশদা—(নবদ্বীপ-তা) লেঙলবখি।

মূল ২৪

ঘরে আইলা প্রভু লঞা বহু ধন জন।

তত্ত্বজ্ঞানে কৈলা শচীর দুঃখ-বিমোচন ॥ ২৪ ॥

শব্দার্থ

ঘরে—য়ুমদা আইলা—লেঙলকখি প্রভু—প্রভুনা, লঞা—পুরক্লগা। বহু—য়াম্না ধন—সেল, জন—মী তত্ত্ব—অথোইবা ওইবগী খোঙপা মতমগী জ্ঞানে—জ্ঞান অদু তাকুনা, কৈলা—তৌখি, শচীর—শ্রীশচীদেবীগী, দুঃখ অবাবা, বিমোচন—কোকহনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা লল অমস্থং মী থান্না পুবক্তুনা যুমদা হল্লকখি। মন্না ইবেম্মা শচীগী মথল্লাই-মুংঙাইতবহু তত্ত্বজ্ঞান তাক্তুনা কোক্‌হন্‌খি।

তৈনবোল

প্রভুনা মমাবেম্মা শ্রীশচীদেবীদা তাকখিবা তত্ত্বদি অসিনী "কস্য কে পতিপুত্রাদ্যা মোহ এব হি কারণম। —মপুবোইবা মচানুপা হায়বনচিংবসে কনানা কনাগীনো? হাযবদি কনাস্ত্র কনামতনী নত্তে। মোহ-তনা (তত্ত্ব খঙদবতনা) মচানী মন্নানী হায়না লৌবনী। শ্রীভাগবত ৮/১৬/১৯।" শ্রীচৈতন্যভাগবত হায়বত্বদস্থ প্রভুনা মমাগী মবুক থেমজনবগী ৱা ফজনা হৈরি। মহুদি—ইমা, কবিগী বাবিবানো? থোক্লগদবত্বদি কনানা কিবা ঙমগনী? কালগী খোঙচৎতি মতৌ অস্তুম তৌবিবনী, কনাস্থ কনামগী ওইদে। অহুনা সংসারসে নিত্য নত্তে (তুংকোইদবনী) হায়না বেদনা হায়রিবনী। সসাব পূম্নমক ঈশ্বরগী মথা পোনবনী। তিন্নবা কায়নবদি অত্তে অমনা তৌহন্‌বা ঙমদে। অহুনা ঈশ্বরগী ইচ্ছানা থোকপহুগীদমক কবিগী বাযম থোকপগে? মপুরোইবগী মমাঙ থাবদি যান্না ফবনী, মঙোন্দগী হেন্না মবাইবক-ফবী কনা লৈবগে?

মতৌশুন্না তত্ত্বগী ৱা হায়তুনা প্রভুনা শচীমাতাগী থবাই-মুংঙাইতবহু কোক্লবা হোৎনখি।

মূল ২৫

শিষ্যগণ লৈয়া পুন বিদ্যার বিলাস।
বিদ্যাবলে সভা জিনি ঔদ্ধত্য প্রকাশ॥ ২৫ ॥

শিষ্যগণ—শিষ্যশিংগা, লৈয়া—লোয়ননা, পুনঃ—অমুক হন্না, বিদ্যার বিলাস—বিদ্যা লৈনবা, বিদ্যাবলে—বিদ্যাগী পাঙ্গল্না; সভা—পূম্নমকপু, জিনি—জয় তৌহুনা, ঔদ্ধত্য—লমাকৎ-লমহাইবা, মী-উৎছিত্তবা, প্রকাশ—কোংদোকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভু শিষ্যশিংগা লোযননা বিদ্যা অমূক নৈনখি। বিদ্যানা বল ওইবনা প্রভুনা মী পূম্নমকপু জয তৌখি অদুগা মী উৎছিত্তবা রাঙা͘দা করেম-কথায়নখি।

মূল ২৬

তবে বিষ্ণুপ্রিয়া ঠাকুরাণীর পরিণয়।
তবে ত করিল প্রভু দিগ্বিজয়িজয় ॥ ২৬ ॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী বিষ্ণুপ্রিয়া ঠাকুরাণীর—শ্রীবিষ্ণুপ্রিয়া ঠৌরাণীগী পরিণয—লুহোংবা (ওই) তবে ত—অদুদগী, করিল—তৌখি, প্রভু—প্রভুনা দিগ্বিজযিজয—দিগ্বিজযী পণ্ডিতপু জয।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী শ্রী বিষ্ণুপ্রিয়া ঠৌরাণীবু প্রভুনা লুহোংখি। অদুদগী দিগ্বিজয তৌদুনা লাক্লম্বা পণ্ডিত অদুবু প্রভুনা মাযথীবা পীখি।

মূল ২৭

বৃন্দাবনদাস ইহা করিযাছেন বিস্তার।
স্ফুট নাহি করে দোষগুণের বিচার ॥ ২৭ ॥

শব্দার্থ

বৃন্দাবনদাস—শ্রীলবৃন্দাবনদাস ঠাকুরনা, ইহা—মসি (দিগ্বিজযীবু জয় তৌবগী রাসি), করিযাছেন—তৌরম্লে, বিস্তার—শন্দোক্না হাযবা, স্ফুট—শেংনা ফোঙদোকপদি, নাহি করে—তৌরমদ্রে, দোষগুণের—দোষগুণগী, বিচার—নৈনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বৃন্দাবনদাসনা রাকমসী শন্দোক্না ইরম্লে। অদুবু দোষ-গুণগী বিচাররদি শেংনা ফোংদোক্রমদ্রে।

মূল ২৮

সেই অংশ কহি তাঁরে করি নমস্কার।

যা শুনি দিগ্বিজয়ী কৈল আপনা ধিক্কার ॥ ২৮ ।

শব্দার্থ

সেই—মতু, অংশ—শরুক, কহি—হায়জগে, তাঁরে—মহাকপু, করি—তৌবগা, নমস্কার—খুরুম্না, যা—মতু, শুনি—নাকোঙনা তাবদা, দিগ্বিজয়ী—দিগ্বিজয়ীনা, কৈল—তৌখি, আপনা ধিক্কার—মছাবু চৈবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা উৎলম্বা দোষগুণ-বিচার) অদু মনাকোঙনা তারগা দিগ্বিজয়ীনা মছামথন্তবু ধিক্কার তৌরম্বগী মতাঙদু শ্রীবৃন্দাবনদাস ঠাকুরদা খুরুমজরগা ঐহাক লীজগে।

মূল ২৯

জ্যোৎস্নাবতী রাত্রি, প্রভু শিষ্যগণ সঙ্গে।

বসি আছেন গঙ্গাতীরে বিদ্যার প্রসঙ্গে ॥ ২৯ ॥

শব্দার্থ

জ্যোৎস্নাবতী—থাবল-ফবা, রাত্রি—অহিং প্রভু—প্রভুনা, শিষ্যগণ সঙ্গে—শিষ্যশিংগা লোয়ননা, বসি—ফমদুনা আছেন—লৈ গঙ্গা তীরে—গঙ্গা তোর্ব্বান্দা, বিদ্যার—বিদ্যাগী, প্রসঙ্গে—নৈনদুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহিংদু থাবল ফবম্দা মতমদুদা প্রভুনা শিষ্যশিংগা লোয়ননা গঙ্গা তোর্ব্বান্দা বিদ্যা নৈনদুনা ফমম্মী।

মূল ৩০

হেনকালে দিগ্বিজয়ী তাহাঁই আইল।

গঙ্গার বন্দনা করি প্রভুরে মিলিলা। ৩০ ॥

শব্দার্থ

হেনকালে—মতমসিদা, দিগ্বিজয়ী—দিগ্বিজয়ী পণ্ডিতনা, তাহাঁই—মফমদুদা; আইলা—লেঙ্খলকখি, গঙ্গার বন্দনা করি—গঙ্গাবু খুরুমগা, প্রভুরে—প্রভুবু, মিলিলা—উনখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতম্মসিদা দিগ্বিজয়ী পণ্ডিত মফমত্তুদা লেঙলকখি। গঙ্গাবু খুকম্নগা মহাক্না প্রভুবু উনখি।

মূল ৩১

বসাইলা তাঁরে প্রভু আদর করিয়া।
দিগ্বিজয়ী কহে, মনে অবজ্ঞা করিয়া॥ ৩১॥

শব্দার্থ

বসাইলা—ফমহল্লম্মী, তাঁরে—মহাকপু, প্রভু—প্রভুনা, আদর করিয়া—তবাম তবাম তৌদুনা, দিগ্বিজয়ী—দিগ্বিজয়ী পণ্ডিতনা, কহে—হায়, মনে—মপুক্কীওদা, অবজ্ঞা—উৎছিত্তবা, করিয়া—তৌদুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা মহাকপু লুনা তবাম তবাম তৌদুনা ফমহল্লম্মী। দিগ্বিজয়ীনা মপুক্কীওদদি উৎছিত্তগা হায়বম্মী—।

মূল ৩২-৩৩

ব্যাকরণ পঢ়াহ নিমাই পণ্ডিত তোমার নাম।
বাল্যশাস্ত্রে লোক তোমার কহে গুণগ্রাম॥ ৩২॥
ব্যাকরণমধ্যে জানি পঢ়াহ কলাপ।
শুনিল ফাঁকিতে তোমার শিষ্যের সংলাপ॥ ৩৩॥

শব্দার্থ

ব্যাকরণ পঢ়াহ—ব্যাকরণ-তম্বিরিবা, নিমাই পণ্ডিত—নিমাই পণ্ডিত, তোমার নওগী, নাম—মিং না, বাল্যশাস্ত্রে—অঙাঙ পীথক্কী শাস্ত্রদা, লোক মী খ্বায়না, তোমার—নহাক্কী, কহে—শক-শোন্নে, গুণগ্রাম—গুণ-পুম্বত্তু ব্যাকরণ মধ্যে—ব্যাকরণগী মনুঙদা, জানি—ঐ খঙজি পঢ়াহ—তম্বিরি, কলাপ—কলাপ ব্যাকরণ, শুনিল—ঐ নাকোঙনা তারে, ফাঁকিতে ফাঁকি কৌবা য়াহংদা, তোমার শিষ্যের—নওগী শিষ্যগী, সংলাপ অবাই অথুম।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ব্যাকরণ তম্বিব্রগা নমিং নিমাই পণ্ডিত হায়না চংলিবা। অভাঙ-শীখকশিংগী শাস্ত্র ওইবা ব্যাকরণ অদু তম্বিবদা মী খ্বায়না নঙগী গুণথিবিক শক-শোল্লি। নঙনা তম্বিরিবা (ব্যাকরণ অদুদি) ব্যাকরণশিংগী মরক্তা কলাপ হায়বদুনী ঐনা খঙলিবসিনা চুম্লবদি। ফাঁকি কৌবা বাহংদা নঙগী শিষ্যশিংনা অরাই-অথুম (সংলাপ) তৌবদু ঐহাক ইনাকোঙনা তারে।

নৈনরোল

মরম-চাবা (সঙ্গত ওইবা) বিষয়গী মরম-চাদবা (অসঙ্গতি) উৎলগা সঙ্গতি পুথোরক্নবা হংবা রাহংবু ফাঁকি প্রশ্ন কৌয়ি। অরাই-অথুম (উক্তি-প্রত্যুক্তি) তৌবগী বাক্যবু সংলাপ কৌয়ি।

প্রভুনা ফাঁকি প্রশ্ন হংতুনা শিষ্যশি না উক্তি-প্রত্যুক্তি তৌবদু দিগ্বিজয়ী পণ্ডিতনা তাবম্মী। মদু তাবদা মহাত্মা প্রভুবু উৎছিত্তুনা পযার ৩২-৩৩-সিদা হাযরিবসি হাযরম্লিবনী।

মূল ৩৪-৩৬

প্রভু কহে—'ব্যাকরণ পঢ়াই' অভিমান করি।
শিষ্যেহো না বুঝে, আমি বুঝাইতে নারি ॥ ৩৪ ॥
কাঁহা তুমি সর্ব্ব শাস্ত্রে কবিত্বে প্রবীণ।
কাঁহা আমি-সব শিশু পঢ়ুয়া নবীন ॥ ৩৫ ॥
তোমার কবিত্ব কিছু শুনিতে হয় মন।
কৃপা করি কর যদি গঙ্গার বর্ণন ॥ ৩৬ ॥

শব্দার্থ

প্রভু—প্রভুনা, কহে—হায, ব্যাকরণ—ঐ ব্যাকরণ তম্বিজে, অভিমান—নাপন, করি—তৌদুনা, শিষ্যেহো—শিষ্যনসু, না বুঝে—খঙদে, আমি—ঐনা, বুঝাইতে—খঙহনবা, নারি—ঙমদে, কাঁহা—কদায, তুমি—নহাক, সর্ব্বশাস্ত্রে—শাস্ত্র পুম্বদা, কবিত্বে—কবি ওইবদা, প্রবীণ—খঙ-হৈবণী, কাঁহা—কদায, আমি-সব—ঐমক্তি, শিশু পঢ়ুয়া—অঙাঙ পড়োবান, নবীন—নাবা, তোমার কবিত্ব—নঙগী কবিত্ব, কিছু—

থবা, শুনিতে—তাবগীদমক, হয মন—পাম্মী, কৃপা করি—চানবিদুনা, কব যদি—তৌবিরবদি, গঙ্গার বর্ণন—গঙ্গাগী বর্ণনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হাযবম্মী—নাপলগা লোযননা ঐহাক ব্যাকরণ তম্বিজরিবনী। অতুবু শিষ্যশিংনসু কবিমতা খঙবা ঙমদে ঐসু খঙহনবা ঙমদে। কদায় নঙদি শাস্ত্র পূম্বদা কবিত্বদা খঙ-হৈববা অমনী, অদুগা অমরোমদা কদায ঐমক্তি অঙা, নবা পডোব়ানী। নঙগী কবিত্ব থবদ, তানীঙলে, নঙনা চানবিদুনা গঙ্গাগী বর্ণনা মতেক অমা তৌবিরবদি।

মূল ৩৭

শুনিয়া ব্রাহ্মণ গর্ব্বে বর্ণিতে লাগিলা।
ঘটি-একে শতশ্লোক গঙ্গাব বর্ণিলা ॥ ৩৭ ॥

শব্দার্থ

শুনিযা—নাকোঙনা তাবদুনা ব্রাহ্মণ—ব্রাহ্মণদুনা গর্ব্বে—নাপল তৌদুনা বর্ণিতে—বর্ণনা তৌবা, লাগিলা—হৌখি ঘটি-একে—পুঙ অমগী মনুঙদা শত শ্লোক—শ্লোক চামা, গঙ্গাব বর্ণিলা—গঙ্গাগী বর্ণনা তৌরম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হাযবদু তাবদা দিগ্বিজযী ব্রাহ্মণ অদুনা নাপল তৌনা তৌনা গঙ্গাগী বর্ণনা তৌবা হৌবম্মী। পুঙ অমগী মনুঙদা গঙ্গাগী শ্লোক চামা বর্ণনা তৌখি।

মূল ৩৮-৪০

শুনিযা কহিল প্রভু বহুত সংকার।
তোমাব সম পৃথিবীতে কবি নাহি আব ॥ ৩৮ ॥
তোমাব কবিতা শ্লোক বুঝিতে কাব শক্তি।
তুমি ভাল জান অর্থ, কিবা সরস্বতী ॥ ৩৯ ॥
এক শ্লোকেব অর্থ যদি কর নিজ মুখে।
শুনি সব লোক তবে পাইব বড সুখে ॥ ৪০ ॥

শব্দার্থ

শুনিয়া—নাকোড়না তাবগা করিল—তৌরম্মী, প্রভু—প্রভুনা, বহুত সংকার—যাম্না থাগৎপা, তোমা সব—নঙগা মান্নবা, পৃথিবীতে—পৃথিবীদা, কবি—কবি, নাহি—লৈতে, আর—অতৈ, তোমার—নহাক্কী, কবিতা শ্লোক—কবিতা শ্লোক, বুঝিতে—খঙনবা, কার—কনাগী, শক্তি—শক্তি, তুমি—নঙনা, ভাল—ফজনা, জান—খঙউ অর্থ—অর্থ, কিবা—নত্রগা, সরস্বতী—সরস্বতী দেবী, এক শ্লোকের অর্থ—শ্লোক অমত্তগী অর্থ, যদি কর—হায়বিরবদি, নিজ মুখে—নশামক্কী চীন অহুনা, শুনি—তাবগা, সব লোক—মী পুম্বা, তবে—অদু ওইরবদি, পাইব—ফংগনী, বড সুখে—য়াম্না নুংঙাইনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(গঙ্গা-বর্ণনাগী শ্লোক অদু) তাবগা প্রভুনা (দিগ্বিজয়ীপণ্ডিতপু) যাম্না থাগৎলম্মী—নঙগা মান্নবা কবি পৃথিবীদা অতৈ অমা লৈতে। নঙগী চীন অহুনা শ্লোক অমগী অর্থ তাকপিরবদি মদু তাবগা মী পুম্নমক যাম্না নুংঙাইজগনী।

মূল ৪১

তবে দিগ্বিজয়ী ব্যাখ্যার শ্লোক পুছিল।

শতশ্লোকের এক শ্লোক প্রভু ত পড়িল ॥ ৪১ ॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী, দিগ্বিজয়ী—দিগ্বিজয়ী ব্রাহ্মণনা, ব্যাখ্যার—ব্যাখ্যা তৌগদৌবা, শ্লোক—শ্লোক, পুছিল—(কবম্বনো হায়না) হংলম্মী, শতশ্লোকের—শ্লোক চামদুগী, এক শ্লোক—শ্লোক অমা, প্রভু ত—প্রভুনা, পড়িল—পারম্মী (থীদম্মী)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী দিগ্বিজয়ী পণ্ডিতনা ব্যাখ্যা তৌগদবনু করম্বা শ্লোক-নো হায়না হংখি। মদুদা প্রভুনা শ্লোক চামদুগী মনুঙদা য়াওবা শ্লোক অমা থীদরম্মী।

মূল ৪২

মহত্ত্বং গঙ্গায়াঃ সততমিদমাভাতি নিতরাং।
যদেষা শ্রীবিষ্ণোশ্চরণকমলোৎপত্তিসুভগা।
দ্বিতীয় শ্রীলক্ষ্মীরিব সুরনরৈরর্চ্চ্যচরণা।
ভবানীভর্ত্তুর্যা শিরসি বিভবত্যদ্ভুতগুণা॥ ৪২ ॥

শব্দার্থ

মহত্ত্বম—মতীক মগুণ, মহিমা গঙ্গায়াঃ গঙ্গাগী; সততম- মতম পুম্বদা, ইদম—অসি, আভাতি—ঙাল্লি নিতরাং- লেঙদবমথৈ, যৎ—মতু, এষা—(গঙ্গা) অসিনা, শ্রীবিষ্ণোঃ— শ্রীবিষ্ণুগী, চরণকমল-উৎপত্তি-সুভগা—খোঙ-থম্বান্দগী থোরকুনা লাইরকফবী, দ্বিতীয় শ্রীলক্ষ্মীঃ ইব—অনীশুবী শ্রীলক্ষ্মীগুম্না, সুরনরৈ—সুর (লাই) অমসুং নর (মীওইবা) অনীনা, অর্চ্চ্যচরণা— পূজাতৌনঙাই ওইবা খোঙনা মাগী ওইরিবা (অদুগুম্বী গঙ্গা), ভবানীভর্ত্তুঃ ভবানীগী মপুবোইবগী (মহাদেবগী), যা—মহাক, শিরসি—কোক্থক্তা, বিভবতি- ঙাম্নোইবি, অদ্ভুতগুণা—অঙকপা গুণ-চেনবী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীবিষ্ণুগী খোঙ-থম্বান্দগী থোরকপনী হায়তুনা লাইবকফরিবী, লাই অমসুং মীওইবনা অনীশুবা লক্ষ্মীগী মখোঙগুম্না মাগী মখোঙবু পূজা তৌববী, অদুগা ভবানীভর্ত্তা (ভবানীগী মপুবোইবা মহাদেবগী) কোক্তা ঙাল্লী হায়তুনা অঙকপা গুণগী মবেম্মা ওইরিবী গঙ্গাসিগী মহিমাসি মতম পুম্বদা লেঙদবমথৈ ঙাম্নোইরিয়ে।

মূল ৪৩-৪৪

এই শ্লোকের অর্থ কর—প্রভু যদি কৈল।
বিস্মিত হৈয়া দিগ্বিজয়ী প্রভুরে পুছিল॥ ৪৩ ॥
ঝঞ্ঝাবাত-প্রায় আমি শ্লোক পড়িল।
তার মধ্যে শ্লোক তুমি কৈছে কণ্ঠে কৈল॥ ৪৪ ॥

এই শ্লোকের—শ্লোক অসিগী , অর্থ কর—অর্থ তৌ , প্রভু যদি বৈল—প্রভুনা হায়বা মতমদা , বিস্মিত—ঙকপা , হৈষা—ওইরদুনা দিগ্বিজয়ী—দিগ্বিজয়ী পণ্ডিতনা ; প্রভুরে—প্রভুদা , পুছিল—হংলম্মী , ঝঞ্জাবাত-প্রায়—নোংলৈ মুংশিংকুম্না , আমি—ঐনা , শ্লোক পড়িল—শ্লোক থীখিরনী , তার মধ্যে—মহুগী মনুঙদা , শ্লোক—শ্লোক , তুমি—নঙনা , কৈছে—মতৌ করম্না , কণ্ঠে-কৈল—চীনফা পুরিবনো ?

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্লোকসিগী অর্থ হায়রিবু হায়না প্রভুনা হায়রকপদা ঙকল্লুনা দিগ্বিজয়ী পণ্ডিতনা প্রভুদা হংখি—ঐনা নোংলৈ-নুংশিংকুম্না য়াম্না থুনা শ্লোক থীখিরনী , মহুগী মরক্তগী শ্লোকসিমা নঙনা করম্না চীনফা পুরিবগে।

মূল ৪৫

প্রভু কহে—দেববরে তুমি কবিবর।

ঐছে দেবের বরে কেহ শ্রুতিধর।। ৪৫ ।।

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায় দেববরে—লাইগী বর-না তুমি—নঙনা কবিবর—কবি অথোইবা (ওইরি) , ঐছে—মতৌ অদুগুম্না দেবের—লাইগী , বরে—বরনা কেহ—কনানা , শ্রুতিধর—হেক শ্রবণ তৌবগা (নাকোঙনা তাবগা) নীঙশীঙদুনা লৈবা ঙম্বা মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়রম্মী—নঙনা লাইগী বরদগী অথোইবা কবি ওইরি, অদুগুম্না লাইগী বরদগী কনাগুম্বনা শ্রুতিধর (নাকোঙনা হেক তাবগা ফাগনবা মীতা) ওই।

মূল ৪৬

শ্লোকব্যাখ্যা কৈল বিপ্র পাইয়া সন্তোষ।

প্রভু কহে—কহ শ্লোকের কিবা গুণ-দোষ।। ৪৬ ।।

শব্দার্থ

শ্লোকব্যাখ্যা—শ্লোক অদুগী শন্দোকপা অর্থ ; কৈল—হন্দোক্লম্মী ,

বিপ্র—ব্রাহ্মণনা , পাইযা সন্তোষ—পেল্লহুনা , প্রভু কহে—প্রভুনা হায , কহ—হাযবিযু , শ্লোকের—শ্লোকসিগী , কিবা—কবি , গুণ-দোষ—গুণ-দোষ ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পেল্লহুনা ব্রাহ্মণ অদুনা শ্লোক অদুগী অর্থ হন্দোকখি । প্রভুনা হাযরকযি—শ্লোকসিগী গুণ-দোষ করি করিনো তাকপিযু ।

নৈনরোল

গুণ—রসস্যোৎকর্ষকঃ কশ্চিদ্ধর্ম্মোঽসাধারণো গুণঃ । শৌর্য্যাদিরাত্মন ইব বর্ণাস্তব্যঞ্জকা মতাঃ ॥ —আত্মাগী অকারমগী দমক শৌর্য্যনচি রনা (থৌনানচিৎরনা) ওইরগুম্না রস হেন্দংলনরগী দমক খ্বাইগী মান্নদবা ধর্ম্মর্ গুণ কৌয । মতুদি—রসাস্বাদোৎকর্ষকত্বং গুণত্বম—অলঙ্কার কৌস্তুভ /৮/২/ মাধুর্য্য ওজঃ অমসুং প্রসাদ অহুমনি কাব্যগী গুণ হাযরদুনী । পেলহনবা, লুংঙাইহনবা (বঙ্কবা) হাযবসি রসগী মাধুর্য্যনী , থম্মোই পেংহনবগী মরম ওমনা মসি । সম্ভোগ-তা বিপ্রলম্ভদা অদুগা করুণচি না রসদা মাধুর্য্যসি থোযদোক্না চঙঙী । ওজোগুণ অসিনা চিন্নিস্তার (শরীর চঙ্গোকপা) হাযবদুগী মশক ওইবী দীপ্তিত্বগী থোরকপী (কারণ-না) । দীপ্তি হাযবদি নঙশনবা (গাঢ়তা) হাযবদি শেংলা (থোমথাকপা) লৈতবা হাযবনী । ওজোগুণ অসি চিত্তবিস্তার (থম্মোই পাক-চাউখৎলবকপা) হাযবদুগী কারণ ওই বীর, বীভৎস অমসুং রৌদ্র রসদা ওজ অহুম হেন্দংলকযি । কন্তুবীগী মন্না বস্তুবী নৈতাবপগুম (প্রকাশ তৌবগুম) নাবোঙনা তেক তাবগা অর্থ প্রকাশ হেক ওইবা অদুবু প্রসাদ গুণ কৌযি । প্রসাদগুণ অসি রস পূন্নমক্কী অমসুং রীতি পূন্নমক্কী চাংদবা যাদনী । অলঙ্কার কৌস্তুভ/৬/৪/ কাব্যপ্রকাশনা হায—অকবা শাংদা মেগুমা অহুগা অক্ননা লাইজগী মতৌ-গুম্না খঙহৌদনা থম্মোইদা পুং-কপ হেক্ক। কৃপ্নকপা গুণ অদুবু প্রসাদ গুণ কৌযি । মফম পূম্বদা (হাযবদি রস পূন্নমক্না অমসুং বচনা (পূন্নমক্না) যাওনদবনী /৮/৫/ মাধুর্য্যনচিংবা গুণ অহুমসিগী মনুংদা চনবা গুণ তরেংথরম্ লৈরি, মতুদি—অর্থব্যক্তি, উদারত্ব, শ্লেষ, সমতা, কান্তি, প্রৌঢ়ি , অমসুং সমাধি । মখোয়সিগী ব্রাদি অলঙ্কার-কৌস্তুভগী , তরাবগুবা বিরণ-দা য়েংবিউ ।

দোষ—ন্যাকোঙনা তাবদা নুংঙাইতবা (শ্রুতিকটুতানচিংবা) অসিনা বসগী ময়েং হুম্বহল্লী হায়বগীদমক মখোয়বু দোষ কৌয়ি।

মূল ৪৭

বিপ্র কহে—শ্লোকে নাহি দোষের আভাস।

উপমালঙ্কার গুণ কিছু অনুপ্রাস॥ ৪৭॥

শব্দার্থ

বিপ্র—দিগ্বিজয়ী ব্রাহ্মণতুনা, কহে—হায়রকয়ি শ্লোকে—শ্লোক-সিদা নাহি—লেতে, দোষের আভাস—দোষগী মমি যাওবা উপমা-লঙ্কার—উপমা (চাংদম্নবা) কৌবা অলঙ্কার (লৈতেং), গুণ—গুণ, কিছু খরা, অনুপ্রাস মযেক মান্নবা হায়বা অলঙ্কার।

মৈতৈলোন্দা ওন্দোকপা

দিগ্বিজয়ী ব্রাহ্মননা হায়রকয়ি শ্লোকসিদা দোষগী মমিফাওবা তাদে। উপমা অলঙ্কারনচিংবা ও। যাংরি, অদুগা অনুপ্রাস খরগা য়াংরি।

নৈনরোল

উপমা—উপমানোপমেয়যোর্যথা কথঞ্চিদ্ যেন কেনাপি সমানেন ধর্ম্মেণ সম্বন্ধ উপমা।—উপমান অমসুং উপমেয়গী কেন্নবা সমান (মান্নবা) ধর্ম্মদগী ওইবা সম্বন্ধ অদুবু উপমা কৌয়ি। অলঙ্কার-কৌস্তুভ। ফজবা মায়থোং উরগা হবাওবা পোকয়ি, থাজ উরুবগুম হরাওবা পোকয়ি, মরমসিনা হরাওবা পোকহন্নবনী মবমদা মায়থোংগা থাজগা অনীগী মরক্তা মান্নবা ধর্ম্ম (সমান ধর্ম্মত্ব) লেরে মরমতুনা মায়থোংগা থাজগা অনীসি চাংদম্নতুনা (উপমা তৌতুনা) মায়থোং থাজ—মায়থোংগী মশক ওইবা থাজ-কৌয়ি মফম অসিদা থাজনা উপমান হায়বতুনী মায়থোংনা উপমেয়নী।

অলঙ্কার—লীক-কোন,-লৈতেং। অলঙ্কারনা হকচাংগী ফজবা (শোভা) হেন্গংহন্নবগুম উপমানচিংবনা কাব্যগী শোভা হায়বদি রমগী মহাও হেন্গংহল্লী হায়তুনা উপমানচিংববু অলঙ্কার কৌয়ি। উপমা-অলঙ্কার—উপমাগী মশক ওইবা অলঙ্কার হায়বনী। অনুপ্রাস বর্ণসাম্যমনুপ্রাসঃ।

কবিগুম্বা ময়েক (বর্ণ) অমবু [illegible] তোক্লবা শীজম্নরবদি অনুপ্রাস ওই। মতুদি— ললিতলবঙ্গলতা পরিশীলনকোমলমলয়সমীরে , মফমসিদা ল-বর্ণসে হন্না হন্না শীজম্নরে , অতুনা ল-গী অনুপ্রাস ওইরে। অনুপ্রাস হায়বসিস্ন অলঙ্কাব মখল অমনী।

শ্লোক [illegible]

প্রভু কহেন—কহি যদি না করহ রোষ।
কহ তোমার এই শ্লোকে কিবা আছে দোষ ॥ ৪৮ ॥
প্রতিভার কাব্য তোমার দেবতা-সন্তোষ।
ভালমতে বিচারিলে জানি গুণ-দোষ ॥ ৪৯ ॥

শব্দার্থ

প্রভু কহেন—প্রভুনা হায , কহি- হাযগে , যদি—বদি , না করহ—তৌবা , রোষ—শাউবা , কহ- হাযয়ু , তোমার—নহাক্কী এই শ্লোকে—শ্লোকসিদা , কিবা—করি , আছে লৈ , দোষ—দোষ (অশোয়-অঙাম), প্রতিভার—পীথোবরূপা শক্তিগী , কাব্য—শৈরেংনী , তোমার—নহাক্কী , দেবতা-সন্তোষ—লাইনা পেনবিবনা , ভালমতে নীঙথিন-মক বিচারিলে—বিচার তৌরগদি , জানি—ঐ খঙজী , গুণ দোষ—গুণগা দোষগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দাকপা

প্রভুনা হায়বকথি—শাউরোয় হায়রগদি (রা অমা) হায়জগ। নহাক্কী শ্লোকসিদা করি দোষ লৈবগে হায়রগু হায়বিয়ু। লাইনা পেনবিবদগী নঙগীদি প্রতিভাগী কাব্যনী। অদুবু নীঙথিনা বিচার তৌরগদি শ্লোকী দোষ গুণ লৈরিবদু ঐ খঙজী।

[illegible]

[illegible] নীঙথিনা বিচার তৌদুনা [illegible] দোষ-গুণ করি লৈবগে [illegible] আই। [illegible] নৈনবা [illegible] হায়রনা প্রভুনা [illegible] হায়বি।

মূল ৫০-৫১

তবে ভাল করি শ্লোক করহ বিচার।
কবি কহে - যে কহিল সেই বেদসার ॥ ৫০
ব্যাকরণীয়া তুমি—নাহি পড় অলঙ্কার।
তুমি কি জানিবে এ কবিত্বের সার ॥ ৫১ ॥

তবে—মরমথুনা, ভাল করি—নীংথিনা শ্লোক—শ্লোক, করহ বিচার—নৈনৌ; কবি কহে—কবিনা হায়, যে কহিলে—হায়রিবথু, সেই—মথুনা বেদসার—বেদগী মচিনী; ব্যাকরণীয়া—ব্যাকরণ-নৈনবা মী, তুমি—নঙনী, নাহি পঢ—তমদে, অলঙ্কার—কাব্যগী অলঙ্কারশাস্ত্র, তুমি—নঙনা, কি - করি জানিবে—খঙগনী, এ কবিত্বের - কবিত্বসিগী, সার—মচি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা হায়রম্মী)—মরমথুনা নীংথিনা শ্লোক বিচার তৌবিয়। (মথুদা) কবিনা (দিগ্বিজয়ানা) হায়রকখি—ঐনা হায়রিবসিমক বেদগী মচা, ঙাক্নী। ব্যাকরণতমক নৈনবা নহাক্নী, অলঙ্কার-শাস্ত্রস্তু তম্মুদে। অদুনদি নঙনা করম্না কবিত্বগী মথীবো, করিনা হায়না খঙগনী?

মূল ৫২-৫৩

প্রভু কহেন—অতএব পুছিয়ে তোমারে।
বিচারিয়া গুণ দোষ বুঝাহ আমারে ॥ ৫২ ॥
নাহি পঢি অলঙ্কার—করিয়াছি শ্রবণ।
তাতে এই শ্লোকে দেখি বহুদোষগুণ ॥ ৫৩ ॥

শব্দার্থ

প্রভু কহেন—প্রভুনা হায়; অতএব—মরমথুনা পুছিয়ে—হংগে, তোমারে—নঙোন্দা, বিচারিয়া—বিচার তৌদুনা, গুণদোষ—শ্লোকক্কী দোষগুণ, বুঝাহ—তাকপীয়ু, আমারে—ঐঙোন্দা, না পঢি—তম্মুদে,

অলঙ্কার—অলঙ্কার শাস্ত্র, করিয়াছি শ্রবণ—নাকোঙনদি তারুরে, তাতে—মরমতুনা ; এই শ্লোকে—শ্লোকসিদা ; দেখি—উরে, বহু—য়াম্মা, দোষগুণ—দোষগুণ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়রকখি—মরমতুনা (অলঙ্কার তম্লকবা মরম্মা) নঙোন্দা হংলি। বিচার তৌতুনা গুণ-দোষ ঐঙোন্দা তাকপিয়ু। অলঙ্কারগী শাস্ত্রহ ঐ তম্লক্তে। অদুবু নাকোঙনদি মীঙোন্দগী তারে। মরমতুনা শ্লোকসিদা দোষগুণ যাম্মা উরে (ঐহাক)।

মূল ৫৪

কবি কহে—কহ দেখি কোন্ গুণ দোষ।

প্রভু কহেন—কহি শুন, না করিহ রোষ ॥ ৫৪ ॥

শব্দার্থ

কবি কাহে—কবিনা হায, কহ—হাযয়ু, দেখি-য়েংগে, কোন—কবম্বা, গুণ দোষ—গুণ দোষ, প্রভু কহেন—প্রভুনা হায, কহি—হাযগে শুন—তাও, না করিহ—তৌগনু, রোষ—শাউবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

দিগ্বিজয়ী কবিনা হায—হাযয়ু য়েংগে কবি গুণ-দোষনো। প্রভুনা হায—হাযগে তাবিয়ু, শাউবিগনুকো।

মূল ৫৫

পঞ্চদোষ এই শ্লোকে, পঞ্চ অলঙ্কার।

ক্রমে আমি কহি শুন, করহ বিচার ॥ ৫৫ ॥

শব্দার্থ

পঞ্চদোষ—দোষ মঙা, এই শ্লোক—শ্লোকসিদা, পঞ্চ অলঙ্কার—অলঙ্কার মঙা, ক্রমে—মথং মথং ; আমি কহি—ঐ হাযগে, শুন—তাবিয়ু, করহ বিচার—থস্তহনা য়েংবিয়ু।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

শ্লোকসিদা দোষ মখা অমত্তা অলঙ্কার মখা থাঙ্গরি । ময়ামদু শ্রী অমসুং মথং হায়রকে, মুন্না তাবিয়ু অমসুং খল্লুনা য়েংবিয়ু ।

মূল ৫৬

অবিমৃষ্টবিধেয়াংশ দুই ঠাঁই চিহ্ন ।
বিরুদ্ধমতি ভগ্নক্রম পুনরাত্ত দোষ তিন ॥ ৫৬

শব্দার্থ

অবিমৃষ্ট-বিধেয়াংশ—দোষ অমগী মিং , দুই ঠাঁই—মফম অনীদা , চিহ্ন—খূদম , বিরুদ্ধমতি—দোষ অমগী মিং , ভগ্নক্রম—দোষ অমগী মিং , পুনরাত্ত দোষ অমগী মিং , দোষ তিন—দোষ অহুম ।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

অবিমৃষ্ট-বিধেয়াংশ হায়বা দোষকী মফম অনীনা খূদম লৈ । দোষ অহুমদি বিরুদ্ধমতি, ভগ্নক্রম, পুনরাত্ত অসিনী ।

টৈনবরোল

মহত্ত্ব গঙ্গায়াঃ ইদম্ হায়বসিদা অবিমৃষ্টবিধেয়াংশ দোষ অমা লৈরে, দ্বিতীয় শ্রীলক্ষ্মীঃ হায়বসিদা অবিমৃষ্টবিধেয়াংশ দোষ অমা লৈবে । ভবানীভর্ত্তু"—হায়বসিদা বিরুদ্ধমতিদোষ হন্দেষা—নচি বসিদা ভগ্নক্রম অমগা অদ্ভুতগুণা হায়বসিদা পুনরাত্ত দোষ লৈবে ।

মূল ৫৭-৫৮

'গঙ্গার মহত্ত্ব' শ্লোকে মূল বিধেয় ।
'ইদং' শব্দে অনুবাদ পাছে অবিধেয় ॥ ৫৭ ॥
বিধেয় আগে কহি, পাছে কহিলে অনুবাদ ।
এই লাগি শ্লোকের অর্থ করিয়াছে বাদ । ৫৮ ॥

শব্দার্থ

গঙ্গার মহত্ত্ব—গঙ্গাগী মতীক মথাই, মহত্ত্ব , শ্লোকে—শ্লোকতা , মূল—মরুওইবা , বিধেয়-বিধেয় , ইদং শব্দে—ইদং (অসি) শব্দনা ,

অনুবাদ , পাছে—তুংদা , অবিধেয়—চুমদবনী , বিধেয—বিধেয়বু , আগে —হান্না , কহি—হায়বগা , পাছে—তুংদা , কহিলে—হায়রবে , অনুবাদ —অনুবাদ , এই লাগি—মবমসিনা , শ্লোকের অর্থ—শ্লোককী অর্থ , করিয়াছে—তৌরে , বাদ—বিঘ্ন ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্লোকতা গঙ্গাগী মহত্বনা মরু-ওইবা বিধেয়নী অদুগা ইদং (মসি) হায়বা শব্দনা অনুবাদনী, অনুবাদসিনা তুংদা লৈবদি চুমদবনী । বিধেযবু হান্নবা হায়রগা তুংদা অনুবাদ হায়বে । মরমসিনা শ্লোককী অর্থ কায়হল্লে ।

নৈনরোল

মহত্বং গঙ্গায়াং ইদং—মহত্ব গঙ্গাগী মসি বাক্যসিদা অবিমৃষ্ট-বিধেযাংশ দোষ উংলি ।

হান্নবা খঙলবা পোৎপু **অনুবাদ** অদুগা খঙদবা পোৎপু **বিধেয** কৌই । বাক্য শেম্বা মতমদা অলঙ্কার শাস্ত্রগী মতুং ইন্না অহানবদা অনুবাদ (অখঙবা পোৎপু তাক্লিবা শব্দ) থমগদবনী, মতুগী তুংদা বিধেয (অখঙবা পোৎকী মরীদা খঙদ্রিবা পোৎপু তাক্লিবা শব্দদু) থমগদবনি । নিযনসি কায়ববনি (হায়বদি হান্নবা বিধেয়, মতুগী তুংদা অনুবাদ থম্লবদি) অবিমৃষ্ট-বিধেযাংশ হায়বা দোষদু ওই ।

মহত্বং গঙ্গায়াঃ—নচিংবা শ্লোকতা দিগ্বিজয়ী পণ্ডিতনা গঙ্গাগী মাহাত্ম্য বর্ণন তৌরি । শ্লোক লোইনমকী মর্ম্মার্থদু খঙল্লবদি বর্ণন-তৌগদৌরিবা মাহাত্ম্যদু কবিনো হায়বা খঙবা ঙমদে . মরমসিনা হৌগৎলকপা চৈকোক্তা গঙ্গাগী মাহাত্ম্যাদি খঙবা ঙমদ্রি , মবমদুনা শ্লোককী মবোক্তা মহত্ব-শব্দ লৈবদো খঙদ্রিবা পোৎ-তাক্লবা শব্দনী— বিধেযনী । মরমসিনা হায়বিবনী মদুদি—"গঙ্গার মহত্ব শ্লোকে মূল বিধেয" হায়বদি শ্লোকতা য়াওরিবা "মহত্বং গঙ্গায়া—গঙ্গাগী মহত্ব" হায়বা পদসিনা মূল বিধেয হায়বা মরু-ওইবা খঙদবা পোৎপু তাক্লিবনী ।

ইদং—শ্লোকতা যাওবা ইদং শব্দনী । ইদং শব্দগী অর্থদি মসি হায়বনী । ইদং-শব্দনা অনুবাদ-নী—অখঙবা-পোৎপু তাক্লিবা শব্দনী । মবমদুনা বাক্য শেম্বগী নিযম মতুং ইন্না ইদং-শব্দনা অহানবা থাগদবনী ।

অনুবাদ ইদ্‌—শব্দনা বিধেয় মহত্ত্ব-শব্দগী মমাঙ থাবা চুম্মী , অদুবু দিগ্বিজয়ীনা মহাকী শ্লোকশিদা হায়না মহত্ত্বং অদুগী তুংদা ইদং হায়না হায়রে—মসি নিয়ম-কায়বা ওইরে ।

মূল ৫৯

অনুবাদমনুক্ত্বা তু ন বিধেয়মুদীরয়েৎ ।

ন হ্যলব্ধাস্পদং কিঞ্চিৎ কুত্রচিৎ প্রতিতিষ্ঠতি ॥ ৫৯ ॥

মসিগী শব্দার্থনচিংবদি ১/২/৭৪ শুবা মূল-দা য়েংবিয়ু ।

মূল ৬০-৬১

'দ্বিতীয় শ্রীলক্ষ্মী' ইহাঁ দ্বিতীয় বিধেয় ।

সমাসে গৌণ হইল, শব্দার্থ গেল ক্ষয় ॥ ৬০ ॥

দ্বিতীয় শব্দ বিধেয়, তাহা পড়িল সমাসে ।

'লক্ষ্মীর সমতা' অর্থ কবিল বিনাশে ॥ ৬১ ।

শব্দার্থ

দ্বিতীয়-লক্ষ্মী—অনীশুবী শ্রীলক্ষ্মী , ইহাঁ—মফমসিদা , দ্বিতীয় বিধেয় —দ্বিতীয় শব্দসি বিধেয়নী , সমাসে—সমাস তৌবদা , গৌণ—মুখ্য-নত্তবা , তুংইনবা , হইল—ওইবে , শব্দার্থ—শব্দগী অর্থ , গেল ক্ষয়—মাঙখাব , দ্বিতীয় শব্দ বিধেয়—দ্বিতীয় শব্দদি বিধেয়নী , তাহা—মদু , পড়িল সমাসে—সমাসদা হাপখবে লক্ষ্মীব সমতা—লক্ষ্মীগা মান্নবা , অর্থ — অর্থ , করিল বিনাশে—মাঙহল্লে ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

দ্বিতীয় শ্রীলক্ষ্মী হায়বসিদা দ্বিতীয়দুসি বিধেয়নী, সমাস তৌবনা গৌণ ওইরে, শব্দার্থ মাঙখরে । দ্বিতীয় শব্দ বিধেয়নী, অদুগা মাদি সমাসদা যাওখ্রে । (মরমদুনা) লক্ষ্মীগা মান্নবা হায়বা অর্থদু মাঙহন্‌খরে ।

টৈনকতরোল

দ্বিতীয়-শ্রীলক্ষ্মীবিব হায়বা বাক্যনা অবিমৃষ্টবিধেয়াংশ হায়বা দোষ লৈবগী অনীশুবা খুদম্নী ।

শ্রীলক্ষ্মীদেবীদি শ্রীনারায়ণগী মতম্বাক ওানবী লক্ষ্মীনী অদুগা লাই-শিংনম্ব মীওইবশিংনম্ব পূজা তৌনৈ হায়বসি থাই-পুম্বনা খঙনৈ, মরমতুনা শ্রীলক্ষ্মী শব্দসি অনুবাদনী, তৌইগুম্বম্বং দ্বিতীয় হায়বা শব্দনা করি খঙহল্লিবনো হায়বতুদি খঙনদে, মরমতুনা দ্বিতীয় শব্দনা বিধেয় ওইরে। মরমসিনা শ্রীলক্ষ্মীঃ দ্বিতীয়া ইব হায়রম্লবদি চুমগদবনী, মতুদি হায়দতুনা দ্বিতীয়-শ্রীলক্ষ্মীঃ ইব হায়বনীনা (অনুবাদপু হান্না হায়দতুনা বিধেয়বু হান্না হায়বনীনা) অবিমৃষ্ট-বিধেয়াংশ-দোষ লৈরে।

- মবমদি দ্বিতীয়-শব্দগা লক্ষ্মী-শব্দগা সমাস তৌবনা দ্বিতীয়-শব্দসি মাঙদা থল্লিবনী। মসিনা অবিমৃষ্ট-বিধেয়াংশ দোষম্বু ওইরে, অমুদগী হেন্দোক্লতুনা লক্ষ্মীগা ম'ন্নবা হায়বা অর্থম্বু মাঙখবে। দিগ্বিজয়ীনা ওই-হন্নীংবা অর্থদি গঙ্গাদেবীতু শ্রীলক্ষ্মীদেবীগা পাংখক্নী হায়বা অর্থসিনী। শ্রীলক্ষ্মীঃ দ্বিতীয়া ইব হায়না মহাক্না হায়বম্লবদি মহাক্না ওইহন্নীংলম্বা অর্থদো ওইবমগদবনী, গঙ্গাদি লক্ষ্মীগা মান্নৈ হায়বসি ফোঙদোক্লমগদবনী। (মতু ওইববদি অবিমৃষ্ট-বিধেযাংশ-দোষ ম্বু ওইংবায়দৌবনী)। অদু হায়দতুনা দ্বিতীয়-শ্রীলক্ষ্মীঃ ইব হায়বনা গঙ্গাদো লক্ষ্মীগা মান্নৈ হায়বতু ফোঙদোক্কে—গঙ্গাদো অনীশুবী লক্ষ্মীগা মান্নৈ হায়না ফোঙ-দোক্লে। দ্বিতীয় লক্ষ্মী হায়বা শব্দনদি লক্ষ্মীবু খঙহনদে, লক্ষ্মীগুম্বী স্বরূপ অমবু খঙহল্লে, মরমতুনা লক্ষ্মীদগী দ্বিতীয় লক্ষ্মীনা হম্বম থোবযি, মবম-তুনা দ্বিতীয়-লক্ষ্মীগা মান্নৈ হায়ববদি লক্ষ্মীগা মান্নৈ হায়বা নত্রে, লক্ষ্মীগা মান্নবদগী হম্বে। মবমতুনা দ্বিতীয় শব্দগা লোয়ননা শ্রীলক্ষ্মী শব্দগা সমাস তৌথিবনা লক্ষ্মীগা মান্নৈ হায়বা অর্থতু মাঙখরে। লক্ষ্মীগী গুণ খবমখৈ চেনবী দ্বিতীয়লক্ষ্মীগা মান্নৈ হায়বা ওইনা থোক্লবনীনা শব্দার্থম্বু গৌণ ওইবে।

মূল ৬২-৬৩

'অবিমৃষ্টবিধেযাংশ' এই দোষের নাম।
আব এক দোষ আছে শুন সাবধান ॥ ৬২ ॥
'ভবানীভর্তৃ'-শব্দ দিলে পাইয়া সন্তোষ।
'বিরুদ্ধমতিকৃৎ' নাম এই মহা দোষ ॥ ৬৩ ॥

শব্দার্থ

অবিমৃষ্টবিধেযাংশ—অবিমৃষ্টবিধেয়াংশ, এই দোষের—দোষসিগী,

নাম—মিং, আর—অতোপ্পা, এক অমা, দোষ—অকায়বা, আছে—লৈবি শুন—তাবিয়ু, সাবধান—পুক্নীং চঙনা ভবানী (মহাদেবগী) নুপী, ভর্ত্তা—মপু/মপুরোইবা, ভবানীভর্ত্তা শব্দ—ভবগী নুপীগী মপুরোইবা হায়বা শব্দ দিলে—হাপ চল্লে, পাইয়া—ফংদুনা, সন্তোষ—অপেনবা, বিরুদ্ধমতিকৃৎ—বিরুদ্ধমতিকৃৎ, নাম—কৌয়ি, এই—মসি; মহাদোষ—দোষ অচৌবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

দোষসিগী মহিমা অবিমৃষ্টবিধেয়াংশ কৌয়ি। অতোপ্পা দোষ অমসু যাওয়ি, পুক্নীং চঙনা তাবিয়ু। হবাওবিদুনা ভবানীভর্ত্তা হায়বা শব্দমসু হাপ চল্লে। মসি বিরুদ্ধমতিকৃৎ কৌবা মহাদোষ অমনী।

মূল ৬৪-৬৫

ভবানী শব্দে কহে মহাদেবের গৃহিণী।
তার ভর্ত্তা কহিলে—দ্বিতীয় ভর্ত্তা জানি ॥ ৬৪ ॥
শিবপত্নীর ভর্ত্তা—ইহা শুনিতে বিরুদ্ধ।
বিরুদ্ধমতিকৃৎ শব্দ শাস্ত্রে নহে শুদ্ধ ॥ ৬৫ ॥

শব্দার্থ

ভবানী-শব্দে—ভবানী-শব্দনা, কহে—হায়, খঙহল্লী, মহাদেবের—মহাদেবগী, গৃহিণী—নুপী, তার মাগী (ভবানীগী), ভর্ত্তা—মরা, কহিলে—হায়রগদি, দ্বিতীয়ভর্ত্তা—অনীশুবা মরা (হায়না), জানি—খঙঙী, শিবপত্নীর ভর্ত্তা—শিবগী নুপীগী মরা, ইহা—মসি, শুনিতে—নাকোঙনা তাবদা, বিরুদ্ধ—যেথাযবা (ওই), বিরুদ্ধমতিকৃৎ শব্দ—বিরুদ্ধমতিকৃৎ শব্দদি, শাস্ত্রে—শাস্ত্রদা, নহে—ওইদে, শুদ্ধ—অশেংবা, অচুম্বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভবানী শব্দনা খঙহল্লিবদি মহাদেবগী গৃহিণীবুনী। অদুগুম্বী মহাক্কী মরা হায়রগদি মাগী অনীশুবা মপূরোইবা হায়না খঙঙী (হায়বদি মহাক নুপা অনী লোনবী নুপীনী হায়বা তাবে। শিবগী নুপীগী মরা—হায়বসি নাকোঙনা তাবদা নাতৈ চাদবা ওইনা তায়। (অসিগুম্বা) বিরুদ্ধমতিকৃৎ শব্দদি শাস্ত্রনা শুদ্ধ শব্দনী হায়দে।

ৌনদরোল

ভবানীশব্দগী অর্থদি মহাদেবগী (ভবগী) নুপী হায়বনী। ভবানীগী ভর্ত্তা হায়বদি অনীশুবা ভর্ত্তা (মপুরোইবা) হায়না লৌবা তারে। মসি বিরুদ্ধমতিকৃৎ শব্দ কৌই।

বিরুদ্ধমতিকৃৎ শব্দ—বিরুদ্ধমতি (অকায়বা অর্থ) + কৃৎ (ওইহনবা) শব্দ হায়বনী। শব্দতু নাকোঙদা হেক চঙবদা ওইযম থোকপা (প্রকৃত) অর্থগী বিরুদ্ধ (অথীঙবা, অকায়বা) অর্থ অমা বাখলদা পোল্লকফি, মতু বিরুদ্ধমতিকৃৎ শব্দনী, বিরুদ্ধ মতগা প্রতিকূল (হায়বদি অথীঙবা) মতিগী (হায়বদি বুদ্ধিগী) কৃৎ (হায়বদি থোকৃহনবা) শব্দ হায়বনী।

যেংসি —ভবানীভর্ত্তা হায়বদি শিবগী নুপী-গী মরা হায়বনী। শিবপত্নীভর্ত্তা হায়বসি নাকোঙনা হেক তাবদা কবি খল্লকপগে হায়ববু-- শিবপত্নীগী মপুবোইবা শিব-নত্তবা অতোপ্পা অমা লৈ—হায়বসিনী। অর্থসিদি দিগ্বিজয়ীনা হায়নীঙবা অশেংবা অর্থতু ফোঙদোক্তরে। অতুনা ভবানী শব্দগা লোয়ননা ভর্ত্তা শব্দগা অন্বয় তৌরগদি বিরুদ্ধ অর্থ ওইবগী ইঙ্গিত অমা তাবি, মরমতুনা অন্বয় মতাসিনা বিরুদ্ধমতিকৃৎ-দোষ ওইহল্লে।

অসিগুম্বা দোষসি অলঙ্কার শাস্ত্রনা মহাদোষ অমনী হায়।

মূল ৬৬

"ব্রাহ্মণ-পত্নীর ভর্ত্তার হস্তে দেহ দান।"
শব্দ শুনিতেই হয় দ্বিতীয়-ভর্ত্তা জ্ঞান॥ ৬৬॥

শব্দার্থ

ব্রাহ্মণপত্নীর—ব্রাহ্মণগী নুপীগী, ভর্ত্তার—মবাগী, হস্তে মখুত্তা দেহ—পীযু, দান—দান (পীগদবা পোৎ), শব্দ—বাহৈ, শুনিতেই—নাকোঙনা তাবদা, হয়—ওই, দ্বিতীয়ভর্ত্তা—অনীশুবা মরা, জ্ঞান—খঙবা, ৱাখল।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ব্রাহ্মণগী মতুগী মবাগী মখুত্তা দান পীযু। বাহৈশিংসি নাকোঙদা হেক চঙবদা অনীশুবা মরা লৈ হায়বা ৱাখল পোকয়ি।

তৈনকোল

ব্রাহ্মণগী মতুগী হায়রগদি ব্রাহ্মণতুদগী হেন্দোকপা মবা অমম্ম লৈ হাযবা নাখল পোকহল্লী, তশেংবদি মতু নত্তে। মতৌ অতুহন্না ভবানীভর্ত্তা হাযবগদি ভব (হাযবদি মহাদেব) নত্তবা অমম্ম ভবানীগী মপুরোইবা লৈব। ওইনা খল্লী, তোউরম্লীদি মতুমক্তি নত্তে।

মূল ৬৭

'বিভবতি' ক্রিয়ায় বাক্যসাঙ্গ, পুন বিশেষণ—
'অদ্ভুতগুণা' এই পুনরাত্ত-দূষণ ॥ ৬৭ ॥

শব্দার্থ

বিভবতি—ঙান্থোইবি , ক্রিযায—ক্রিযাদা , বাক্যসাঙ্গ—বাক্য লোয়রবনী , পুন—অমূক হন্না , বিশেষন—বিশেষন , অদ্ভুতগুণা—অঙকপা গুণা লৈতেংবী , এই—মসি , পুনরাত্ত-দূষণ—পুনরাত্ত কৌবা দোষ-নী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

'ঙান্থোইবি' হাযবা ক্রিযাসিনা বাক্য লোয়রবনী। অতুব্ অমূক হন্না 'অঙকপা গুণ-চেনবী' হাযবা বিশেষণসিমা হাপ চল্লে। মসিদি পুনরাত্ত দোষ কৌযি।

তৈনকোল

বিভবত্যদ্ভুতগুণা = বিভবতি + অদ্ভুতগুণা। বিভবতি ক্রিযাপদনী শ্লোককী মনঙদা যাংরিবা ভবানীভর্ত্তুর্যা শিবসি হাযবসিদা যাওবিবা যা (মহাক) পদগা লোয়ননা বিভবতি ক্রিযাগা অন্বয তৌগদবনী, "যা ভবানীভর্ত্তু শিরসি বিভবতি—মহাদেবগী কোক্কোন্দা মহাক ঙাল্লি।" মরমসিনা তশেংনা উবে মতুদি বিভবতি—ক্রিযাসি পল্লম্বনা বাক্য-সমাপ্তি ওইবে, মতুগী তুংদা অমূক অদ্ভুতগুণা হাযবা বিশেষণ পদ হাপচল্লে, মসিদি হান্না হাযখিবা "যা-ভবানীভর্ত্তু শিবসি বিভবতি" হাযবা বাক্যদা যাওরিবা যা-পদগী বিশেষননী। বাক্য-সমাপ্তিগী মতুঙদা বিশেষণসি শীজন্নবনা পুনরাত্ত-দোষ পোক্লে।

মূল ৬৮

তিনপাদে অনুপ্রাস দেখি অনুপম ।
একপাদে নাহি - এই দোষ ভগ্নক্রম ॥ ৬৮ ॥

শব্দার্থ

তিনপাদে—পাদ (খোঙ) অহুমদা , অনুপ্রাস—অনুপ্রাস অলঙ্কার , দেখি—উই , অনুপম চাংদম্লাই-লৈতবা , একপাদে—পাদ অমদদি নাহি— য়াওদ্রে , এই দোষ—দোষ অসি , ভগ্নক্রম—ভগ্নক্রম (মথং-মনাও কাযবা) দোষনী ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শোক্কী) পাদ (পরেং) অহুমদা চাংদম্নাই লৈতবমখৈ ফজববা অনুপ্রাস অলঙ্কার যাওরি , পাদ অমখক্তদি যাওদে । মসিদবসিনা ভগ্নক্রম হাযবা দোষতু ওইরে ।

নৈনবোল

শ্লোক খুদিংদা পাদ (পরেং) মরি মরি যাওরি । মহত্বং গঙ্গাযাঃ শ্লোকসিদা মহত্বং গঙ্গাযাং দগী নিতবাং ফাওবেসি অহানবা পাদ-নী যদেষ-দগী সুভগা-ফাওবা অনীশুবা পাদ-নী দ্বিতীয-দগী চরণা-ফাওবা অহুমশুবা পাদনী, অদুগা ভবানীভর্তু-দগী অদ্ভুতগুণা-ফাওবা মরিশুবা পাদনী । শ্লোকসিনা অহানবা পাদদা ত-গী অনুপ্রাস, অহুমশুবা পাদদা ব গী অনুপ্রাস অমস্তং মরিশুবা পাদদা ভ-গী অনুপ্রাস যাওরি । অদুগা অনীশুবা পাদদদি অনুপ্রাস যাওদে । পাদ অহুমদা অনুপ্রাস যাওবগা পাদ অমখক্তা যাওদবসিনা শ্লোকী উপক্রম-উপস হাব—আহৌবা-অরোযবা মশক অমতগী ওহবা হাযবদু ওইদ্রে । তৌশিগা লোযবগা মওং অমনগী নত্রবনিনা ভগ্নক্রম-দোষ ওইরে । অনীশুবা পাদদস্তু অনুপ্রাস লৈবম্লবোইদি, নত্রগা পাদ অমতদস্তু অনুপ্রাস যাওবমদ্রবোইদি অনুপ্রাসগী দোষ ওইবম্লোইদোবনী ।

মূল ৬৯

যগুপি এই শ্লোকে আছে পঞ্চ অলঙ্কার ।
এই পঞ্চ দোষে শ্লোকে কৈল ছারখার ॥ ৬৯ ॥

শব্দার্থ

যদ্যপি—বস্সু, এইশ্লোকে—শ্লোক অসিদা, আছে-লৈ, পঞ্চ—মঙা, অলঙ্কার—অলঙ্কার, এই পঞ্চদোষে—দোষ মঙাসিনা, শ্লোকে—শ্লোক-তা, কৈল ছারখার—মাঙহল্লে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্লোকসিদা অলঙ্কার মঙা য়াংবেবস্সু শ্লোক-তা য়াংরিবা দোষ মঙাসিনা পুম্মাঙ মাঙহল্লে।

মূল ৭০-৭১

দশ অলঙ্কার যদি এক শ্লোক হয়।
এক দোষে সব অলঙ্কার হয় ক্ষয়॥ ৭০॥
সুন্দর শরীর যেছে ভূষিত।
এক শ্বেত কুষ্ঠে যৈছে করযে বিগীত॥ ৭১

শব্দার্থ

দশ অলঙ্কার—অলঙ্কার তরানা, যদি—বদি, একশ্লোক—শ্লোক অমা, হয—ওই, এক দোষ—দোষ অমনা, সব অলঙ্কার—অলঙ্কার পুম্বা, হয—ওই, ক্ষয—মাঙবা, সুন্দর—ফজবা, শরীর—হকচাঙ, যৈছে—গুম্না; ভূষনে—লৈতেংনা, লীক কোম্না, ভূষিত—লৈতেংলবা, এক—অমা, শ্বেতকুষ্ঠে—কুষ্ঠ অঙৌবনা, যৈছে—গুম্না, করযে—ঙৈহল্লী, বিগীত—থীনা ভাঙনভাই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

লীক-কোম্না লৈতেংহুনা ফজরবা হকচাঙদো অঙৌবা মচেং অমা পঙ্কপদা মাঙবগুম্না শ্লোক অমদা অলঙ্কার তরা য়াওরবস্সু দোষ অমখক্তং য়াওহল্লবদি অলঙ্কার পুম্মক মাঙঙী।

মূল শ্লোক

রসালঙ্কারবৎ কাব্যং দোষযুক্‌ চেদ্‌ বিভূষিতম্‌।
স্যাদ্বপুঃ সুন্দরমপি শ্বিত্রেণৈকেন দুর্ভগম্‌॥ ৭২॥

শব্দার্থ

রস অলঙ্কারবৎ—রসগা অলঙ্কারগনা তিল্লগা , কাব্যম—কাব্য , দোষযুক্—দোষ চেনবা , চেদ—বদি , বিভূষিতম- লৈতেংলবা , স্যাৎ—বপুং - হকচাঙ , সুন্দরম অপি—ফজরবসু , শ্বিত্রেণ—অঙৌবা কুষ্ঠনা , একেন—অমনা (খজিক্তনা) , দুর্ভগম্—থীনা ঙাঙবীবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

লীক-কোন্না লৈতেংলবা ফজরবা হকচাঙবু অঙৌবা কুষ্ঠ মচেৎ অমা পকপদগী নিন্দা তৌনবগুম বসালঙ্কার-না তিল্লবা কাব্যসু দোষ চেল্লবদি নিন্দা তৌনৈ ।

নৈনরোল

শ্লোক অসি ভবতমুনিগী বাক্যনী । পযার ৭০ ৭১-দা হাযবিবা বাগী প্রমাণ ওইনা পল্লিবনী ।

মুল ৭৩

পঞ্চ অলঙ্কারের এবে শুনহ বিচার ।

দুই শব্দালঙ্কার, তিন অর্থ-অলঙ্কার ॥ ৭৩ ॥

শব্দার্থ

পঞ্চ অলঙ্কারের—অলঙ্কার মঙাগী , এবে—হৌজিক , শুনহ—নাকোঙনা তাবিযু বিচার—বিচার (নৈনবা) , দুই—অনী , শব্দ-অলঙ্কার—শব্দগী অলঙ্কার , তিন – অহুম , অর্থ অলঙ্কার—অর্থগী অলঙ্কার ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হৌজিক অলঙ্কার মঙাগী বিচার নাকোঙনা তাবিযু । শব্দগী অলঙ্কার অনীনী, অদুগা অর্থগী অলঙ্কার অহুমনী ।

মুল ৭৪

শব্দালঙ্কার – তিন পাদে আছে অনুপ্রাস ।

শ্রীলক্ষ্মী-শব্দে – 'পুনরুক্তবদভাস' ॥ ৭৪ ॥

শব্দার্থ

শব্দ অলঙ্কার—শব্দগী অলঙ্কার , তিন পাদে—পাদ অহুমদা,

আছে—লৈ , অনুপ্রাস—অনুপ্রাস , শ্রীলক্ষ্মী শব্দ—শ্রীলক্ষ্মী হায়বা শব্দসিদা , পুনরুক্তবদাভাস—অমূক হন্না হায়বগী ইঙ্গিত।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্লোকসিদা যাওবিবা) শব্দালঙ্কারদি পাদ অহুমদা অনুপ্রাস য়াও-বিবসিনী অতুগা শ্রীলক্ষ্মী শব্দদা পুনরুক্তবদাভাস লৈবে।

মূল ৭৫-৭৬

প্রথম-চরণে পঞ্চ তকারের পাঁতি।
তৃতীয় চরণে হয় পঞ্চ রেফ-স্থিতি ॥ ৭৫ ॥
চতুর্থ চরণে চারি ভকার প্রকাশ।
অতএব শব্দ অলঙ্কার অনুপ্রাস ॥ ৭৬ ॥

শব্দার্থ

প্রথম চরণে- অহানবা পাদদা , পঞ্চ তকারের—তকার মঙাগী পাঁতি—পংতি, পবে , তৃতীয় চরণে- অহুমশুবা পাদদা , হয়—ওই পঞ্চ-রেফ—র-কার মঙাগী , স্থিতি—লেবা , চতুর্থ চরণে মরিশুবা পাদদা , চারি ভকার—ভকার মরি , প্রকাশ ঙানবা, ফোঙবা , অত-এব মরমডুনা , শব্দ-অলঙ্কার—শব্দগী অলঙ্কারদি , অনুপ্রাস—অনু-প্রাসনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহানবা পাদদা তকার মঙাগী পবে, অমা লৈবে , অহুমশুবা পাদদা রেফ (হায়বদি র-কার) মঙামা লৈবে , মরিশুবা পাদদা ভকার মরি লৈরে , মরমডুনা শব্দ-অলঙ্কার যাংরিবসি অনুপ্রাসনী।

মূল ৭৭-৭৮

শ্রীশব্দে লক্ষ্মী শব্দে এক বস্তু উক্ত।
পুনরুক্তপ্রায় ভাসে, নহে পুনরুক্ত ॥ ৭৭ ॥
শ্রীযুক্তলক্ষ্মী অর্থে-অর্থের বিভেদ।
পুনরুক্তবদাভাস শব্দালঙ্কারভেদ ॥ ৭৮ ॥

শব্দার্থ

শ্রীশব্দে শ্রীশব্দগা, লক্ষ্মী শব্দে - লক্ষ্মী শব্দগা, একবস্তু—পোৎ অমতনী, উক্ত—হায়, পুনরুক্ত- অমূক হন্না হায়বা, প্রায—গুম্, ভাসে—মাল্লি, নাহে নত্তে, পুনবক্ত অমুক হন্না হাযবা, শ্রীযুক্ত—যজবা, লক্ষ্মী—লক্ষ্মী, অর্থে—অর্থদা, অর্থের - অর্থগী বিভেদ খেন্নবা (লৈ), পুনবক্তবৎ আভাস- অমূক হন্না হাযবা মানবা শব্দ অলঙ্কার ভেদ—শব্দ-অলঙ্কার মখল অমনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীহাযবা শব্দগা লক্ষ্মী কৌবা শব্দগা পোৎ অমতনী হায (হাযবদি শ্রী-গী অর্থ অমদি লক্ষ্মী হাযবনী), শ্রীলক্ষ্মী হাযনা পুল্লপ হাযবগদি অর্থ অমতগী পোৎ অমুক হনজন্না হাযবা মাল্লি, অশেংবদি হনজন্না হাযবা নত্তে। শ্রীযুক্ত (যজবা) লক্ষ্মী হাযরগদি শ্রীগা লক্ষ্মীগা অনীগী অর্থদা খেন্নবা লৈবে। অসুন্না হনজন্না হাযবা মানবা (পুনবক্তবৎ+আভাস) হাযবসি শব্দালঙ্কার মখল অমনী।

মূল ৭৯

লক্ষ্মীবিব' অর্থালঙ্কার 'উপমা' প্রকাশ।

আর অর্থালঙ্কার আছে, নাম বিরোধাভাস ॥ ৭৯ ॥

শব্দার্থ

লক্ষ্মী ইব লক্ষ্মীগুম্না, অর্থ-অলঙ্কার—অর্থগী ওইবা অলঙ্কার, উপমা—উপমা (চান্দনবা) প্রকাশ—ফোঙবা, উৎপা আর—অতোপ্পা, অর্থালঙ্কার আছে—অর্থালঙ্কার লে, নাম—মিংদি, বিরোধাভাস—অযেৎপা মানবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দাকপা

'লক্ষ্মীবিব' (লক্ষ্মীগুম্না) হাযবা অর্থালঙ্কার উপমা (চান্দনবা) ওইরে। অতোপ্পা অর্থালঙ্কার অমসু লৈবি, মমিংদি বিরোধ-আভাস (অযেৎপা মানবা) কৌযি।

তৈনরোল

সমান ধর্ম্ম (মান্নবা মতৌ) লেবা মতাংদা উপমালঙ্কার ওই।

লক্ষ্মীবিব সুবনবৈবর্চ্যচবণা হায়বা বাবাদগী থঙবা ঙন্মী মতুদি—মী-লাই অনীমক্কী লাংনঙাই খোঙত্থু মহাক্কী ওইরিবা। কনাগী মতৌগুম্না? লক্ষ্মীগী খোঙনা লাংনঙাই ওইবগুম্না। মরমসিনা লাংনঙাই ওইবগী মতাঙদা লক্ষ্মীগা গঙ্গাগা অনীসি মান্নৈ হাযবা মান্নবা-মতৌ (সমানধর্ম্ম) লৈবা মরম্না লক্ষ্মীবিব হাযবা পদসি উপমালঙ্কার ওইরে।

মূল ৮০

গঙ্গাতে কমল জন্মে—সভার সুবোধ।

কমলে গঙ্গার জন্ম—অত্যন্ত বিরোধ॥ ৮০ ॥

শব্দার্থ

গঙ্গাতে—গঙ্গাদা, কমল—থম্বাল, জন্মে—হৌয়ি, পোকৃয়ি, সভাব—খ্বাই পুম্বগী, সুবোধ—ফজনা খঙনরবা বানী, কমলে—থম্বালদা, গঙ্গাব জন্ম—গঙ্গা পোকযি (ঈশীঙগী মশক ওইবী গঙ্গা খোবকপনী), অত্যন্ত—য়াম্না যৌরবা, বিবোধ—অকাযবা, অযেৎপা (অমনী)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(ঈশীঙগী মশক ওইবী) গঙ্গাদা থম্বাল হৌযি হাযবসি খ্বাই পুম্বনা মুন্না খঙলবা বানী। থম্বালদা (ঈশীঙগী মশক ওইবী) গঙ্গা পোকযি হাযবসি যাম্না কাযরবা বানী (বিবোধ অমনী)।

নৈনরোল

তশেংবা বিরোধ মক্তি লৈতবা অদুগা যেংবদদি বিবোধ লৈবা মানবা মতাঙদা বিরোধ-আভাস অলঙ্কাব ওই। বিবোধ স বিরোধাভ। বিবোধাভঃ ইতি বস্তুতো ন বিরোধ বিরোধ ইব ভাসত ইত্যর্থ—অলঙ্কার কৌমুদী /৮/২৬॥

শ্লোক অসিদা য়াওবিবা এষা শ্রীবিষ্ণোশ্চরণকমলোৎপত্তি সুভগা—শ্রীবিষ্ণুগী খোঙ-থম্বালদগী পোকপনা লাইবকফবী—হাযনা বাক্যসিগী মন্থং চল্লিবা কমলোৎপত্তি পদসিনা বিরোধাভাস অলঙ্কাব ওইরে। বাক্যসিদা হাযবি—(বিষ্ণুগী খোঙগী মশক ওইবা) থম্বালদগী (ঈশীঙগী মশক ওইবী) গঙ্গা পোকযি, অদুবু খ্বাইনা খঙনবদি গঙ্গাদা (ঈশীঙদা) থম্বাল হৌযি,

কাদোইঁদস্নু থম্বান্দা গঙ্গা (ঈশাঁও) পোক্কে হায়বসিনী। মরমতুনা থম্বান্দা গঙ্গা (ঈশাঁও) পোকযি হায়বগদি মী খ্বাইনা খঙনবিবা সত্যগা যেৎনবা (বিরোধ) ওইনা উবে। অদুবু তশেংবদি বিরোধ করিমত্তা লৈতে, মরমদি চুম্নগী থম্বান্দা চুম্নগী ঈশাঁও পোকপা যাওব্রস্নু ঈশ্বরগী অচিন্ত্য-শক্তিগী মথাইনা শ্রীবিষ্ণুগী খোঙগী মশক ওইবা থম্বান্দা ঈশাঁওগী অধিষ্ঠাত্রী-দেবী (ঈবৈমা) গঙ্গা পোকপদি ওইখোকখি, মরমতুনা শ্লোক-তা যাওবীবা বাক্যদা খ্বাইনা খঙনরিবা সত্যগা বিরোধ লৌরে হায়বা মাল্লবস্নু তশেংবদি বিরোধ অমত্তা লৈতে, মরমসিনা মতাংসিদা বিরোধাভাস অলঙ্কার ওইরিবনী।

মূল ৮১-৮২

ইহাঁ বিষ্ণুপাদপদ্মে গঙ্গার উৎপত্তি।
বিরোধালঙ্কার ইহা মহা চমৎকৃতি ॥ ৮১ ॥
ঈশ্বর—অচিন্ত্যশক্ত্যে গঙ্গার প্রকাশ।
ইহাতে বিরোধ নাহি বিরোধ আভাস ॥ ৮২ ॥

শব্দার্থ

ইহাঁ—অসিদা, (বাক্যসিদা), বিষ্ণুপাদপদ্মে—বিষ্ণুগী খোঙগী মশক ওইবা থম্বান্দা, গঙ্গার—ঈশাঁওগী, উৎপত্তি পোকপা, বিরোধালঙ্কার—বিরোধ-মানবা অলঙ্কার, ইহা—মসি, মহাচমৎকৃতি অচৌবা অঙকপনী, ঈশ্বর-অচিন্ত্যশক্ত্যে- ঈশ্বরগী অচিন্ত্য (মী ওইবগী বুদ্ধিনা লাস্থ-ফংদ্রবা) শক্তিনা গঙ্গার প্রকাশ—গঙ্গানা থোরকপা, ইহাতে মসিদা বিরোধ নাহি—য়েৎনঙাই লৈতে, বিরোধ-আভাস বিরোধগী মমি তাবতনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্লোক বাক্য) অসিদা শ্রীবিষ্ণুগী খোঙগী মশক ওইবা থম্বান্দা গঙ্গা (ঈশাঁও) পোকযি হায়বি। মসি বিরোধধদাভাস অলঙ্কারনী, অঙকপা ফজবা অমনী। ঈশ্বরগী অচিন্ত্যশক্তিগী মথাইনা গঙ্গা পোকপনী, মসিদা বিরোধ লৈতে, বিরোধাভাস হায়বা অলঙ্কার থাওরে।

মূল ৮৩

অম্বুজমম্বুনি জাতং কচিদপি ন জাতমম্বুজাদম্বু।

মুরভিদি তদ্বিপরীতং পাদাম্ভোজান্মহানদী জাতা ॥ ৮৩ ॥

শব্দার্থ

অম্বুজম—থম্বাল, অম্বুনি—ঈশীঙদা জাতম—পোকখি, কচিদপি—কদাযদস্থু, ন জাতম পোক্তে, অম্বুজাৎ—থম্বান্দগী, অম্বু—ঈশীঙ, মুরভিদি—মুবারিদা (শ্রীবিষ্ণুদা), তৎ-বিপবীতম্—মত্থগী ওন্নতৈনবা, পাদাম্ভোজাৎ খোঙ থম্বান্দগী, মহানদী—তুরেল-অচোবা (গঙ্গা), জাতা—পোকখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঈশীঙদা থম্বাল হৌযি, কদৌডৈদস্থু থম্বান্দগী ঈশীঙ পোক্তে। অত্থবু মত্থগী ওন্নতৈনবদি মুবাবি শ্রীবিষ্ণুগীদদি ওই, মরমত্থনা (শ্রীবিষ্ণুগী) খোঙ-থম্বান্দগী মহানদী (গঙ্গা তুরেল) পোকখি।

মূল ৮৪

গঙ্গাব মহত্ত্ব সাধ্য, সাধন তাহাব।

বিষ্ণুপাদোৎপত্তি—অনুমান অলঙ্কাব ॥ ৮৪ ॥

শব্দার্থ

গঙ্গাব—গঙ্গাগী, মহত্ত্ব—মতীক মযাই সাধ্য—প্রমাণ তৌগদবা বিষযনী, সাধন—মরম (হেতু), কাবণ, তাহাব—মত্থগী, বিষ্ণুপাদ-উৎপত্তি—শ্রীবিষ্ণুগী খোঙদগী পোকপা, অনুমান অলঙ্কাব—অলঙ্কাব মখল অমা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গঙ্গাগী মহত্ত্ব সাধ্যনী (প্রমাণ তৌগদবা বিষযনী), মত্থগী সাধনা (থোরকফম মবমা) বিষ্ণুগী খোঙদগী পোকপা হাযবসিনী। (সাধ্যগা সাধনগা) অনীমক পাল্লবনীনা অনুমান-অলঙ্কার হায়বত্থু ওইরে।

মৈতৈলোল

শ্রীবিষ্ণুগী খোঙদগী পোৎকপনী হায়বগিদমক গঙ্গাগী মহত্ত্ব (মতীক-মথাই) লৈবিবনী। শ্লোকসিদা গঙ্গাগী মহত্ত্বস্থ (সাধ্যস্থ) পল্লে অদুগা করি মবমদগী মহত্ত্ব ওইবিবনো হায়বদুস্থ (সাধন স্থ) পল্লে, মরমদুনা মতাঙসিদা অনুমান অলঙ্কার হায়বদু লৈরে।

মূল ৮৫

স্থূল এই পঞ্চ দোষ, পঞ্চ অলঙ্কার।
সূক্ষ্ম বিচারিয়ে যদি - আছয়ে অপার '। ৮৫ ॥

শব্দার্থ

স্থূল—পৌনা চাউবাক্লা, এই- মসি, পঞ্চদোষ—দোষ মঙা, পঞ্চ অলঙ্কার - অলঙ্কার মঙা, সূক্ষ্ম—কূপথনা, বিচাবিয়ে যদি—থিজিল্লগদি, খন্নবগদি, আছয়ে—লৈ, অপার—মশীঙ লাকঙমদবমথৈ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

চাউবাক্লা যেংলগা দোষ মঙাগা অলঙ্কার মঙাগা অসিতনী উবিবা। কূপ্পা যেংশিল্লগদি যাম্না চোংথোবকনী।

মূল ৮৬

প্রতিভা-কবিত্ব তোমাব দেবপ্রসাদে।
অবিচাব কবিত্বে অবশ্য পড়ে দোষ-বাদে ॥ ৮৬ ॥

শব্দার্থ

প্রতিভা—অনৌ অনৌবা বিষযগী ব্রা পুথোরবা শক্তি, প্রতিভা-কবিত্ব—প্রতিভা লৈবদগী খোবকপা কবিত্বনী, তোমাব—নহাক্কী, দেব-প্রসাদ—লাইনা চানবিবনা, অবিচার—খন্নবা লৈতনা লেংবা, কবিত্বে—কবিতাদদি, অবশ্য—শোয়দনমক, পড়ে—যাওগনী, দোষ-বাদে—দোষগী মশক ওইবা বাদ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

লাইগী কৃপাদগী প্রতিভা লৈহনা নহাক্না কবিতা রচনা তৌবিবনী।

অদুবু করিমতা খন্নদবমখৈ অপন্বা লৈতনা কবিতা লেংলবদি দোষ অমা-অমৈদি য়াওদ্রম লোকয়ি।

মূল ৮৭

বিচারি কবিত্ব কৈলে হয় সুনির্ম্মল।

সালঙ্কার হৈলে অর্থ করে ঝলমল ॥ ৮৭ ॥

শব্দার্থ

বিচার—খন্নু খন্নবা, কবিত্ব কৈলে—কবিতা লেংলগদি, হয—ওই, সুনির্ম্মল—দোষ-চেন্দবা, সালঙ্কার—অলঙ্কাব যাওবা, হৈলে—ওইরগদি অর্থ করে—অর্থদুবু ওইহল্লী, ঝলমল—জংত্রিক-লংবা হায়বদি তক তকরে অদুগা ফজবসু ফজরে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বিচাব তৌনা তৌনা কবিতা লেংলবদি কবিতাদু দোষ-চেন্দবা ওই। অদুগী মথক্তা অলঙ্কারগা হাপ্লবদি অর্থদু তর, তর, ফজবগা লোয়ননা চোংথোরকয়ি।

মূল ৮৮

শুনিঞা প্রভুর ব্যাখ্যা দিগ্বিজয়ী বিস্মিত।

মুখে না নিঃসরে বাক্য, প্রতিভা স্তম্ভিত ॥ ৮৮ ॥

শব্দার্থ

শুনিঞা—নাকোংনা তাদুনা, প্রভুর ব্যাখ্যা—মহাপ্রভুগী ব্যাখ্যা, দিগ্বিজয়ী—দিগ্বিজয়ী পণ্ডিত বিস্মিত—ঙকপ্পী, মুখে—মচীন্দা, না নিঃসরে—থোক্লমদ্রে, বাক্য রা ঙাঙবা, প্রতিভা—অনৌবা পুথোকপা শক্তি, স্তম্ভিত—উখোঙহম চপ্‌লেপ্লয়ে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুগী ব্যাখ্যা তাবদা দিগ্বিজয়ীদু পূঙঙক ঙকপ্পী। রা ঙাঙলমদরে মাঙ্গী প্রতিভাদু উখোঙহম্মা চপ্‌লেপ্‌খ্রে।

মূল ৮৯

কহিতে চাহয়ে কিছু, না আইসে উত্তর।
তবে মনে বিচারয়ে হইয়া ফাঁফর ॥ ৮৯ ॥

শব্দার্থ

কহিতে—হায়বা, চাহয়ে—পাম্মী, কিছু—খিত্তং, না আইসে—লাক্তে, উত্তর—পাউখুম, তবে—অতুদগী মনে—পূর্ন্দা, বিচারয়ে—খল্লী, হইয়া—ওইদুনা, ফাঁফর—কবি-তৌগনী-হায়বা-খঙদবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কবিনো অমা খুম্নীংবনী অতুবু পাউখুম অমতা থোকখিদরে। অতুদগীদি দিগ্বিজয়ীদো তৌফম খঙদ্রদুনা মপূক্নীঙদা খল্লম্মী।

মূল ৯০

পঢ়ুয়া বালক কৈল মোর বুদ্ধিলোপ।
জানি সরস্বতী মোরে করিয়াছেন কোপ ॥ ৯০ ॥

শব্দার্থ

পঢ়ুয়া—পড়োবান্, বালক—নীপামচানা, কৈল—ওইহল্লে, মোর—ঐগী, বুদ্ধিলোপ—বুদ্ধি মাঙবা, জানি—খঙলে, সরস্বতী—সরস্বতীনা, মোরে—ঐব করিয়াছেন—তৌবে, কোপ—শাউবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ছাত্র ওইবিবা নিপামচা অমনা ঐগী বুদ্ধি মাঙহল্লে। খঙলে সরস্বতী দেবীনা ঐবু শাউরবনী।

মূল ৯১

যে ব্যাখ্যা করিল, সে মনুষ্যের নহে শক্তি।
নিমাইর মুখে রহি বোলে আপনে সরস্বতী ॥ ৯১ ॥

শব্দার্থ

যে অহু, ব্যাখ্যা—ব্যাখ্যা, করিল—তৌরে, সে—মহু, মনুষ্যের—মীওইবগী, নহে—নত্তে, শক্তি—ঙম্বা, নিমাইর—নিমাইগী, মুখে—

চীন্দা, ৱহি—লৈবগা, বোলে—হাযবনী, আপনে—মছামক্না, সৰস্বতী—শ্রীসবস্বতী দেবীনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তৌবিবা ব্যাখ্যাসি মীনা তৌবা ঙম্বা নত্তে। নিমাইগী মচীন্দা তোংলগা সরস্বতী মছামক্না হাযবনী।

মূল ৯২-৯৩

এত ভাবি কহে শুন নিমাই পণ্ডিত।
তোমার ব্যাখ্যা শুনি আমি হইলাঙ বিস্মিত॥ ৯২॥
অলঙ্কার নাহি পড়, নাহি শাস্ত্রাভ্যাস।
কেমনে এ সব অর্থ কবিলে প্রকাশ॥ ৯৩॥

শব্দার্থ

এত- অসুক, ভাবি—খল্লগা, কহে—হায শুন—নাকোঙনা তাও, নিমাই পণ্ডিত-হে নিমাই পণ্ডিত, তোমাব ব্যাখ্যা-নঙগী ব্যাখ্যা শুনি—তাবগা, আমি—ঐহাক, হইলাঙ-ওইবে, বিস্মিত—ঙকপা, অলঙ্কার—অলঙ্কাব-শাস্ত্র, নাহি পড—তমদে, নাহি-লৈতে, শাস্ত্র-অভ্যাস—(অতোপ্পা) শাস্ত্র নৈনবা, কেমনে-কবম্না, এ সব—অসি পুম্নমক, অর্থ-অর্থ, ব্যাখ্যা (দোষ মগা অমসুং অলঙ্কার মগা), কবিলে প্রকাশ-ফোঙদোকলিবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসুকথক খল্লুবগা দিগ্বিজযীনা হাযবকযি-নিমাই পণ্ডিত, তাও। নহাক্কী ব্যাখ্যা তাবগা ঐহাক ঙক্লে। নঙদি অলঙ্কার-শাস্ত্রসু তমদে অদুগা অতৈ শাস্ত্রসু নৈনবা নত্তে, অদুগা করম তৌনা অর্থ পুম্নমকসি পুথোরক্লিবনো?

মূল ৯৪-৯৫

ইহা শুনি মহাপ্রভু বড় রঙ্গী।
তাঁহাব হৃদয় জানি কাহ করি ভঙ্গী॥ ৯৪॥
শাস্ত্রের বিচার ভাল মন্দ নাহি জানি।
সরস্বতী যে বোলায় বলি সেই বাণী॥ ৯৫॥

শব্দার্থ

ইহা—মসি, শুনি—তাবগা, মহাপ্রভু—মহাপ্রভুনা, বড—য়াম্না, রঙ্গী—নোক্নীংলম্মী, তাঁহার—মহাক্কী, (দিগ্বিজযীগী), হৃদয—থম্মোই, পুক্নীওগী না, জানি—খঙহন্না, কহে—হায়, করি ভঙ্গী—তাং তৌহনা, শাস্ত্রের বিচাব—শাস্ত্রগী বিচাব, ভাল মন্দ—গুণ অমসুং দোষ, নাহি জানি—খঙদে, সরস্বতী—সবস্বতীনা, যে বোলায—হাযহনবহু, বলি—হাযবনী, সে বাণী—ৱাহু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

দিগ্বিজযীগী বাসি তাবগা নোকনীংলম্মী। মাগী মপুক্নীওগী বাহু খঙলহন্না মহাপ্রভুনা তাং তৌহনা হাযরম্মী - "শাস্ত্রবিচাব খঙদে, দোষ অমসুং গুণগী বিচাবসু খঙদে, সবস্বতীনা হাযহনবা অহুদা ঐহাক্না হাযদোকপনী।"

মূল ৯৬

ইহা শুনি দিগ্বিজযী কবিল নিশ্চয—।

শিশুদ্বাবে দেবী মোবে কৈল পবাজয ॥ ৯৬ ॥

শব্দার্থ

ইহা—মসি, শুনি—তাবগা, দিগ্বিজযী—দিগ্বিজযী, কবিল নিশ্চয—অবেপ্পনী হাযনা লৌবম্মী, শিশুদ্বাবে—অঙাঙ থাজন্দনা, দেবী—সবস্বতী দেবীনা, মোবে—ঐবু, কৈল পবাজয—মাযথীহন্‌বনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুগী বাসি তাবগা দিগ্বিজযীনা লেপ্নমক থাজরম্মী মহুদি—মসং সরস্বতীমক্না অঙাঙ সি থাজন্দুনা ঐবু মাযথীবা পীবনী।

মূল ৯৭

আজি তাঁবে নিবেদিব কবি জপধ্যান।

শিশুদ্বাবে কৈল মোর এত অপমান ॥ ৯৭ ॥

শব্দার্থ

আজি—ঙসি, তাঁবে—মঙোন্দা (সবস্বতীদা), নিবেদিব—হঙংকনী; করি—তৌদুনা, জপধ্যান—মন্ত্র শোন্দুনা অমসুং ধ্যান, শিশুদ্বাবে

—অঙাঙ থাজন্দুনা , কৈল—তৌরে , মোবে—ঐবু , এত—অসূক , অপমান—ইকাযবা পীবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঙসিদি জপ অমসুং ধ্যান তৌহুনা সবস্বতীদা "অঙাঙ থাজন্দুনা ঐবু অসূক ইকায়বা নংহল্লে' হায়না হঙ্গৎকনী।

মূল ৯৮

বস্তুত- সরস্বতী অশুদ্ধ শ্লোক করাইল।

বিচারসময়ে তাঁর বুদ্ধি আচ্ছাদিল ॥ ৯৮ ॥

শব্দার্থ

বস্তুত—তশেংবমক সবস্বতী—সবস্বতীনা , অশুদ্ধ—অবাপবা , শ্লোক করাইল—শ্লোক লেংহনবনী , বিচার-সমায—(শ্লোক) নৈনবা মতমদা , তাঁর—মহাক্কী (দিখিজয়ীগী), বুদ্ধি—বুদ্ধিবু , আচ্ছাদিল—কূপশনবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অশেংবমক্তি সবস্বতীনা দিগ্বিজযীবু অবানবা শ্লোক লেংহনবনী অদুগা বিচারগী মতমদসু মহাক্কী বুদ্ধি ককূচনহনবনী।

নৈনরোল

ভগবানগী চরণ-খাদা মছাবু মপূডফানা কৎপা তাববদি নাপন চঙবা যাদে। দিগ্বিজযী পণ্ডিত অদু মাযকৈ পুন্নমক্কী পণ্ডিতশিংবু জয তৌহুনা নাপলকরম্লবনী , মাগী নাপল মাঙহন্দুনা ভগবানগী চবণ-খাদা চঙবগী মতীক চাবা অমা ওইহল্লগে হায়বগীদমক সরস্বতী দেবীনা তশেংনমক অবাপবা শ্লোক শেমহনবনী অদুগা বিচারগী মতমদা মাগী বুদ্ধিসু থোকহন্দবনী।

মূল ৯৯

তবে শিষ্যগণ সব হাসিতে লাগিল।

তা-সভা নিষেধি প্রভু কবিরে কহিল ॥ ৯৯ ॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী ; শিষ্যগণ—মহাপ্রভুগী শিষ্যশিং ; সব—পুম্নমক ;

হাসিতে লাগিল—নোকপা হৌখি, তা-সভা—মখোয় পুম্নমক, নিষেধি—খামুদুনা, প্রভু—মহাপ্রভুনা, কহিবে—দিগ্বিজয়ীদা, কহিলু—হায়রম্মী।

ইরৈবেমোকপা ওয়েজাকপা

অদুদগী (দিগ্বিজয়ীগী মায়থীবদু উবদা) প্রভুগী শিষ্য পুম্নমক্না নোকপা হৌখি। প্রভুনা অখোয়বু থম্নগা কবিদা ("দিগ্বিজয়ীদা") হায়খি।

পয়ার ১০০-১০৫

তুমি বড় পণ্ডিত মহাকবি-শিরোমণি।
যার মুখে বাহিরায় ঐছে কাব্যবাণী ॥ ১০০ ॥
তোমার কবিত্ব যৈছে গঙ্গাজলধার।
তোমা-সম কবি কোথা নাহি দেখি আর ॥ ১০১ ॥
ভবভূতি জয়দেব আর কালিদাস।
তা-সভার কবিত্বে আছে দোষের প্রকাশ ॥ ১০২ ॥
দোষ-গুণ-বিচার এই 'অল্প' করি মানি।
কবিত্বকরণে শক্তি তাহা যে বাখানি ॥ ১০৩ ॥
শৈশব-চাপল্য কিছু না লবে আমার।
শিষ্যের সমান মুঞি না হই তোমার ॥ ১০৪ ॥
আজি বাসা যাহ, কালি মিলিব আবার।
শুনিব তোমার মুখে শাস্ত্রের বিচার ॥ ১০৫ ॥

শব্দার্থ

তুমি—নহাক, বড়—অচৌবা, পণ্ডিত—পণ্ডিত, মহাকবি—অচৌবা কবি, শিরোমণি—কোক্কী মণি, যার—মহাক্কী, মুখে—চীন্দা, বাহিরায়—থোকখি; ঐছে—অসুম্বা, কাব্যবাণী—শৈরেংগী রাহৈ, তোমার কবিত্ব—নহাক্কী শ্লোকশিংদি, যৈছে—গুম্না, গঙ্গাজলধার—গঙ্গাগী ঈচেল্লী, তোমা সম—নহাক্কা মান্নবা, কবি—কবি, কোথা—কদায়দসু, নাহি দেখি—উদে, আর—অতোপ্পা; ভবভূতি, জয়দেব, আর কালিদাস—ভবভূতি, জয়দেব অমসুং কালিদাস; তা-সভার—মখোয়

পুন্নমক্কী, কবিত্বে কবিত্বদা, আছে—যাওরি, দোষের প্রকাশ—দোষশী শকউৎ, দোষগুণ বিচার—দোষগুণগী বিচারদি, এই অল্প—কবিস্থ লৈতবা পোংনী, কবি—হাযনা, মানি—লৌয়ি, কবিত্ব-করণে শক্তি—কবিতা লেংবা ঙম্বদো, তাহা যে বাখানি—অদুনী থাগৎলিবদি, শৈশব—অঙাঙ ওইরবগী হৌনশা; চাঞ্চল্য—তযাং তরাংবা মতৌ, কিছু না লয়ে—খিত্তুফাওবা ৱারোৌবিগনু, আমার—ঐগী, শিষ্যের সমান—শিষ্যগা মান্নবা, মুক্তি ঐ, না হই—ওইদে, তোমার নঙগী, আজি ঙসি, বাসা যুম, যাহ হনবিবো, কালি হযেং, মিলিব—উনসি, আবার অমুক, শুনিব তাগনী, তোমার মুখে নঙগী চীন্দা, শাস্ত্রের বিচার শাস্ত্রগী না নৈনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপ্রভুনা হায়রকয়ি—মহাক্তি পণ্ডিত অচৌবনী, মহাকবিলক্কী কোক্তোন-মণি-নী। অদুনা মহাক্কী চীন্দগী অদুগুম্বা শৈরেংগী বাহৈ থোক্লি-বনী। নঙ গী শৈরেংদি গঙ্গাগী লাইজনা চেনবগুম্বনী, মহাক্কী মান্নবা কবিদি কদাযদম্ব উথিদ্রি। ভবভূতি, জয়দেব অমসুং কালিদাস-নচিংবা মখোয পুন্নমক্কী শৈরেংদা দোষ যাওবা উই। দোষ-গুণ বিচার অরায়বা ৱানী, মীনা থাগৎনবিবদি শৈরেং লেংবগী শক্তিহনবুনি। ঐনা অঙাঙ নীনা অঙাঙগী হৌনশা তযাং-তশোক্ট উৎপদ্দি থোইনা ৱারোৌবিগনু, ঐদি নঙগী শিষ্যগা মান্নবা অমা ফাওবা নত্তবনী। ঙসিদি শঙ্গাইদা হনবিবো, হযেং অমুক উনসি। অদুগা নঙগী চীন্দা শাস্ত্রগী বিচার অমুক তাজগে।

মূল ১০৬-১০৭

এই মতে নিজঘরে গেলা দুইজন।
কবি রাত্রে কৈল সরস্বতী আরাধন ॥ ১০৬ ॥
সরস্বতী স্বপ্নে তারে উপদেশ কৈল।
সাক্ষাৎ ঈশ্বর করি প্রভুরে জানিল ॥ ১০৭ ॥

শব্দার্থ

এই মতে—মতৌ অসুম্বা, নিজ ঘরে—মশা মশাগী যুমদা, গেলা—চৎলে; দুইজন—মখোয়নীদো, কবি—দিগ্বিজয়ী কবি, রাত্রে—অহিংদা;

কৈল—তৌবম্মী , সরস্বতী আরাধন—সরস্বতীবু খুরুম্বা , সরস্বতী—সরস্বতীনা , স্বপ্নে—মঙদা , তাবে—মঙোন্দা , উপদেশ—পাউতাক , কৈল—পীবম্মী , সাক্ষাৎ ঈশ্বর—চংচংবা ভগবান্ , কহি—হায়না , প্রভু—মহাপ্রভুবু , জানিল—খঙখি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না মখোয অনীমক মাগী মাগী যুমদা হন্নখি । অহিংদা দিগ্বিজয়ী কবিনা সরস্বতীবু খুরুমজখি । মমঙদা সরস্বতীনা পাউতাক পীবিখি, অতুদগী কবিনা মহাপ্রভুবু সাক্ষাৎ চংচংবা ঈশ্বরনি হায়রদু খঙজখি ।

মূল ১০৮

প্রাতে আসি প্রভুপদে লইল শরণ ।

প্রভু কৃপা কৈল,, তাঁর খণ্ডিল বন্ধন ॥ ১০৮ ॥

শব্দার্থ

প্রাতে—নোংঙাননগা , আসি—লাকুনা , প্রভুপদে—প্রভুগী খুযাদা ; লইল—লৌখি , শরণ—চঙজবা , প্রভু—মহাপ্রভুনা , কৃপা কৈল—কৃপা তৌখি , তাঁর—মহাক্কী, দিগ্বিজয়ীগী , খণ্ডিল—কক্খি , বন্ধন—মায়া-লাং ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতুংগী নোংঙাল্লকপদা কবিনা লাক্লগা প্রভুগী খুযাখাদা চংজখি । প্রভুনা থৌজানবিখি, মহাক্কী সংসার-লাং অতু তংখি ।

মূল ১০৯

ভাগ্যবন্ত দিগ্বিজয়ী সফল-জীবন ।

বিদ্যাবলে পাইল মহাপ্রভুর চরণ ॥ ১০৯ ॥

শব্দার্থ

ভাগ্যবন্ত—লাইবকফবা , দিগ্বিজয়ী—দিগ্বিজয়ী ব্রাহ্মণ , সফল-জীবন—পুন্সী-মহৈ-য়ানবা (ওইখি) , বিদ্যাবলে—বিদ্যাগী মতেঙনা , পাইল—ফংখি , মহাপ্রভুর চরণ—মহাপ্রভুগী চরণ ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

দিগ্বিজয়ী ব্রাহ্মণ লাইবূককবনী অতুগা পুন্সীমহৈ য়ানবা হায়রহন্নু ওইরে। বিদ্যাগী মতেংনা শ্রীমন মহাপ্রভুগী চরণ ফংজখি।

মূল ১১০

এই সব লীলা বর্ণিয়াছেন বৃন্দাবন দাস।

যে কিছু বিশেষ ইহাঁ করিল প্রকাশ॥ ১১০ ॥

শব্দার্থ

এই সব লীলা - লীলা পুম্বসি, বর্ণিয়াছেন—লীবিবয়ে, বৃন্দাবন দাস—শ্রীল বৃন্দাবন দাসনা, যে কিছু বিশেষ—থোইদোকপা মতেক অমতং, ইহাঁ—মফমসিদা, করিল প্রকাশ—ঐনা উৎচবদনী।

মৈনরোল

থোইদোকপা মতেক অমতং শ্রীল কৃষ্ণদাস কবিরাজনা উৎপনী হায়বগী মরমদি অসিনী; অদুদি—দিগ্বিজয়ীগী গঙ্গাস্তোত্রদগী করম্না লৌখৎলগা প্রভুনা মহুগী দোষ গুণ বিচার তৌরগে অদুগা শিচাবহু করম্না তৌবখং হায়বহু বৃন্দাবনদাস-ঠাকুরনা বর্ণন তৌবমদে; মহু কবিরাজ গোস্বামীনা বর্ণন তৌবনী।

মূল ১১১

চৈতন্যগোসাঞির লীলা অমৃতের ধার।

সর্ব্বেন্দ্রিয়তৃপ্ত হয় শ্রবণে যাহার॥ ১১১ ॥

শব্দার্থ

চৈতন্যগোসাঞির — শ্রীচৈতন্যপ্রভুগী, লীলা—লীলা, থোদো, অমৃতের —অমৃতগী, ধার—ঈচেল, সর্ব্বেন্দ্রিয়—ইন্দ্রি (জ্ঞানগী অমসুং কর্ম্মগী ইন্দ্রি) পুম্নমক, তৃপ্ত হয়—পেল্লী, শ্রবণে—মাকোক্নগা তাবদা, যাহার —মহুগী, লীলাগী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুগী লীলাদি অমৃতগী ইচেল্লী। মহু নাকোংনা তাবদা জ্ঞানগী (পোংশক ৰংনবা) অমসুং কর্ম্মগী (থবক তৌনবগী) ইন্দ্রি পুম্নমক পেল্লিবনী।

মূল ১১২

শ্রীরূপরঘুনাথ পদে যার আশ ।
চৈতন্যচরিতামৃত কহে কৃষ্ণদাস ।। ১১২ ।।

শব্দার্থ

শ্রীরূপরঘুনাথপদে —শ্রীরূপগোস্বামী অমসুং শ্রীরঘুনাথ গোস্বামী অনীগী খুযাদা, যার—মহাক্কী, আশ—আশা, চৈতন্যচরিতামৃত—চৈতন্য-চরিতামৃত, কহে—লীজৈ, ইজৈ কৃষ্ণদাস— শ্রীকৃষ্ণদাস গোস্বামীনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীরূপ গোস্বামীগা শ্রীরঘুনাথ গোস্বামীগা অনীগী খুযাবু ফংবগে হায়না আশা থাজবিবা শ্রীকৃষ্ণদাস গোস্বামীনা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত ইজৈ ।

ইতি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতে আদিখণ্ডে কৈশোর-লীলাসূত্রবর্ণনং নাম ষোড়শপরিচ্ছেদ ।

আদিলীলা

তরাতরেৎশুবা পরিচ্ছেদ

মূল ১

বন্দে স্বৈরাদ্ভুতেহং তং চৈতন্যং যৎপ্রসাদতঃ ।
যবনাঃ সুমনায়ন্তে কৃষ্ণনামপ্রজল্পকাঃ ॥ ১ ॥

শব্দার্থ

বন্দে—খ্রৈনা খুরুমজে, স্বৈর—নীঙতম্বা, অদ্ভুত—অঙকপা মীনা ঙমদবা, অহং—ঐহাক, তম—মহাকপু, চৈতন্যম—শ্রীচৈতন্যবু, যৎপ্রসাদতঃ—মহাক্কা চানবিবদগী, যবনাঃ—যবনশিংনা, সুমনায়ন্তে—চিত্ত-শেংবনী হায়না শীঙথানখিবা ওইখি, কৃষ্ণনামপ্রজল্পকাঃ—কৃষ্ণনাম-শোনবা (ওইখি)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাক্কা চানবিবদগী যবনশিংসু কৃষ্ণনাম শান-শোন্দুনা চিত্তশেংবা ওইখিবা, অতুপ্পা মনীঙতম্বা অমদি অঙকপা থোৌদোক। মাগী ওইবা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেবব খ্রৈনা খুরুমজরি।

নৈনরোল

স্বৈরাদ্ভুতেহং—স্বৈরা (নীঙখাতম্বা), অমসুং অদ্ভুতা (ঙকঙাই ওইবা) ঈহা (হোৎনবা, থবক) মহাক্কী ওইবা, মসী চৈতন্যগী বিশেষণনী। শ্রীচৈতন্যগী লীলাদি নীঙখাতম্বনী—মহাক্কী অনীঙবা মতু ইনবনী, অতোপ্পা কনাগুম্বা অমনা ভোইহনবা নত্তে, মহাক্কী লীলাদি মীরমনেনগী নত্তে—মীবমনেনসীদা কনাগুম্বা মী অমতনা মহাক্কুম্না থবক তৌবা ঙমদে। কাজিবু-দমন (লাকথুবা) তৌবা লীলানচিংবদা মহাক্কী খ্বাযগা মান্নদবা নাওংসী কোও দোকখি, কাজিগী মমঙদা নৃসিংহদেবনা মথবাক শেগায়বা, যাহোরবা মতুংদস্তু শেগায়বগী থুদম নৈবা, কীর্ত্তন-থুগাইবা কাজি-মন্নাইগী মবাদা উল্কা-তাবা অহুগা মথোয়গী মকোয়-মবাং চাক্থেকপা, যবনগী মচীন্দা হরিনাম থোকহনবা অমিনচিংবসী প্রভুগী মনীঙতম্বা অমসুং অঙকপা,

মীবম্নেনগী নত্তবা থৌদোঙাক্নী। যবনাঃ—ম্লেচ্ছশিং। ম্লেচ্ছশিংদি সাধাব। ওইনা ভাগবতধর্ম্মবু যেংশীবনী, মখোযদি কীর্ত্তন মনাকোঙনা তাবা উমদবনী, পুঙ থুগাযতুনা নামকীর্ত্তন তৌবগাবু খিংলম্মী। অতুবু শ্রীমন্মহাপ্রভুগী কৃপানা মখোযস্তু কৃষ্ণনামপ্রজল্পকাঃ—কৃষ্ণনাম শোনখি। মখোয়গী মন অতু যাম্না মোংলম্মী, মবমতুনা মখোয়না মীগী কীর্ত্তন তৌবদা যৈখায-থিঙ্গাযবম্বনী, অতুবু মহাপ্রভুনা কৃপা তৌবদগী কৃষ্ণনাম কীর্ত্তন তৌবগী ফল ওইনা মখোয সুমনাযন্তে—সুমনা—পুকচেল-শেংবা ওইখি, ভক্তলক্লা চনখি।

মূল ২

জয জয শ্রীচৈতন্য জয নিত্যানন্দ।
জযাদ্বৈতচন্দ্র জয গৌরভক্তবৃন্দ ॥ ২ ॥

শব্দার্থ

জয জয শ্রীচৈতন্য শ্রীচৈতন্যনা জয ওইবি, জয নিত্যানন্দ—শ্রীনিত্যানন্দনা জয ওইবি, জয অদ্বৈতচন্দ্র—শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্রনা জয ওইবি, জয গৌরভক্তবৃন্দ—শ্রীগৌরচন্দ্রগী ভক্তশিংনা জয ওইবি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীচৈতন্য প্রভুগী জয, শ্রীনিত্যানন্দগী জয, শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্রগী জয, গৌরভক্তগী জয। নত্রগা শ্রীচৈতন্যবু শ্রীনিত্যানন্দবু, শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্রবু অমস্তুং শ্রীগৌরভক্ত পুম্নবু খুরুমজবি।

মূল ৩

কৈশোরলীলার সূত্র করিল গণন।
যৌবন লীলার সূত্র করি অনুক্রম ॥ ৩ ॥

শব্দার্থ

কৈশোরলীলার—প্রভুনা কিশোর ওইরিঙৈগী মতমদা তৌখিবা লীলাগী, সূত্র—সূত্র (লংলা লংজীন্), করিল গণন—মশীঙ থীজগ্রে, যৌবন লীলার—মপোক কারকপা মতমদা শান্নখিবা লীলাগী, সূত্র—সূত্র, করি—তৌবগে, অনুক্রম—হৌবা, আরম্ভ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা কৈশোরগী মতাংদা শান্নখিবা লীলাগী সূত্র মশীং থীজগৎ। (হৌজিক) যৌবন-লীলাগী সূত্র হৌজবগে।

মূল ৪

বিদ্যাসৌন্দর্য্যসদ্বেশ-সম্ভোগনৃত্যকীর্ত্তনৈঃ।
প্রেমনামপ্রদানৈশ্চ গৌরো দিব্যতি যৌবনে ॥ ৪ ॥

শব্দার্থ

বিদ্যা—বিদ্যা, সৌন্দর্য্য—ফজবা, সৎ-বেশ—ফজবা বেশ, সম্ভোগ—বিষয় চাবা, নৃত্য—জগোই, কীর্ত্তনৈঃ—নাম শোন্দুনা, প্রেম-নাম-প্রদানৈ—কৃষ্ণপ্রেম, কৃষ্ণনাম পীতুনা, গৌর—শ্রীমন গৌরহরিনা, দিব্যতি—শান্নে, যৌবনে—মাথোক-কাবা মতাংদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বিদ্যা, সৌন্দর্য্য, ফজবা বেশনচিংবা বিষয-ভোগ, জগোই, কীর্ত্তন, প্রেম নাম পীতুনা শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা যৌবনগী মতাংদা শান্নখি।

মূল ৫

যৌবনপ্রবেশে অঙ্গে অঙ্গ বিভূষণ।
দিব্যবস্ত্র দিব্য-বেশ মাল্য চন্দন ॥ ৫ ॥

শব্দার্থ

যৌবন প্রবেশে—যৌবন চঙলবদা, অঙ্গে—হকচাঙনা, অঙ্গ বিভূষণ—অঙ্গনা লৈতেংনী (হায়বদি প্রভুগী হকচাঙ-কায়াৎশিংতু কয়ামুক ফজবগে হায়ববু মাগী অঙ্গনা, অঙ্গগী লৈতেং ওইরে), দিব্যবস্ত্র—য়াম্না ফজবা ফিজোল, দিব্যবেশ—পুন্নী-তুনঙাই ফিজেৎ-লাকশেৎ, মাল্য-চন্দন—লৈপরেং অমসুং চন্দন।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

যৌবন চঙলবদা প্রভুগী হকচাং কয়ামুক ফজরম্বগে হায়ববু মাগী অঙ্গ মছামক্না অঙ্গগী লৈতেং ওইনা থোকখি। য়াম্না ফজরবা ফিজোল্লী, অতুগী মথক্তা পুন্নীঙ তুনঙাই ওইবা ফি-মথোল্লী, অদুগা মালা অমসুং চন্দন থোল্লম্মী।

মূল ৬

বিদ্যৌদ্ধত্যে কাহাকেও না করে গণন।

সকল পণ্ডিত জিনি করে অধ্যাপন ॥ ৬ ॥

শব্দার্থ

বিদ্যা-ঔদ্ধত্যে—বিদ্যা লৈবগী মথোই কাবা, কাহাকেও—কনাবসু, না করে—তৌদে, গণন—শীঙথাবা, সকল পণ্ডিত—পণ্ডিত পুম্বু, জিনি—জয় তৌহুনা, করে—তৌই, অধ্যাপন—লাইরীক তম্বীবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বিদ্যা তৈবগী মথোই-কাখিবনা প্রভুনা কনাসু শী থাবদে। পণ্ডিত পুম্নমক্পু মাযথীবা পীবগা ওজা ওইহুনা লাইরীক তম্বিবম্মী।

তৈন্নবোল

বিদ্যাগী নাপন্না মীৎইবনা কযামুক উদ্ধত (লমকেং লমহাইবা, মথোইকাবা) ওইবগে হায়বদু মযাম্না খঙজহৌশন্নু হায়বদু তাকপীগে হায়বগীদমক প্রভুনা মথোই কাবম্মী। প্রভুনা শাস্ত্র ব্যাখ্যা তৌহুনা পাণ্ডোবানশিংদা কযা যজনা তাকপীবম্বগে হায়ববু প্রভুগুম্না কনানম্বা ওজা অতৈমনা তাকপীবা ঙম্মদে। অদুননী সকল পণ্ডিত জিনি হায়কবগী মবমদি।

মূল ৭

বায়ুব্যাধি ছলে হৈল প্রেম পরকাশ।

ভক্তগণ লৈঞা কৈল বিবিধ বিলাস ॥ ৭ ॥

শব্দার্থ

বায়ুব্যাধি—নুংশীৎ ত্রেনবদগী ওইবা বোগ, বায়ুব্যাধি-ছলে—বায়ুব্যাধি লৈরে হায়জনহনা, হৈল—ওইখি, প্রেম-পরকাশ—কৃষ্ণ প্রেম লৈবগী মপাম্বোংদা উৎপা খুদম, ভক্তগণ—ভক্তশিংগা, লৈঞা—লোয়ননা, কৈল তৌখি, বিবিধ—মথল মথাগী, বিলাস—শান্নবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বায়ুরোগ লৌর হায়শনহনা কৃষ্ণপ্রেম পোকপগী মপাম্বোংগী মওং (বিকাশ) উথখি। ভক্তশিংগা লোয়ননা লীলা নখম মথল শান্নখি।

নৈনরোল

ভক্তগী চিত্তদা কৃষ্ণপ্রেম পোক্লকপদা মীনা কবি হায়নী হায়বা খাদ। প্রেমতুনা লাকৃপা মতমদা কবিগুল্বদা খোম হৌনা নোকয়ি, অমূকস্মু মকপথোকয়ি, কবিগুম্বদা কোযলাউ লাউয়ি কবিগুম্বা মতমদা জাগোই শাই। মী লৈ-লৈন্ত যেংদবমখৈ অঙাংবেদৌনা আচবা তৌয়ি। যৌবন কালদা গৃহস্থ ওইববা মতুংদা প্রভুগী অসিংগুম্বা যাম্ভমসি নোংমা তৌয়ি। ভক্তশিংগা লোয়ননা ফাগি কযা তৌদুনা শান্নখি। অদুগা মখোযগী মপোৎ লৌবিবগা মখোযবু চানবিখি। নুগব কোযব মতমদা নোংমা ফিশাবা অমগী যুমদা চঙলগা হাযবই—ফি অযবা অমা পুথোরকউ। ফিশাবনা ফি পুখোক্লরগা মমল তুপববা মতংদা প্রভুনা হাযরকখি—হৌজিক শেল লৈতে। ফিশাবনা হাযবম্মী—যিসি পুবিতুনা পূরী শেল্লা থোনদির। শেল কোম্মা পীবা যাগনী। অদুগী মতুংদা গোযালাগী যুমদা চঙলগা প্রভুনা হাযবম্মী—শঙ্খম অযম্বা অনৌবা পুথোবকউ। ঙসিদি নঙোন্দগী মহাদান লোগনী।

মতৌ অস্মনা গন্ধবণিক কী যুমদা চঙলগা গন্ধদ্রব্য (মনম নুংশিবা ন্যোম) মালাকারগী যুমদা চংলগা যজবা মালা (লৈপাক), তাম্বুলীগী যমদা তাম্বুল-গুযা (পানা-কোয়া), শঙ্খবণিক কী যুমদা চঙলগা শঙ্খ লৌয়ি। অদুদগী শ্রীধরগী যমদা চঙলগা প্রেমগী খৎনবা হৌখি। প্রভুনা হাযবম্মী—শ্রীধর নঙ মতম পূম্বদা হরি হরি শোম্লী, লক্ষ্মীকান্তগী সেবা তৌয়ি, অদুম ওইনমক নহাক তস্তক যাম্না অথা-অনং ফংলিবা কবিগীনো? শ্রীধরনা খুমকযি—চাবাদি হেন্দেদনা, তেল্লবস্তু শাংলবস্তু কি মশেংলি। প্রভুনা হাযবম্মী—শেংলিবা ফিতুবু মমম তবাক শেগাযবনী, কিশি কিখিনে। নযুমস্তু ই লৈত্রে। অতুগা যেঙনা, চণ্ডী বিষহরি পূজা তৌবা কাঙবুদি কযান্ত ঙাইনা চা-শেৎতুনা প ল্লিদো। অস্মন্না খৎনবমখৈ খৎনবা শ্রীধরনা হাযবম্মী—যুম হল্লো পণ্ডিত, নঙগা ঐগা খৎনবা চুমদে। প্রভুনা হাযুবকযি—ঐঙোন্দা কবি পীদৌবি হাযযু। নত্রবদি ঐদি চংলোই। নঙগী ফুমতুনা লোংলিবা লন্দূদি লৈখিসন্থ হৌজিক, মন্থ তুংদা ফংগনী। হৌজিক লফূ-পূঙগ্রী লফু-মক পীযু শেলদি পীবোই। হাযবিবসি পীরবাইদি নঙগা খৎনবসি তেংক্লনী। বাখল তৌবগা শ্রীধরনা হাযবম্মী—তাউ গোসাঞি, শেলমী বা কবিস্থু লৈতে, ঐগা খৎনবিবদনবা লযু-পুঙগ্রী লফূ-মকা পীগে। খৎনরবা মতুঙদা ইঙ্গিত তৌদুনা প্রভুনা অঙ্গগী-তত্ত্ব শ্রীধরদা উৎপীরম্মী।

মতৌ অস্মুনা ভক্তশিংগা লোয়ননা বিলাস কযা তৌখি।

মূল ৮

ভবেত করিলা প্রভু গয়াতে গমন।
ঈশ্বরপুরীর সঙ্গে তথাই মিলন ॥ ৮ ॥

শব্দার্থ

তবেত—অতুদগীদি, করিল—তৌখি, প্রভু প্রভুনা, গয়াতে—গযাদা, গমন—লেঙবা, ঈশ্বরপুরীব সঙ্গে—ঈশ্বরপুরীগা লোযননা, তথাই—মযমতুদা (গযাদা), মিলন—উনবা (এইখি)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগীদি প্রভু গযাদা লেঙৌ। মফমতুদা ঈশ্বরপুরীগা লোযননা উনখি।

মূল ৯

দীক্ষা-অনন্তবে কৈল প্রেম পবকাশ।
দেশে আগমন পুন প্রেমেব মিলন ॥ ৯ ॥

শব্দার্থ

দীক্ষা-অনন্তবে—দীক্ষা লৌববা মতুঙদা, কৈল—তৌখি, প্রেম পবকাশ—কৃষ্ণপ্রেম পোক্তুনা ওইবা মপাঙ্গোংগী বিকাব, দেশে—মবৈবাক্তা, আগমন—হল্লকপা, পুন—অমূক প্রেমের মিলন—প্রেম তৌমিন্নতুনা তিন্নবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(গয়াদা) দীক্ষা লৌরবা তুংদা প্রেমবিকাব উৎখি। (গয়াদগী) দেশদা হল্লকে। অতুদা অমূক প্রেম তৌমিন্নতুনা (মযামগা) তিন্নখি।

মূল ১০

শচীকে প্রেমদান তবে অদ্বৈতমিলন।
অদ্বৈত পাইল বিশ্বরূপ দরশন ॥ ১০ ॥

শব্দার্থ

শচীকে প্রেমদান—শচীদেবীদা কৃষ্ণপ্রেম পীবা; তবে—অতুদগী,

অদ্বৈতমিলন—শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যগা উনবা, অদ্বৈত—শ্রীঅদ্বৈতনা, পাইল—ফংখি, বিশ্বরূপ মহাপ্রভুগী বিশ্বরূপ হায়বা শক্তম, দবশন—উবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মমাবেন্মা শচীদা কৃষ্ণপ্রেম পীখি অদুদগী শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যগা উনৈ। শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যনা মহাপ্রভুগী বিশ্বরূপ মূর্ত্তি দর্শন তৌজখি।

মূল ১১

প্রভুব অভিষেক তবে কবিলা শ্রীবাস।
খাটে বসি প্রভু কৈলা ঐশ্বর্য্য প্রকাশ ॥ ১১ ॥

শব্দার্থ

প্রভুব অভিষেক—প্রভুগী অভিষেক, তবে—অদুদগী, কবিলা—তৌখি, শ্রীবাস—শ্রীবাসনা, খাটে—কাংথোন্দা, বসি—ফমদুনা, প্রভু প্রভুনা বৈলা—তৌখি, ঐশ্বর্য্যপ্রকাশ—ঐশ্বর্য্য উৎপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী শ্রীবাসনা প্রভুগী (বাজবাজেশ্ববদা তৌফম থোকপা) অভিষেক তৌখি। (মতমদুদা) প্রভুনা (শ্রীবিষ্ণুগী) খাট্টা ফম্লগা ঐশ্বর্য্য (ঈশ্বর ঐবগী ভাব) উৎখি।

মূল ১২

তবে নিত্যানন্দ স্বরূপের আগমন।
প্রভুকে মিলিযা পাইল ষড়ভুজ দর্শন ॥ ১২ ॥

শব্দার্থ

তব অদুদগী, নিত্যানন্দ স্বরূপেব—শ্রীমন্নিত্যানন্দ প্রভুগী, আগমন—লেঙলকপা, প্রভুকে মিলিযা—প্রভু থেংনবগা, পাইল—ফংখি, ষড়ভুজ—খুংতরুক-লোঙবা মূর্ত্তি, দর্শন—উবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী শ্রীমন্নিত্যানন্দ প্রভু লেঙলকখি। মহাপ্রভুগা থেংনবগা শ্রীমন্নিত্যানন্দনা মহাপ্রভুগী ষড়ভুজমূর্ত্তি দর্শন তৌখি।

মূল ১৩

প্রথমে ষড়ভুজ তাঁরে দেখাইল ঈশ্বর।
শঙ্খ-চক্র-গদা-পদ্ম-শার্ঙ্গ-বেণুধর ॥ ১৩ ॥

শব্দার্থ

প্রথমে—অহানবদা ষড়ভুজ—খুং তরুক লোংবা মূর্তি, তাঁরে—মডোন্দা (শ্রীমন নিত্যানন্দদা), দেখাইল—উহনখি, ঈশ্বর—শ্রীগৌরাঙ্গ ঈশ্বরনা, শঙ্খ—মোইবুং, চক্র—কাংখাও, গদা—চৈতুপ, পদ্ম—থম্বাল, শার্ঙ্গ— লীক্‌ তেন, বেণু—বাঁশী, ধর—পাযবা মূর্তি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহানবদা (শ্রীগৌরাঙ্গ) ঈশ্বরনা শ্রীনিত্যানন্দদা শঙ্খ-চক্র-গদা-পদ্ম শার্ঙ্গ-বেণুধর ওইবা পাম্বোম-তরুক্কী মূর্তিদু উৎখি।

মূল ১৪

তবে চতুর্ভুজ হৈলা তিন অঙ্গ বক্র।
দুই হস্তে বেণু বাজায় দুইয়ে শঙ্খ-চক্র ॥ ১৪ ॥

শব্দার্থ

তবে অদুদগী, চতুর্ভুজ—পাম্বোম-মরি-লোওবা মূর্তি, হৈলা—ওইখি, তিন অঙ্গ অঙ্গ অহুম, বক্র—খোযবা, দুই হস্তে—খুং অনীনা, বেণু বাজায় বেণু খোংউী, দুইয়ে - অনীমদা, শঙ্খ-চক্র—শঙ্খগা চক্রগা পায।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী শাথেক অহুম থেকুনা চতুর্ভুজ মূর্তি ওইখি। (মতমদুদা) খুং অনীনা বেণু খোংউী অদুগা খুং অনীমনা শঙ্খগা চক্রগা পায়।

মূল ১৫

তবে ত দ্বিভুজ কেবল বংশীবদন।
শ্যাম-অঙ্গ পীত-বস্ত্র ব্রজেন্দ্রনন্দন ॥ ১৫ ॥

শব্দার্থ

তবে ত—অতুদগী, দ্বিভুজ—পাম্বাম-অনী-লোঙবা মূর্ত্তি, কেবল মুত্তুমক্তা, বংশীবদন—চীনুবান্দা বাঁশী খোংবা, শ্যাম-অঙ্গ—শংবানবা মুচুগী হকচাঙনা মাগী ওইবা, পীতবস্ত্র—সনাফীগে থোনবা, ব্রাজেন্দ্র-নন্দন ব্রজনিংথৌ-মপাবি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগী পাম্বাম অনী-লোংবা, বাঁশী-খোংবা, শংবানবা-কুচুগী ওইবা, সনাফীগে-থোনবা ব্রজনিংথৌ-মপাবিগী মূর্ত্তিচুদা উৎখি।

নৈনরোল

ইকায় বোনবা ব্রজেন্দ্র-নন্দনগী শক্ উৎপনা তাকপদি ব্রজেন্দ্র-নন্দনগী ওইবা ভাব-তমক শ্রীমন্মহাপ্রভূদা মকওইনা উৎকনী হায়বসি ওইবা যাই।

মল ১৬

তবে নিত্যানন্দ গোসাঞির ব্যাসপূজন।
নিত্যানন্দাবেশে কৈল মুষল ধারণ॥ ১৬॥

শব্দার্থ

তবে—অতুদগী, নিত্যানন্দ-গোসাঞির—শ্রীনিত্যানন্দ-প্রভূগী ব্যাস—ব্যাসদেব পূজা, নিত্যানন্দ-আবেশে—নিত্যানন্দগী আবেশদা, কৈল—তৌখি, মুষল ধারণ—মুষল পাযবা। (মুষল—খদিব-কৌবা উনা শাবা উতুপ।)

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগী শ্রীপাদনিত্যানন্দনা ব্যাস-পূজা তৌখি। নিত্যানন্দগী আবেশদা হায়বদি শ্রীবলরামগী আবেশদা মুষল পাযখি।

নৈনরোল

আষাঢ় মাসকী পূর্ণিমাদা সন্ন্যাসীশিংনা ব্যাস পূজা তৌনৈ, শ্রীপাদ নিত্যানন্দনা শ্রীবাসগী শঙ্গায়দা ব্যাস-পূজা তৌবম্মী।

নিত্যানন্দাবেশ—ব্রজগী শ্রীবলরামত্নমক নবদ্বীপতা শ্রীনিত্যানন্দ ওইনা অবতার তৌবনী। মফমসিদা নিত্যানন্দাবেশ হায়রগা নিত্যানন্দগা থেন্নদবা বলরামগী আবেশবু থঙহল্লে। বলবামগী খুৎলাইদি মুষল-নী, বলরামগী ভাব-তা আবেশ ওইবা (চঙবা) মবন্না নিতানন্দ প্রভুগী খুত্তা মুষল পাযবম্বনী।

মূল ১৭

তব শচী দেখিল রাম-কৃষ্ণ দুই ভাই।
তবে নিস্তারিল প্রভু জগাই-মাধাই ॥ ১৭ ॥

শব্দার্থ

তবে—অতুদগী, শচী—শ্রীশচীদেবীনা, দেখিল—উখি, রাম-কৃষ্ণ—বলরামগা কৃষ্ণগা, দুইভাই—মচিন্নানাও অনী, তবে—অতুদগী, নিস্তারিল—লানবিবম্মী, প্রভু - মহাপ্রভুনা, জগাই-মধাই—জগাই-মাধাইবু।

মৈতৈলোন্দা চন্দোকপা

অতুদগী শ্রীশচীদেবীনা বলবামগা কৃষ্ণগা মচিন্নাও অনীবু উখি। অতুদগী প্রভুনা জগাই-মাধাইবু লানবিখি।

তৈনবরোল

নোংমা অহিংদা শচীমাতানা মঙ অমা মঙখি, মতুদা উখিবদি অসিনী—মখোয়গী শ্রীমন্দিরগী কৃষ্ণগা বলরামগা অমসুং নিমাইগা নিত্যানন্দগা মখোয় মরিনা নৈবেদ্য মুন্নরম্মী। নোংঙাল্লগা শচীমাতানা প্রভুদা মঙগী বাতু লীখি। মুমীৎ অতুমক্তুদা নিত্যানন্দবু লুক হাবনবগীদমক বার্তোন তৌ হায়না প্রভুনা মমাবেম্মদা হাযখি। মধ্যানদা মহাপ্রভুগা নিত্যানন্দ প্রভুগা করতুনা লুক খুল্লিঙৈদা কৃষ্ণগা বলবামগা ভোজন তৌবা ওইনা শচীনা উখি।

মুল ১৮

তবে সপ্তপ্রহর প্রভু ছিলা ভাবাবেশে।
যথা তথা ভক্তগণ দেখিল বিশেষে ॥ ১৮ ॥

শব্দার্থ

তবে—অতুদগী, সপ্তপ্রহর—প্রহর তরেৎ, প্রভু ছিলা—প্রভুনা লৈরম্মী,

ভাবাবেশে—ভাব-তা চঙহনা , যথা-তথা—অমদা অমদা , ভক্তগণ—ভক্ত শিংনা , দেখিল—উখি , বিশেষে—থোইদোকপা ওইনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগী প্রহর তরেং চুপ্পা প্রভুগী ভাবাবেশ ওইখি । মতুদা ভক্তশিংনা থোইদোকপা অমা ঙৈনা উখি ।

মূল ১৯

বরাহ-আবেশ হৈলা মুরারি ভবনে ।

তার স্কন্ধে চড়ি প্রভু নাচিলা অঙ্গনে ॥ ১৯ ॥

শব্দার্থ

ববাহ-আবেশ—ববাহগী ভাব-তা চঙবা , হৈলা—ওইখি , মুবাবি-ভবনে—মুবাবিগী যুমদা , তাব—মহাক্কী , স্কন্ধে—লেংবান্দা , চড়ি—তোংহনা , প্রভু—মহাপ্রভুনা , নাচিলা—জগোই শাখি , অঙ্গনে—মাঙ্গোন্দা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(নোংমা) মুবাবিগী যুমদা প্রভুনা ববাহগী (ওক্কী) ভাব-তা চঙখি । মতুদা মুবাবিগী লেংবান্দা তোংলগা মাগী মাঙ্গোন্দা জগোই শাখি ,

মূল ২০

তবে শুক্লাম্বরের কৈল তণ্ডুল ভক্ষণ ।

হরের্নাম—শ্লোকের কৈল অর্থ বিবরণ ॥ ২০ ॥

শব্দার্থ

তাব—অতুদগী , শুক্লাম্ববেব—শুক্লাম্বর ব্রহ্মচাবীগী , কৈল—তৌখি , তণ্ডুল—চেঙ , ভক্ষণ—চাবা , হবের্নাম-শ্লোকের—হরের্নাম-শ্লোক্কী , কৈল—তৌখি , অর্থ-বিববণ—মবোল হন্দোকপা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগী প্রভুনা শুক্লাম্বব ব্রহ্মচাবীগী চেঙ হাখি । হবের্নাম-শ্লোক্কী মবোল হন্থি ।

তাৎপর্য

শুক্লাম্বব ব্রহ্মচাবী নবদ্বীপ-তা লৈবম্নী । প্রভুগী ভক্ত অমনী ,

লৈতবগী লংবদি খল্লথেংলম্মী, ভিক্ষা নিরগা শ্রীকৃষ্ণগী ভোগ কংলগা প্রসাদ ফংবা মীতানী। নোংমা প্রভুনা জগন্নাই শাবিডেদা-তক্ষত্রনা ভিক্ষাগী খাওতু মরেংবান্দা যাল্লগা জগন্নাই শাবম্মী, মতমচুদা ভক্তনীডবা শ্রীমন মহাপ্রভুনা মাগী ভিক্ষা-খাংদেগী চেঙ লৌবগা হাখি।

মুল ২১

হরেনাম হরের্নাম হরেনামৈব কেবলম।
কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব গতিরন্যথা ॥ ২১ ॥

আদি লীলাগী সপ্তম পরিচ্ছেদদা যাওবা তৃতীয় শ্লোক অদু যেংলগা অন্বয়নচিংবা খঙবিগনী।

মুল ২২

কলিকালে নামরূপে কৃষ্ণ অবতার।
নাম হৈতে হয় সর্ব্ব জগৎ-নিস্তার ॥ ২২ ॥

শব্দার্থ

কলিকালে—কলিকালদা, নাম রূপে- মিংঅইনা কৃষ্ণ অবতার—কৃষ্ণগী অবতারনী, নাম হৈতে—কৃষ্ণ নাম দগী, হয় ওই, সর্ব্বজগত নিস্তার—জগৎপুম্বা লানবা।

মৈতৈলোলন্দা হন্দোকপা

কলিযুগ অসিদা কৃষ্ণনা নাম (মিং) ওইনা অবতার ওৌযি। কৃষ্ণ-নামদগী জগৎ পুম্বা লানৈ।

মৈনবোল

শ্রীমদ্ভাগবতনা হায—"সত্যযুগ-তা বিষ্ণুবু ধ্যান তৌবগা, ত্রেতা-যুগ-তা যজ্ঞনা, দ্বাপরদা পরিচর্য্যানা (সেবানা) ফংবা ফল অদু কলিদদি নামসঙ্কীর্ত্তন তৌবতনা ফংবা ওম্মী। কৃতে যদ্ধ্যায়তো বিষ্ণুং ত্রেতায়াং যজতো মখৈঃ। দ্বাপরে পরিচর্য্যায়াং কলৌ তদ্ধরিকীর্ত্তনাৎ ॥ শ্রীভাগবত/১২/৩/৫২ ॥"

হরিনাম শোন্নবতনা জগৎ পুম্বা অরান-খুবম ফংঙী হায়বদি অরাবগী মহম সংসারসিদা অমুক হন্না পোক্করে।

মূল ২৩

দার্ঢ্য লাগি হরিনাম উক্তি তিনবার।
জড়লোক বুঝাইতে—পুনরেবকার ॥ ২৩ ॥

শব্দার্থ

দার্ঢ্য লাগি চেংশন্নবগীদমক, হরিনাম—হরিগী নাম, উক্তি—পল্লিবা, তিনবার—অহুমলক, জড়লোক—খঙদবা মীবু, বুঝাইতে—খঙহন্নবগীদমক, পুনঃ—অমক, এবকার—এব (লেপ্পমক) শব্দ শীজন্নবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হরিনাম (হরিগী মিং) অসি অহুমলক পল্লিবদি চেংশন্নবগীদমক্নী। খঙদবা মীবু খঙহন্নবগীদমক এব (লৈপমক) শব্দ শীজন্নবিবনী।

মূল ২৪

কেবল-শব্দ পুনরপি নিশ্চয় কারণ।
জ্ঞান-যোগ তপ-কর্ম্ম-আদি নিবারণ ॥ ২৪ ॥

শব্দার্থ

কেবল-শব্দ—কেবল (সিতনী) হায়রবা শব্দ, পুনরপি—অমুকন্সু, নিশ্চয—আবেপ্পা ওইবগী, কারণ—মরম, জ্ঞান যোগ-তপ-কর্ম্ম-আদি—জ্ঞানমার্গ, যোগমার্গ তপ, কর্ম্মমার্গ-নচিংবা, নিবারণ—থিংবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(শ্লোক মনুংদা যাওবা) কেবল (সিতনী) হায়বা শব্দসি শীজন্নবগী মরমদি অমুক হন্না অবেপ্পনী হায়রবা খঙহন্নবগীদমনী। মসিনা জ্ঞান, যোগ, তপ, কর্ম্মনচিংববু থিংলিবনী।

তৈনরোল

কলিদা শ্রীহরিনামতনা অমতা ঙায়রবা গতিনী হায়রবা বাফমসি অবেপ্পনী হায়বা এব শব্দনা খঙহল্লবসু অবেপ্পনী হায়রবহু হেঙ্গৎনবা হায়হুনা কেবল (সিতনী) শব্দসি শীজন্নবিবনী। কেবল শব্দনা তাক্লি মত্তদি—হরিনাম

হায়বা অসিতনা কলিগী সাধন-নী, জ্ঞান, যোগ, তপস্যা অমদি কর্ম্ম-নচিংবসি কলিযুগগী সাধন নত্তে।

মূল ২৫

অন্যথা যে মানে তার নাহিক নিস্তার।
'নাহি-নাহি নাহি' এ তিন একার॥ ২৫॥

শব্দার্থ

অন্যথা—অতোপ্পা মওং, যে—মহাক, মানে—লৌয়ি, তার—মহাক্কী, নাহিক—লৈতে, নিস্তার—অবান্-খুদম, নাহি নাহি নাহি—লৈতে লৈতে লৈতে এ-মসি, তিন—অহুম, একার—একার।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অাতোপ্পা মওং চৎলিবা মী অদুগী অবান-খুদম লৈত্রে। মরমদুনা 'লৈতে লৈতে লৈতে' হায়বসি এর (লেপ্পমক) হায়বা শব্দসিসু অহুম্মক হল্লিবনী।

মৈমরোল

হরিনামদুনা কলিগী অমতা ভাযবা (একমাত্র) সাধন-নী, জ্ঞান-যোগ-তপ-কর্ম্মনচিংবসি কলিগীদমক্তি কান্নদে—রাফমসি যাদবা মীতা-শিংদি সংসার-সমুদ্রসি লান্থোকপা ঙম্লোই। হরিনাম-গী আশ্রয় লৌদ্রবদি (উপলক্ষণ-দা হায়বগা ভক্তিমার্গগী আনুকূল্য লৌদ্রগদি) সংসার-লাংদগী নান্থোকপা ঙম্মোই, মরমদি ভক্তিশাস্ত্রগী মতু, ইন্না ভক্তিমার্গগী মতেঙ নত্তনা জ্ঞানযোগনচিংবা সাধনশিংনা মরন্নাইগী ফল ফাংবা পীবা ঙমদে।

হরিনাম নত্তনা কলিযুগদদি জ্ঞানযোগ কর্ম্মনচিংবা অতোপ্পা সাধন-শিংসে লৈতে হায়রবসি থাজদবা মীশিংদি সংসারদগী মুক্তি ফংলোই হায়রবসে শোয়দনমক চেৎলবা মওংদা ফোংদোক্কে হায়রবগীদমক নাস্ত্যের (লৈতবমক্কী) হায়বা শব্দসি অহুম্মক হন্না হায়রিবনী।

মূল ২৬

তৃণ হৈতে নীচ হৈয়া সদা লবে নাম।
আপনি নিরভিমানী, অন্যে দিবে মান॥ ২৬॥

শব্দার্থ

তৃণ—নাপী, তৃণ-হৈতে—নাপীদগী হেন্না, নীচ—তোম্বা হৈযা—ওইহ২ুনা, সদা—মতম পুম্বদা, লবে—লৌও; নাম—হরিনাম, আপনি—নশানা, নিরভিমানী—নাপল য়াওদবা (ওইয়ু), অন্যে—অতোপ্পদা, দিবে—পীযু, মান ইকাইখম্নবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নাপীদগীসু হেন্না তোম্বনা হরিনাম মতম পুম্বদা শোনগদবনী। নশাদি নাপল-যাওদবা ওইহ২ুনা অতে প্পদা মান পীগদবনী।

তৈনরোল

নাপী মহৌশানা তোম্মা লৈ, লৈখাদা তাহ্নুনা লৈ, কনানতবু আক্রমণ তৌদে। অদুবু কনাগুম্বনা নাপীগী প্রান্ত অমদা খোঙনা নেৎলগা মনাগী প্রান্ত অমনা মবায় হাইগৎলকপা উই, অসুম্না মরায় হাইগৎলবদি মাগী তোম্বা (নীচতা) হায়বহু লৈত্রে। হরিনাম রীতিচুম্না শোনগে হায়বা মীদি নাপীগী মতৌসি চৎপা যাদ্রে। কনাগুম্বনা মাঙোন্দা খোঙনা কাউবনা, কনাগুম্বনা রাহৈ অকনবা হায়ববা, নত্রগা কনাগুম্বনা মাঙোন্দা আক্রমণ তৌববসু মহাক লোইনমকসি খাঙহ্নুনা তুমিন্না লৈবা তাই, নাপীগুম্না মরায কাঙখৎপা তৌবাইদৌবনী, বা খুম্বা যাদে, মীনা তৌবকপা ব্যবহারগী লমন খুম্লোইদোবনী, লমন খুম্বদি লাযবহ্নুনা খুমগে হায়বফাওবা খনফদে। মহাক কবিগুম্বা মৎদা পুক্নী লাঙফদে। মতৌ অসুম্না চৎলবদদা নাপী-দগীসু হেন্না তোম্বা যাই, মসুম্না তোম্বা ওমদ্রবদি নাম শোনবগী মপুঙ-ফাবা ফল ফংবা যাবোই।

নাম শোনগে হায়ববদি **নিরভিমানী** ওইগদবনী, হায়বদি অভিমান (নাপল) তৌফদে, অদুগা কবিগুম্বা মতমদসু অতোপ্পদগী সম্মান ফংগে হায়না আশা তৌফদে, কবি হাযনী, মযামগী মিত্তা য়াম্না তোল্লবনী হায়বা মীতাহ্নুদগী ফাওবা সম্মান ফংগে নীংলাইদোবনী। অহ্নুনা মহাক্তি মী অতৈবু কবি হাযনী খ্বাইনা মাবু তোল্লবা তূকচনাই ওইরবনি হায়না খল্লিবা অদুবুসু সম্মান তৌগদোবনী। জীব খুদিংদা কৃষ্ণ লৈবনী হায়বসি খঙহ্নুনা জীব খুদিংবু সম্মান তৌগদবনী।

মূল ২৭-২৯

তরুসম সহিষ্ণুতা বৈষ্ণব করিবে।
ভৎর্সন-তাড়নে কারে কিছু না বলিবে ॥ ২৭ ॥
কাটিলেহ তরু যেন কিছু না বোলয়।
শুকাইয়া মৈলে তবু জল না মাগয় ॥ ২৮ ॥
এইমত বৈষ্ণব কারে কিছু না মাগিব।
অযাচিতবৃত্তি কিম্বা শাক-ফল খাইব ॥ ২৯ ॥

শব্দার্থ

তরু—উগা, সম—মান্নবা, সহিষ্ণুতা—অখাঙ কনবা, বৈষ্ণব—বৈষ্ণবনা, করিবে—তৌগদবনী, ভৎর্সন—চৈবা, তাড়নে যৈবা, ফুবা, (ভৎর্সন-তাড়নে—যৈ-চৈবকপদা), কারে—কনাদা কিছু—করিমতা না বলিবে—হায়বোইদৌবনী, কাটিলেহ—(থাঙনা, শীংডঙনা) যাল্লগসু, তরু—উ, যেন—শুম্না, কিছু—করিমতা, না বোলয—হায়দে, শুকাইয়া—কংহুনা, মৈলে—শিদোবগা, তবু—অদুবু, জল—ঈশীঙ, না মাগয—নিদে, এইমত—মতৌ অসুম্না, বৈষ্ণব—বৈষ্ণবনা, কারে—কনাদা, কিছু—করিমতা, না মাগিব—নিবোই, অযাচিতবৃত্তি—মীওোন্দগী নিকদবা, কনাগুম্বনা পীবগনী হায়বগী আশা ফাওবা থমদবা, মশা মথন্তা লাকচবগা ফংবদু চাবা, কিম্বা—নত্ত্রগা, শাক-ফল—মনামশিং-উহৈ, খাইব—চাগদবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বৈষ্ণবতি উগা মান্নবা অখাঙ কনগদবনী। মীনা যু-চৈবকপদা মীহুদা করিমতা ঙাওলোইদৌবনী। উনা মাবু কনাগুম্বনা (শীঙজুংনা থাহুনা) যাল্লরবসু করিমতা ঙাঙদে। কংহুনা শিগদৌরবা ফাওবদা ঈশীঙ নিদে। মতৌ অসুম্না বৈষ্ণবসু কনামতদগী করিমতা নিবোইদবনী। মীওোন্দগী নিরুদবা অহুগা অতোপ্পা কনাদগী ফংগনী হায়বগী বাখলসু লৈতবা অফংবা চারগা অমদি মনামশিং অমদি ফলমূল যংবনা লেনগদবনী।

মূল ৩০

সদা নাম লইব যথা-লাভেতে সন্তোষ।
এইত আচার কারে ভক্তি-ধর্ম্ম-পোষ ॥ ৩০ ॥

শব্দার্থ

সদা—মতমপুম্বদা, নাম—হরিনাম, লইব—লৌগদবনী, যথা—লাভতে—কৈনো মওং অমদা ফংবহুদা সন্তোষ—পেনবা (গুইগদবনী), এইত - অসি, আচার—আচার, কর—তৌযি, ভক্তি-ধর্ম্ম—ভক্তি-ধর্ম্মব, পোষ—যোক্‌পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতম্ পুম্বদা হরিনাম শোনগদবনী, (চান-শেংনবগীদমক্তি) অযং-অযংবহুনা পেনগদবনি। অসিগুম্বা শাজংতনা ভক্তি ধর্ম্ম যোক্কদৌবিবনী।

মূল ৩১

তৃণাদপি সুনীচেন তরোরিব সহিষ্ণুনা।

অমানিনা মানদেন কীর্ত্তনীয় সদা হরি ॥ ৩১ ॥

শব্দার্থ

তৃণাৎ-অপি—নাপীদগীসু, সুনীচেন—ফজনা তোম্থনা, তরো-ইব—উগুম্না সহিষ্ণুনা—অখাঙ কন্দনা অমানিনা—মানী হৈদহুনা মানদেন—মীওোন্দা মান পীবদি হৈহুনা, কীর্ত্তনীয়—শোনগদবনী, সদা—মতম পুম্বদা হরিং—শ্রীহরি হায়বদি শ্রীহরিগী নাম।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নাপীদগাসু হেন্না ফজনা তোম্থনা, উ-পাম্বীগুম্না, অখাঙ কন্দুনা, মানী হৈবা তোতনা অহুগা মান-তৌগনবা হৈহুনা মতম পুম্বদা হরিবু কীর্ত্তন তৌগদবনী।

মূল ৩২

উর্দ্ধবাহু করি কহি শুন সর্ব্বলোক।

নামসূত্রে গাঁথি পর কণ্ঠে এই শ্লোক ॥ ৩২ ॥

শব্দার্থ

উর্দ্ধবাহু করি—পাম্বোম বাংনা থাঙ্গৎহুনা, কহি—হায়জরি, শুন—নাকোঙনা তারিয়ু, সর্ব্বলোক—মী পুম্নমক, নামসূত্রে—হরিনামগীলংদা, গাঁথি লেংহুনা, পর—শিউ, কণ্ঠে—উক্তা, এই শ্লোক—শ্লোক অসি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পাম্বম বাংনা থাঙ্গৎতুনা ঐনা হায়জবি, তাবিয়ু মী পুম্নমক—হরিনাম-না লং ওইবগা 'তৃণাদপি' হায়বা শ্লোকসি (মালা লেংবগুম) লেংলগা ঙক্না খোন্নবিয়ু।

ৱৈনরোল

তৃণাদপি—হায়বা শ্লোকসিদা তাক্লিবা পুকচেল অসি নামশোনবা মতমদা কাউবিগনু হায়না গ্রন্থকার কৃষ্ণদাস কবিরাজ গোস্বামীনা মীপুম খুদিংদা হায়জবি। মরমদি হায়বিবা পুকচেলসি চেন্দ্রবদি নাম শোনবগী কল মপুঙ ফানা ফংলোই।

মূল ৩৩

প্রভুর আজ্ঞায় কর এই শ্লোক আচরণ।
অবশ্য পাইবে তবে শ্রীকৃষ্ণ চরণ ॥ ৩৩ ॥

শব্দার্থ

প্রভুর—শ্রীমন্মহাপ্রভুগী, আজ্ঞায় যাথংনা, কর—তৌ, এই শ্লোকের—শ্লোকসিগী, আচরণ—চৎপা, অবশ্য—শোয়দনমক, পাইবে—ফংগনী, তবে—অদুগ ওইরবদি, শ্রীকৃষ্ণচরণ—শ্রীকৃষ্ণগী চরণ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীমন্মহাপ্রভুগী যাথংনা শ্লোক অসিদা হায়বিবা পাউতাক ইন্দুনা চৎলু, অদুগ ওইরবদি শ্রীকৃষ্ণগী খুয়া শোয়দনা ফংগনী।

ৱৈনরোল

তৃণাদপি হায়বা শ্লোকসি শ্রীমন্মহাপ্রভুনা লেংলম্বা শিক্ষা শ্লোকনী, অদুনা মসিদা হায়রিবসি প্রভুগী যাথংনী। মরমদুনা কবিরাজ গোস্বামীনা শ্লোকতা যাওবিবা রাসে প্রভুগী যাথংনী হায়বিবনী।

মূল ৩৪

তবে প্রভু শ্রীবাসের গৃহে নিরন্তর।
রাত্রে সঙ্কীর্ত্তন কৈল এক সংবৎসর ॥ ৩৪ ॥

শব্দার্থ

তবে—অতুদগী, প্রভু—শ্রীমনমহাপ্রভুনা, শ্রীবাসের—শ্রীবাসগী, গৃহে—যুমদা, নিরন্তর—অতেং-অথম নাইদবমখৈ; রাত্রে—নুংদাংদা, সঙ্কীর্ত্তন কৈল—সঙ্কীর্ত্তন তৌয়ি, এক সংবৎসর—চহী অমা চুপ্পা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগী প্রভুনা শ্রীবাসগী শঙ্গাযদা নুংদাংদা চহী অমা চুপ্পা অতৎপা নৈতনা সঙ্কীর্ত্তন তৌখি।

মূল ৩৫

কবাট দিয়া কীর্ত্তন করে পরম আবেশে।
পাষণ্ডী হাসিতে আইসে না পায় প্রবেশে ॥ ৩৫ ॥

শব্দার্থ

কবাট দিয়া—থোঙনোন্দুনা, কীর্ত্তন করে—কীর্ত্তন তৌযি, পরম আবেশে—পুক্নীঙ পুঙচঙ চঙনা, পাষণ্ডী—কীর্ত্তন-যেংথীবা মী, হাসিতে—নোক্নগে হাযহুনা আইস-লাকযি, না পায়—ফংদে, প্রবেশে—চঙবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

থোঙদা পৌবোন থাবগা পুক্নীঙ পুঙলুপ লুপ্নপা কীর্ত্তন তৌবম্মী। কীর্ত্তন যেংথীবা মীনা নোক্নগে হাযহুনা লাক্ম্লি, চঙবদি ফংদে।

মূল ৩৬

কীর্ত্তন শুনি বাহিরে তারা জ্বলি-পুড়ি মরে।
শ্রীবাসেরে দুঃখ দিতে নানা যুক্তি করে ॥ ৩৬ ॥

শব্দার্থ

কীর্ত্তন শুনি—কীর্ত্তন তারগা, বাহিরে—মাপান্দা, তারা—মখোযনা, জ্বলি-পুড়ি—প্রোক্ প্রোক্ চাকুনা, মরে—শি, শ্রীবাসেরে—শ্রীবাসদা, দুঃখ দিতে—অরাবা পীগদোরম্মী, নানা যুক্তি করে—মা মথল মথল তানরম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মখোয়দুনা মাপান্দা কীর্তন তাবগা মথন্নাই প্রোক প্রোক্ চাক্লম্মী। শ্রীবাসগী নুংঙাইতনবা ককি তৌশিংগে হায়দুনা রা মখল মখল পুথোরবকখি।

মূল ২৪

একদিন বিপ্র—নাম গোপাল চাপাল।
পাষণ্ডী প্রধান সেই দুর্মুখ বাচাল ॥ ৩৭ ॥
ভবানী পূজার সব সামগ্রী লইয়া।
রাত্রে শ্রীবাসের দ্বারে স্থান লেপাইয়া ॥ ৩৮ ॥
কলার পাত—উপরে থুইল ওড়ফল ॥
হরিদ্রা-সিন্দুর আর রক্তচন্দন তণ্ডুল ॥ ৩৯ ॥
মদ্যভাণ্ড পাশে ধরি নিজঘর গেলা।
প্রাত কালে শ্রীনিবাস তাহাত দেখিলা ॥ ৪০ ॥

শব্দার্থ

একদিন - নোংমা, বিপ্র—ব্রাহ্মণ, নাম—মিং গোপাল চাপাল—গোপাল চাপাল, পাষণ্ডী প্রধান—কীর্ত্তন-তাথীবা মাবাক, সেই—মহাক, দুর্মুখ খোন্দাথী, বাচাল—চিন্থীবাক, বা ঙাঙগনবা ভবানী - শিবগী পত্নী, ভগবতী, পূজার—পূজাগী, সব—পুম্বা সামগ্রী—পোং লইয়া পুরক্লুনা, রাত্রে—অহিংদা, শ্রীবাসের - শ্রীবাসগী, দ্বারে—থোঙদা স্থান—ময়ম, লেপাইয়া বাই তৈরগা, কলার লফুগী, পাত উপারে—লাথক্তা, থুইল- থম্লখি ওড়ফল—জবাকুসুম, হরিদ্রা—যাঙং সিন্দুর—সিন্দুর, আর- অমুগা, রক্তচন্দন—রক্তচন্দন, তণ্ডুল—চেঙ, মদ্য—যু, ভাণ্ড—চফু, পাশে—নাকন্দা, ধরি—থম্লগা, নিজঘর ময়ুমদা, গেলা—চংখি, প্রাত কালে—অয়ুক্তা, শ্রীনিবাস—শ্রীবাসনা, তাহাত—মতুমক, দেখিলা—উখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা অহিংদা—গোপাল চাপাল কৌবা ব্রাহ্মণ, কীর্তন যেংথীবক্তা মাবাক অমুগা খোন্দাগী চীন্থীবাক অমুনা ভগবতী ভবানী পূজাগী পোৎলম

পুম্নমক পুবরুগা শ্রীবাসগী থোঙজাউন্দা মফম অমা বাই তৈথোক্লগা লফু-বা মথক্তা জবাকুসুম, মাঙং, সিন্দুর, রক্তচন্দন অতুগা চেঙ হাপ্তুনা থনম্মী। মনাক্তা যু-চফু অমা থনম্লগা ময়ুম হনখি। নোংঙাম্লকপদা শ্রীবাসনা মথু উরুরে।

তৈনরোল

শিবগী পত্নী ভবানীদি বৈষ্ণবী-নী, যদি মাগী পূজাগী পোৎলম কাদৌউঙেদম্ব ওইবা য়াবোই। গোপাল চাপালদি পাষণ্ডী মকোক্নীনা পূজাগী পোৎলম মরক্তা যু হাপচল্লম্মীবনী। মানা তৌবম্বসিগী পুকচল-পীকপা মবম অমা লৈবম্বা তাই হায়না খনবা য়াই। গোপাল-চাপাল-না পোৎচৈ থনম্বসি অহিংদনী মথু থম্বা মতমদা কনামতনা মাবু উবম্লোই, মানা অমশা তৌজবম্বদি অযুক্তা যু-চফুগা লোয়ননা পূজাগী পোৎলম উবা মীশিংনা শোয়দনা খনগনি পোৎলমশিংসি শ্রীবাসনা লেংতুনা থনম-গনী, শ্রীবাস যু-থকপা মী অমা ওইববোইরব, মবমতুনা ভবানীগী পূজাদা যু-চফু হাপ্লিবনী, ভবানী পূজাগীনী হায়শন্নতুনা শ্রীবাসনা যু থক্কে তৌবম্বা তাই। শ্রীবাসনা মথম্তা নংত, মাগা লোয়নবা মীশিংস্ব থোঙ লোক্লগা কীর্ত্তন তৌবিবতু যু থকপা য়ানবা তৌবিবাইরবে হায়না মযাম্না খন্সনু হায়বসিস্ব গোপাল-চাপাল পাষণ্ডীতুগী বাখল ওইবম্বা য়াই।

মূল ৪১-৪২

বড বড লোক সব আনিল ডাকিয়া।
সভারে কহে শ্রীবাস হাসিয়া হাসিয়া॥ ৪১॥
নিত্য রাত্রে করি আমি ভবানী পূজন।
আমার মহিমা দেখ ব্রাহ্মণ-সজ্জন॥ ৪২॥

শব্দার্থ

বড বড—অচৌ অচৌবা, লোক—মী, সব—পুম্বা, আনিল—পুবকখি, ডাকিয়া—কৌতুনা, সভারে—পুম্নমক্কী মফমদা, কহে—হায়, শ্রীবাস—শ্রীবাসনা, হাসিয়া হাসিয়া—নোক্-নোক্নুনা, নিত্য—নিতিগী, রাত্রে—হুংদাংদা, করি—তৌয়ি, আমি—ঐ, ভবানী পূজন—ভবানী পূজা, আমার মহিমা—ঐগী মহিমা (ইতিক ইগুণ), দেখ—য়েংঙু, ব্রাহ্মণ-সজ্জন—ব্রাহ্মণ-সাধুজনশিং।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীবাসনা অচৌ অচৌবা মী পুম্নবু বৌক্লবে অদুগা মখোয়দা নোক্-নোক্তুনা হায়রম্মী—নিতিগী অহিংদা ঐহাক ভবানী পূজা তৌযি। ব্রাহ্মণ সাধুজন পুম্নমক, ঐগী মহিমাসি যেংবিয়ু।

মূল ৪৩-৪৪

তবে সব শিষ্ট লোক করে হাহাকার।
ঐছে কর্ম্ম এথা কৈল কোন দুরাচার ॥ ৪৩ ॥
হাড়ি আনাইয়া সব দূর করাইল।
জল-গোময় দিয়া সেই স্থান লেপাইল ॥ ৪৪ ॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী, সব—পুম্বা, শিষ্টলোক—সজ্জনশিংনা, করে হাহাকার—ঙক্লদুনা হাই হাই হায়রম্মী, ঐছে কর্ম্ম—অদুগুম্বা থবকপু, এথা মফমসিদা, কৈল—তৌরম্মিবা, কোন—কনা, দুরাচার—লমচৎ-নাইদবনা, হাড়ি—হাড়ি জাৎকী মী, আনাইয়া—লৌহল্লুবগা, সব—পোইনমক, দূর করিল—লাপ্না লংথোকহল্লুবে, জল-গোময় দিয়া—ঈশীংগা শঙ্গীগা থীংলগা, সেই স্থান—মফমদু, লেপাইল—তৈথোকহল্লে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগীদি সৎজনশিংনা ঙক্লদুনা হাই হাই ওন্থোকপনী হায়রম্মী—অদুগুম্বা থবকপু লমচৎ-নাইদবা কনানা তৌবিবনো। অদুদগী হাড়ি কৌহল্লুরগা পোৎচৈশিংদু হুন্দোকহল্লুরে অদুগা ঈশীংদা শঙ্গী থীংলগা মফমদু তৈথোকহনখি।

মূল ৪৫-৪৬

তিনদিন বই সেই গোপাল চাপাল।
সর্ব্বাঙ্গে হইল কুষ্ঠ—বহে রক্তধার ॥ ৪৫ ॥
সর্ব্বাঙ্গে বেড়িল কীটে—কাটে নিরন্তর।
অসহ্য বেদনা দুঃখে জ্বলায় অন্তর ৪৬ ॥

শব্দার্থ

তিনদিন বই—হুমীং হুম্নিগী মনূঙদা , সেই গোপাল-চাপাল—গোপাল-চাপাল অদু , সর্ব্বাঙ্গে—হকচাঙ পূম্বদা , হইল ওইখি, থুংখি , কুষ্ঠ—কুষ্ঠি , বহে—চেম্থে , রক্তধার—ঈচেল , সর্ব্বাঙ্গে হকচাঙ-পূম্বদু , বেড়িল—কোয়শনখি , কীটে- তীন্না , কাটে—কক্ কক্ চীক্খি , নিরন্তর—অতং-অথম লৈতনা , অসহ্য—খাঙঙমদবা , বেদনা—চৈনা , দুঃখে—বাবনা , জ্বলয়ে—চাকযি , অন্তর—থম্মোই মন্নুং ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হুমীং হুন্নীগী মনুঙদা গোপাল-চাপালগী মছা-পূম্বদা কুষ্ঠি থুংখি, ঈ ৎবো-ৎবো চেন্থখি । মছাপূম্বদু তীন্না কূপখি অদুগা অতং অথম লৈতনা চীকখি । চীকপগী চৈনাদু খাঙমদবা ওইখি, অদুনা বাখিবনা থম্মোইন্দুদু প্রোক প্রোক চাকখি ।

মূল ৪৭-৪৯

গঙ্গা ঘাটে বৃক্ষতলে রহে ত বসিয়া ।
একদিন বোলে কিছু প্রভুরে দেখিয়া ॥ ৪৭ ॥
গ্রাম সম্বন্ধে আমি তোমার মাতুল ।
ভাগিনা, মুঞি কুষ্ঠব্যাধে হইয়াছোঁ ব্যাকুল ॥ ৪৮ ॥
লোক সব উদ্ধারিতে তোমার অবতার ।
মুঞি বড় দুঃখী মোরে করহ উদ্ধার ॥ ৪৯ ॥

শব্দার্থ

গঙ্গাঘাটে গঙ্গাগী হীদেন-তাকমদা (ঘাট্রা) , বৃক্ষতলে—উখোঙদা , রহে ত লৈদো , বসিয়া ফমদুনা , একদিন—নোংমদি , বোলে—হায়খি , কিছু—খরদং , প্রভুরে—প্রভুবু , দেখিয়া—উদুনা , গ্রাম-সম্বন্ধে - কৈবোয-লৈকাইগী সম্বন্ধদা , আমি—ঐহাক , তোমার—নহাক্কী , মাতুল—মামানী , ভাগিনা - ইমছাক , মুঞি—ঐহাক , কুষ্ঠব্যাধে—কুষ্ঠি কৌবা ব্যাধিনা , হইয়াছোঁ—ওইরে , ব্যাকুল—বাঝ , লোক সব মী পুম্ববু , উদ্ধারিতে—লান্‌বিনবা , তোমার অবতার—নঙগী অবতারনী , মুঞি—ঐহাক , বড় দুঃখী—য়াম্না বারে , মোরে—ঐবু , করহ উদ্ধার—লান্‌বিরো ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গঙ্গাগী ঘাট্টা উ-মখোঙদা কমত্থুনা (গোপাল-চাপাল) লৈদো। নোংমদি প্রভুবু উহনা মহাক্না বা খরা হায়জখি—গ্রাম-সম্বন্ধগী হায়রুববদি ঐসে নহাক্কী মামা থোকয়ি। ইম্মাক ইবুংঙো, ঐসে কুষ্ঠ কোবা ব্যাধিনা রারে। মী পুম্নমকপু উদ্ধাব তৌগে হায়বগীদমক নহাক মর্য্যাদা কুম্নকপনী। ঐ যাম্না রাবে, ঐবু লাম্থোকপীরো।

মূল ৫০

এত শুনি মহাপ্রভু হৈলা ক্রোধমন।
ক্রোধাবেশে কহে তাবে তর্জ্জন বচন ॥ ৫০ ॥

শব্দার্থ

এত—অসুক্, শুনি—নাকোঙনা তাবগা মহাপ্রভু—মহাপ্রভু, হৈলা—ওইখি, ক্রোধমন—অশাউবগী পুক্নীঙ-চেনবা, ক্রোধাবেশে—অশাউবনা লাকহৎত্থুনা, কহে—হায়, তাবে—মঙোন্দা, তর্জ্জন-বচন—চৈবগী রাহৈ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গোপাল-চাপালগী বা খবসি তাবদা মহাপ্রভুগী পুক্নীঙদু অশাউবনা থনখি। শাউবনা থুমখিহনা মঙোন্দা প্রভুনা চৈবহনা হায়বম্মী।

চৈনমরোল

মপানা মচাগী মফমদা দয়া তৌবগুম মহাপ্রভুস্ন গোপাল-চাপালগী মফমদা দয়া তৌবম্বনী। মবমহনা প্রভুনা গোপালবু শাউবম্বনী। হন্দক্কী অশাউবসি দয়াদগী পোকপনী, তশেংবা অশাউবা হায়বহ্ নত্তে। মপা অমনা দয়া লৈবদগী মচাগী মঙ্গলগীদমক শাউই। মহাপ্রভুস্ন গোপালবু কৃপা তৌবিনবা শ্রীবাসদা হায়জৌ হায়বিখি।

মূল ৫১-৫২

আরে পাপী ভক্ত-দ্বেষী তোরে না উদ্ধারিমু।
কোটিজন্ম এই মত কীড়ায় খাওয়াইমু ॥ ৫১ ॥
শ্রীবাসে কবাইলি তুই ভবানী-পূজন।
কোটিজন্ম হবে তোর রৌরবে পতন ॥ ৫২ ॥

শব্দার্থ

আবে পাপী—হায় পাপী, ভক্তদ্বেষী—কৃষ্ণভক্তবু যেংথীবা মী, তোবে—নঙবু, না উদ্ধারিমু—উদ্ধার তৌবোই, কোটিজন্ম—নপোক কোটিবক, এইমত—মতৌ অসুম্না, কীডায—তীন্দা, খাওযাইমু—পীজগনী, শ্রীবাসে—শ্রীবাসবু, করাইলি—তৌহনখি, তুই—নঙনা, ভবানীপূজন—ভবানী পূজা, কোটিজন্ম—নপোক কোটিরক, হবে—ওইগনী, তোব নঙগী, বৌবাবে—বৌবব কৌবা নবক-কোমদা, পতন—তাবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কৃষ্ণভক্তবু যেংথীবা হায পাপী। নঙবু ঐহাক উদ্ধাব তৌবোই। নপোক কোটিবক মতৌ অসুম্না তীন্দা পীজগনী। নঙনা শ্রীবাসবু ভবানী পূজা তৌহনখি। নপোক কোটিবক হন্না বৌবব কৌবা নবক-কোমদা ত বা ওইসনু।

নৈনরোল

লিন্দগীসু হেন্না শাথিবা ক ক কৌবা জন্তু অমা নৈ। ক ক-নৈবা নরক অদুবু বৌবব কৌযি।

মূল ৫৩

এত বলি গেলা প্রভু কবিতে গঙ্গাস্নান।
সেই পাপী দুঃখ ভোগে, না যায পবাণ ॥ ৫৩ ॥

শব্দার্থ

এত—অসিথক, বলি—হায়রগা, গেলা—লেংখি, প্রভু—মহাপ্রভু, কবিতে—তৌবা, গঙ্গাস্নান—গঙ্গাদা চাইথবা, সেই পাপী—পাপীদুনা, দুখ—অবাবা, ভোগে—ফংঙী, না যায—চৎতে, পরাণ—থরাই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা রা অসিথক হায়রগা গঙ্গাদা চাইথবা লেংখি। পাপী গোপাল অদুনা অবাবদু অদুম রাজে, মথরাইদি থাদে।

মূল ৫৪-৫৫

সন্ন্যাস করি প্রভু যদি নীলাচলে গেলা।
তথা হইতে যবে কুলিযা গ্রামেতে আইলা ॥ ৫৪ ॥
তবে সেই পাপী লইল প্রভুব শবণ।
হিতোপদেশ কৈল প্রভু হঞা সকরুণ ॥ ৫৫ ॥

শব্দার্থ

সন্ন্যাস কবি - সন্ন্যাস লৌহুনা, প্রভু - প্রভুনা, যদি নীলাচলে গেলা। নীলাচলদা লেংখ্রবদা, তথা হইতে—মফমতুদগী যবে—মতমদা, কুলিয়াগ্রামে—কুলিযাগ্রামদা, আইলা— লেংলকযি, তবে—মতমতুদা সেই পাপী—পাপীহুনা, লইল লৌযি, প্রভুব শবণ—প্রভুদা চঙজবা, হিতোপদেশ—ক্যান্নগদবা পাউতাক, কৈল- তৌখি, প্রভু—প্রভুনা, হঞা সককণ—নুংশিবিহুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপ্রভুনা সন্ন্যাস লৌবগা নীলাচলদা লেঙখ্রে, অতুদগী কুলিযা-গ্রামদা লেঙলল্লব্বা মতমদা পাপীহুনা প্রভুদা চঙজবম্মী। প্রভুনা নুংশিবিবহুনা কান্নগদবা পাউতাক পীবিখি।

মূল ৫৬-৫৭

শ্রীবাসপণ্ডিতস্থানে হইযাছে অপবাধ।
তাহাঁ যাহ, তেঁহ যদি কবেন প্রসাদ ॥ ৫৬ ॥
তবে তোব হবে এই পাপবিমোচন।
যদি পুন ঐছে নাহি কব আচবণ ॥ ৫৭ ॥

শব্দার্থ

শ্রীবাস পণ্ডিত স্থানে - শ্রীবাসপণ্ডিতকী মফমদা, হইযাছে—ওইবনী, অপবাধ—অযোল-অরাল, তাহাঁ - মফমতুদা, যাহ - চৎলু, তেঁহ— মহাক্লা, যদি—বদি, করেন—তৌম্বি, (যদি কবেন—তৌববদি), প্রসাদ —চান্‌বিবা, তবে—অতু ওইববদি, তোব—নঙগী, হবে—ওইগনী,

এই—মসি , পাপ—পাপ , নিমোচন—কোকপা , যদি—বদি , পুন—অমূক হন্না , ঐসে—অতুগুম্না , নাহি কব—তৌদ্রবা , আচবণ—শাজৎ ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা হাযবম্মী)—"শ্রীবাস পণ্ডিতকী মফমদা তৌখিবা অপবাধ নী । মাগী মফমদা চৎলু , মহাক্না চানবিববদি নুংগী পাপ-সি কোকনী , অতুগা অমূক হন্না অদূম্না খক তৌদ্রবদি ।"

মূল ৫৮

তবে বিপ্র লেল আসি শ্রীবাস-শবণ ।
তাঁব কৃপায পাপ তাব হৈল বিমোচন ॥ ৫৮ ॥

শব্দার্থ

তবে অতুদগী বিপ্র—ব্রাহ্মণ (গোপাল) , লৈল—লৌখি , আসি—লাক্লুনা , শ্রীবাস-শবণ—শ্রীবাসদা চঙজবা , তাঁব—মহাক্কী , কৃপায কৃপানা , পাপ—পাপ , তাব—মহাক্কী , হৈল—ওইখি , বিমোচন—কোকপা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতুদগী ব্রাহ্মণদুনা (গোপাল চাপালদুনা) লাক্লগা শ্রীবাসগী মফমদা চঙজখি । মাগী (শ্রীবাসগী) কৃপানা গোপালগী পাপ কোকখি ।

মূল ৫৯-৬০

আর এক বিপ্র আইল কীর্ত্তন দেখিতে ।
দ্বাবে কবাট, না পাইল ভিতবে যাইতে ॥ ৫৯ ॥
ফিবি গেলা ঘব বিপ্র মনে দুঃখ পাঞা ।
আবদিন প্রভুবে কহে গঙ্গায লাগ পাঞা ৬০ ॥

শব্দার্থ

আব—অতোপ্পা , একবিপ্র—ব্রাহ্মণ অমা , আইল—লাকখি , কীর্ত্তন দেখিতে—কীর্ত্তন যেংবা , দ্বাবে—থোঙদা , কবাট—থোংনা (ঙাশল্লম্মী) , না পাইল—ফংখিদে , ভিতবে—মন্নুংদা , যাইতে—চঙবা , ফিরি—হন্দুনা ,

গেলা—চৎখ্রে, ঘব—যুম, বিপ্র—ব্রাহ্মণতু, মনে—মপুক্তা, দুঃখ—নুংঙাইতবা, পাঞা—ফংতুনা, আবদিন্ন—অতোপ্পা নুমিৎ অমদা, প্রভুবে—প্রভুদা, কহে—হাযখি, গঙ্গায—গঙ্গাদা, লাগ—উনবা, পাঞা—ফংতুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতোপ্পা ব্রাহ্মা অমনা কীর্ত্তন যেংগে লাক্লম্মী। থোঙ থিংবা মবম্মা মন্নঙদা চঙবা ফংখিদে। ব্রাহ্মণতু মপুক্তা নুংঙাইত-নুংঙাইতনা মযুম হনখি। মতুং নোংমা গঙ্গাদা প্রভুগা থেংনবদগী ব্রাহ্মণতুনা প্রভুদা হাযখি।

মূল ৬১-৬২

শাপিব তোমারে মুঞি পাঞাছি মনোদুঃখ।
পৈতা ছিণ্ডিযা শাপে প্রচণ্ড দুর্ম্মুখ ॥ ৬১ ॥
সংসার সুখ তোমার হউক বিনাশ।
শাপ শুনি প্রভুর চিত্তে হইল উল্লাস ॥ ৬২ ॥

শব্দার্থ

শাপিব—শিবাপ তৌগনী, তোমারে—নাংঙোন্দা, মুঞি—ঐ, পাঞাছি—ফংলে, মনোদুঃখ—পুক্নীং-নুংংঙাইতবা, পৈতা—লুগুণ, ছিণ্ডিযা থদংতুনা, শাপে—শিবাপ তৌযি, প্রচণ্ড—শাউগনবা, দুর্ম্মুখ থোন্দাথীতুনা, সংসারসুখ—যুম্নানবগী নুংঙাইবা, তোমার—নহাক্কী, হউক—ওইসনু, বিনাশ—মাঙবা, শাপ—শিবাপ, শুনি—নাকোঙনা তাবগা, প্রভুর—মহাপ্রভুগী, চিত্তে—থম্মোইদা, হইল—ওইখি, উল্লাস—হবাউবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(ব্রাহ্মণতুনা প্রভুদা হাযখি)—"নঙবু শিবাপ তৌগনি ঐহাক পুক্নীঙদা নুংঙাইতে।" অতুন্দগী শাউগনবা থোন্দাথী ব্রাহ্মণতুনা লুগুণ থদংলগা শাপ তৌখি—"নহাক্কী যুম্নাল পুন্সীগী নুংঙাইবতু মাঙবা ওইসনু।" মহাক্কী শাপ অদু নাকোঙনা তাবদা প্রভুগী থম্মোইদা হবাওখি।

টৈমমরোল

কনাগুম্বনা মরল মথুম পুম্নমক মাংপ্রবদি, অদুগা শেল তাম্নবগী পাঙ্গলনু

মাঙখ্রবদি, অদুগা মুপী অঙা, লৈজবা পূন্নমক্না অনা—অযেক তৌদুনা শেল—তানবা ঙমদ্রবদি নত্রগা শিগ্রবদি- মীদুগী স,সাব সুখ ভোগ তৌবদি ওইথোক্করে, অদুনা মহাক্কী হবাউনবগী মবম লৈত্রে। অদুবু মহাপ্রভুদি সংসাব সুখ ফংলবাই তাবদা হবাউরম্মী। মবমদি স,সাব-সুখ হাযবদুনা প্রভুগী মন চি বা ঙমদ্রবদি চিন্তা লৈতনা পুক্নী, লোইনা থি,জন্দুনা ভগবদ-ভজন তৌবা ঙম্লগনী। বাখলসি খনবা মবম্না ব্রাহ্মণগী শাপ তাবগা মহাপ্রভু যৌনা হবাউখি।

মূল ৬৩

প্রভুব শাপবার্ত্তা যেই শুনে শ্রদ্ধাবান।
ব্রহ্মশাপ হৈতে তাব হয পবিত্রাণ ॥ ৬৩ ॥

শব্দার্থ

প্রভুব—প্রভুগী, শাপবার্ত্তা—শাপকী বাসি, যেই—কনানো অমনা, শুনে—তাববা, শ্রদ্ধাবান—থাজবা যাওনা, ব্রহ্মশাপ হৈতে—ব্রাহ্মণ্না তৌবকপা শাপ্তগী, তাব—মাগী, হয়—ওই, পবিত্রাণ—লান্থাকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুদা শাপ তৌখিবগী বাসি কনাগুম্বনা থাজবগা লোযননা শ্রবণ তৌববা, অদু ওইববদি মগোন্দা ব্রহ্মশাপ চঙদ্রে।

মূল ৬৪

মুকুন্দদত্তে কৈল দণ্ডপবসাদ।
খণ্ডিল তাহাব চিত্তেব সব অবসাদ ॥ ৬৪ ॥

শব্দার্থ

মুকুন্দদত্তে—শ্রীমুকুন্দদত্তদা, কৈল—তৌবিখি, দণ্ডপবসাদ—দণ্ড পীদুনা চানবীবা, খণ্ডিল—কোকহনখি, তাহাব—মহাক্কী, চিত্তেব—পুক্নীংগী, সব পুম্বা, অবসাদ—অমকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা মুকুন্দদত্তদা দণ্ড পীদুনা চানবিখি। অদুদা মুকুন্দগী মপুক্নীংগী অমকপা পুন্নমক কোকখি।

নৈনবোল

মুকুন্দদত্তদা প্রভুনা তৌবা দণ্ডগী ৱাদি ১/১২/৪১ পয়াবগী টীকাদা য়েংবিগদবা ওই।

মূ। ৬৫-৬৭

আচার্য্য গোসাঞিরে প্রভু করে গুরুভক্তি।
তাহাতে আচার্য্য বড় হয় দুঃখ-মতি॥ ৬৫॥
ভঙ্গী করি জ্ঞান মার্গ করিল ব্যাখ্যান।
ক্রোধাবেশে প্রভু তারে কৈল অবজ্ঞান॥ ৬৬॥
তবে আচার্য্য গোসাঞির আনন্দ হইল।
লজ্জিত হইয়া প্রভু প্রসাদ করিল॥ ৬৭॥

শব্দার্থ

আচার্য্য গোসাঞিরে—শ্রীঅদ্বৈত-আচার্য্যবু, প্রভু—প্রভুনা, করে—তৌযি, গুরুভক্তি—গুরুদা তৌগদবা ভক্তিদু তাহাতে—মতুদা, আচার্য্য—শ্রীঅদ্বৈত আচার্য্যনা, বড় যাম্না, হয়-ওই দুঃখ মতি—নুংঙাইতবা-বাখল-চেনবা, ভঙ্গী—তাং, করি—তৌদুনা, জ্ঞানমার্গ (নির্ব্বিশেষ বাদ), করিল ব্যাখ্যান-ব্যাখ্যা তৌখি, ক্রোধ আবেশে—শাউদুনা, প্রভু প্রভুনা, তারে—শ্রীঅদ্বৈতবু, কৈল অবজ্ঞান—শাস্তি পীখি, তবে—অদুদা, আচার্য গোসাঞির—শ্রীঅদ্বৈতপ্রভুগী, আনন্দ—নুংঙাইবা, হইল—ওইখি, লজ্জিত—ঈকাইবা হইয়া—ওইদুনা, প্রভু—প্রভুনা, প্রসাদ করিল—চানবিখি।

মৈতৈলোলদা ঢন্দোকপা

প্রভুনা শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যবু গুরুজনগী মফমদা তৌবগুম ভক্তি তৌযি। মতুদা শ্রীঅদ্বৈতনা মপুক্লীওদা নুংঙাইতে। অদুনা তাং তৌদুনা আচার্য্যনা জ্ঞানমার্গ ব্যাখ্যা তৌদুনা (শিষ্যশিংদা তম্বাগি)। মতুদা প্রভুনা শাউরদুনা আচার্য্যবু শাস্তি পীখি। অদুদা আচার্য্য গোস্বামীনা হরাওজখি। মতৌদু উবদা প্রভুনা ঈকাইবদুনা অদ্বৈতবু চানবিখি।

নৈনবোল

শ্রীঅদ্বৈতনা মপুক্লীওদা খল্লম্মী—প্রভুনা মপুক্লীওদা অদ্বৈতবু মনাইনী

হায়না খল্লবদি অদ্বৈতনা অপরাধ তৌবা মতমদা প্রভুনা মঙোন্দা শাস্তি পীগনী। মতৌ অমুক্মা খল্লগা প্রভুবু শাউহন্নবা হায়হুনা নোংমা শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যনা মাগী শিষ্যশিংদা যোগ বাশিষ্ঠগী ব্যাখ্যা তৌবগা জ্ঞানমার্গনা অথোইবা মার্গনী হায়না তাক্লম্মী। ভক্তিংঁ অথোইবনী হায়বসি তাক্লগা ভক্তিধর্ম্ম প্রচারগীদমক শ্রীঅদ্বৈতনা কৌরদগী প্রভুনা অবতার তৌরকপনী। ভক্তি প্রচার তৌনসিদা শ্রীঅদ্বৈত প্রভুদি অথোইবা সহায়নী। অদুগুম্বা মহাত্মা ভক্তিমার্গদগী জ্ঞানমার্গনা হেল্লী হায়বঙ্গহুদা প্রভু শাউখি। শাউমনখিহুনা জ্ঞানমার্গ ব্যাখ্যা তৌবিংহুদা অদ্বৈতাচার্য্যবু প্রভুনা মতীক চাবা শাস্তি পীখি। প্রভুনা কিল থিন থিন্দুনা আচার্য্যবু ইন্থুরম্মী। মহু উবদা অদ্বৈতগী গৃহিনী শ্রীসীতা ঠাকুরাণী ফাওবা কপ্পম্মী। অদ্বৈতাচার্য্যদি প্রভুগী মখুৎমকা শাস্তি পীবদা গুংতাইখিবনা জগোই শারম্মী। মহু প্রভুনা শাউবা হন্থরবা মতমদা উবন্দগী প্রভু ঈকায়বমখি। অদুদগী প্রভুনা তাক্পীখি, তিলার্দ্ধগী মতমদ হৈরবস্তু অদ্বৈতদা চঙজরবা জীবহুনা তীন-কাণ্ড, উচেক-বাইয়া ওইরবা ফাওবদা—মহাপ্রভুদা অপরাধ চামবক হন্না তৌররা ফাওবদা জীবহুবু প্রভু। চানবিগনী হায়বসিনী।

মূল ৬৮

মুরারি গুপ্তমুখে শুনি রামগুণগ্রাম।
ললাটে লিখিল তার রামদাস নাম ॥ ৬৮ ॥

শব্দার্থ

মুরারিগুপ্তমুখে মুরারিগুপ্তগী মচীন্দা, শুনি—নাকোঙনা তাহুনা, রামগুণগ্রাম—শ্রীরামচন্দ্রগী গুণ খিবিক, ললাটে—লাইবক্তা, লিখিল—ইবিখি, তার—মাগী, রামদাস নাম—রামদাস (রামগী মনাই) হায়বা মিং।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীমুরারিগুপ্তগী মচীন্দা শ্রীরামচন্দ্রগী গুণখিবিক তারদগী প্রভুনা মরাইবক্তা রামদাস হায়বা মিং ইবিখি।

নৈনরোল

মমাঙগী লীলাদা শ্রীমুরারিগুপ্তসি হনুমান ওইবন্মী। অতুনা রামদাস—রামগী মনাই—হায়বদি হনুমানবু হায়বনী।

মূল ৬৯

শ্রীধরের লৌহপাত্রে কৈল জল পান।
সমস্ত ভক্তেরে দিল ইষ্টবরদান ॥ ৬৯ ॥

শব্দার্থ

শ্রীধরের—শ্রীধরগী, লৌহপাত্রে—যোংকী পাত্রদা, কৈল—তৌযি, জল পান—ঈশীঙ ফানবা, সমস্ত ভক্তেরে—ভক্তপুম্বদা দিল—পীখি, ইষ্টবর - অপাম্বা বর, দান—দান।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীধরগী যোংকী পাত্রদা হাপ্পা ঈশীঙ প্রভুনা ফানখি। ভক্ত পুম্নমক্না মানা মানা পামজবা বর পীনবিখি।

মূল ৭০

হরিদাস ঠাকুরেরে করিল প্রসাদ।
আচার্য্য-স্থানে মাতার খণ্ডাইল অপরাধ ॥ ৭০ ॥

শব্দার্থ

হরিদাস ঠাকুরেরে—হরিদাস ঠাকুরবু, করিল প্রসাদ—চানবিখি, আচার্য্য-স্থানে—শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যগী মফমদা, মাতার—মমা শচীদেবীগী, খণ্ডাইল—কোকপিখি, অপরাধ—মরাল।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীহরিদাস ঠাকুরবু চানবিখি। শচীমাতানা অদ্বৈতাচার্যদা তৌখিবা অপরাধ কোকপিখি।

নৈনরোল

মহাপ্রকাশগী মতমদা প্রভুনা কৌরগা হায়রম্মী—"হরিদাস, ঐবু

য়েংঙু। ঐগী হকচাঙদগী নঙনা গুণ নৈবা তেল্লী। যবনশিনা নঙবু চৈথাহ্নবা ফুবা মতমদা মখোয় লোইনমকপু লোইশল্লগে হায়দুনা বৈকুণ্ঠদগী চক্র পায়দুনা কুমথবকপনী, অদুবু নঙনা মখোয়গী মঙ্গল ওইনবা থন্দুনা লৈবম্মী, মদুদা ঐনা মখোয়বু হাৎপা ঙমখিদে। মতমদুদা ঐনা নঙগী নঙ্গল মথন্দা উপ্তুনা নঙোন্দা ফুবকপা চৈশিংদু ঐগী নঙগন্দা তাহনখি। হৌজিক ফাওবা ঐগী নঙগন্দা চৈফম লৈ। হরিদাস, নঙগী অরাবদু য়েংবদা থাঙঙমদ্রুনা ঐ থুনমক অবতার তৌবা তাখিবনী।" প্রভুগী তুংশি-য়াৎরা তারদা হরিদাস বাস্তবম্মী, কোন্থংদা প্রভুগী বাহৈনা জ্ঞান তাবক্লবা মতমদা প্রভুগী গুণ নীঙশিং নীঙশিংনা হরিদাস কপ্লম্মী। মমৈদা প্রভুগী খোঙদা মহাক্না প্রার্থনা তৌজখি—"শচীনন্দন বাপ। কৃপা কর মোরে। কুক্কুর করিয়া মোরে রাখ ভক্তঘরে। —শচীগী মচাবু ঙো, ঐবু চানবিয়ু। ঐবু হূই ওইনা ভক্তগী ময়ুমদা থম্বিয়ু।" প্রভুনা পেল্লদুনা হায়রিখি—'হরিদাস, ত্রিলার্দ্ধ-মতমদ নঙগা বাঙাংনবা মী, নোংমত নহাক্না লৈমিল্লবা মী, মখোয়দু, লেপ্পমক ঐবু য়ংগনী। ঐগী অমদি বৈষ্ণব পূম্বগী মফমদা অপরাধ তৌদবা মররা নঙোন্দা ঐনা ভক্তি দান তৌরবনী।" মতৌ অসুম্না প্রভুনা হরিদাস ঠাকুরবু চানবিখি।

মহাপ্রভুগী মহাপ্রকাশ থৈবা নমিত্তা প্রভুনা শচীমাতাদা কৃষ্ণপ্রেম পীরমদে, মরমদি শচীমাতানা শ্রীঅদ্বৈতগী মফমদা অপরাধ তৌরম্মী। মহাপ্রভুগী ময়াম্বু বিশ্বরূপতু মতম পূম্বদা শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যগী মনাক্তা হেক হেক চৎলী। বিশ্বরূপ-না সন্ন্যাস লৌবা মতমদা শচীমাতানা খনখি, মচানুপানা লম্বোইবদু শ্রীঅদ্বৈতগী পাউতাক্না ওইরমগনী। অদুদগী মহাপ্রভুনা শ্রীঅদ্বৈতগা তিন্নরম্বদুদা নিমাইসু বিশ্বরূপকুম লম্বোইগে হায়ররনী হায়না শচীমাতানা শ্রীঅদ্বৈতবু চিংনখি অমসু নুঙাইরমদে। মসিনী শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যগী মফমদা শচীমাতানা তৌরম্বা অপরাধদি। অদুনা মহাপ্রভুনা হায়খি—শচীমাতানা শ্রীঅদ্বৈতগী পদধূলি লৌরগদি মরাল কোক্লনী অদুগা মহাক প্রেম য়ংগনী। শচীমাতানা পদধুলি লৌবা লেঙখিবদা শ্রীঅদ্বৈতনা পীদে। শচীমাতা কন্নানো হায়রবা মগুণ করিনো হায়রদু অসুম হায়থরকপদা শ্রীঅদ্বৈত আবেশদা জ্ঞান মাঙখিবম্মী, মতম অদুদা মহাকপু খঙহন্দনা শচীমাতানা পদধলি লৌখি। মতৌ অসুম্না অপরাধ কোক্লবদা শচীমাতাগী দেহদা শ্রীকৃষ্ণপ্রেমগী খুদম পূম্নমক ফাউরকখি।

মূল ৭১

ভক্তগণে প্রভু নাম মহিমা কহিল।
শুনি এক পঢ়ুয়া তাহা অর্থবাদ কৈল ॥ ৭২ ॥

শব্দার্থ

ভক্তগণে—ভক্তশিংদা, প্রভু—প্রভুনা, নাম—হরিনামগী, মহিমা—মতীক্ মহৎ, কহিল—তাক্লম্মী, শুনি—নাকোঙনা তারগা, এক পঢ়ুয়া—পডোন্নান অমনা, তাহা—মতু, অর্থবাদ—হেনজন্না থাগৎপা ন্নানী, কৈল—হাযবম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাপ্রভুনা ভক্তশিংগী মফমদা হরিনামগী মহিমা তাক্লম্মী। মতু তারগা পডোন্নান অমনা মহিমাতু হেনজনা হাযজিন্বা থাগৎপনী হাযবম্মী।

টৈননব্লোল

অর্থবাদ—যাম্না হেনজন্না থাগৎপগী বা। হরিনামগী মহিমাগী মতাঙদা প্রভুনা হাযবম্বদো যাম্না হেঙ্গৎনা থাগৎলগা হাযবা বানী—তশেংবা হাযবা তাববদি মহিমা অতুক যৌবদি ঙম্মোই—অম্মন্না হাযবা বাহৈব্র অর্থবাদ কৌযি। হরিনামদা অর্থবাদ শাগৎপদি নামাপবাধ অমনী।

মূল ৭২

নামে স্তুতিবাদ শুনি প্রভুর হৈল দুঃখ।
সভে নিষেধিল—ইহার না দেখিহ মুখ ॥ ৭২ ॥

শব্দার্থ

নামে—হরিনামদা, স্তুতিবাদ—অর্থবাদ, নাম-মাহাত্ম্যবু কা-হেন্বা মথাগৎনী হাযবা পূক্লুংদা খনবগী বা, শুনি—তাবগা, প্রভুর—প্রভুগী হৈল—ওইখি, দুঃখ—ন্নাবা, সভে—মী পুম্নমক্তা, নিষেধিল—থিংখী, ইহার—মহাক্কী (পডোন্নান্দুগী), না দেখিহ—যেংগনু, মুখ—মশক।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হরি নামগী মাহাত্ম্যবু কাহেনূজনবা মথাগৎনী হাযবা (পডোন্নান

অমগী) রাহু তাবগা প্রভুগী পুক্নীঙ মুংঙাইরমদে। অহুনা প্রভুনা খ্বায-পুম্বদা হাযখিরম্মী—"মাগী (পডোবানহুগী) মশক যেংগনু।"

মূল ৭৩

সগণে সচেলে যাঞা কৈল গঙ্গাস্নান।
ভক্তির মহিমা তাহাঁ কবিল ব্যাখ্যান ॥ ৭৩ ॥

শব্দার্থ

সগণে—গণগা (লোযনবা মীশিংগা) লোযননা, সচেলে—চেলা-শিংগা (পডোবানশিংগা) লোযননা, যাঞা—লেঙহুনা, কৈল—তৌখি, গঙ্গাস্নান—গঙ্গাদা চাইথবা, ভক্তির মহিমা—ভক্তিগী মহিমা, তাহাঁ—মফমদা কবিল ব্যাখ্যান— ব্যাখ্যা তৌখি।

নৈনরোল

নাম-মাহাত্ম্যদা অর্থবাদ কল্পনা তৌবদি অপবাধ ওই মহু কযামুক চাউবা অপবাধনো হাযবহু উৎকে হাযবগীদমক প্রভুনা মযামদা নাম-অপবাধীগী মশক যেংহেদে হাযবম্মী, অহুগা নামাপবাধীগী মশক যেংলুববদি শেংলম্বা ফিহু হোংদোক্তবমখৈ গঙ্গাস্নান তৌহুনা শেংদোক্কদবনী (পবিত্র ওইগদবনী) হাযনা ব্যবস্থা তৌখি।

মূল ৭৪

জ্ঞান কর্ম্ম যোগ ধর্ম্মে নহে বশ।
কৃষ্ণবশ-হেতু এক প্রেমভক্তি বস ॥ ৭৪ ॥

শব্দার্থ

জ্ঞান কর্ম্ম যোগ ধর্ম্মে—জ্ঞানমার্গ, কর্ম্মমার্গ, যোগমার্গ সাধন তৌবনা, নহে—ওইদে, কৃষ্ণবশ—কৃষ্ণবু যাহনবা, কৃষ্ণ ফংবা, কৃষ্ণবশ-হেতু—কৃষ্ণবশ ওইনবা মবমদি, এক—অমতা-ঙায়বা, প্রেমভক্তিবস—প্রেম-ভক্তিগী (মুংশিনা ভক্তি তৌবগী) মশক ওইবা বস।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

জ্ঞানমার্গ, কর্ম্মমার্গ, অমদি যোগমার্গগী সাধনধর্ম্মনা কৃষ্ণ ফংবগী উপায় নত্তে। কৃষ্ণবু বশ তৌগে হায়বগী উপাযদি প্রেমভক্তিবস অসিতনী।

মৈনম্লোল

শ্রীকৃষ্ণদি রসিক মকোক্নী , ভক্তগী প্রেমরসকী মচিনু মহাও তংনিংবনা খোযরাংতুনা লৈ , প্রেমরসগী মচিনুতনা কৃষ্ণবু বশ তৌবা ঙম্মী , ভক্তিমার্গ-তনা শ্রীকৃষ্ণবু বশ তৌবগী মতীকচাবা প্রেমভক্তি হাযবতু ফংননবা অমতা ঙাযবা সাধন-নী । জ্ঞানমার্গ, কর্ম্মমার্গ, অতুগা যোগমার্গনা প্রেমভক্তি অতু ফংবা য়াদে, মরমতুনা শ্রীকৃষ্ণবু বশ তৌবা (খুমুম চনবা) ঙমদে । কনাগুম্বনা মছাগী ইচ্ছা মতু, ইন্না শ্রীকৃষ্ণবু সেবা তৌতুনা শ্রীকৃষ্ণগী পেম্নবা তৌবতনা শ্রীকৃষ্ণবু বশ তৌবগী পান্দম্নী ।

মূল ৭৫

ন সাধযতি মাং যোগো ন সাঙ্খ্যং ধর্ম্ম উদ্ধব ।
ন স্বাধ্যাযস্তপস্ত্যাগো যথা ভক্তির্মমোর্জ্জিতা ॥ ৭৫ ॥

শব্দার্থ

ন সাধযতি—পাঙথোক্তে, বশ তৌবা ঙমদে , মাম—ঐবু , যোগঃ —যোগনা , ন সাঙ্খ্যং—সাংখ্যনা ঙমদে , (ন) ধর্ম্মঃ—ধর্ম্মনসু (ঙমদে), উদ্ধব—হে উদ্ধব , ন স্বাধ্যাযঃ—বেদ হৈবনসু ঙমদে , (ন) তপ —তপ তৌবনসু ঙমদে , (ন) ত্যাগ —সন্ন্যাস-নসু ঙমদে , যথা—মওংদা, গুম্না , ভক্তি —ভক্তিনা , মম—ঐগী , উর্জ্জিতা—অচেৎপা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হে উদ্ধব, ঐগী ইফমদা তৌবা অচেৎপা ভক্তিগুম্না যোগ, সাংখ্য ধর্ম্ম বেদ হৈবা, তপ, অমদি সন্ন্যাসনা ঐবু বশ তৌবা ঙমদে ।

মৈনম্লোল

শ্লোকসি শ্রীমদ্ভাগবতমদগী লৌথোকপনী (১১/১৪/২০) ।

মূল ৭৬

মুরারিকে কহে—তুমি কৃষ্ণ বশ কৈলা ।
শুনিযা মুরারি শ্লোক পঢ়িতে লাগিলা ॥ ৭৬ ॥

শব্দার্থ

মুরারিকে—মুরারিদা , কহে—হায , তুমি—নঙদি , কৃষ্ণ—কৃষ্ণবু ,

বশ কৈল—ফংলবনী, শুনিয়া—(মদু) তাৱগা, মুৰাৰি—মুৰাৰিনা, শ্লোক—শ্লোক, পঢ়িতে—পাবা, থীবা, লাগিলা—হৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা মুৰাৰিদা হায়ৰম্মী—"নঙদি কৃষ্ণবু বশ তৌবৰনী।" মদু তাবদা মুৰাৰিনা শ্লোক থীবা হৌখি।

মূল ৭৭

ক্বাহং দরিদ্রঃ পাপীয়ান ক কৃষ্ণঃ শ্রীনিকেতনঃ।
ব্রহ্মবন্ধুরিতি স্মাহং বাহুভ্যাম্ পরিরম্ভিত ॥ ৭৭ ॥

শব্দার্থ

ক—কদায, অহং—ঐ, দরিদ্র—শেংলেংতবা, লাইৰবা, পাপীয়ান—পাপী, ক—কদায, কৃষ্ণ—কৃষ্ণ, শ্রীনিকেতন—লক্ষ্মীগী তুঙযম, ব্রহ্মবন্ধু—অতোনবা ব্রাহ্মণ, ইতি—মদু, স্ম—অঙকপা ফোঙদোকপগী শব্দ, আং, অহং—ঐ, বাহুভ্যাম—পাম্বোম্না, পরিরম্ভিত—কোনবিবা ওইরবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীদাম বিপ্রনা হাযৰম্মী—"আ, হেক্তাক্লা ঙকখিদা। কদায ঐদি লক্ষ্মী-চেন্দবা লাইৰবা পাপীনী অমনা কদায লক্ষ্মীগী তুঙযম ওইবা শ্রীকৃষ্ণনী। ঐবু ব্রহ্মবন্ধুনী হায়দুনা মপাম্বোম্না কোন্‌বিরি।

তৈনবোল

শ্রীদাম-বিপ্র নহা ওইবিৰেদা শ্রীকৃষ্ণগী সখা ওইৰম্মী, মখোয়নী লাইৰীক তম্মিন্নৰপনী, শান্নমিন্নবকপনী অদুনা মখোয়নী যম্না যাম্না নুংশিনা চান্নে। তুংদা শ্রীকৃষ্ণনা দ্বারকাগী অধিপতি ওইবা মতমদা শ্রীদামদি লাযৰবনা ত্রং-ত্রং চিংশিল্লম্মী। শেল থোকমন্দবনা থাঙবা ঙম্মক্রদুনা মাগী মুপীনা নোংমা হায়ৰম্মী—"শ্রীকৃষ্ণদু নহাক্তীদি নহা ওইরিবৈগী মরূপনী, হৌজিক মহাক্তি দ্বারকাগী নিংথৌ ওইবে। নঙ অমুক্ত মহাক্কা উনকদনা, মহাক উনরগদি মতেং পিজ্জা ওইরগনু তৌবিবকপা য়াই।' মুপীগী ৱা তাবগা শ্রীদাম দ্বারকাদা চৎখিরম্মী। মরূপ উনবনী হায়দুনা য়াম্না

কুইববা তুংদা চংকদোরিবনী ; মরূপনি হায়রুনা কবি উপহার (খুদোন-পোৎ) পীকগনী ? যুমদস্তু কবিমতা লৈতে। অদুদা ব্রাহ্মণীনা যুম্নাক্ববদগী চেঙ পাক খুদাম মবিদং লৌরুবগা পীবরে , শ্রীদাম-বিপ্রনা চেঙপাক্তু ফিডৎ অমদা যোমশল্লগা পুবে। দ্বারকা যৌবগা মফমদুগী ঐশ্বর্য্য উবদা ঙক্লদুনা চেঙপাক মযোমদু শেগ্রাক্তা লোৎলম্মী। থরাই তনীক-তনীরা শ্রীকৃষ্ণগী নান্তা থুংলগা উকবে—শ্রীকৃষ্ণ রুক্মিণী-দেবীগী শঙগাইদা ফজরবা ফমুংদা ফমদুনা লৈবম্মী। শ্রীদামবু উবদা শ্রীকৃষ্ণনা লেঙখৎলগা থোরক্লুনা শ্রীদামবু খূৎ-অনীনা কোনখি অদুগা ফমুংদা ফমহনখি। হৌনবী সংকার তৌবা লোহবগা রুক্মিণী দেবীনা মঙোন্দা চামর থৌগন তৌখি। অন্তর্য্যামী শ্রীকৃষ্ণনা চেঙপাক মযোমদুগী বা খঙলম্মা , মরমদুনা শ্রীদামদা হাযখি—“মরূপ, ঐগীদমক কবি পুবরযি, পীবাদনা।” শ্রীদামদি ইকাযবনা যামা হঙ্গোইনা তুফক-তুফাই চল্লম্মী। ঐশ্বর্য্য অসূক যাম্বগী মপু, লক্ষ্মীদেবীনা মাগী পাদসেবা তৌবিবা, ভাবতকী নিংথৌ পুম্বনা মাগী কৃপা-মিৎয়েং ঙাইদুনা লৈবিবা, অদুগুম্বা মহাক্কী খুত্তা চিডা খুভাম অমথক্তং করম হাযনা পীগদগে ? অদুনা মহাক চেঙপাক অদু পুথোকপা ঙমদে, শ্রীকৃষ্ণনা খঙদনবা হাযদুনা চেঙপাক-চম্পা শেগ্রাক্তু অমূক হেন্না চপশল্লম্মী। কৃম্মে-হৈবা শ্রীকৃষ্ণ ব্রাহ্মণগী শেগ্রাক্তগী চেঙপাক মযোমদু চিংথাক্লগা চেঙপাক হাবা হৌখি—ভক্তনা নুংশিনা পুবকপা পোৎপু মহাক্না মহাও তংদবমথৈ লৈথোকপা ঙম্ববা ? শ্রীদামগী চেঙপাক খুবাম অমগা লোয়্নবা প্রীতিদুগা চাংদম্নবদা পৃথিবী পুম্বগী রাজৈশ্বর্য্য ফাওবা কবিস্তু-লৈতবা পোৎনী।

অদুবু শ্রীদামগী প্রেমনা শ্রীকৃষ্ণবু বশ তৌখিবা মরমনা শ্রীকৃষ্ণনা মহাকপু আলিঙ্গন তৌবিখি অমসুং মাগী চেঙপাক হাবিখি। শ্রীকৃষ্ণদা প্রীতি লৈবা মীগী হৌনবীদু শ্রীদামগীস্তু হৈখি। শ্রীকৃষ্ণপ্রীতি অদুক্কী মতীক লেবগা লোযননা ভক্তনা অদুক্কী মতীক মছাবু দীন-হীন ওই হাযনা খল্লী অমসুং অদুক্কী মতীক মছাবু মতীক চাদবনী হায়না লৌজে। শ্রীদামগীস্তু অদুমক ওইবে , মরমদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মহাকপু কোনবীবদুদা মহাক ঙকপনা লোইখি। মহাক্না মথন্তা মবুক্কুংদা খনখি—“কযাদা ঙকপ্রবনো ? ঐদি লাইরক-খীবা লাযববা অদুগা চবা হেল্লুনতা লৈববা মহাপাপীনী , অমসোমদনা শ্রীকৃষ্ণদি স্বয়ং ভগবান্নী , কদায় মাগা ঐগা কযাদা থেন্নরবী।” অদুম ওইমমক মহাক্না ঐবু কোনবী, অসিবু ঙক্লডাই নত্তবা ? মহাক্না ঐবু কোননবদি ঐনা ব্রহ্মবন্ধু ওইববস্তু ব্রাহ্মণগী ইমুংদা পোকপনী হায়বগী ওইরমা তাই।

তশেংবদি ভক্তবু চানবীহৈবা ঙাক্লা মখা পোনখিবনা শ্রীকৃষ্ণনা পরম-ভক্ত শ্রীদামবু কোয়নবীবনী, অদুবু শ্রীদামদি ভক্তনী হায়বনা অভিমান তৌদবা মরম্না দৈন্য ভাবতগী মহাক্না খনখিবদি মহাকপু শ্রীকৃষ্ণনা আলিঙ্গন তৌবগী মরমদি শ্রীকৃষ্ণনা ভক্ত-বৎসল ওইবনা নত্তে মহাক্না ব্রাহ্মণগী ইমুংদা পোক্লু-বনৃনী হায়বা অসিনী।

মুবারিগুপ্তদা শ্রীকৃষ্ণনা 'মুরারি, নঙ শ্রীকৃষ্ণবু বশ তৌরে।" হায়না হায়খিবা মতমদা মুবাবিনা নৈংবিবা ভাগবতমগী শ্লোকসি থীখিবনী। মসিনা তাকপদি অসিনী—ভক্তি লৈমনখিবনা দৈন্যভাব পোকপদগী শ্রীদাম বিপ্রনা মহাবু শ্রীকৃষ্ণনা আলিঙ্গন তৌবদা মতীক-চাদবনী খল্লবগুম মুরাবিগুপ্তসু ভক্তিদগী পোকপা দৈন্যভাব লৌখিবা মবম্না মহাবু শ্রীকৃষ্ণবু বশ তৌবদা মতীক চাবা পোং নত্তে হায়না খনখি।

নৈংবিবা শ্লোকসি শ্রীমদ্ভাগবতমদগীনী (১০/৮১/১৬)।

মুল ৭৮

একদিন প্রভু সব ভক্তগণ লৈয়া।
সঙ্কীর্ত্তন করি বৈসে শ্রমযুক্ত হৈয়া ॥ ৭৮ ॥

শব্দার্থ

একদিন—নোংমা, প্রভু—মহাপ্রভু, সব—লোইননমক, ভক্তগণ—ভক্তশিং, লৈয়া—লোয়ননা, সঙ্কীর্ত্তন করি—সঙ্কীর্ত্তন তৌবগা, বৈসে—ফম্মী, শ্রমযুক্ত হৈয়া—বাবহুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা প্রভুনা ভক্তশিং পুম্নমক্না লোয়ননা সঙ্কীর্ত্তন তৌবগা বাবহুনা ফমখি।

মুল ৭৯-৮০

এক আম্রবীজ প্রভু অঙ্গনে রোপিল।
তৎক্ষণে জন্মিল বৃক্ষ বাড়িতে লাগিল ॥ ৭৯ ॥
দেখিতে দেখিতে বৃক্ষ হইল ফলিত।
পাকিল অনেক ফল—সভেই বিস্মিত ॥ ৮০ ॥

শব্দার্থ

এক—অমা, আম্রবীজ—হৈনৌ মৰা, প্রভু—প্রভুনা, অঙ্গনে—মাঙ্গোন্দা, রোপিল—থাখি, তৎক্ষণে—খুদক্তা, জন্মিল—হৌখি, বৃক্ষ—পাম্বী, বাড়িতে—চাউখৎলকপা, লাগিল—হৌবকখি, দেখিতে দেখিতে—উনা উনা, বৃক্ষ—পাম্বী, ফলিত—মহৈ পানখি, পাকিল—মুল্লম্মী, অনেক ফল—উহৈ অযাম্বা, সভেই—পুম্নমক, বিস্মিত—ঙকখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(ময়াম পোথাবিগৈদা) প্রভুনা হৈনৌ মরু অমা মাঙ্গোন্দা ফুমদুনা থারম্মী। খুদক্কুন্দা পাম্বী চোংখৎলক্তুনা হম হম চাউবম্মী। যেংনা যেংনা পাম্বীদা মহৈ পাল্লক্‌খি। উহৈ অয়াম্বা মুল্লম্মী। (মহু উবদা) মী পুম্নমক ঙকখি।

মুল ৮১-৮২

শত দুই ফল প্রভু শীঘ্র পাড়াইল।

প্রক্ষালন করি কৃষ্ণে ভোগ লাগাইল ॥ ৮১ ॥

রক্ত-পীত-বর্ণ, নাহি অষ্ট্যংশ-বল্কল।

একজনের উদর পূরে এক ফল ॥ ৮২ ॥

শব্দার্থ

শত—চামা, দুই—অনী, (শত দুই—চনী), ফল—হৈ, প্রভু—প্রভুনা, শীঘ্র—থুন্নমক, পাড়াইল—হেবহনখি, প্রক্ষালন করি—চামথোক্লগা, কৃষ্ণ—শ্রীকৃষ্ণদা, ভোগ লাগাইল—হানবা কংখি, রক্ত-পীত-বর্ণ—অঙাঙবা অমসুং নাপু মচুগী, নাহি—যাওদে, অষ্টি—মরু, অংশ—মশিং, বল্কল—মকু, একজনের—মী অমগী, উদর—পূক্, পুরে—থল্লী, খাইলে—চারবদি, এক ফল—হৈ অমা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হৈ চনীথক থুনমক হেকহনখি, চাম্‌থোক্লগা কৃষ্ণদা ভোগ কংখি। হৈশিংদু অঙাঙব-নাপু-মচুগীনী, মরু, মশিং, মকু য়াওরমদে। হৈ অমমম চারবদি মী অমগী পূক থল্লী।

মূল ৮৩

দেখিয়া সন্তুষ্ট হৈল শচীর নন্দন।
সভাকে খাওয়াইল আগে করিয়া ভক্ষণ ॥ ৮৩ ॥

শব্দার্থ

দেখিয়া—উবগা, সন্তুষ্ট—পেমবা, হৈল—ওইখি, শচীর নন্দন—শচীগী মচানুপা, সভাকে—মী পুম্বদা, খাওয়াইল—পীজখি, আগে—হান্না, করিয়া ভক্ষণ—চাবগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

উবগা শচীগী মচানুপা পেমখি। প্রভুনা হান্না চাবগা মযাম পুম্বদা শ্রীকৃষ্ণ-প্রসাদী খুলহনখি।

মূল ৮৪-৮৫

অষ্টাংশ-বল্কল নাহি অমৃতরসময়।
এক ফল খাইলে রসে উদর পূরয় ॥ ৮৪ ॥
এইমত প্রতিদিন ফলে, বারমাস।
বৈষ্ণব খায়েন ফল প্রভুর উল্লাস ॥ ৮৫ ॥

শব্দার্থ

অষ্টি-অংশ-বল্কল—মরু-মশিং-মকু, নাহি—যাওদে, অমৃতরসময়—অমৃতগুম্বা অহাওবা রস-না থনবা, এক ফল—হৈ অমা, খাইলে—চাররদি, রসে—রসনা, উদর—পুক, পূরয়—থল্লী, এইমত—মতৌ অসুম্না, প্রতিদিন—নুমীৎ খুদিংগী, ফলে—হৈ পাল্লী, বারমাস—থা তরানীথোই, বৈষ্ণবে—বৈষ্ণবনা, খায়েন—চার, ফল—হৈ, প্রভুর—প্রভুগী, উল্লাস—নুংঙাইবা (ওই)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হৈনৌশিংতু মরু-মশিং-মকু পাল্লমদে, মহাওনা অমৃতগী রসনা থনবনী। হৈ অমা চাররদি রসতুনা পুক থল্লী। মতৌ অসুম নুমীৎ খুদিংগী থা তরানীথোই চুপ্পা হৈ পাল্লী। বৈষ্ণবশিংনা উহৈতু খুল্লমী। মসুদা প্রভুনা হরাওখি।

মৈৎরোল

হায়বিবা হৈনৌ পাম্বীসিদা থা-তরানীথোই হায়বদি চহী অমা চুপ্পা মুমীৎ খুদিংগী হৈ পানখি। মুমীৎ খুদিংগী কীর্ত্তন লোইবগা প্রভুনা ভক্ত-শিংগা লোয়ননা হৈনৌ খুল্লম্মী। অদুবু ভক্তশিং নত্তনা কনামতনা হৈনৌ পাম্বীসু উবমদে, হৈনৌসু চাদে অদুগা মযামগা হৈনৌ চাবগী রাসু খঙ-লমদে। হায়বিবা হৈনৌসে প্রাকৃত নত্তে, অপ্রাকৃতনী। প্রাকৃত হৈনৌদদি মক্ক-মশিং-মকু লোইনা পাল্লী। ভক্তশিংদা শুদ্ধসত্ত্ব ওইবক্লবা মতমদা মখোযগী ইন্দ্রি পুম্বা শুদ্ধ সত্ত্বনা থল্লী, মরমদুনা মখোযনা শুদ্ধসত্ত্বগী ভগবদ্ধামগী লীলা পুম্বা দর্শন তৌবা ঙম্মী। অতোপ্পা প্রাকৃত ওইবা মিংকী মতেঙনা লীলাশিংসে উবা ঙমদে।

মূল ৮৬

এই সব লীলা করে শচীর নন্দন।

অন্য লোক নাহি জানে—বিনা ভক্তগণ ॥ ৮৬ ॥

শব্দার্থ

এই সব লীলা—লীলা পুম্বসি, করে—তৌযি, শচীর নন্দন—শচীগী মজাবুঙো, অন্য—অতোপ্পা, লোক—মীনা, নাহি জানে—খঙদে বিনা—নত্তনা, ভক্তগণ—ভক্তশিং।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শচীগী মজাবুঙো গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা হায়বিবা লীলা পুম্বসি শান্নে। ভক্তশিং নত্তবা অতৈনা লীলা শান্নবসি খঙদে।

মূল ৮৭

এই মত বারমাস কীর্ত্তন-অবসানে।

আম্র-মহোৎসব প্রভু করে দিনে দিনে ॥ ৮৭ ॥

শব্দার্থ

এইমত—মতৌ অসুম্না, বারমাস—থা তরানীথোই, কীর্ত্তন-অবসানে—কীর্ত্তন লোয়রগা, আম্র মহোৎসব—হৈনৌগী মহোৎসব, প্রভু—প্রভুনা, করে—তৌযি, দিনে দিনে—মুমিৎ খুদিংগী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না থা-তরানীথোই চুপ্পা লুমিং খুদিংগী কীর্ত্তন লোযবগা হৈনৌগী মহোৎসবসি তৌয়ি।

মূল ৮৮

কীর্ত্তন করিতে প্রভু আইল মেঘগণ।
আপন ইচ্ছায় কৈল মেঘনিবারণ॥ ৮৮॥

শব্দার্থ

কীর্ত্তন করিতে—কীর্ত্তন তৌবিঙৈদা, প্রভু—প্রভুনা, আইল—লাকখি, মেঘগণ—নোংমযাম, আপন ইচ্ছায—মছামকী ইচ্ছানা, কৈল—তৌখি, মেঘ-নিবারণ—নোংবু খাঙ্গা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা কীর্ত্তন তৌবিঙৈদা নোংযাম লাক্লুনা মংখি। প্রভুনা খামগে নীঙবগা নো খামখি।

মূল ৮৯-৯০

একদিন প্রভু শ্রীবাসেরে আজ্ঞা দিল।
বৃহৎ সহস্রনাম পড—শুনিতে মন হৈল॥ ৮৯॥
পড়িতে আইল স্তবে নৃসিংহের নাম।
শুনিয়া আবিষ্ট হৈল প্রভু গৌরধাম॥ ৯০॥

শব্দার্থ

একদিন—নোংমা, প্রভু—প্রভুনা, শ্রীবাসেরে—শ্রীবাসদা, আজ্ঞা যাথং, দিল—পীখি, বৃহৎসহস্রনাম—মহাভারতকী অনুশাসনপর্বদা য়াওবা বিষ্ণু-সহস্রনাম, পড—পাঠ তৌ, শুনিতে—তাননবা, মন—পুক্নিং, হৈল—ওইরে, পড়িতে—পাঠ তৌবদা, আইল—লাকখি, স্তবে—স্তবতা, নৃসিংহের—নৃসিংহগী, নাম—মিং, শুনিয়া—তাবগা, আবিষ্ট হৈল—(নরসিংহগী ভাব-তা) চঙখি, প্রভু গৌরধাম—শ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা প্রভুনা শ্রীবাসদা যাথং তাউথখি—"বিষ্ণুসহস্রনাম পাঠ তৌ, ঐহাক তানীগলে।" পাঠ তৌবকপদা স্তবকী মনুংদা নরসিংহগী-নাম পল্লকপদা নরসিংহগী ভাব-তা গৌরাঙ্গ মহাপ্রভু চংখি।

মূল ৯১

নৃসিংহ-আবেশে প্রভু হাতে গদা লৈয়া।

পাষণ্ডী মারিতে যায় নগরে ধাইয়া॥ ৯১ ॥

শব্দার্থ

নৃসিংহ-আবেশে—নরসিংহগী ভাব-তা চংলবদা, প্রভু—প্রভুনা, হাতে—খুত্তা, গদা—গদা, লৈয়া—পাযদুনা, পাষণ্ডী—পাষণ্ডীবু, মারিতে—হাৎপা, যায়—চংলী, নগরে—নগরদা, ধাইয়া—চেন্থোকুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নরসিংহগী ভাব-তা চংখিদুনা প্রভুনা খুত্তা গদা পাযবগা পাষণ্ডীবু হাৎকে হায়না নগর মনুংদা চেন্থোকখি।

মূল ৯২

নৃসিংহ-আবেশ দেখি মহাতেজোময়।

পথ ছাড়ি ভাগে লোক পাঞা বড় ভয়॥ ৯২ ॥

শব্দার্থ

নৃসিংহ-আবেশ—নরসিংহগী ভাব-তা চংবদু, দেখি—উরগা, মহা তেজোময়—মঙাল অচৌবা অমগা লোয়নবা, পথ—লম্বেল, ছাড়ি—থাদোকুনা, ভাগে—চেল্লী, লোক—মীয়াম্না, পাঞা—ফংদুনা, বড—অচৌবা, ভয়—অকিবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতকপা মঙাল (জ্যোতিঃ) অমগা লোয়নবা নরসিংহ-আবেশ উবদা মীয়াম্না অক্সা কিবদুনা লম্বেল থাদোকপা চেনখী।

মূল ৯৩-৯৪

লোকভয় দেখি প্রভুর বাহ্য হইল।
শ্রীবাসের গৃহে যাঞা গদা ফেলাইল ॥ ৯৩ ॥
শ্রীবাসের কাছে প্রভু করিয়া বিষাদ।
লোক ভয় পাইল, মোর হৈল অপরাধ ॥ ৯৪ ॥

শব্দার্থ

লোকভয়—মীয়াম্না কিবা, দেখি—উবদা, প্রভুর—প্রভুগী বাহ্য—মপানগী পোংখঙবা, হৈল—ওইখি, শ্রীবাসের—শ্রীবাসগী, গৃহে—যুমদা, যাঞা—চংলগা, গদা—গদা, ফেলাইল—লংশেল্লম্মী শ্রীবাসেরে—শ্রীবাসদা, কাছে—হায প্রভু—প্রভুনা, করিয়া বিষাদ—নুংঙাইত্রবদুনা, লোক—মীনা, ভয় পাইল—কিরে, মোর—ঐগী, হৈল অপরাধ—অপরাধ ওরে।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

মীনা কিনবগদবু উবদা প্রভুগী বাহ্য জ্ঞান হৌরম্মী অদুদগী শ্রীবাসগী যুমদা লেঙলগা গদা লংশেল্লুই। অদুগা শ্রীবাসদা প্রভুনা পুন্নীঙ নুংঙাইতনা হাযরম্মী—মীনা যাম্না কিনরে, মাখোযগী মফমদা ঐগী অপরাধ ওইরেদো।

মূল ৯৫-৯৬

শ্রীবাস বোলেন—যে তোমার নাম লয়।
তার কোটি অপরাধ সব ক্ষয় হয় ॥ ৯৫ ॥
অপরাধ নাহি, কৈল লোকের নিস্তার।
যে তোমা দেখিল তার ছুটিল সংসার ॥ ৯৬ ॥

শব্দার্থ

শ্রীবাস—শ্রীবাসনা, বোলেন—হায, যে—মহাক, তোমার—নঙগী, নাম—মিংলেন, লয—লৌযি, তার—মহাক্কী, কোটি অপরাধ—অপরাধ কোটি, সব—পুম্বা, ক্ষয—তুম্বা, কোকপা; হয—ওই, অপরাধ নাহি—অপরাধ লৈতে, কৈলে—(নঙনা) তৌখিবরনী, লোকের—মীশিংগী, নিস্তার—লানথোকপা, যে—মহাক, তোমা—নঙবু, দেখিল—উরে, তার—মাগী, ছুটিল—চৈনখ্রে, সংসার—সংসারনা পুনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীবাসনা প্রভুদা খুম্লম্মী নঙগী নাম শোনবা মীগী অপরাধ কোটিমা পুন্না কোকথ্রবনী। নঙনা কনাদম্সু অপরাধ তৌদে, অদুগী মহুত্তা নঙনা মীশিংদুগী মুক্তি ফংহল্লবনী। নঙবু দর্শন তৌখিবা মীদুগী সংসার-বন্ধন চেনথ্রবনী।

মূল ৯৭

এত বলি শ্রীনিবাস করিল সেবন।

তুষ্ট হঞা প্রভু আইলা আপন ভবন॥ ৯৭॥

শব্দার্থ

এত—অসুমকথক, বলি—হায়রগা, শ্রীনিবাস—শ্রীবাসনা, করিল—তৌখি, সেবন—সেবা, তুষ্ট হঞা পেল্লদুনা, পভু—পভুনা, আইলা—লাকখি, আপন মহাগী, ভবন—য়ুমদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসি হায়না হঙ্গংলগা শ্রীবাসনা প্রভুগী সেবা তৌযি। প্রভুসু পেল্লদুনা মহাগী মন্দির তান্না লেংঙকখি।

মূল ৯৮-৯৯

আরদিন শিবভক্ত শিবগুণ গায়।

প্রভুর অঙ্গনে নাচে—ডমরু বাজায়॥ ৯৮॥

মহেশ-আবেশ হৈলা শচীর নন্দন।

তার কান্ধে চড়ি নৃত্য কৈল অনুক্ষণ॥ ৯৯॥

শব্দার্থ

আরদিন—অতোপ্পা নুমিৎ অমদা, শিবভক্ত শিবগী ভক্ত, শিবগুণ—শিবগী গুণ, গায়—শকয়ি, প্রভুর প্রভুগী, অঙ্গনে—মাঙ্গোন্দা, নাচে—জগোই শায়, ডমরু বাজায়—ডমরু থৈ, মহেশ-আবেশ—শিবগী ভাব-তা চঙবা, হৈলা—ওইখি, শচীর নন্দন—শচীগী মজাবুংঙো, তার—মাগী (শিবভক্তগী), কান্ধে—লেংবান্দা, চড়ি—তোংলগা, নৃত্য কৈল—জগোই শাখি, অনুক্ষণ—মতম শাংনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতোপ্পা নুমিৎ অমদা শিবগী ভক্ত অমা লাক্লগা শিবগী মণ্ডল শক্লা শক্লা প্রভুগী মাঙ্গোন্দা জগোই শাবৈ অদুগা ডমরুসু যৈ। মতু উবদা প্রভু শিব মহাদেবগী ভাব তা আবেশ ওইখি অদুগা শিবভক্তগী মাবৎবান্দা তোংলগা মখম শাংনা জগোই শখি।

মূল ১০০—১০১

আরদিন এক ভিক্ষুক আইলা মাগিতে।
প্রভুর নৃত্য দেখি নৃত্য লাগিল করিতে ॥ ১০০ ॥
প্রভু সঙ্গে নৃত্য করে পরম উল্লাসে।*
প্রভু তারে প্রেম দিল—প্রেমরসে ভাসে ॥ ১০১ ॥

শব্দার্থ

আরদিন—নোমসু অমসু, এক—অমা, ভিক্ষুক—ভিক্ষারি, আইলা—লাকখি, মাগিতে—নিবা, প্রভুর—প্রভুগী, নৃত্য—জগোই, দেখি—উবগা, নৃত্য—জগোই, লাগিল—হৌখি, করিতে—শাবা, প্রভু সঙ্গে—প্রভুগা লোয়ননা, নৃত্য করে—জগোই শাই, পরম উল্লাসে—যৌনা হরাওনা, প্রভু—প্রভুনা, তারে—মঙোন্দা, প্রেম—কৃষ্ণবু নুংশিবা, দিল—পিবিখি, প্রেমরসে—কৃষ্ণপ্রেম রসদা, ভাসে—তাউখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোমসু ভিক্ষারি অমা ভিক্ষা নিবা লাকখি। মানা প্রভুগী জগোই উবদা মাসু জগোই শাবা হৌখি। মহাক প্রভুগা লোয়ননা যাম্না হরাওনা জগোই শাখি। প্রভুনা মঙোন্দা কৃষ্ণপ্রেম পীবিখি, অদুনা মহাক কৃষ্ণ-প্রেমগী রসদা তাউখি।

মূল ১০২—১০৩

আরদিনে জ্যোতিষ-সর্ব্বজ্ঞ এক আইল।
তাহার সম্মান করি প্রভু প্রশ্ন কৈল ॥ ১০২ ॥
কে আছিলাঙ আমি পূর্ব্বজন্মে কহ গণি।
গণিতে লাগিলা সর্ব্বজ্ঞ প্রভুবাক্য শুনি ॥ ১০৩ ॥

শব্দার্থ

আরদিন—নোংমা অমসু, জ্যোতিষ—সর্ব্বজ্ঞ—জ্যোতিষগী বা লোইনা খঙবা মী (পাঞ্জি-গণক), এক—অমা, আইল—লাকখি; তাহার—মাগী, সম্মান করি—মমাম যেংবিদুনা, প্রভু—প্রভুনা, প্রশ্ন কৈল—বা হংখি, কে—কনা, আছিলাঙ—ওইরম্মী, আমি—ঐহাক, পূর্ব্বজন্মে—মহাল-মুক্কী মপোক্লা, কহ—হায়যু, গণি—হোৎলগা, গণিতে লাগিলা—হোৎপা হৌগৎখি, সর্ব্বজ্ঞ—পূঙখঙ-খঙবা গণকা, প্রভুবাক্য—প্রভুগী যাথং, শুনি—তাবগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমস্তু জ্যোতিষ শাস্ত্র লোইনমক খঙবা গণক অমা লাকখি। মাগী মমায ঙাকপিদুনা প্রভুনা হংখি—মহাল মুক্কী মপোক্লা ঐহাক কনা ওইবম্মী হায়বদু হোৎলগা হায়যু। গণক-না প্রভুগী যাথং তাবগা হোৎপা হৌখি।

মূল ১০৪-১০৬

গণি ধ্যানে দেখে সর্ব্বজ্ঞ—মহাজ্যোতির্ম্ময়।
অনন্ত বৈকুণ্ঠ ব্রহ্মাণ্ড সভার আশ্রয় ॥ ১০৪ ॥
পরতত্ত্ব পরব্রহ্ম পরম-ঈশ্বর।
দেখি প্রভুর মূর্ত্তি সর্ব্বজ্ঞ হইল ফাঁফর ॥ ১০৫ ॥
বলিতে না পারে কিছু, মৌন ধরিল।
প্রভু পুন প্রশ্ন কৈল, কহিতে লাগিল— ॥ ১০৬ ॥

শব্দার্থ

গণি—হোৎলগা ধ্যানে—ধ্যানদা, দেখে—উই, সর্ব্বজ্ঞ—পাঞ্জি-গণকনা, মহাজ্যোতির্ম্ময়—মঙাল অচৌবা অমগী মূর্ত্তি, অনন্ত—ঙমথৈ-নাইদবা, বৈকুণ্ঠ—বৈকুণ্ঠ, ব্রহ্মাণ্ড—ব্রহ্মাণ্ড, সভার—পুম্নমক্কী, আশ্রয়—তুঙফম, পরতত্ত্ব—খ্বাইদগী হেনবা তত্ত্ব, পরব্রহ্ম—ব্রহ্মগী অযৌবী মফোঙ (বিকাশ), পরম ঈশ্বর—স্বয়ং ভগবান, দেখি—উদুনা, প্রভুর—প্রভুগী, মূর্ত্তি—মূর্ত্তি; সর্ব্বজ্ঞ—গণক, হইল—ওইখি, ফাঁফর—তৌকম-খঙদবা; বলিতে—হায়বা, না পারে—ঙমদে; কিছু—করিমত্তা,

যৌন ধবিল—রা ভাঙলমাদ, প্রভু—প্রভুনা, পুন - অমূক হন্না, প্রশ্ন কৈল—হংলম্মী, কম্পিত লাগিল—হাযবা হৌখি।

মৈতৈলোন্দা ঙন্দোকপা

(প্রভুগী য়াথং মতুং ইন্না) সর্ব্বজ্ঞনা হোৎলগা ধ্যান তৌবদা উখি—মঙাল অচৌবা অমগী মূর্ত্তি, মূর্ত্তিদু থীঙমদবা মশীঙগী বৈকুণ্ঠ অদুগা ব্রহ্মাণ্ড লোইনমকী অমতা ভাযবা তুঙফম্মী, মূর্ত্তি অদু পরতত্ত্বনী, মূর্ত্তিদুদা ব্রহ্মাগী অযৌবী (অহৌইবী) শকফোঙ উখি, অদুগা মদু পূর্ণতম ভগবান, স্বয়ং ভগবান ওইনা উখি। প্রভুগী মশক অদু উবগা সর্ব্বজ্ঞগণক তৌযম খঙদবমখৈ লৈত্রে। কবি হাযগদগে হ যবা লেপ্পা ঙমদবদগী তুমিন্না লৈত্রে। (মাগী ফীভমদু উবদা) প্রভুনা অমুক হন্না হংলম্মী, মতমদুদা মহাক জ্ঞান ভাবকপদৌনা রা হাযবা হৌখি।

মূল ১০৭-১০৮

পূর্ব্বজন্মে ছিলা তুমি জগত-আশ্রয়।
পরিপূর্ণ ভগবান সর্ব্বৈশ্বর্য্যময় ॥ ১০৭ ॥
পূর্ব্বে যৈছে ছিলা, তুমি এবে সেইরূপ।
দুর্ব্বিজ্ঞেয় নিত্যানন্দ তোমার স্বরূপ ॥ ১০৮ ॥

শব্দার্থ

পূর্ব্বজন্ম—মমাঙগী মপোক্তা, ছিলা—লৈবম্মী, তুমি—নহাক, জগত-আশ্রয—জগৎকী তুঙফম, পরিপূর্ণ—মপুঙফাবা, ভগবান—ভগবান সর্ব্বৈশ্বর্য্যময—ঐশ্বর্য্য-লোইনমক্কী তিনফম ওইনা, পূর্ব্বে—হান্না, যৈছে—হন্না, ছিলা—লৈবম্মী, তুমি—নঙ, এবে—হৌজিকসু, সেইরূপ—শকফম অদু, দুর্ব্বিজ্ঞেয—খঙঙমদবা, নিত্যানন্দ—শ্রীনিত্যানন্দ, তোমার স্বরূপ—নঙগী স্বরূপনী।

মৈতৈলোন্দা ঙন্দোকপা

মমাঙগী মপোক্তা নহাক জগৎকী তুঙফম ওইনা লৈরম্মী। (মশীঙ লাবুঙমদবা বৈকুণ্ঠ অমসুং ব্রহ্মাণ্ড পুম্নমক্কী তুঙফম) মপুঙফাবা ভগবান ঐশ্বর্য্য পুম্নমক্কী তিনফম ওইবম্মী। হৌজিকসু নহাক অদুম্মত্তায়। অদুগা শ্রীনিত্যানন্দনা নহাক্কী স্বরূপ অমনী, মাগী তত্ত্ব ঐহাক হাযবা ঙমদে।

মূল ১০৯-১১০

প্রভু হাসি বোলে—তুমি কিছু না জানিলা।
পূর্ব্বে আমি আছিলাঙ জাতিযে গোযালা॥ ১০৯॥
গোপ গৃহে জন্ম ছিল গাভীর রাখাল।
সেই পুণ্যে এবে হৈলাঙ ব্রাহ্মণ চাণ্ডাল॥ ১০॥

শব্দার্থ

প্রভু—প্রভুনা, হাসি—নোক্লুনা, বোলে—হায, তুমি—নঙ, কিছু—কবিমতা, না জানিলা—খঙদে, পূর্ব্বে—মমাঙৈঙদা, আমি—ঐহাক, আছিলাঙ—ওইবম্মী, জাতিযে—জাতিদা, গোযালা—শঙ্গোম যোন্‌বা, গোপ-গৃহে গোযালাগী যুমদা, জন্ম ছিল পোকখিবনী, গাভীর—শম্মোমগী, রাখাল—শনজেন্নহা, সেই পুণ্যে—থবক অফবা অদুনা, এবে—হৌজিক মপোক্তা, হৈলাম—ওইবখিবনী, ব্রাহ্মণ চাণ্ডাল—ব্রাহ্মণ মচা।

মৈতৈ লোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা নোক্লুনা হাযবম্মী—নঙ কবিমতা খঙদ্রে, হান্নদি ঐহাক জাতিদা গোযালা (ঘালা) ওইবম্বনী। গোপগী যুমদা পোকপনী অদুগা শম্মোম শেন্‌বা ওইবম্বনী। পুণ্যদুগী ফল ওইনা হৌজিক ব্রাহ্মণ মচা ওইনা পোক্লিবনী।

মূল ১১১-১১৩

সর্ব্বজ্ঞ কহে তাহা আমি ধ্যানে দেখিলাঙ।
তাহাতেও ঐশ্বর্য্য দেখি ফাঁফর হৈলাঙ॥ ১১১॥
সেইরূপে এইরূপে দেখি একাকার।
কভু ভেদ দেখি, এই মাযাযে তোমার॥ ১১২॥
যে হও সে হও তুমি, তোমাকে নমস্কার।
প্রভু তারে প্রেম দিযা কৈল পুরস্কার॥ ১১৩॥

শব্দার্থ

সর্ব্বজ্ঞ—গণক, কহে—হায়, তাহা—মদু, আমি—ঐনা, ধ্যানে—ধ্যান্দা, দেখিলাঙ—উরে, তাহাতে ও—মদুদসু, ঐশ্বর্য্য—ঈশ্বর ওইবগী

মতৌ , দেখি—উত্তুনা , কাঁফব—তৌফম-থক্তদবা , হৈলাও—ওইববনী , সেই রূপে—শক অত্তুগা , এই রূপে—শক অসিগদা , দেখি—উবি , একাকার— শকফম অমতা , কভু—কবিগুম্বদসু , ভেদ— খেন্নবা , দেখি—উই , এই—মসি , মাযাযে—মাযানী , তোমার—নঙগী , যে হও সে হও—অমবু ওইরবসু অমবু ওইববসু , তুমি—নও , তোমাকে—নঙবু , নমস্কার—খুরুমজে , প্রভু— প্রভুনা , তাবে মঙোন্দা , প্রেম দিযা—প্রেম পীত্তুনা , কবে পুবস্কাব—মনা পীবি ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গণকনা হাযবন্মী—"মহ্ন (গোপ ওইনা পোকখিবহ্ন) ঐনা থ্যান্দা উরে। মহ্নদসু ঐশ্বর্য উত্তুনা করি হাযগদবনো মফম থওদ্রবনী ঐহাক। হাম্নি রূপ অত্তুগা হৌজিক্কী রূপকদা শকফম অমতা ওইনা উই। কবিগুম্বদা খেনবা উবিবসিদ নঙগী মাযাননী। নহাক অমবু ওইরবসু অমবু ওইববসু, নঙোন্দা ঐহাক খুরুমজে।" প্রভুনা মঙোন্দা কৃষ্ণপ্রেম পীত্তুনা মনা যংহনখি।

মূল ১১৪

একদিন প্রভু বিষ্ণুমণ্ডপে বসিয়া।
মধু আন মধু আন বোলেন ডাকিয়া ॥ ১১৪ ॥

শব্দার্থ

একদিন—নুমিৎ মা , প্রভু—প্রভুনা , বিষ্ণুমণ্ডপে—বিষ্ণুমণ্ডপ-তা বসিযা—ফমত্তুনা , মধু—যু , আন—পুবকউ , মধু—যু আন পুবকউ , বোলেন—হায় , ডাকিয়া—কৌত্তুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা প্রভুনা বিষ্ণুমণ্ডপ্তা ফম্লগা কৌবগা হাযবন্মী—মধু পুবকউ, মধু পুবকউ।

মূল ১১৫-১১৬

নিত্যানন্দ গোসাঞিব আবেশ জানিল।
গঙ্গাজল-পাত্র আনি সম্মুখে ধরিল ॥ ১১৫ ॥
জল পান করি নাচে হইয়া বিহ্বল।
যমুনাকর্ষণ লীলা দেখয়ে সকল ॥ ১১৬ ॥

শব্দার্থ

নিত্যানন্দ—শ্রীমন্নিত্যানন্দ প্রভুনা, গোসাঞির—মহাপ্রভুগী, আবেশ—(বলরামগী ভাব-তা) চঙবা, জানিল—খঙখি, গঙ্গাজল-পাত্র—গঙ্গাজল-পাত্র (খুজাই), আনি—পুবক্তুন, সম্মুখে—মাঙদা, খবিল—পাযখি, জল পান কবি—জল ফাল্লগা, নাচে—জগোই শাই, হইযা—ওইহুনা, বিহ্বল—বিভুলা (জ্ঞান-মাঙবা), যমুনা-আকর্ষণ লীলা—যমুনাবু বলদেবনা চিংবগী লীলা, দেখযে—উখি, সকল—পুম্নমক্না।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা বলদেবগী ভাবতা আবেশ ওইবনী হাযবহু শ্রীমননিত্যানন্দনা খঙলহনা গঙ্গাজল-পাত্র পুরক্লগা মাঙদা পাযখি। জল ফাল্লগা ভাবাবেশগী মখাইনা জগোই শাখি। মযাম পুম্নমকা যমুনা চিংশনবগী লীলা অহু উখি।

নৈনরোল

মতম অমদা শ্রীবলদেবনা বাসলীলা শান্নবগা চলকেলি শান্নগ হাযহনা যমুনাবু কৌবকখি, কৌরকপদা যমুনা-না লাক্রুবদা শ্রীবলদেবনা যমুনাবু চিংলম্মী (আকর্ষণ তৌরম্মী)। শ্রীবলদেবগী আবেশদা প্রভুনা মযাম পুম্বদা লীলাসি উহনখি। লীলাসি শ্রীমদ্ভাগবতগী দশম স্কন্ধদা ৬৫-শুবা অধ্যাযদা যাওবিবনী।

মূল ১১৭-১১৮

মদমত্তগতি বলদেব-অনুকার।
আচার্য্যশেখর তাঁর দেখে রামাকার॥ ১১৭॥
বনমালী আচার্য্য দেখে সোণার লাঙ্গল।
সভে মিলি নৃত্য করে আবেশে বিহ্বল॥ ১১৮॥

শব্দার্থ

মদমত্তগতি—যুঙাওবগী খোঙথাঙনী, বলদেব-অনুকার—বলদেবগী মতৌনী, আচার্য্য শেখর—চন্দ্রশেখর আচার্য্য, তাঁর—মাগী, দেখে—উই, রামাকার—বলরামগী শকক্তম, বনমালী আচার্য্য—বনমালী আচার্য্যনা, দেখে—উই, সোনার—সনাগী, লাঙ্গল—লাঙ্গোল, সভে—লোইনমক, মিলি—তিন্নবগা, নৃত্য করে—জগোই শাই, আবেশে—বলদেবগী আবেশদা, বিহ্বল—অঙাওবগুম্মী।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

শ্রী বলদেবগী মাত্তৌগুম মুক্তাগুকী খোঙ্গআঙ প্রভুনা থাঙখি। মতমঙ্দা চন্দ্রশেখর আচার্য্যনা মহুগী বলরামগী শক অদু উখি। অদুগা বনমালী আচার্য্যনা সনাগী লাঙ্গল উখি। মথাম পূন্নমক লোয়ননা জগোই শখি প্রভুনা। ভাবাবেশদা লৈবা মতমদা প্রভু অঙাওবগুম্নম্মী।

মূল ১১৯

এই মত নৃত্য হইল চারি প্রহর।

সন্ধ্যায় গঙ্গাস্নান করি সভে গেলা ঘর ॥ ১১৯ ॥

শব্দার্থ

এই মত—মত্তৌ অসুম্না, নৃত্য—জগোই হইল—ওইখি চারি প্রহর—প্রহর মরি সন্ধ্যায়—য়ুচাঙবা মতমদা গঙ্গাস্নান করি—গঙ্গাদা স্নান তৌবগা, সভে—লোইনমক, গেলা—চংখি, ঘর—য়ুমদা।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

মত্তৌ অসুম্না প্রহর মরি চুপা জগোই শাবম্মী। য়ুচাঙবা মতমদা গঙ্গাদা স্নান তৌবগা মা লোইনমক য়ুম হন্নখি।

মূল ১২০

নগরিয়া লোকে প্রভু যবে আজ্ঞা দিল।

ঘরে ঘরে সঙ্কীর্তন করিতে লাগিল ॥ ১২০ ॥

শব্দার্থ

নগরিয়া—নবদ্বীপ নগরদা লৈবা, লোকে—মীশিংদা, প্রভু—প্রভুনা, যবে—মতম মঙ্দা আজ্ঞা—য়াথং, দিল—পীখি, ঘরে ঘরে—য়ুম খুদিঙদা সঙ্কীর্তন—নামকীর্তন, করিতে—তৌবা, লাগিল—হৌখি।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

প্রভুনা নবদ্বীপ-নগর-বাসীশিংবু য়াথং পীরকপা মতমদা য়ুমথোক খুদিঙদা নাম-সঙ্কীর্তন তৌবা হৌগংখি।

মূল ১২১

"হরয়ে নমঃ কৃষ্ণ যাদবায় নমঃ।

গোপাল গোবিন্দ রাম শ্রীমধুসূদন ॥ ১২১ ॥"

শব্দার্থ

হরায়ে—হরিবু, নমঃ—খুরুমজে। কৃষ্ণযাদবায়—যাদব কৃষ্ণবু, নম—খুরুমজে গোপাল—গোপাল, গোবিন্দ—গোবিন্দ, রাম—রাম শ্রীমধুসূদন—মধু দৈত্যবু হাৎপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হরিবু খুরুমজে, যাদব কৃষ্ণব খুরুমজে, গোপাল, গোবিন্দ, রাম অমস শ্রীমধুসূদন-বু খুরুমজে।

মূল ১২২

মৃদঙ্গ করতাল সঙ্কীর্তন উচ্চধ্বনি।

হরি-হরি ধ্বনি বিনে আন নাহি শুনি ॥ ১২২ ॥

শব্দার্থ

মৃদঙ্গ—পুঙ, করতাল—কোর্তাল সঙ্কীর্তন—সঙ্কীর্তন উচ্চধ্বনি—অবাংবা ধ্বনি হরি-হরিধ্বনি—হরি-হরি হায়বা খোন্নিঙ বিনে—নত্তনা, আন—অতৈমা, নাহি শুনি—তাখিদে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পুঙ-কোর্তাল অদুগা নাম সঙ্কীর্তনগী অবাংবা ধ্বনি—হরি হরি হায়বা ধ্বনিসি নত্তনা অতৈ অমা তাখিদরে।

উনম্নরোল

প্রভুগী মাথং মহ ইরা মী পুম্নমক পুঙ-কোর্তাল য়াউনা অবাংবা সুরদা হরয়ে নম-নচিংবা শকুনা নামসঙ্কীর্তন তৌরমখিদা হরি-হরি হায়বা ধ্বনিসি নত্তনা অতৈমা নাকোল্দা চল্লমদে। শক পুম্নমক-সঙ্কীর্তনগী খোন্দ য়াংহৌদা লুপথিরমী।

মূল ১২৩-১২৪

শুনিয়া যে ক্রুদ্ধ হৈল সকল যবন।
কাজী-পাশে আসি সভে কৈল নিবেদন ॥ ১২৩ ॥
ক্রোধে সন্ধ্যাকালে কাজী এক ঘরে আইল।
মৃদঙ্গ ভাঙ্গিয়া লোকে কহিতে লাগিল ॥ ১২৪ ॥

শব্দার্থ

শুনিয়া যে—(কীর্তন) তাবগা, ক্রুদ্ধ হৈল—শাউবখী, সকল যবন—যবন (মুসলমান, পাঙ্গল) পুম্নমক, কাজী-পাশে—কাজী-নাক্তা, আসি—লাক্তনা, সভে—পুম্নমক্না, কৈল নিবেদন—হঙ্গংখি, ক্রোধে—শাউবনা, সন্ধ্যাকালে—সন্ধ্যাগী মতমদা, কাজী—কাজীনা, এক ঘর—য়ুম অমদা, আইলা—লাকখি, মৃদঙ্গ—পুঙ, ভাঙ্গিয়া—থুগাযবগা লোকে—মীশিংদা, কহিতে—হাযবা, লাগিল—হৌবখী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(কীর্তন) তাবদা মুসলমান পুম্নমক শাউখি। মখোয় লোইনমক কাজীগী মকমদা লাক্তুনা রিপোর্ট তৌখি। শাউবনা কাজীহু সন্ধ্যায়াচওবদা য়ুম অমখক্তা লাকখি অদুগা পুঙ থুগাযবগা মীশিংদা। (কীর্তন তৌরম্বশিংদা) হায়রকখি।

নৈনরোল

কাজীসি যবন নিংথৌগী মখাথোংবা দেশাধ্যক্ষ-নী মহাক্সু যবন অমনী। মহাপ্রভুগী মতমদা নবদ্বীপকী কাজী ওইরম্বহুগী মি, চাঁদ কাজী কৌখি। মহাক গৌড়েশ্বর-নবাবকী মচানুপীনা পোকপা মশুন্নপানী মতমদুদা বিচার তৌবগী থবক কাজীদা শিন্নরম্মী।

মূল ১২৫-১২৭

এতকাল কেহো নাহি কৈল হিন্দুয়ানী।
এবে যে উদ্যম চালাও কোন বল জানি? ॥ ১২৫ ॥
কেহো কীর্ত্তন না করিহ সকল নগরে।
আজি আমি ক্ষমা করি যাইতেছি ঘরে ॥ ১২৬ ॥
আর যদি কীর্ত্তন করিতে লাগ পাইমু।
সর্ব্বস্ব দণ্ডিয়া তার জাতি যে লইমু ॥ ১২৭ ॥

শব্দার্থ

এতকাল—মতম্ অম্লুক কুইবসি , কেহো—কনামতনা , নাহি কৈল—তৌকদ্রে , হিন্দুয়ানী—হিন্দুধর্ম্মগী আচবন , এবে যে—হৌজিকমূক উত্তম চালাও—য়াম্না চাউনা লাওখাৎতুনা হোৎনখৎলক্রি , কোন বল—কবম্বা থৌনানি হাযনা , জানি—খঙসিগে , কেহো—কনামতা , কীর্ত্তন না কবিহ—কীর্ত্তন তৌগনু , সকল নগরে—নগর পুম্নমক্না , আজি—ঙসিদি , আমি—ঐ , ক্ষমা করি—ঙাকপিবগা , যাইতেছি—চৎলবনী , ঘরে—যুম্মদা , আর - অমুক , যদি - বদি , কীর্ত্তন করিতে—কীর্ত্তন তৌবা , লাগ পাইমু—থেংনরুবা , সর্ব্বস্ব—লন পুম্বা , দণ্ডিয়া মৎতুনা , তার—মগী , জাতি জাতি , যে লইমু—লৌগে ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অম্লুক কুইবসি কনামতনা হিন্দুধর্ম্মগী আচবণ তৌরুদ্রবনী । অতুগা হৌজিকমূক যাম্ন কম্না তৌখৎলক্লিবসিনা কদাযদগী লৌকবা থৌনানো কভদ্রে । নগর পূম্বদা কনামতা কীর্ত্তন তৌবা য়াদে । ঙসিদি ঐহাক্ ঙাকপিরবনী । য়ুম্মদা হল্লগে । অতুগা অমূক কীর্ত্তন তৌরদা ঐনা থেংনরবদি মরল-মথুম পূম্বা নংলগা কীর্ত্তন-তৌবা মীগী জাতি মাংহল্লোক্লে ।

মূল ১২৮-১২৯

এত বলি কাজী গেল, নগরিয়া লোক ।

প্রভু স্থানে নিবেদিল পাঞা বড় শোক ॥ ১২৮ ॥

প্রভু আজ্ঞা দিল, যাহ করহ কীর্ত্তন ।

আমি সংহারিব আজি সকল যবন ॥ ১২৯ ॥

শব্দার্থ

এত - অসুক য়াম্না , বলি—হায়রগা , কাজী গেল—কাজী হল্লে , নগরিয়া লোক—নগরগী মীশিংনা , প্রভু স্থানে—প্রভুগী মফমদা , নিবেদিল—হঙংখি , পাঞা—ফংলগা , বড়—য়াম্না , শোক—য়াবা , প্রভু—প্রভুনা , আজ্ঞ য়াথং , দিল—পীরম্মী , যাহ—চৎলো , করহ কীর্ত্তন—তৌরু কীর্ত্তন , আমি—ঐনা , সংহারিব—হাৎকে ; সকল যবন—যবন পুম্নমক ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাজীহু ৱা খবসি হায়বগা হন্খি। নগরগী মীশিংনা থবাই শোক্লহুনা প্রভুগী মফমদা হঙৎখি। অহুদা প্রভুনা য়াথং তাউথখি—কীর্তন তৌকচো চৎলু। ঐ যবন পুম্নমক লোইশনগে।

মূল ১৩০-১৩১

ঘরে গিয়া সবলোক করে সঙ্কীর্তন।
কাজীর ভয়ে স্বচ্ছন্দে নহে—চমকিত মন॥ ১৩০ ॥
তা-সভার অন্তরে ভয় প্রভু মনে জানি।
কহিতে লাগিলা লোকে শীঘ্র ডাকি আনি॥ ১৩১ ॥

শব্দার্থ

ঘরে—য়ুমদা গিয়া—চৎলগা সবলোক—মী পুম্নমক করে—তৌখি, সঙ্কীর্তনে—কীর্তন, কাজীর ভয়ে কাজীব কিবনা স্বচ্ছন্দে—নীঙ তম্না, নহে-নত্তে, চমকিত-খুকৎপা, মনে—পুকচন্দা, তা-সভার মথোয় পুম্নমক্কী, অন্তরে—পুক্নুংদা ভয—অকিবা প্রভু—প্রভুনা, মনে—পুক্নীংদা, জানি—খঙহুনা কহিতে—হ যবা লাগিল—হৌখি, লোকে—মী মযাম্বু, শীঘ্র—থুনমক, ডাকি—কৌদুনা আনি—পুবক্লগা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মী পুম্নমক (প্রভুগী যাথং তাবদা ?) মযুম মযুমদা হল্লগা কীর্তন তৌখি। অদুবু কাজীবু কিবনা নীঙখিন্নংঙাইনা তৌরমদে, খুকৎপা পুক্নীংগা লোয়ননা তৌবখী। মথোয় পুম্নমক্কী থন্তদা কিরিবহু প্রভুনা খঙলহুনা মী ময়ামহু কৌরগা হায়খি।

মূল ১৩২-১৩৩

নগরে নগরে আজি করিব কীর্তন।
সন্ধ্যাকালে কর সভে নগর মণ্ডন॥ ১৩২ ॥
সন্ধ্যাতে দেউটী সব জ্বাল ঘরে ঘরে।
দেখোঁ কোন কাজী আসি মোরে মানা করে॥ ১৩৩ ॥

শব্দার্থ

নগরে নগরে—নগর নগরদা, আজি—ঙসি, করিব—তৌগনী কীর্ত্তন—সঙ্কীর্ত্তন, সন্ধ্যাকালে—সন্ধ্যাগী মতমদা, কর—তৌবো, সাত —মযাম পুম্বনা, নগরমণ্ডলে—নগর সাজ, সন্ধ্যাতে—সন্ধ্যাদা, দেউটি — মৈরা, সব—লোইননা জ্বাল—চুখৎলো, ঘরে ঘরে যুম যুমদা, দেখি — যেংগ, কোন—করম্বা, কাজী—কাজী, আসি—লাক্লুনা, মোরে— ঐবু, মানা করে—থিংবগে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নগর পুম্বা শীন্থুনা ঙসি কীর্ত্তন তৌগনী। সন্ধ্যাগী মতমদা মযাম পুম্বনা নগর সাজ তৌবো। সন্ধ্যাদা মৈরা পুম্বা যুম যুমদা চুখৎলো। যেংসি কনা কাজী লাক্লুনা থিংলবগে হায়রা।

মূল ১৩৪-১৩৬

এত কহি সন্ধ্যাকালে চলে গৌররায়।
কীর্ত্তনের কৈল প্রভু তিন সম্প্রদায়॥ ১৩৪॥
আগে সম্প্রদায়ে নৃত্য করে হরিদাস।
মধ্যে নাচে আচার্য্য গোসাঞি পরম উল্লাস॥ ১৩৫॥
পাছে সম্প্রদায়ে নৃত্য করে গৌরচন্দ্র।
তাঁর সঙ্গে নাচি বুলে প্রভু নিত্যানন্দ॥ ১৩৬॥

শব্দার্থ

এত—অসিখক, কহি—হায়রগা, সন্ধ্যাকালে—সন্ধ্যাগী মতমদা, চলে—চৎলী, গৌররায়—গৌরাঙ্গ মহাপ্রভু কীর্ত্তনের—কীর্ত্তনগী, কৈল —তৌরম্মী, প্রভু—প্রভুনা, তিন—অহুম সম্প্রদায়—দল, আগে— মমাঙথংবা, সম্প্রদায়ে—দলদা, নৃত্য করে—জগোই শাই, হরিদাস— হরিদাস ঠাকুর, মধ্যে—ময়ায়দা, নাচে—জগোই শাই, আচার্য্য গোসাঞি —অদ্বৈতাচার্য্য প্রভু, পরম উল্লাস—খমথেংনা হরাওবা, পাছে—তুংথংবা, সম্প্রদায়ে—সম্প্রদায়দা, নৃত্য করে—জগোই শাই, গৌরচন্দ্র—গৌরচন্দ্র, তাঁর সঙ্গে—মহাক্কা লোয়ননা, নাচি—জগোই শাদুনা, বুলে—কোযনা চৎলী প্রভু নিত্যানন্দ—নিত্যানন্দ প্রভুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বা খরসি হায়রগা সন্ন্যাসী মতমদা গৌরাঙ্গ মহাপ্রভু লেংডী। প্রভুনা কীর্তনগী সম্প্রদায অহুম থোক্লা খাযরব্মী। মমাংথংবা সম্প্রদাযদা শ্রীহরিদাস ঠাকুরনা জগোই শাই, মযায থংবদা শ্রীঅদ্বৈতাচার্যনা যাম্না হরানা জগোই শাই অহুগা তুংথংবা সম্প্রদাযদা শ্রীগৌরচন্দ্র প্রভুনা জগোই শাই। মহাক্কা লোযননা শ্রীনিত্যানন্দ প্রভুনা জগোই শানা কোযনা চংলী।

মূল ১৩৭

বৃন্দাবন দাস ইহা চৈতন্যমঙ্গলে।

বিস্তারি বর্ণিয়াছেন প্রভু কৃপাবলে ॥ ১৩৭ ॥

শব্দার্থ

বৃন্দাবনদাস শ্রীবৃন্দাবনদাস ঠাকুর, ইহা—মসি (সঙ্কীর্তন লীলাসি), চৈতন্যমঙ্গলে শ্রীচৈতন্যভাগবত তা, বিস্তারি শন্দোক্না, বর্ণিয়াছেন—বর্ণন তৌরিবয়ে, প্রভুকৃপাবলে—প্রভুগী থৌজাল্না পীরা পাঙ্গল্না।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীলবৃন্দাবনদাস ঠাকুরনা প্রভুগী সঙ্কীর্তন-লীলাসি শ্রীচৈতন্যভাগবত-তা প্রভুগী কৃপানা মপাঙ্গল ওইবগা শন্দোক্না বর্ণন তৌরি।

মূল ১৩৮

এইমত কীর্তন করি নগরে ভ্রমিলা।

ভ্রমিতে ভ্রমিতে সভে কাজী দ্বারে গেলা ॥ ১৩৮ ॥

শব্দার্থ

এইমত—মতৌ অস্মুন্না, কীর্তন করি—কীর্তন তৌবগা, নগরে—নগরদা ভ্রমিলা- কোযরকখি, ভ্রমিতে ভ্রমিতে—কোযনা কোযনা সভে—মী পুম্নমক, কাজীদ্বারে—কাজীগী থোঙজীন্দা, গেলা—যৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অস্মুন্না কীর্তন তৌদুনা নগর কোযরব্মী। অসুম অসুম কোযরকপদুনা মী লোইনমক কাজীগী থোঙজীন্দা থুংখি।

মূল ১৩৯

তর্জ্জ-গর্জ্জ করে লোক, করে কোলাহল ।

গৌরচন্দ্র-বলে লোক প্রশ্রয়-পাগল ॥ ১৩৯ ॥

শব্দার্থ

তর্জ্জ-গর্জ্জ করে—খুৎ-শা তিংলদুনা লাউখোংলম্মী , লোক—মীয়াম-দুনা , কবে কোলাহল—ইলাঙলাঙলম্মী , গৌরচন্দ্রবলে—গৌরচন্দ্রনা হাপ্পা পাঙ্গন্না , লোক—মীযামদু , প্রশ্রয়—নাও-চাওহনবা , পাগল—ঙাংবা (প্রশ্রয়-পাগল—নাও-চাওহনবদগী ঙাংখংলায়) ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মীয়ামদু খুৎশা-পাম্বোম তিংন্নুনা লাউখে ডী, অদুগা পুঙলাঙ লাঙখি । মী পুম্নমক শ্রীগৌরচন্দ্রনা হাপ্পা থৌনানা নাও চাউবদগী ইঙাও-ঙাংবম্মী ।

মূল ১৪০

কীর্ত্তনের ধ্বনিতে কাজী লুকাইল ঘরে ।

তর্জ্জন-গর্জ্জন শুনি না হয় বাহিরে ॥ ১৪০ ॥

শব্দার্থ

কীর্ত্তনের ধ্বনিতে—কীর্তনেগী মখোন্না কাজী—কাজীদো , লুকাইল—লোংলম্মী ঘরে—ইমুংদা , তর্জ্জন-গর্জ্জন—লাউখোংবদু , শুনি—তাবদা , না হয় বাহিরে—মাপান্নোমদা থোরকখিদে ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কীর্ত্তনগী মখোন্না কাজীদু ইমুংদা লোংখি । মযামগী লাউখোংবদু মনাকোঙনা তারগা মাপান্নোমদা থোরকখিদে ।

মূল ১৪১

উদ্ধতলোক ভাঙ্গে কাজীর ঘর পুষ্পবন ।

বিস্তারি বর্ণিলা ইহা দাস বৃন্দাবন ॥ ১৪১ ॥

শব্দার্থ

উদ্ধত লোক—লমকোৎ-লমজাইবা মীশিংনা , ভাঙ্গে—থুগাই ,

কাজীর—কাজীগী, ঘর—যুম, পুষ্পবন—লৈকোন, বিস্তারি—শন্দোক্লা, বর্ণিলা—বর্ণন তৌখি, ইহা- মসি, দাস বৃন্দাবন—শ্রীবৃন্দাবনদাসনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

লম-খব-হেনবা মীনা কাজীগী যুম অমদি লৈকোন থুগাইখি। মসি শ্রী বৃন্দাবনদাসনা শন্দোক্লা বর্ণনা তৌবয়রনী।

মূল ১৪২

তবে মহাপ্রভু তার দ্বারেতে বসিলা।

ভব্যলোক পাঠাইয়া কাজীরে বোলাইলা॥ ১৪২॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী, মহাপ্রভু—মহাপ্রভুনা তার—মাগী (কাজীগী), দ্বারেতে—থোঙজীন্দা, বসিলা—ফমখি, ভব্যলোক- ইকাইথুম্নবা-যাবা মীতা, পাঠাইয়া—থাজন্দুনা, কাজীরে- কাজীবু, বোলাইলা- কৌথোক্হনখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী মহাপ্রভুনা কাজীগী থোঙজীন্দা ফমখি। ইকাইথুম্নবা-যাবা মীতা থাজনগা কাজীবু কৌথোক্হনখি।

মূল ১৪৩

দূরে হৈতে আইলা কাজী মাথা নোঙাইয়া।

কাজীরে বসাইলা প্রভু সম্মান করিয়া॥ ১৪৩॥

শব্দার্থ

দূরে হৈতে - অরাপ্পদগী হৌনা, আইল—লাক্লম্মী, কাজী—কাজী, মাথা—মকোক, নোঙাইয়া- নোন্দুনা, কাজীরে—কাজীবু, বসাইলা—ফমহনখি, প্রভু—প্রভুনা, সম্মান করিয়া—ইকাই-খুম্নদুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাজীনা অরাপ্পদগী হৌনা মকোক নোল্লা-নোল্লহনা লাক্লম্মী। প্রভুনা কাজীবু সম্মান তৌনা তৌনা ফমহনখি।

মূল ১৪৪

প্রভু বোলে আমি তোমার আইলাম অভ্যাগত।
আমা দেখি লুকাইলা এ ধর্ম্ম কেমত ॥ ৪৪ ॥

শব্দার্থ

প্রভু বোলে—প্রভুনা হায, আমি—ঐ, তোমার—নহাক্কী, আইলাম—লাকপনী, অভ্যাগত—অতিথি আমা—ঐবু দেখি—উবগা, লুকাইলা—লোৎলুবা এ মনিঙ্গ ধর্ম্ম—ধর্ম্ম, কেমত—করম্বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়বম্মী—ঐ নহাক্কী অতিথি ওনা লাকপনী। ঐবু উবগা লোৎলুবদি করম্বা মতৌনী হায়বগে?

মূল ১৪৫—১৪৬

কাজী কহে, তুমি আইস ক্রুদ্ধ হইয়া।
তোমা শান্ত করাইতে রহিনু লুকাইয়া॥ ১৪৫ ॥
এবে তুমি শান্ত হৈলে আসি মিলিলাম।
ভাগ্য মোর তোমা হেন অতিথি পাইলাম॥ ১৪৬ ॥

শব্দার্থ

কাজী কহে—কাজীনা হায, তুমি—নহাক, আইস—লাকয়ি ক্রুদ্ধ—শাউবা, হইয়া—ওইনা, তোমা—নঙবু শান্ত—অতপ্পা, করাইতে—ওইহনাগে হায়দুনা, রহিনু—লৈকই, লুকাইয়া—লোৎতুনা, এবে—হৌজিক তুমি—নহাক, শান্ত—অতপ্পা ওইখ্রবা হৈলে—ওইরবে, আমি—ঐ, আসিলাম—লাক্লবনী, ভাগ্য—লাইবক্কী, মোর—ঐগী, তোমা-হেন—নঙ অসিগুম্বা, অতিথি—যুমদা লাকপা মী, পাইলাম—ফংলে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাজীনা হায়রম্মী—নঙদি শাউনা লাকয়ি। নহাক্পু শান্ত ওইহন্নবা হায়দুনা ঐ লোৎতুনা লৈরকনী। হৌজিক্তি নহাক শান্ত ওইরবে, অদুনা লাক্তুনা উনবরিবসিনী। নঙগুম্বা অতিথি ফংজবদি ঐগী লাইবক ফবনী।

মূল ১৪৭।১৪৮

গ্রামসম্বন্ধে চক্রবর্ত্তী হয় মোর চাচা।
দেহ সম্বন্ধ হৈতে হয় গ্রামসম্বন্ধ সাঁচা ॥ ১৪৭ ।
নীলাম্বর চক্রবর্ত্তী হয় তোমার নানা।
সে সম্বন্ধে হও তুমি আমার ভাগিনা ॥ ১৪৮ ॥

শব্দার্থ

গ্রামসম্বন্ধে - কৈরোয-লৈকায়গী মরী খিবগদি চক্রবর্ত্তী—নীলাম্বর চক্রবর্ত্তী, হয়—ওই, মোর—ঐগী চাচা—খুড়া, দেহসম্বন্ধ হৈতে—হৃবী-হুগ্গী হৈবদগী, হয—ওই গ্রামসম্বন্ধ গ্রামসম্বন্ধনা সাঁচা—অশেংবা, সত্য, হেন্না, নীলাম্বর চক্রবর্ত্তী—শ্রীনীলাম্বর চক্রবর্ত্তী, হয—ওই, তোমার—নঙগী নানা—নমাপোকপা নারৌ সে সম্বন্ধে সম্বন্ধ অদুদগী হও—ওই তুমি নহাক আমার- ঐগী, ভাগিনা—ইচেনা পোকপা ইমহার।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গ্রাম-সম্বন্ধলোয়নদা য়েংলগদি শ্রীনীলাম্বর চক্রবর্ত্তী ঐগী খুড়া থোকই। দেহ-সম্বন্ধদগী গ্রামসম্বন্ধনা হেনজল্লকপনী। শ্রীনীলাম্বর চক্রবর্ত্তীদি নঙগীদি নমা-পোকপা নারৌনি। সম্বন্ধ অদু য়েংলগদি নহাক ঐগীদি ইচেনা নুপ্রগা হুচা পোকপা ইমহারনি।

মূল ১৪৯

ভাগিনার ক্রোধ মামা অবশ্য সহয়।
মাতুলের অপরাধ ভাগিনা না লয় ॥ ১৪৯ ॥

শব্দার্থ

ভাগিনার মমহাক্কী ক্রোধ—অশাওবা, মামা—মামানা অবশ্য—লেপমক, সহয—খাঙভী, মাতুলের—মামাগী অপরাধ—মরাল ভাগিনা—মমহাক্না, না লয—লৌফদে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মমহাক্না শাওরবদি মামানা শোযদনমক খাঙ্গনী, মামাগী মরালসু মমহাক্না লৌফদে।

মূল ১৫০

এইমতে দোঁহার কথা হয় ঠারেঠোরে ।
ভিতরের অর্থ কেহ বুঝিতে না পারে ॥ ১৫০ ॥

শব্দার্থ

এইমতে—মতৌ অসুম্না , দোঁহার—অনীগী , কথা—ৱারী , হয়—ওই , ঠারে-ঠোরে—ইঙ্গিতনা , ভিতরের—মনুঙগী , অর্থ—মরোল , কেহ—কনামতা , বুঝিতে—খঙবা , না পারে—ঙমদে ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না অনীহু ইঙ্গিতনা ৱারী শান্নে । মনুঙগী অথদি কনামতনা খঙবা ঙমদে ।

নৈনরোল

কাজীনা ইঙ্গিতনা মাগী অপরাধ কবিনো হায়বহু তাৱম্মী । মাগী অপরাধদি পূম্ভ থুগাইবা অহুম্পা কীর্ত্তন থিংবহুনী । মরালসিগীদমক ঙাকপিয় হায়না কাজীনা হঙ্গংলম্বনী ।

মূল ১৫১

প্রভু কহে—প্রশ্ন লাগি আইলাম তোমার স্থানে ।
কাজী কহে আজ্ঞা কর যে তোমার মনে ॥ ১৫১ ॥

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায় , প্রশ্ন লাগি—বাহং অমগীদমক , আইলাম—লাকপনী , তোমার—নঙগী , স্থানে—মফমদা , কাজী—কাজীনা , কহে হায় , আজ্ঞা কর য়াথং তাউথবিয়ু , যে—মহু , তোমার মনে—নপুক্নীঙদা লৈবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হংঙ্গরম্মী ঐ না হংগে হায়হুনা নঙমদা লাকপনী । কাজীনা হায়—খল্লিবা য়াথংহু তাউথবিয়ু ।

মূল ১৫২-১৫৩

প্রভু কহে গোদুগ্ধ খাও, গাভী তোমার মাতা।
বৃষ অন্ন উপজায় তাতে তেঁহো পিতা ॥ ১৫২ ॥
পিতামাতা মারি খাও—এবা কোন ধর্ম্ম।
কোন বলে কর তুমি এমত বিকর্ম্ম ॥ ১৫৩ ॥

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায় গো দুগ্ধ—শঙ্গোম, খাও—থকযি, গাভী—শন অমোমদি, তোমার—নঙগী মাতা—মা, বৃষ—শল্লাবনা, অন্ন—চীনজাক, উপজায়—থোকহল্লী তাতে—মবমদুনা, তেঁহো—মানা, পিতা—পা, পিতামাতা—নপা নমা, মারি—হাৎলগা খাও—চায, এবা—মসিবু, কোন ধর্ম্ম—করম্বা ধর্ম্মনা, কোন—করম্বা বলে—পাঙ্গন্না, কর—তৌবিবা তুমি—নঙাক্কা, এমত—অসিগুম্বা, বিকর্ম্ম—পাপকর্ম্ম।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়রম্মী—নঙনা শঙ্গোম চায নত্তগা থকযি, অদুনা শল অমোমদি নমানী। শল্লাবনা নচীনজাক থোকহল্লী, অদুনা মহাক নপানী। নপা-নমাবু হাৎলগা চায, মসিব করম্বা ধর্ম্মনো? করম্বা শক্তিনা নঙনা অসিগুম্বা পাপ কর্ম্ম তৌরিবানো?

মূল ১৫৪

কাজী কহে তোমার যৈছে বেদ পুরাণ।
তৈছে আমার শাস্ত্র—কেতাব কোরাণ ॥ ১৫৪ ॥

শব্দার্থ

কাজী কহে—কাজীনা হায় তোমার—নহাকী (নখোয়গী), যৈছে—অদুহম্না, বেদ পুরাণ—বেদ পুরাণ, তৈছে—মদুহুম্না, আমার শাস্ত্র—ঐগী (ঐখোয়গী) শাস্ত্র, কেতাব—লাইরীক, কোরাণ—মুশলমানগী প্রামাণ্য ধর্ম্মগ্রন্থ কোরাণ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাজীনা খুন্নম্মী নঙগী (নখোযগী) বেদপুরাণ লৈবগুম্না ঐগী (ঐখোযগী) শাস্ত্রস্মু কোরাণ কৌবা লাইবীক লৈ।

মূল ১৫৫

সেই শাস্ত্রে কহে—প্রবৃত্তি-নিবৃত্তি-মার্গভেদ।
নিবৃত্তিমার্গে জীবমাত্র-বধের নিষেধ ॥ ১৫৫ ॥

শব্দার্থ

সেই শাস্ত্রে—(কোবাণ) শাস্ত্র অদুনা , কহে—হাযবি , প্রবৃত্তি - চঙশনবা , নিবৃত্তি—হান্দাকপা, চঙদবা , মার্গ—লম্বী , ভেদ—খেন্নবা নিবৃত্তিমার্গে—হন্দোকপগী মার্গদা , জীবমাত্র—জীবদবু ওইববদি , বধের —হাৎপগী , নিষেধ—অথীঙবা (লৈ)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কোবাণ শাস্ত্রদুনা হায—প্রবৃত্তিমার্গগা নিবৃত্তি মার্গগা খেন্নৈ। নিবৃত্তি মার্গদা জীবনীদবু হায়ববদি হাৎপা য দে।

তাৎপর্য

প্রবৃত্তিমার্গ অমসুং নিবৃত্তিমার্গ অনীসি হিন্দু শাস্ত্রদসু লৈ। ইন্দ্রিয় খুদুম চন্নবগীদমক লম্বী অনীসি শাস্ত্রনা তাক্লম্বনী। নিবৃত্তিমার্গনা ইন্দ্রিয়-শিংগী অপাম্বা অমতা থুংহনবদু যাদে। প্রবৃত্তিমার্গনা ইন্দ্রিযশিংগী অপাম্বদু সংযমগা লোযননা (যেং-যেংদুনা হাযবদি খাক-খাক্তনা) থুংহনগদবনী। প্রবৃত্তিমার্গগী মীশিংনা হায়—ইন্দ্রিযগী মচীনজাক ওন্নবদি পীদ্রগা মবক মবক্তু সংযমগা লোযননা চীনজাক্তু খজিক খজিকতমক পীজবগা অসুম অসুম ইন্দ্রিযদুবু খুদুম চন্নবা তৌগদবনী। অদুগা নিবৃত্তিমার্গগী মীশিংনা হায়—প্রবৃত্তিমার্গনা ইন্দ্রিয় সংযম তৌবা য়াদ্রোই। খজিক্তু ওইরবসু মচীন-জাকপু ফংলবদি ইন্দ্রিয় পূম্নমক্কী মপাঙ্গল কনখৎলকযি। মবমদুনা নিযম কন্না ইন্দ্রিয় খুদুম চন্বা হায়ববদি ইন্দ্রিযগী অবাম-খৌবাংবা মতমদা কবিমত্তা পীজদবা অদুনা ইন্দ্রিয খুদুম চন্বগী আথোইবা লম্বীনী , লম্বীসিবু নিবৃত্তিমার্গ কৌযি। মবমসিনা জীব অমতা হাৎপা য়াদে হাযনা নিবৃত্তিমার্গনা হায়।

মূল ১৫৬

প্রবৃত্তিমার্গে গোবধ করিতে বিধি হয়।
শাস্ত্র-আজ্ঞায় বধ কৈলে নাহি পাপ-ভয় ।। ১৫৬ ।।

শব্দার্থ

প্রবৃত্তিমার্গে—প্রবৃত্তিমার্গনা, গোবধ—শল হাৎপা, করিতে—তৌবগী, বিধি—যাবগী বা, হয়—ওই, শাস্ত্র-আজ্ঞায়- শাস্ত্রগী যাথংনা বধ করিলে হাৎলগদি, নাহি—লৈতে, পাপ-ভয়—পাপ ওইগনী হাযবগী কিবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শল হাৎপা যাই হাযবি। শাস্ত্রগী যাথং মতুং ইন্না হাংলবদি পাপ ওইগনী হাযবগী অকিবা লৈতে।

মূল ১৫৭

তোমার বেদেতে আছে গোবধের বাণী।
অতএব গোবধ করে বড় বড় মুনি ।। ১৫৭ ।।

শব্দার্থ

তোমার—নহাক্কী (নখোযগী), বেদেতে—বেদদা, আছে—লৈ, গোবধের—শল হাৎপগী, বাণী—বা, অতএব—মবমতুনা, গোবধ—শল হাৎপা, করে—তৌযি বড় বড়—অচৌ অচৌবা মুনি—মুনিনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নখোয হিন্দুগী বেদদা শল হাৎপগী বা যাওবি। মবমতুনা চাউব-চাউরবা মুনিশিংনা শল হাৎলম্মী।

মূল ১৫৮-১৫৯

প্রভু কহে—বেদে কহে গোবধ নিষেধ।
অতএব হিন্দু মাত্র না করে গোবধে ।। ১৫৮ ।।
জীয়াইতে পারে যদি, তবে মারে প্রাণী।
বেদে পুরাণে ঐছে আছে আজ্ঞাবাণী ।। ১৫৯ ।।

শব্দার্থ

প্রভু কহে—প্রভুনা হায়, বেদে কহে—বেদনা হায়রিবি গোবধ নিষেধে—শল হাৎপা থিংলি, অতএব—মরমদুনা, হিন্দুমাত্র—হিন্দুনিদপু হায়রবদি, না করে—তৌদে, গোবধে—শল-হাৎপা, জীয়াইতে—হিংগৎহনবা, পারে—ঙম্মি, যদি—বদি, তবে—অদু ওইববদি, মারে—হাৎলী, প্রাণী—থৱাইপানবা পোক্, জীব, বেদ পুরাণে—বেদ-পুরাণদা, এছে—অদুম্মা, আছে—লৈ, আজ্ঞাবাণী—য়াথং পাও।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়বম্মী—শল হাৎপা বেদনা হায়না বেদনা হায়। মরমদুনা হিন্দুনিদপু হায়রবদি শল হাৎতে। (অহাৎপা জীবপু) হিংগৎহনবা ঙম্মবদি জীব হাৎপা য়াই হায়না বেদ-পুরাণদা তাক্লী।

মূল ১৬০-১৬২

অতএব জরদ্গব মারে মুনিগণ।
বেদমন্ত্রে শীঘ্র করে তাহার জীবন॥ ১৬০॥
জরদ্গব হঞা যুবা হয় আরবার।
তাতে তার বধ নহে হয় উপকার॥ ১৬১॥
কলিকালে তৈছে শক্তি নাহিক ব্রাহ্মণে।
অতএব গোবধ কেহো না করে এখনে॥ ১৬২॥

শব্দার্থ

অতএব—মরমদুনা, জরদ্গব—অহল-ওইবা শল, মারে—হাৎলী, মুনিগণ—মুনিশিংনা, বেদমন্ত্রে—বেদকী মন্ত্রনা, শীঘ্র—থুনমক, করে—তৌই, তাহার জীবন—মহাকপু হিংহনবা, জরদ্গব—অহল-ওইবা শল, হঞা—ওইবগা, যুবা—নহা, হয—ওই, আরবার—অমুক হন্না, তাতে—মদুনদি, তার বধ—মাবু হাৎপা, নহে—ওইদে, হয—ওই, উপকার—কান্নব, কলিকালে—কলিকালদা, তৈছে—অদুগুম্বা, শক্তি—শক্তি, নাহিক—লৈত্রে, ব্রাহ্মণে—ব্রাহ্মণদা, অতএব—মরমদুনা, গোবধ—শলহাৎপা, কেহ—কনামতনা, না করে—তৌদে, এখনে—হৌজিক।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মবমতুনা মুনিশিংনা অইল-ওইবা শল হাংলগা অমুগা বেদমন্ত্র শেংদুনা থুনমক মাবু হিংগৎহল্লী। শলতু অকল ওইবম্বদগী অমূক হন্না নহা ওইরে। মতুংদা মাবু হাংপা কৌদ্রে মুংগী কান্নবতুম ওইবিবনী। কলিকালসিদদি অতুঙ্গম্বা (হিংগৎহন্নবা) শক্তি হু ব্রাহ্মণশিংগী লৈত্রে, মবমতুনা কনামতনা হৌজিক শল হুৎকদ্রবনী।

মূল ১৬৩

অশ্বমেধং গবালম্ভং সন্ন্যাসং পলপৈতৃকম্।

দেবরেণ সুতোৎপত্তিং কলৌ পঞ্চ বিবর্জয়েৎ॥ ১৬৩ ॥

শব্দার্থ

অশ্বমেধং —অশ্বমেধ যজ্ঞ (শাগোল হাংপা যজ্ঞ), গবালম্ভং—গোমেধ যজ্ঞ (শন-হাংপা যজ্ঞ), সন্ন্যাসং—সন্ন্যাস (লম্বোইবা), পলপৈতৃকম—শদমা পিতৃশ্রাদ্ধ তৌবা দেবরেণ—মমাগা পোকমিন্নবা মনাওনুপাবু শীজিনদুনা মচা পোকপা; কলৌ—কলিযুগতদি; পঞ্চ—মঙা; বিবর্জয়েৎ—থাদোকদবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অশ্বমেধ যজ্ঞ গোমেধ যজ্ঞ, সন্ন্যাস, শদুম্বা (মাংসনা) পিতৃশ্রাদ্ধ তৌবা, মনাওনুপা শীজিন্নদুনা মচা পোকপা—মঙাসি কলিযুগত্রদি থাদোকদবনী।

তৈনরোল

নৈনবিবা শ্লোকসি ব্রহ্মবৈবর্ত্তপুরাণ কৃষ্ণজন্মখণ্ডদা যাওবি (১৮৫/১৮০)। অশ্বমেধনচিংবা থবক মঙাসিগী থুদিংমক অনাত্মধর্মগী (অত্মাগী নত্তবা ধর্মগী) মনুঙ চনবনী। দেশ কালগী ফভম হোংলকপগা লোয়নন-লোয়ননা অনাত্মধর্মদি হোংবা নাই। অশ্বমেধনচিংবা অনুষ্ঠান মঙাসি মমাঙৈগী হিন্দুশিংগী মনুঙদা চংনবদ্মী, দেশকাল যেংলগা চংনবা যাদ্রে হায়দুনা থবক মঙাসি মতুংদা থিংলিবনী।

মূল ১৬৪-৬৫

তোমরা জীয়াইতে নার বধমাত্র সার।

নরক হইতে তোমার নাহিক নিস্তার॥ ১৬৪ ॥

গরুর যতেক রোম, তত সহস্র বৎসর।

গোবধী রৌরবমধ্যে পচে নিরন্তর॥ ১৬৫॥

শব্দার্থ

তোমরা—নখো, যদি, জীয়াইতে—হিংগৎহনবা, নার—ঙমদে, ব্যর্থ মাত্র—হাংপদমক, সার—মরুনী, নরক হইতে—নরক কে মদগী, তোমার—মহাঙী (নখোয়গী), নাহিক—লৈত্রে, নিস্তার—লাঙ্খোকপা, গরুর—শনগী, যতেক অতুথক, রোম মতু, তত—অতুক, সহস্র—লীশীং বৎসর চহী, গোবধী শল হাৎপা মী; রৌরবমধ্যে—রৌরব-কোৗশ নবক-কোম্নদা; পচে—পৎ পুমহুনা লৈ; নিরন্তর অতত-অথম নাইদনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা হায়রম্মী)—নখোয়দি (হাৎলগা) অমুক হিংগৎহনবা ঙমদে, হাৎপদরি মক ওইনা তৌরিবা। মরমহুনা নখোয় নরক-কোমদগী থোরকপা ঙম্মোই। শন মচ্ছাদা হৌবিবা মতু মশীঙহু, মহুমুক য়াম্না চহী লীশীঙ কয়া শল-হাৎপা মীদি রৌরব কৌবা নরক-কোমদা অতৎ-অথম নাইদনা পুৎ-পুমহুনা লৈগদৌবনী।

মূল ১৬৬

তোমা সভার শাস্ত্রকর্ত্তা—সেহো ভ্রান্ত হৈল।

না জানি শাস্ত্রের মর্ম্ম—ঐছে আজ্ঞা দিল॥ ১৬৬॥

শব্দার্থ

তোমা সভার নখোয় খ্বাইগী, শাস্ত্রকর্ত্তা—শাস্ত্র লেংবা মী, সেহো—মহাক্তো, ভ্রান্ত অরাণবা, হৈল—ওইরে, না জানি—খঙদহুনা, শাস্ত্রের—শাস্ত্রগী, মর্ম্ম—অথুপ্পা অর্থ, ঐছে—অদুম্না (শল হাৎপা য়াই হায়না) আজ্ঞা—য়াথং; দিল—পীরম্মনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা মখা তারম্মী)—নখোয় খ্বাইগী শাস্ত্র-লেংবা মাহুস্ম লান্নাবনী, শাস্ত্রগী অথুপ্প অর্থ (মর্ম্ম) খঙদহুনা মহাক্তো আজ্ঞা (প্রবৃত্তিমার্গদা শল হাৎপা য়াগনী হায়হুনা) য়াথং তা পীরম্মনী।

মূল ১৬৭

শুনি স্তব্ধ হৈল কাজী, নাহি স্ফুরে বাণী।
বিচারি কহে কাজী পরাভব মানি ॥ ১৬৭

শব্দার্থ

শুনি (প্রভুগী বা) তারগা, স্তব্ধ—রা ভাংডবা, হৈল—ওইখবে, কাজী—কাজী, নাহি স্ফুরে—খোকখিদবে, বাণী—রা, বিচারিয়া—অচুম-অরান খল্লগা, কহে—হায়, কাজী—কাজীনা, পরাভব—মায়থীবা, মানি য়াব্রদুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুগী রা) তাবগা কাজী তুমিন লৈখি, রা মচেৎ অমা ফাওবা খোকখিদরে। খল্লগা কাজীনা মায়থীরে হায়বা য়ারদুনা রা হায়রকখি।

মূল ১৬৮

তুমি যে কহিলে পণ্ডিত সেই (সব) সত্য হয়।
আধুনিক আমার শাস্ত্র—বিচারসহ নয় ॥ ১৬৮ ॥

শব্দার্থ

তুমি—নহাক, যে—অদু কহিলে—হায়রে, পণ্ডিত—হে পণ্ডিত, সেই—মদু সব—পুম্বা সত্য—অচুম্বা, হয—ওই, আধুনিক—হৌজিক্কী অনৌবনী, আমার শাস্ত্র—ঐগী (ঐখোয়গী) শাস্ত্রদি, বিচারসহ—মবম চাবরা-চাদব্বা হায়বগী বাখল-থাওবা, নয়—নত্তে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(কাজীনা হায়রম্মী)—হে পণ্ডিত, নঙনা হায়রিবা পুম্বদো অচুম্বা ওরকী। ঐখোয়গী শাস্ত্রদি আধুনিক-নী (হৌজিক্কী, অনৌবনী), (নহাক্কী রা পুম্বদু) বিচার তৌরগদি (ঐখোয়গী শাস্ত্রসি) লাতে চাদে।

তাৎপর্য

মুসলমানধর্ম হৌদোক্লবা হজরত মহম্মদনা কোরাণ শন্দোক্লবসি খ্রীষ্টাব্দগী তরেৎশুবা শতাব্দী হৌরাংলকপদনী। মহম্মদনা লৈরম্লবসি খৃঃ ৫৭০—দগী ৬৩২

ফাওবনী। মতমসিগী অা মমাঙদা হিন্দুশিংগী বেদ-পুরাণ লৈবয়বনী। অদুনা কাজীনা কোরাণবু আধ্যাত্মিক শাস্ত্রনী হায়বিবনী। কোরাণ ইথিবসি আবব দেশদনী, মরুমদুনা চাবা য়াইথারিবা মতাংদা কোবাম্না হাযরিবা বিধিশিংসি মতমদুগী আরবদেশদা লৈরম্বা মীশিংগী অবস্থাগা চান-চুনরমগনী হায়না খনবা য়াই।

মূল ১৬৯

কল্পিত আমার শাস্ত্র আমি সব জানি।

জাতি অনুরোধে তবু সেই শাস্ত্র মানি ॥ ৬৯ ॥

শব্দার্থ

কল্পিত—শাজনবা, আমার—ঐখোয়গী, শাস্ত্র—শাস্ত্র, আমি—ঐ, সব—লোইনমক, খঙঈ, জাতি-অনুরোধে জাতিগীনী হায়দুনা, তবু—অদুম ওইনমক, সেই শাস্ত্র—শাস্ত্রদু, মানি—যাবিবনী।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

ঐখোয়গী শাস্ত্রসি শাজনবনী হাযবা ঐহাক লোইনা খঙঈ। অদুমকপু জাতিগীনী হায়দুনা শাস্ত্রদু ঐনা মানিবনী।

মূল ১৭০

সহজে যবনশাস্ত্র অদৃঢ়বিচার।

হাসি তারে মহাপ্রভু পুছেন আরবার ॥ ১৭০ ॥

শব্দার্থ

সহজে—মহৌশানা, যবনশাস্ত্র—মুসলমানশিংগী শাস্ত্রদি; অদৃঢ়-বিচার—চেৎতবা বিচারনীনী; হাসি—নোক্লগা, তারে—মহাক্তোন্দা; মহাপ্রভু মহাপ্রভুনা, পুছেন—হংলি; আরবার—হন্না।

মৈতৈলোনদা হন্দোকপা

কাজীনা হায—"মহৌশানা মুসলমানশিংগী শাস্ত্রদি চেৎতবা বিচারগী পোৎনী"। অদুদগী মহাপ্রভুনা নোক্লগা মহাক্তোন্দা অমুক হন্না হংলি।

মূল ১৭১—১৭৩

আর এক প্রশ্ন করি, শুন তুমি মামা।
যথার্থ কহিবে, ছলে না বঞ্চিবে আমা ॥ ১৭১ ॥
তোমার নগরে হয় সদা সংকীর্ত্তন।
বাদ্যগীত কোলাহল সঙ্গীত-নর্ত্তন ॥ ১৭২ ॥
তুমি কাজী হিন্দুধর্ম্ম-বিরোধে অধিকারী।
এবে যে না কর মানা, বুঝিতে না পারি ॥ ১৭৩ ॥

শব্দার্থ

আর—অতোপ্পা, এক—অমা, প্রশ্ন—বহং, করি—হংগ শুন—তাবিযু, তুমি নহাক, মামা মামা, যথার্থ—অচুইবা বাহৃদা, কহিবে—হয়বিগনী, ছলে—লৌনমতুনা, না বঞ্চিবে—ফংহন্দবা তৌবি-যোই, তোমার নগরে নঙগী নগরসিদা, হয়—চৈই (তৌবি); সদা—মতম পুম্বদা, সঙ্কীর্ত্তন—সঙ্কীর্ত্তন, বাদ্য—পুঙশেল গীত ঈশৈ, কোলাহল নিলখোংবা সঙ্গীত—ঈশৈ, নর্ত্তন—জগোই, তুমি—নহাক, কাজী—কাজীদি, হিন্দুধর্ম্ম-বিরোধ—হিন্দুধর্ম্ম-থিংবগী, অধিকারী—হক লৈবা অওম্বনী, এবে যে—তৌজিকনে, না কর—তৌদ্রে মানা থিংবা, বুঝিতে খঙবা, না পারি—ঙমদে।

মৈতৈলোন্দ হন্দোকপা

(প্রভুনা হাযবম্মী)- বা অমা হংগে, মামা নঙ তাও, অচুইবদা হাযগদবনী, লৌনমতুনা ঐবু থঙহন্দবা ত্তোগনু। (বাদি অসিনী) নঙগী নগরসিদা মতম পুম্বদা সঙ্কীর্ত্তন তৌবি, পুঙ-শেল-ঈশৈনা নিল্লী, ঈশৈ শক্লগা জগোই শাবনচিংবা তৌবি [illegible] কাজীনীনা হিন্দুধর্ম্মবু থিংবগী হক-লৈবা অওম্বনী। অদুবু হন্দক-মরুকসি নঙনা থিংদ্রিবসি করিনোনো ঐ খঙদ্রে।

মূল ১৭৪—১৭৫

কাজী বোলে—সভে তোমা 'গৌর' বোলে গৌরহরি।
সেই নামে আমি তোমা সম্বোধন করি ॥ ১৭৪ ॥

শুন গৌরহরি এই প্রশ্নের কারণ।
নিভৃত হও যদি, তবে করি নিবেদন ॥ ১৭৫ ॥

শব্দার্থ

কাজী বোলে কাজীনা হায়রম্মী, সভে মী পুম্ময়ক্না, তোমায়—নহাকপু, বোলে কৌথি, গৌরহরি—গৌরহরি; সেই নামে—মিংছুনা, আমি—ঐ, তোমা—অক্‌কপু; সম্বোধন করি—কৌবি, শুন—তাবিয়ু, গৌরহরি—গৌরহরি, এই প্রশ্নের—রাহংসিগী, কারণ—মরম, পাউখুম নিভৃত—অচীকপদা, হও লৈবো, যদি বদি, তবে—অদু ওইরবদি করি—তৌগে, নিবেদন—হঙ্গংবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাজীনা খুম্মী—মী পুম্বনা নহাকপু গৌরহরি হায়না কৌরি। ঐগী নঙবু মিংহন্না কৌগে। হে গৌরহরি, রাহংসিগী মরম (পাউখুম) তাও। অচীকপা মফমদা ওইরবদি ঐ মরমদু হঙংগে।

মূল ১৭৬

প্রভু বোলে—এ লোক আমার অন্তরঙ্গ হয়।
স্ফুট করি কহ তুমি নাহি কিছু ভয় ॥ ১৭৬ ॥

শব্দার্থ

প্রভু বোলে—প্রভুনা হায়, এ লোক—মীশিংসে, আমার—ঐগী অন্তরঙ্গ—মনুংগী ওইবা, হয়—ওাকী, স্ফুট করি—শেংনা, কহ—হায়যু তুমি—নঙ, নাহি কিছু ভয়—কিনাইগাই কবিস্ত লৈতে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হায়—মীশিংসে ঐগী মনুংগী মীওাকী। নহাক লৌইনা খাক্‌কে মখে শেংনা হায়যু, কিনিগাই মরম কবিস্ত লৈতে।

মূল ১৭৭-১৭৮

কাজী কহে—যবে আমি হিন্দুর ঘর গিয়া।
কীর্তন করিনু মানা মৃদঙ্গ ভাঙ্গিয়া ॥ ১৭৭ ॥

সেই বাত্রে এক সিংহ মহাভয়ঙ্কর।

নবদেহ সিংহমুখ গর্জ্জয়ে বিস্তার ॥ ১৭৮ ॥

শব্দার্থ

কাজী কহে— কাজীনা হায়, ঘরে—মতমদা, আমি—ঐনা, হিন্দুর ঘর—হিন্দুগী য়ুমদা, গিয়া চংতুনা, কীর্তন—কীর্ত্তন, করিলু, মান্য—মানা তৌকই, মৃদঙ্গ—পুঙ, ভাঙ্গিয়া—থুগাযদ্না, সেই বাত্রে—অহিং-হুদা, এক সিংহ— নোংশা অমা, মহাভয়ঙ্কর—যাম্মা কিবগী মশক ওইবা, নবদেহ মীওইবগী হকচাঙ্নী, সিংহমুখ—নোংশা-মাযথোঙনী, গর্জ্জযে—খোঙভী ভংঙী, বিস্তাব—যাম্মা খোল্‌হৌনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাজীনা হায়বকযি—ঐনা হিদুগী ময়ুমদা চংতুনা পুঙ থুগায়রগা কীর্তন থিংলুব অহিংহুদা অকিবগী মশক ওইরবা নোংশা অমা—হকচাঙনা মীওইবগী অদুগা মায়থোঙনা নোংশাগী পানবা—লাকুনা য়াম্মা ভংখি।

মূল ১৭৯

শয়নে আমার উপর লাফ দিয়া চড়ি।

অট্ট অট্ট হাসে করে দন্ত কড়মড়ি ॥ ১৭৯ ॥

শব্দার্থ

শয়নে—ফমুঙদা, আমার উপর—ঐগী ইথক্তা, লাফ দিয়া—চোংশল্লগা, চড়ি—তোংলহুনা, অট্ট অট্ট হাসে—থাক থাক নোকখি, করে দন্ত কড়মড়ি—যা ক্রক ক্রক চীকযি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ফমুঙদা ঐগী ইথক্তা চোংথংলগা তোংলহুনা খোলহৌনা থাক্ থাক নোকখি অদুগা য়া ক্রক ক্রক চীক্লম্মী।

মূল ১৮০—১৮১

মোর বুকে নখ দিয়া ঘোরস্বরে বোলে।

ফাড়িমু তোমার বুক মৃদঙ্গ বদলে ॥ ১৮০ ॥

আর [illegible] কীর্তন আনা [illegible] করিমু তোর [illegible]।

আঁখি মুদি কাঁপি আমি পাঞা বড় ভয় ॥ ১৮১ ॥

শব্দার্থ

মোর—ঐগী, বুকে—থবাক্তা নথ দিয়া—থুজিন থম্নগা ঘোরস্বরে—অকি-ফংবা খোন্দাদা, বোলে—হায, ফাডিমু—শেগাযগনী, তোমার—নহাকী, বুক—থবাক মৃদঙ্গ বদলে—পুঙগী মহুত্তা, মোর কীর্তনে—ঐগী কীর্তন, মানা করিস—থিংলি, করিমু—তৌগনী, তোমার ক্ষয—নঙগী মাঙনবা, আঁখি—মিং মুদি—উইশিল্লী, কাঁপি—নীক্লগা, আমি—ঐ, পাঞা—ফংহুনা, বড—অচৌবা, ভয—কিবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐগী থবাক্তা মথুজীন থম্লগা বিনডাই হৈবা খোন্দাদা হাযবন্মী—"কীর্তনগী পুঙ থুগায়বগী লন্মন্ন ওইনা নথবাক শেগাযগে। নঙনা ঐগী কীর্তন থিংবা শায, নঙবুদা তুমহন্নগা লৌদ্বে। মতৌ অদুদা ঐ কিমন্-খরহুনা থক থক নীক্লা মিং উইশল্লী।

মূল ১৮২-১৮৪

ভীত দেখি সিংহ বোলে হইয়া সদয।

তোরে শিক্ষা দিতে কৈল তোর পরাজয ॥ ১৮২ ॥

সে দিন বহুত নাহি কৈল উৎপাত।

তেঞি ক্ষমা করিয়া না কৈলুঁ প্রাণ ঘাত ॥ ১৮৩ ॥

ঐছে যদ পুন কর তবে না সহিমু।

সবংশে তোমারে মারি যবন নাশিমু ॥ ১৮৪ ॥

শব্দার্থ

ভীত—কিববা, দেখি—উবহুনা, সিংহ নেংশা, বোল—হায়, হইযা—ওইহুনা সদয়—চুংশিহৈবা, তোরে—নঙবু, শিক্ষা দিতে—বারক রাতেমগে হ য়হুনা, কৈল—(ঐনা) তৌবনী, তোর—নঙগী, পরাজয মায়থীবা; সে দিন—নুমিত্তদু; বহুত যাম্না, নাহি কৈল—(নঙনা) তৌখিদে; উৎপাত—অশান্তি অমাং-অতা থোকহনবা, তেঞি—মরমহুনা, ক্ষমা—ক্ষমা, করিয়া—তৌরগা; না কৈলুঁ—তৌদ্রবনী,

প্রাণঘাত—থবাই মাংহনবা , ঐছে—অদুম্না (কীর্ত্তন থুগায়বা) , যদি—য়দি , পুনে—অমুক হন্না , কর—তৌ , তবে—অহুঁ ওইরবদি ; আ মহাপ্রভু—(ঐ) খাওডরোই , সবংশে—বংশগা লোয়ননা ; তোমাকে—মহাকপু , মারি—হাৎলগা , যবন—মসলমান শম্বা . নাশিমু—মাংহনগনী ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐহাক কিদুনা হায়বতু উবুদুনা নোংশাহুনা ঐবু থুংশিনবিবদুনা হায়বশী—নডবু বাবক-বাতেমদুনা খুওইনগে হায়বশীদমক নডবু মায়থীবা পীবিবনী । নহান্দো নংনা তৌখিবা উৎপাতশিংদুগী যামখিদে । মবমদুনা নডবু শাক-পীদুনা নংগী ইদি লোইদ্রবনী । মহাপ্রভুদুম্না অমুক হন্না তৌরবদি ঐদি খাওদুনা লৈরবোইদৌবনী । নডগী বংশগা লোয়ননা নডবু হাৎলগা যবন তুম্না মাংহনগদবনী ।

মূল ১৮৫

এত কহি সিংহ গেল মোর হৈল ভয় ।
এই দেখ নখচিহ্ন আমার হৃদয় ।। ১৮৫ ।।

শব্দার্থ

এত—অসুক্থব , কহি—হায়রগা , সিংহ—নোংশা , গেল—চৎখি , মোর—ঐগী , হৈল—ওইখি , ভয়—কিবা , এই—অসি , দেখ—যেংও , নখচিহ্ন—খুজীল মফম , আমার—ঐগী , হৃদয়—থবাক্তা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসিথক হায়বম্লগা নোংশা চৎখি । ঐদি কিবনা লোইবে । যেংও নেসে ঐগী থবাক্তা । লৈবিবা খুজিল মফমসে ।

মূল ১৮৬

এত বলি কাজী নিজ বুক দেখাইল ।
শুনি দেখি সর্ব্বলোক আশ্চর্য্য মানিল ।। ১৮৬ ।।

শব্দার্থ

এত—অসিথক , বলি—হায়রগা , কাজী—কাজীনা , নিজ—মশাগী ,

বুক—থবাক, দেখাইল—উৎথি, শুনি—(মরাহু) তারগা; দেখি—(খুজিন মকমহু) উরগা, সর্ব্বলোক—মী পুম্নমক, আশ্চর্য্য—অঙকপনী (হাযনা), মাগনিল—লৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

রাসিথক হায়রগা কাজীনা মহাক্কী থবাক্তু উৎলম্মী। (মাগী রা) তারগা অমসুং (খুজীন মকমহু) উরগা মী পুম্নমক ঙকখি।

মূল ১৮৭

কাজী কহে—ইহা আমি কারে না কহিল।

সেই দিন আমার এক পেয়াদা আইল ॥ ১৮৭ ॥

শব্দার্থ

কাজী কহে—কাজীনা হায়রম্মী, ইহা—মসি (নোংশানা তৌরম্বা থবক্সি), আমি—ঐ, কারে—কনাদসু, না কহিল—হাযদোক্তে, সে দিন—নোংমনা, আমার—ঐগী, এক পেয়াদা—লাশ্মী অমা, আইল—লাক্লম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাজীনা মথা তানা হায়রম্মী—নোংশানা তৌবম্বসে ঐ কনাদসু হায়দোক্তে। নোংমা ঐগী পেয়াদা অমা লাক্লম্মী।

মূল ১৮৮

আসি কহে—গেলুঁ মুঞি কীর্ত্তন নিষেধিতে।

অগ্নি উল্কা মোর মুখে লাগে আচম্বিতে ॥ ১৮৮ ॥

শব্দার্থ

আসি—লাক্লগা, কহে—হায়রে, গেলুঁ—চৎলুই, মুঞি—ঐহাক, কীর্ত্তন নিষেধিতে—কীর্ত্তন থিংবা, অগ্নি-উল্কা—মৈগী উল্কা (শৃঙ্গ্রংদগী লাকপা মৈবুল), মোর মুখে—ঐগী মায়দা, লাগে—চুখি, আচম্বিতে—খঙহৌদবমখে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পেযাদানা লাক্লগা হায়রে— ঐনা কীর্ত্তন থিল্লে হায়রদুনা থোক্লুই। কদায়দগীনো খণ্ডরৌদে মৈবুল অমা লাক্লগা হায়দা খেংলৈ।

মূল ১৮৯

পুড়িলা সকল দাড়ি মুখে হৈল ব্রণ।

যেই পেয়াদা যায় তার এই বিবরণ ॥ ১৮৯ ॥

শব্দার্থ

পুড়িলা—চাকখ্রে, সকল—পুম্নমক, দাড়ি—খদাং-কোই, মুখে—মমায়দা, হৈল—লৈবম্মী, ব্রণ—মৈচাককম, যেই—মদু পেযাদা—পেযাদা, যায—চৎলী, তাব—মাগী, এই—মসি, বিববণ—রারী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পেযাদাদুগী খদাং-কোই লোইনমক চাবখ্রে। হেক চৎলু-চৎলুবা পেযাদা খুদিংমক্কী রারী চপ মান্নে হাযবদি মকোই-ময়াম মৈনা চাকৃখি।

মূল ১৯০

তাহা দেখি বলি আমি মহাভয় পাঞা।

কীর্ত্তন না বজ্জিহ ঘরে বহ ত বসিয়া ॥ ১৯০ ।,

শব্দার্থ

তাহা—মদু, দেখি—উরগা, বলি আমি—ঐনা হায়, মহাভয পাঞা—য়াম্না কিরদুনা, কীর্ত্তন—কীর্ত্তন, না বজ্জিহ—থিলুংবনু, ঘাব—যুমদা, বহ ত—লৈরো বসিযা—ফমদুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মদু উরগা ঐহাক য়াম্না কিরদুনা মখোযদা হায়বম্মী—কীর্ত্তন থিংলুবনু য়ুমদা ফমদুনা লৈবো।

মূল ১৯১

তবে ত নগরে হৈবে স্বচ্ছন্দে কীর্ত্তন।

শুনি সব ম্লেচ্ছ আসি কৈল নিবেদন ॥ ১৯১ ॥

শব্দার্থ

তবে তিঁ—অদু ওইরবদি ; নগরে—নগরদা ; হৈবে—ওইরগনী (তৌরগনী), স্বচ্ছন্দে—মনীংঙম্মা, কীর্ত্তন—কীর্ত্তন, শুনি—মাক্নোকপা তাবগা, সব ম্লেচ্ছ—ম্লেচ্ছ পুম্নমক, আসি—লাকুনা, কৈল নিবেদন—হায়রখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐনা কীর্ত্তন থিংনুবনু হায়বসিদা—থিংদ্রবদি নগরদা মনীংঙ তম্না কীর্ত্তন তৌবগনী (হায়না চিংনবদগী) পাংসি তাবদা ম্লেচ্ছ পুম্নমক তৌদুনা লাক্লগা ঐঙোন্দা হায়বখি—।

মূল ১৯২

নগরে হিন্দুর ধর্ম্ম বাড়িল অপার।
হরি হরি ধ্বনি বিনা নাহি শুনি আর॥ ১৯২॥

শব্দার্থ

নগরে—নগরদা, হিন্দুর হিন্দুগী, ধর্ম্ম—ধর্ম্ম, বাড়িল—হেঙ্গংলক্লে, অপার ওমথে নাইদবমথৈ, হরি হরি ধ্বনি—হরি হরি হায়বা খোন, বিনা—নত্তনা, নাহি শুনি—তাদে', আর—অতৈম্মা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(ম্লেচ্ছশিংনা হায়রখি)—নগরদা হিন্দুগী ধর্ম্ম ওমথে নাইদবমথৈ হেঙ্গংলক্লে। হরি হরি হায়বা ধ্বনি নত্তনা অতৈ কবিমত্তা তাবা লৈতে।

মূল ১৯৩-১৯৪

আর ম্লেচ্ছ কহে—হিন্দু কৃষ্ণ কৃষ্ণ বলি।
হাসে কান্দে নাচে গায় গড়ি যায় ধূলি॥ ১৯৩॥
হরি হরি করি হিন্দু করে কোলাহল।
পাৎসা শুনিলে তোমার করিবেক ফল। ১৯৪॥

শব্দার্থ

আর ম্লেচ্ছ—অতোপ্পা ম্লেচ্ছ অমনা হায়; হিন্দু—হিন্দুনা, কৃষ্ণ কৃষ্ণ

বলি—কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্দুনা, হাসে—নোকয়ি, কান্দে—কপ্পী, নাচে—জগোয় শায়, গায়—ঈশৈ শকয়ি, গড়ি যায়—থবো থবো ওল্লী, ধূলি—উফুন্দা, হবি হবি কবি-হবি হবি শোন্দুনা; হিন্দু—হিন্দুনা, করে কোলাহল নিন-খোঙভী; পাৎসা—নিংথৌরেম বাদসাহনা, শুনিলে—নাকোঙনা তাববগদি, তোমায়—নাঙান্দা, কবিবেক ফল—মহে চাহনগনী, শাস্তি পীগনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতৈ ম্লেচ্ছ অমনা হাযরৈ—হিন্দুনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লগা নোকযি, কপ্পী, জগোই শায়, ঈশৈ শকয়ি অদুগা উফুন্দা থবো থবো ল্লেী। হিন্দুনা হবি হরি শোন্দুনা নিল-খোঙভী। পাৎসাগী নাকাঙ যৌগ্রবদি নঙবু শাস্তি পীবরনী।

মূল ১৯৫-১৯৬

তবে সেই যবনেরে আমিত পুছিল।

হিন্দু হবি বোলে তার স্বভাব জানিল॥ ১৯৫॥

তুমিত যবন হৈয়া কেনে অনুক্ষণ।

হিন্দুর দেবতার নাম লও কি কারণ॥ ১৯৬॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদা, সেই যবনেরে—মুসলমান অদুদা, আমিত—ঐনদি, পুছিল—হংখি, হিন্দু হরি বোলে—হিন্দুনা হরি শোল্লী, তার—মাগী, স্বভাব—হৌনশানী (হায়না), জানিল—খঙভী, তুমিত—নঙদি, যবন হৈয়া—যবন ওইবগা, কেনে—কবয়া, অনুক্ষণ—ভাইহাক লৈতনা, হিন্দুর—হিন্দুগী, দেবতার—লাইগী, নাম—মিং, লও—লৌবিবা, কি কারণ—করি মরমগী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মানা হায়বকপদুদা যবনদদা ঐনা হংলম্মী—হিন্দুনা হবি শোনবদি মহু মাগী মনাৎনী হায়না খঙভী। অদুগা নঙদি যবন ওইরগা করয়া ভাইহাক লৈতনা হিন্দুগী লাইমিং শোল্লিবদি কবিগীনো?

মূল ১৯৭-১৯৯

ম্লেচ্ছ কহে—হিন্দুরে আমি করি পরিহাস।
কেহো কেহো কৃষ্ণদাস, কেহো রামদাস ॥ ১৯৭ ॥
কেহো হরিদাস, সদা বোলে "হরি হরি"।
জানি কার ঘরে ধন করিবেক চুরি ॥ ১৯৮ ॥
সেই হইতে জিহ্বা মোর বোলে হবি হবি।
ইচ্ছা নাহি তবু বোলে কি উপায় করি ॥ ১৯৯ ॥

শব্দার্থ

ম্লেচ্ছ—মুসলমান, কহে - হায়, হিন্দুরে — হিন্দুবু, আমি—ঐনা, কবি—তৌয়ি, পবিহাস - কবেম্লবা, কেহো কেহো—কনা কনানা, কৃষ্ণ দাস—কৃষ্ণদাস (কৃষ্ণগী মনাই), কেহো—কনামনা, রামদাস—রামদাস (বামগী মনাই), কেহো—কনামনা, হরিদাস—হবিদাস (হবিগী মনাই) সদা—মতম পুম্বা, বোলে—হায, শোল্লী, হবি হরি—হবি হবি (হূবাল্লী, হূবাল্লী), জানি—খঙভী, কার—কনাগী, ঘবে—যুমদা, ধন—লন কবিবেক - তৌগনী, চুবি—হূবানবা, সেই হইতে—মতুদগী হৌনা, জিহ্বা —লৈযেং, মোর—ঐগী, বোলে—হায়, হবি হরি—হবি হবি, ইচ্ছা নাহি—হায়রোই হাযনা নীঙভী, তবু—অতুবু, বোলে—হায, কি—কবি, উপায়—পাম্বৈ, করি—তৌগনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ম্লেচ্ছনা খুম্লকয়ি—ঐনা হিন্দুবু করেম্লবনী। কনামনা কৃষ্ণদাস, কনামনা বামদাস, কনামনা হবিদাস। মখোয়না মতম চুপ্পা 'হরি হরি' হাযনা শোল্লী। (হবি হরিগী অর্থ অমা হূরাল্লী হূরাল্লী হাযবনী), মবমছুনা মখোয কনাগী যুমদা লন হূরানদৌরিবনো হাযনা ঐনা লৌযি। (ঐনা মখোয়গী মতৌ তমছুনা হায়বা) অতুদগী ইবৈসিনা হবি হবি হাযতুনতা লৈখরে। হাযরোই হাযনা নীঙভী, অতুবু হেক্তা হায, কবি উপায তৌগদবনো খঙদরে।

মূল ২০০-২০১

আর ম্লেচ্ছ কহে—শুন আমি এই মতে।
হিন্দুকে পরিহাস কৈল, সেই দিন হৈতে ॥ ২০০ ॥

জিহ্বা কৃষ্ণনাম করে, না মানে বর্জ্জন।
না জানি কি মন্ত্রৌষধি করে হিন্দুগণ ॥ ২০১ ॥

শব্দার্থ

আর—অতোপ্পা , ম্লেচ্ছ—ম্লেচ্ছনা , কহে—হায , শুন—নাকোঙনা তাও , আমি ঐ , এই মতে—মতৌ অসুম্না , হিন্দুকে—হিন্দুবু , পরিহাস — করেম্নবা , কৈল—তৌরুই , সেই দিন হৈতে—মহুগী মুমিত্তগী , জিহ্বা —(ঐগী) লৈয়েংনা , কৃষ্ণনাম করে—কৃষ্ণকৃষ্ণ হায়না শোল্লী , না মানে - যাদে , বর্জ্জন থাদোকপা , না জানি—খঙদে , কি—করি , মন্ত্রৌষধি —মন্ত্রগা হীদাক্কা , করে—তৌববনো , হিন্দুগণ—হিন্দুশিংনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অতোপ্পা ম্লেচ্ছ অমনা লাক্লগা হায়রম্মী—তাওনে, ঐনা মতৌ অসুম্না হিন্দুবু করেম্নে, করেম্নবা মুমিত্তদগী ইবৈসিনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ হাযদুনদা লৈ, তোকউ হায়বা যাদে। হিন্দুশিংনা করি মন্ত্র করি হিদাক তৌশিল্লবনো খঙদে।

মূল ২০২

এত শুনি তা-সভারে ঘরে পাঠাইল।
হেন কালে পাষণ্ডি-হিন্দু পাঁচ-সাত আইল ॥ ২০২ ॥

শব্দার্থ

এত—অসিথক , শুনি—নাকোঙনা তারগা ; তা-সভারে—মখোয লোইনমকপু , ঘরে—যুমদা , পাঠাইল—থাখি , হেনকালে—মতম অসিদা , পাষণ্ডি-হিন্দু—কীর্ত্তন-তাথীবা হিন্দু , পাঁচ—মঙা , সাত—তরেৎ , আইল — লাক্লম্মী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসিথক তাবগা ঐনা মখোয পুম্নবু মযুম মযুমদা হল্‌হনখি। মতমহুদা পাষণ্ডী হিন্দু ৫/৬ লাক্লম্মী।

মূল ২০৩

আসি কহে—হিন্দুর ধর্ম্ম ভাঙ্গিল নিমাই।
যে কীর্ত্তন প্রবর্ত্তাইল কভু শুনি নাই ॥ ২০৩ ।

শব্দার্থ

আসি—লাক্লগা, কহে—হায়রকল্মী, হিন্দুর—হিন্দুগী, ধর্ম্ম—ধর্ম্ম, ভাঙ্গিল—থুগায়বে, নিমাই—নিমাইনা, যে কীর্ত্তন—কীর্ত্তনদো, প্রবর্ত্তাইল—হৌদোক্লম্মী, কভু—কদৌউদেশু, শুনি নাই—তাখিদ্রি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(পাষণ্ডি-হিন্দুশিংনা) লাক্লগা হায়খি—নিমাইনা হিন্দু ধর্ম্ম থুগায়র। মানা হৌদোক্লিবা কীর্ত্তনসিদি কদৌউদেশু তাখিদ্রি।

মূল ২০৪

মঙ্গলচণ্ডী বিষহরি করি জাগরণ।
তাতে বাদ্য নৃত্যগীত—যোগ্য আচরণ॥ ২০৪॥

শব্দার্থ

মঙ্গলচণ্ডী—মঙ্গলচণ্ডী, বিষহরি—মনসাদেবী (লিলগীলাই), করি—তৌযি, জাগরণ—মিংশেল-খাঙবা, তাতে—মতুদা, বাদ্য—পুঙশেল, নৃত্য—জগোই, গীত—ঈশৈ, যোগ্য—হৌনবী, আচরণ—শাজৎ (তৌযি)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মঙ্গলচণ্ডী অমসুং বিষহরি (মনসা দেবী) পূজা তৌদুনা অহিং মিংশেল খাঙবী। পূজাদুদা পুঙ-ঈশৈ জগোইনচিংবা তৌবদি (হিন্দুশিংগী) হৌনবী আচরণী।

মূল ২০৫

পূর্ব্বে ভাল ছিল এই নিমাই পণ্ডিত।
গয়া হৈতে আসিয়া চালায় বিপরীত॥ ২০৫॥

শব্দার্থ

পূর্ব্বে—হান্নদি, ভাল—ফনা; ছিল—লৈরম্নী, এই—অসি, নিমাই পণ্ডিত—নিমাই পণ্ডিত; গয়া হৈতে—গয়াদগী, আসিয়া—লাক্লগা, চালায়—চৎনহল্লে, বিপরীত—এন্নৈনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নিমাই পণ্ডিতসি হান্নদি ফজা ফরম্বনী। গয়াদগী হল্লকপা এন্নতৈনবা থাক তৌবরে।

মূল ২০৬-২০৭

উচ্চ করি গায় গীত দেয় করতালি।
মৃদঙ্গ-করতাল-শব্দে কর্ণে লাগে তালি ॥ ২০৬ ॥
না জানি কি থাঞা মত্ত হৈয়া নাচে গায়।
হাসে কান্দে পাড়ে উঠে গড়াগড়ি যায় ॥ ২০৭ ॥

শব্দার্থ

উচ্চ করি খোনবা না, গায়—শকয়ি গীত—ঈশৈ দেয় করতালি—খুবাক খুই, মৃদঙ্গ—পুঙ, করতাল—কোর্ত্তাল, শব্দে—খোনা, কর্ণে—নাকাওদা, লাগ তালি—বাইথু-শো লোল্লী হায়রদি যৈশল্লী, না জনি—খঙদে, কি করি, থাঞা—চাদুনা, মত্ত অঙাংবা, হৈয়া—ওইদুনা, নাচে—জগোই শাই, গায়—ঈশৈ শকয়ি হাসে—নোকয়ি, কান্দে—কপী, পাড়ে তুই, উঠে—হৌগংলী, গড়াগড়ি যায়—লৈগল্লী।

মৈতৈলোন্দা হন্দাকপা

(নিমাইনা) খুবাক থবগা খোনবা না ঈশৈ শকয়ি। (মথাযগী) পুঙ কোর্ত্তালগী মখোল্লা নাকোং যৈশল্লী। করি চন্না ওাংবগা জগোই শাযিবা, ঈশৈ শক্রিবা, মরম খঙদে, নোকস্ত নোকয়ি, কপ্পস্ত কপী, অদুগা লেবাক্তা তুরৈ অদুগা অমুক হৌগৎলি অদুগা থবো২ বোস্ত লৈগল্লী।

নৈনরোল

তৌরিবা মতৌশিংসি কৃষ্ণ প্রেমগী বহির্লক্ষণ ওাকী। ভাগবতনা হায়রি—"এবং ব্রতঃ স্বপ্রিয়নামকীর্ত্ত্যা জাতানুরাগো দ্রুতচিত্ত উচ্চৈ হসত্যথো রোদিতি গায়ত্যুন্মাদবন্নৃত্যতি লোকবাহ্যঃ ॥" ভা. ১১/২/৪০ ॥

মূল ২০৮

নগরিয়াকে পাগল কৈল সদা সঙ্কীর্ত্তন।
রাত্রে নিদ্রা নাহি যাই—করি জাগরণ ॥ ২০৮ ॥

শব্দার্থ

নগরিয়াকে—নগরগী মীশিংবু, পাগল কৈল—ঙাওহল্লে, সদা—মতম পুম্বদা, সঙ্কীর্ত্তন—কীর্ত্তন্না, হরিনাম শোনবনা, রাত্রে—অহিংদা, নিদ্রা নাহি যাই—তুম্বা তোক্লে, করি জাগরণ—মিংশেল খাঙলে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

সঙ্কীর্ত্তনগী লাঙবনা মতম পুম্বদা মী পুম্নমকপু ঙাওহল্লে। অহিংদা কনামতা তুম্নদবে অত্তুনা জাগরণ তৌত্তুনা লৈনবে।

মূল ২০৯

নিমাই-নাম ছাড়ি এবে বোলায় গৌরহরি।
হিন্দু ধর্ম্ম নষ্ট কৈল পাষণ্ড সঞ্চারি ॥ ২০৯ ॥

শব্দার্থ

নিমাই-নাম—নিমাই হায়বা মিং, ছাড়ি—থাদোক্তুনা, এবে—হৌজিক বোলায—কৌহল্লে, গৌরহরি—গৌরহরি, হিন্দু ধর্ম্ম—হিন্দু ধর্ম্ম, নষ্ট কৈল—মাঙহল্লে, পাষণ্ড সঞ্চারি—পাষণ্ডমত প্রচার তৌত্তুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নিমাই হায়বা মিংত্তু থাদোল্লগা গৌরহরি হায়না কৌহল্ল। (মহাক্না) পাষণ্ড মত অত্তুগা পাষণ্ডগী আচরা প্রচার তৌত্তুনা হিন্দু ধর্ম্মগিবু মাঙ-তাব্হল্লে।

মূল ২১০

কৃষ্ণের কীর্ত্তন করে নীচ রাডবাড়।
এই পাপে নবদ্বীপ হইবে উজাড় ॥ ২১০ ॥

শব্দার্থ

কৃষ্ণের—কৃষ্ণগী কীর্ত্তন—কীর্ত্তন (শক-শোনবা), কারে—তৌরি নীচ—অপীকপা জাৎকী, বাডবাড—তত্ত্ব-খঙদবা মীনা, এই পাপে—পাপ অসিনা মরম ওইত্তুনা, নবদ্বীপ—নবদ্বীপ, হইবে—ওইরনী, উজাড়—মাঙতাকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অপীকপা জাৎকী তত্বখণ্ডদবা মীনা কৃষ্ণ-কীর্ত্তন তৌবি। পাপসিনা নবদ্বীপ মাঙতাক্লবগনী।

মূল ২১১

হিন্দু শাস্ত্রে ঈশ্বরনাম মহামন্ত্র জানি।
সর্ব্বলোকে শুনিলে মন্ত্রের বীর্য্য হয় হানি॥ ২১১॥

শব্দার্থ

হিন্দুশাস্ত্রে - হিন্দু শাস্ত্রদা, ঈশ্বরনাম—ঈশ্বরগী মিংদি, মহামন্ত্র—মন্ত্র অচৌবনী হায়না, জানি—(ঐখোয়) খঙজী, সর্ব্বলোকে—মী পুম্বনা, শুনিলে—তাবগদি, মন্ত্রের—মন্ত্রগী, বীর্য্য—মপাঙ্গল, হয়—ওই, হানি—মাঙবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হিন্দুশিংগী শাস্ত্রদা ঈশ্বরগী নামদি মহামন্ত্রনী হায়না খঙজী। নামত্ব মী পুম্নমবা তাবগদি মন্ত্রগী পাঙ্গল মাঙজী।

মূল ২১২

গ্রামের ঠাকুর তুমি সভে তোমার জন।
নিমাই বোলাইয়া তারে করহ বর্জ্জন॥ ২১২॥

শব্দার্থ

গ্রামের—নবদ্বীপ গ্রামগী, ঠাকুর—মপু, তুমি—নঙনী, সভে—পুম্নমক, তোমার—নহাক্কী, জন—মীনী, নিমাই—নিমাইবু, বোলাইয়া—কৌহল্লবগা, তারে—মঙোন্দা, করহ বর্জ্জন—(কীর্ত্তন তৌগন্নু হায়না) থিংঙু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাজীদা হিন্দুশিংনা হায়রম্মী—নহাক্তি নবদ্বীপ গ্রামসিগী মপুনী (শাসনকর্ত্তানী)। লোইনমক নহাক্কী মীনী। নিমাইবু কৌহল্লবগা কীর্ত্তন তৌবা যাদে হায়না থিংঙু।

মূল ২১৩

তবে আমি প্রীতিবাক্য কহিল সভারে।

সভে ঘর যাহ, আমি নিষেধিব তারে ॥ ২১৩ ॥

শব্দার্থ

তবে অদুদগী, আমি—ঐনা (কাজীনা), প্রীতিবাক্য নুংশিবগী বাহৈ, কহিল—হায়খি, সভারে—মখোয় পুম্বদা, সভে—লোইনমক ঘর—য়ুম, যাহ—হল্লো, আমি—ঐ, নিষেধিব—থিংগে তারে মাবু।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুদগী ঐনা (হিন্দুশিংদুদা) নুংশিবগী বাহৈনা হায়খি—লোইনমক য়ুমদা হল্লো, ঐ মহাকপু (নিমাইবু) কীর্তন তোগনহনগে।

মূল ২১৪

হিন্দুর ঈশ্বর বড় যেই নারায়ণ।

সেই তুমি হও, হেন লয় মোর মন ॥ ২১৪ ॥

শব্দার্থ

হিন্দুর ঈশ্বর—হিন্দুগী ঈশ্বর, বড়—অচৌবা যেই নারায়ণ—নারায়ণদু, সেই—মদু, তুমি—নংনা, হও—ওই, হেন অসুম্না, লয়—লৌযি, মোর—ঐগী, মন—পুক্নীংনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হিন্দুগী লাই অচৌবা নারায়ণ হায়বা অদু নংনী হায়না ঐগী মন অসিনা লৌয়ি।

মূল ২১৫

এত শুনি মহাপ্রভু হাসিয়া হাসিয়া।

কহিতে লাগিলা কিছু কাজীরে ছুঁইয়া ॥ ২১৫

শব্দার্থ

এত—অসুক, শুনি—মাকোংনা তাবগা, মহাপ্রভু—মহাপ্রভু, হাসিয়া—নোক্লা, কহিতে—হায়বা, লাগিলা—হৌখি, কিছু—খরা, কাজীরে—কাজীদা, ছুঁইয়া—খুৎনা শোক্লগা।

মৈতৈলোন্দা হান্দাকপা

রা থবসি তাবগা মহাপ্রভুনা কাজীগী মছাদা শোক্লগা নোক্কা নোক্কা র থবা হায়বা হৌথি।

মূল ২১৬-২১৭

তোমাব মুখে কৃষ্ণনাম—এ বড় বিচিত্র।
পাপক্ষয় গেল হৈলা পবম পবিত্র ॥ ২১৬ ॥
হবি কৃষ্ণ নাবাযণ লৈলে তিন নাম।
বড় ভাগ্যবান তুমি বড় পুণ্যবান ॥ ২১৭ ॥

শব্দার্থ

তোমাব—নহাক্কী, মুখে—চীন্দা, কৃষ্ণনাম—কৃষ্ণগী মিং, এ—মসি, বড—যাম্না, বিচিত্র—অঙকপনী, পাপক্ষয় গেল—পাপ কোকখ্রে, হৈলা—ওইবে, পবম পবিত্র—পূনাশং-শেংবা, হবি কৃষ্ণ নাবাযণ—হবি, কৃষ্ণ নাবাযণ, লৈলে—নঙনা লৌব, তিন নাম মিং অহুম, বড ভাগ্যবান—যাম্না লাইবক ফবনী, তুমি—নঙ, বড পুণ্যবান—পুণ্য যাম্না চেনবনী।

মৈতৈ লোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা হায়বগী)—নঙগী চীন্দা কৃষ্ণনাম থোকপসী যাম্না ঙকপা অমনী নঙগী পাপ মাংখ্রব পূনাশ-শেংবা হায়বদু ওইবে। হবি, কৃষ্ণ, নারায়ণ হায়বা মিং অহুমনী নঙনা শোক্লে, অদুনা নহাক লাইবক যাম্না ফববনী অমসু পুণ্য যাম্না চেন্নবনী।

লৈমশ্রোল

ভগবানগী নাম হায়বসিদি নামদু শোল্লিবা মীনা ফবি বাথল খন্দুনা শোল্লিবনো হায়বগী বা ভাইঙমদবখে নাম পল্লিবা মীদুগী পাপ কোকথোক্পী অদুগা মাগী চিত্তবু পবিত্র ওইহল্লী। মবমসিনা শ্রীশ্রীহবিভক্তি-বিলাসনা হায—হেলা (কবেম্নবা) তৌদুনা ওইরবসু নত্রগা শ্রদ্ধা (থাজবা) তৌদুনা ওইববসু নামু অদু উচ্চাবণ হেক্ক তৌবদা থক লেম্না মাঙদে। "শ্রদ্ধয়া হেলযা নাম বটন্তি মম জন্তব.। তেষাম্ নাম সদা পার্থ বর্ত্ততে

মম হৃদযে। শ্রীকৃষ্ণনা হায়রি—হে অর্জুন, শ্রদ্ধাদগী নত্রগা হেলাদগী ঐগী নাম শোনুবা জীবশি তুগী মিংত্থ মতম পুম্নমক্না ঐগী পুক্নীংডা লৈ। ১১/২৪৫ ॥" হরিভক্তি বিলাসনা অমুকম্থ হায়রম্মী—"সকৃদুচ্চারযন্তোব হরের্নাম চিদাত্মকম ফলং নাস্য ক্ষমো বক্তুং সহস্রবদনো বিধিঃ ॥—চিৎ-ওাক্তগী ওইবা হরিনামবু অমুক্তংদং উচ্চারণ তৌরগা ওইবা ফলদি, কয়া যাম্নগে হায়রবু চতুর্মুখ (মাযথোঙ মরি পানবা) বিধিনা (ব্রহ্মানা) অমসু, সহস্র-বদন (কোক-লীশীঙ-পানবা) অনন্ত দেব ফাওবনা ফলদুগী মশীঙ শিনা বর্ণন তৌবা ঙমদে। ১২/২৪২ ॥"

মূল ২১৮

এত শুনি কাজীর দুই চক্ষে পড়ে পানী।
প্রভুর চরণ ছুঁই কহে প্রিয় বাণী ॥ ২১৮ ॥

শব্দার্থ

এত অসিখক, শুনি—নাকোঙনা তারগা, কাজীর—কাজীগী, দুই—অনী, চক্ষে—মীৎলুদা, পড়ে—তাই, পানী—পিবাং, প্রভুর—প্রভুগী, চরণ—খোঙ, ছুঁই—শোক্লগা, কহে—হায়, প্রিয় -নুংশিরবা বাণী—বাহৈ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুগী বা থরুসি তাবদা কাজীগী মিৎলু অনীদগী পিরাং শিন্থখি। কাজীনা প্রভুগী চরণ শোক্লগা নুংশিরবা বাহৈনা হায়রম্মী—

তৈনবোল

ভগবান্গী নাম উচ্চারণ তৌবগী ফল ওইনা কাজীগী থম্মোইদা কৃষ্ণ প্রেম (কৃষ্ণবু নুংশিবা) হৌরে, মরমদুনা মাগী মীৎলুদা পিরাংগী মশক ওইবা সাত্বিকভাবকী বিকার থোকখিবনী।

মূল ২১৯

তোমার প্রসাদে মোর ঘুচিল কুমতি।
এই কৃপা কর যে তোমাতে রহু ভক্তি ॥ ২১৯ ॥

শব্দার্থ

তোমার—নঙগী, প্রসাদে—থৌজাম্না, মোর—ঐগী, ঘুচিল—কোক্লে, কুমতি—ফত্তবা রাখল, এই—অসি, কৃপা—চান্‌বিবা, কর—তৌ, যে—মহুদি, তোমাতে—নঙোন্দা, বহু—লৈশমু, ভক্তি—ভক্তি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নঙনা চান্‌বিবদগী ঐগী ফত্তবা রাখল লোইনা মাঙখরে। নঙোন্দা ভক্তি লৈবা অসিমতংদি কৃপা তৌবিয়ু।

মূল ২২০

প্রভু কহে—এক দান মাগিহে তোমায।

সঙ্কীর্ত্তনবাদ যৈছে না হয নদীযায ॥ ২২০ ॥

শব্দার্থ

প্রভু—প্রভুনা, কহে হায, এক দান—দান অমা, মাগিহে—নিগে, তোমায—নঙোন্দা, সঙ্কীর্ত্তনবাদ—সঙ্কীর্ত্তন থিংবা নত্রগা কাযবা, যৈছে না হয়—ওইদবা, নদীযায়—নদীযাদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা হাযবম্মী—নঙোন্দা দান অমতা নিগে ঐ। মহুদি নদীযাদা সঙ্কীর্ত্তন থিংদবা নত্রগা কাযদবা অসিদং।

মূল ২২১

কাজী কহে—মোর বংশে যত উপজিবে।

তাহাকে তালাক্ দিব কীর্ত্তন না বাধিবে ॥ ২২১ ॥

শব্দার্থ

কাজী—কাজীনা, কহে—হায, মোর—ঐগী, বংশে—শাগৈদা, যত—কয়া, উপজিবে—পোক্নী, তাহাকে—মঙোন্দা (মখোযদা), তালাক—রাশক, দিব—পীগনী, (তালাক দিব—লাই য়েংহুনা রাশক্লগা হায়রমগনী), কীর্ত্তন—কীর্ত্তন, না বাধিবে—থিংবা য়াদে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কাজীনা খুমখি—ঐগী বংশদা পোকপা মীশিংবা রাশকুনা হায়রমগনী, মখোয় কীর্তন থিংবা য়াদে হায়না।

মূল ২২২

শুনি প্রভু হরি বলি উঠিলা আপনি।
উঠিলা বৈষ্ণব সব করি হরিধ্বনি ॥ ২২২ ॥

শব্দার্থ

শুনি- (কাজীগী বা) তারগা, প্রভু—প্রভুনা, হরি বলি—হরি শোন্দুনা, উঠিলা—লেঙখৎখি, আপনি—মছামক, উঠিলা—লেঙখৎখি বৈষ্ণব সব—বৈষ্ণব পুম্বা, করি—তৌদুনা, হরিধ্বনি হরি শব্দগী মনিল।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা কাজীগী পাউখুম তাবগা হরি হরি শোল্লদুনা লেঙখৎখি। অদুদগী বৈষ্ণব পুম্নমক হরিধ্বনি তৌনা তৌনা লেঙখৎলম্মী।

মূল ২২৩

কীর্তন করিতে প্রভু করিলা গমন
সঙ্গে চলি আইসে কাজী উল্লাসিত মন ॥ ২২৩ ॥

শব্দার্থ

কীর্তন করিতে—কীর্তন তৌনা তৌনা, প্রভু—প্রভুনা, করিলা গমন—লেঙখি, সঙ্গে—লোয়ননা, চলি আইসে—লাক্লম্মী, কাজী—কাজীনা, উল্লাসিত মন—পুক্নীঙ হরাওনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুদু কীর্তন তৌনা লেঙলম্মী। অদুদা কাজীনা মপুক্নীঙ হরাও হরাওনা প্রভুগা লোয়ননা থোরক্লম্মী।

মূল ২২৪

কাজীরে বিদায় দিল শচীর নন্দন।
নাচিতে নাচিতে আইলা আপন ভবন ॥ ২২৪ ॥

শব্দার্থ

কাজীরে—কাজীবু, বিদায় দিল—বিদায় পীরম্মী, শচীর নন্দন—শচীগী মচা গৌরহরি, নাচিতে নাচিতে—জগাই শানা শানা, আইলা লেংওকখি, আপন—অহামকী, ভবন—শঙগায়।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শচীগী মচানুপা গৌরহরিন কাজীবু বিদায় পীরম্লা। জগোই শানা শানা মমাইগী শঙগায়দা লেংলকখি।

মূল ২২৫

এইমতে কাজীরে প্রভু করিলা প্রসাদ।
ইহা যেই শুনে তার খণ্ডে অপরাধ।। ২২৫ ।।

শব্দার্থ

এইমতে—মতৌ অসুম্না, কাজীরে—কাজীবু, প্রভু—প্রভুনা, করিলা—তৌখি, প্রসাদ—চানবীবা, ইহা—মসি, যেই—মহাক্না শুনে—নাকোঙনা তাববা, তার—মাগী, খণ্ডে—ককয়ি, অপরাধ মরান।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না প্রভুনা কাজীবু কৃপা তৌবিখি। বাবীসি মনাকোঙনা তাজবা মীহুৎগী মচাদা লৈবম্লা অপরাধ পুম্না কোক্লনি।

মূল ২২৬

একদিন শ্রীবাসের মন্দিরে গোসাঞি।
নিত্যানন্দ সঙ্গে নৃত্য করে দুই ভাই।। ২২৬ ।।

শব্দার্থ

একদিন নোংমা, শ্রীবাসের শ্রীবাসকী, মন্দিরে যুমদ, গোসাঞি—প্রভুনা, নিত্যানন্দ সঙ্গে—নিত্যানন্দগা লোয়ননা, নৃত্য করে—জগোই শাই, দুই ভাই—মচানুপাও অনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা শ্রীবাসকী শঙগায়দা গৌরাঙ্গ প্রভুনা নিত্যানন্দগা লোয়ননা জগোই শাখি।

মূল ২২৭

শ্রীবাসপুত্রের তাহাঁ হৈল পরলোক।

তবু শ্রীবাসের চিত্তে না জন্মিল শোক ॥ ২২৭ ॥

শব্দার্থ

শ্রীবাসপুত্রের – শ্রীবাসগী মচানুপাগী ; তাহাঁ—মফমদুদা ; হৈল—ওখি , পরলোক – শিবা , তবু—অদুবু , শ্রীবাসের চিত্তে—শ্রীবাসগী থম্মোইদা , না জন্মিল—পোকখিদে , শোক—অবাবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীবাসগী মচানুপাদু মফমদুদা শিখিরম্মী। অদুবু শ্রীবাসগী থম্মোইদা মচাশিবগী মুংঙাইতবা পোকখিদে।

মূল ২২৮

মৃতপুত্রমুখে কৈল জ্ঞানের কথন।

আপনে দুই ভাই হৈলা শ্রীবাসনন্দন ॥ ২২৮ ॥

শব্দার্থ

মৃত—শিববা , পুত্র—মচাগী , মুখে—মচীন্দা , কৈল—হাযখি , জ্ঞানের—তত্ত্বজ্ঞানগী , কথন—ঋাঙাং , আপনে—মঁছানা , দুইভাই—মচিন্মনাও অনীনা , হৈলা—ওইখি , শ্রীবাসনন্দন—শ্রীবাসগী মচা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীবাসগী শিরবা মচানুপাগী মচীন্না তত্ত্বজ্ঞানগী ঋাঙাং ঙাংখি। অদুগা শ্রীগৌরাঙ্গ অমসুং শ্রীনিত্যানন্দ মচিন্মনাও অনীনা শ্রীবাসগী মচানুপা ওইখি।

তৈনরোল

নোংমা শ্রীচৈতন্যগা শ্রীনিত্যানন্দগা অনীনা শ্রীবাসগী শুমাঙদা জগোই শারিডৈ মতমদা শ্রীবাসগী মচানুপা শিখিবম্মী। অদুবু প্রভুগী জগোই শাবগী মুংঙাইবদু কাযগনী হাযদুনা শ্রীবাসনা মচা শিবগী মুংঙাইতবা মচেৎ অমত্তাওবা উৎলমদে। অদুগা ইমুংগী মী অমতা কপ্পা যাদে হায়না থিংখি। শ্রীবাসগী ইমুংগী মীশিংগী মতৌ উবদা মচা শিবগী ঋাদু

খঙবা ঙম্লবমদে। কীর্ত্তন লোইবগা মহাপ্রভুনা অঙাং শিবগী পাউহু খঙলবদা অশিবা অঙাংহুগী মচান্দা রা ঙাংহনখি। অঙাংহুনা হাবখি—"কনানা কনাগী মপানো, কমান্না কনাগী মচানো?" মামা ঙাংলিবসি জ্ঞানগী রানী। অদুদগী শ্রীবাসদা প্রভুনা হায়খি—"ঐগা নিত্যানন্দগা নঙগী নচানুপা অনীনী, নুপুক্লীঙদা রাবগী রা খল্লগনু।"

মূল ২২৯

তবে ত বর্দিল সব ভক্তে বরদান।

উচ্ছিষ্ট দিয়া নারায়ণীর করিল সম্মান ॥ ২২৯ ॥

শব্দার্থ

তবে ত—অদুদগী, করিল—তৌখি সব ভক্তে—ভক্ত পুম্নমক্না, বরদান—বর পীবা, উচ্ছিষ্ট—লুবখাক, দিয়া—পীজবগা, নারায়ণীর—নারায়ণীগী, করিল—তৌখি, সম্মান—ইকায় খুম্নবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অদুগী তুংদা প্রভুনা ভক্ত-পুম্বদা বরদান তৌবিখি। প্রভুগী লুবখাক খুলহন্দুনা নারায়ণীবু সম্মান তৌখি।

নৈনরোল

শ্রীবাসগী শুমাংদা মহাপ্রকাশগী মতমদা প্রভুনা ভক্ত পুম্নমক্না বর পীবিখি।

নারায়ণী—ই,নারায়ণীসি শ্রীবাসগী ভ্রাতানা পোকপনী। মহাক শ্রীচৈতন্যভাগবত লেখা শ্রীলবৃন্দাবন দাস ঠাকুরগী মমানী। মহাক ব্রজ-লীলাদা অম্বিকাগী ভগিনী কিলিম্বা হায়রিবনি। মহাক মতম পুম্বদা শ্রীকৃষ্ণগী অবেস্না প্রসাদ ফংদুনা লাইরক-ফরী ওইজখি। নারায়ণীগী চহী মরিদা ঙাযবিঙদা প্রভুনা কৃষ্ণ শৌল্লু হায়দুনা শোনবদা বাপ্তুনা লৈপাকথক্তা হাইথখি অদুগা মাগী পীরাংগী হুমাংগনা লৈবাক চোংখি। প্রভুগী মহা-প্রকাশগী মতমদা প্রভুনা ছাইকরবা তাম্বুল ফংজো হায়দুনা যাথংলবদা ভক্তশিংনা যাম্না নুংঙাইনা হরাওনা তাম্বুল প্রসাদ থুনখি। মযাম্না যনববা মতুংদা লেমহৌবা শরুক্তু প্রভুনা নারায়ণী কৌবী নুপীমচাবু ফংহন্খি।

মূল ২৩০

শ্রীবাসের বস্ত্র সিঁয়ে দরজী যবন।
প্রভু তারে নিজরূপ করাইল দর্শন ॥ ২৩০ ॥

শব্দার্থ

শ্রীবাসের—শ্রীবাসগী, বস্ত্র—ফি, সিঁয়ে—শিনাই তৌরি, দরজী যবন—পাঙ্গল দরজী, প্রভু—প্রভুনা, তারে—মাঙোন্দা, নিজরূপ—মহাক্কী শক, করাইল—তৌহনখি, দর্শন—উবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীবাসগী ফুরিৎ-তুবা পাঙ্গল দরজীবু প্রভুনা মহাক্কী (কৃষ্ণগী) রূপ দর্শন তৌহনখি।

মূল ২৩১

'দেখিনু দেখিনু' বলি হইল পাগল।
প্রেমে নৃত্য করে হৈল বৈষ্ণব আগল ॥ ২৩১ ॥

শব্দার্থ

দেখিনু—উবে, দেখিনু উবে বলি হায়দুনা হইল পাগল—ঙাওখরে, প্রেমে—কৃষ্ণপ্রেমা, নৃত্য করে—জগোই শাই, হৈল—ওইখি, বৈষ্ণব—বৈষ্ণব, আগল—অথোইবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

'উবে উবে' হায়দুনা দরজী অসি পুক্নিং ঙাওখিরগা কৃষ্ণবু নুংশিবদগী জগোই শাখি অমসুং বৈষ্ণব অথোইবা ওইখি।

মূল ২৩২

আবেশে শ্রীবাস প্রভু বংশিকা মাগিল।
শ্রীবাসে কহে—গোপীগণ বংশী হরি নিল ॥ ২৩২ ॥

শব্দার্থ

আবেশে—শ্রীকৃষ্ণরূপ অমুদা চঙবনা, শ্রীবাসে—শ্রীবাসদা, প্রভু—

প্রভুনা, বংশিকা—বাঁশী, মাগিনি—নিখি, শ্রীবাসে—শ্রীবাসনা, কহে—হায, গোপীগণ—গোপীশিংনা, বংশী—বাঁশী, হরি—হূবান্দুনা, নিল—লৌখরে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণস্বরূপতা লৈখিবনা প্রভুনা শ্রীবাসদা বাঁশী পীযু হায়খি। মতুদা শ্রীবাসনা খুমখি—বাঁশীদি গোপীশিংনা হূত্নুনা লৌখবে।

মূল ২৩৩

শুনি প্রভু বোল বোল কহেন আবেশে।
শ্রীবাস বর্ণেন বৃন্দাবন-লীলা রসে॥ ২৩৩॥

শব্দার্থ

শুনি - (গোপীনা বাঁশী হূত্নে হায়বা বাহু) তাবগা, প্রভু—প্রভুনা, বোল বোল—হাযযু হায়যু, কহেন—হায়রম্মী, আবেশে—ব্রজভাবতা চঙবনা, শ্রীবাস বর্ণেন—শ্রীবাসনা লীরম্মী; বৃন্দাবন-লীলা-রসে—রস-না থল্লবা বৃন্দাবনগী লীলা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীবাসকী বা তারগা প্রভুনা আবেশদা লৈখিবনা 'হাযযু হাযযু' হায়রম্মী। অতুদা শ্রীবাসনা বৃন্দাবনগী রসনা-থল্লবা লীলাচু বর্ণন তৌখি।

মূল ২৩৪

প্রথমেতে বৃন্দাবন মাধুর্য্য বর্ণিল।
শুনিয়া প্রভুর চিত্তে আনন্দ বাঢ়িল॥ ২৩৪॥

শব্দার্থ

প্রথমেতে—অহানবদা, বৃন্দাবন-মাধুর্য্য—বৃন্দাবনগী মাধুর্য্য (ফজবদো), বর্ণিল—বর্ণন তৌয়ি, শুনিয়া—তাকোঙনা তাবগা, প্রভুর—প্রভুগী, চিত্তে—থম্মোইদা, আনন্দ—নুংঙাইবা; বাঢ়িল—হেন্সংখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহানবদা বৃন্দাবনগী মাধুর্য্য বর্ণন তৌখি। বর্ণন অতু তারগা প্রভুগী থম্মোইদা নুংঙাইবা হেন্সংখি।

মূল ২৩৫

তবে বোল বোল প্রভু বোলে বারবার।

পুনঃ পুনঃ কহে শ্রীবাস করিয়া বিস্তার ॥ ২২৫ ॥

শব্দার্থ

তবে— অদুদগী, বোল বোল—হায়থৌ, হায়থৌ, প্রভু—প্রভুনা, বোলে—হায়, বার বার - হন্না হন্না, পুনঃ পুনঃ— হন্না হন্না, কহে—হায, শ্রীবাস —শ্রীবাসনা, কবিযা—তৌহুনা, বিস্তার—শন্দোকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহুদগী প্রভুনা 'হায়য়ু হায়য়ু' হায়হুনা হন্না হন্না হাযখি। শ্রীবাসনু শন্দোক শন্দোক্না হন্না হন্না হাযখি।

মূল ২৩৬-২৩৭

বংশীবাদ্যে গোপীগণের বনে আকর্ষণ।

তা-সভার সঙ্গে যৈছে বন বিহবণ ॥ ২৩৬ ॥

তাহি-মধ্যে ছয ঋতু লীলাব বর্ণন।

মধুপান রাসোৎসব জলকেলি-কথন ॥ ২৩৭ ॥

শব্দার্থ

বংশীবাদ্যে—বাঁশী-খোঙহুনা, গোপীগাণব—গোপীশিংবু, বনে—বন মনুঙদা, আকর্ষণ—চিংবা, তা-সভাব-সঙ্গে—মখোয় লোইনমক্না লোয়ননা, যৈছে—মওংদা; বন বিহবণ—বন-দা শান্নখিবা, তাহি মধ্যে—মহুগী (বনবিহারগী) মনুঙদা, ছয় ঋতু লীলায়—ঋতু তরুকী লীলাগী রা বর্ণন—লীবা, মধুপান—মধু ফানবগী লীলা, রাসোৎসব—রাসলীলা জলকেলি—ঈশীঙদা শান্নবা, কথন—লীবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বাঁশী খোংহুনা গোপীশিংবু বনগী মনুঙদা চিংবা, মখোয় পুম্নমক্না লোয়ননা বন বন কোয়হুনা শান্নবা, বনবিহারগী মনুঙদা ঋতু তরুক্না তৌবা খোঙ্গল-লীলা, মধু-ফানবগী-লীলা, রাসলীলা, অদুদগী জলকেলী—লীলা-শিংসে মথং মথং শ্রীবাসনা বর্ণন তৌখি।

মূল ২৩৮

বোল বোল বোলে প্রভু শুনিতে উল্লাস।

শ্রীবাস কহে তবে রাস-রসের বিলাস ॥ ২৩৮ ॥

শব্দার্থ

বোল বোল— হায়যু হায়যু, বোলে—হায়, প্রভু—প্রভুনা, শুনিতে—তাবদা, উল্লাস—হবাওবা (ওই), শ্রীবাস—শ্রীবাসনা, কহে—হায়, তবে—অদুদগী, রাস-রসের—রাস-রসগী, বিলাস—লীলা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা 'হায়থৌ হায়থৌ' হায়খি। লীলা বর্ণনদু তাবদা প্রভু নুংঙাই-রম্মী। শ্রীবাসনা অদুদগী রাসলীলাদু বর্ণন তৌখি।

মূল ২৩৯

কহিতে শুনিতে ঐছে প্রাতঃকাল হৈল।

প্রভু শ্রীবাসেরে তুষি আলিঙ্গন কৈল ॥ ২৩৯ ॥

শব্দার্থ

কহিতে- হায়বদা, শুনিতে—তাবদা, ঐছে—মতৌ অদুম্না, প্রাতঃ-কাল—নোংঙানবা, হৈল—ওইখি, প্রভু—প্রভুনা, শ্রীবাসেরে—শ্রীবাসবু, তুষি—পেলহন্দুনা, আলিঙ্গন কৈল—কোনবিখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মতৌ অসুম্না হায়বগা তাবগা তৌবদা নোংঙাম্লোকখি। প্রভুনা শ্রীবাসবু কোনবিদুনা পেলহনখি।

মূল ২৪০

তবে আচার্যের ঘরে কৈল কৃষ্ণলীলা।

রুক্মিণী-স্বরূপ প্রভু আপনে হইলা ॥ ২৪০ ॥

শব্দার্থ

তবে—অদুদগী, আচার্য্যের—চন্দ্রশেখর আচার্য্যগী; ঘরে—য়ুমদা,

কৈল— তৌখি , কৃষ্ণলীলা—কৃষ্ণলীলা , রুক্মিণী-স্বরূপ—রুক্মিণী শাবা , প্রভু—প্রভুনা , আপনে—মহামক্না , হইলা—ওইখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অমুদগী নোংমা শ্রীচন্দ্রশেখর আচার্য্যগী যুমদা কৃষ্ণলীলা শান্নখি। মহুদা প্রভু মহামক্না রুক্মিণী শাখি।

মূল ২৪১

কভু দুর্গা কভু লক্ষ্মী হয়েন চিচ্ছক্তি।
খাটে বসি' ভক্তগণে দিলা প্রেমভক্তি ॥ ২৪১ ॥

শব্দার্থ

কভু— কবিগুম্বা মতমদা , দুর্গা— দুর্গা , কভু—কবিগুম্বদা , লক্ষ্মী—লক্ষ্মী , হয়েন—ওইখি , চিচ্ছক্তি—চিৎ-শক্তি , খাটে—কাংথোন্দা , বসি—ফম্লগা , ভক্তগণে ভক্তশিংদা , দিলা—পীখি , প্রেমভক্তি—কৃষ্ণবু নুংশিবা হায়বা লাইনীঙ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(রুক্মিণী শারবা মতুংদা) প্রভুনা অমুক দুর্গা শাই , অমুগা অমুক লক্ষ্মী 'শাই। দুর্গা-লক্ষ্মীখোযসি প্রভুগী চিৎশক্তিগী শায়োন ঢাক্তনি। মতাংঙ অমদা মহালক্ষ্মী শারগা প্রভুনা কাংথোন্দা ফম্লগা ভক্তশিংদা প্রেম-ভক্তি পীখি।

নৈনরোল

লীলা শান্নবকপদা মতাঙ অমদা প্রভুনা মহালক্ষ্মীগী ভাব-তা আবেশ ওইবদগী কাংথোন্দা ফম্লগা মহাকপু স্তব তৌ হায়দুনা ভক্তশিংদা য়াথং পীখি। প্রভুবু মাতৃভাব (মমা ওইবগী ভাব) লৌরে হায়যা খঙলদুনা ভক্তশিংনা মাগী অপাম্বা মতুংইন্না কনামনা লক্ষ্মীস্তব, কনামনা চণ্ডীস্তব পাঠ তৌখি। খঙহৌদনা অহিং লোইশল্লকপা ডুবদা মমা কায়নবা তারে হায়বা রাথন্না ময়াম পুম্বা লাংতক্নখি। মতাংঙতুদা প্রভুনা মমা ওইবগী ভাব-তা মযামদা খোম্লাং-অমৃত [illegible] অমুগা মযাম পুম্বা প্রেমরসনা ঢাওখি। মতৌ অসুম্না প্রভুনা প্রেমভক্তি দান তৌখি।

মূল ২৪২-২৪৩

একদিন মহাপ্রভুর নৃত্য-অবসানে।
এক ব্রাহ্মণী আসি ধরিল চরণে ॥ ২৪২ ॥
চরণের ধূলি সেই লয় বার বার।
দেখিয়া প্রভুর দুঃখ হইল অপার ॥ ২৪৩ ॥

শব্দার্থ

একদিন—নোংমা, মহাপ্রভুর—মহাপ্রভুগী নৃত্য-অবসানে—জগোই লোইরবদা, এক—অমা, ব্রাহ্মণী—বামোন-মুপী, আসি—লাক্লুনা, ধরিল—পায়রম্মী, চরণে—খোঙদা, চরণের ধূলি—খুয়া-উফুল, সেই—মহাক্না, লয—লৌযি, বার বার—হন্না হন্না, দেখিয়া উবদা, প্রভুর—প্রভুগী, দুঃখ—মুংঙাইতবা, হইল—ৎইখি, অপার—ওমখৈ নাইদবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নোংমা মহাপ্রভুগী জগোই লোযবগা ব্রাহ্মণী অমা লাক্লুনা প্রভুগী খোঙ শোব্রম্মী। মহাক্না প্রভুগী খুযা-উফুলদু হন্না হন্না লৌযি। মদু উবদা প্রভু ওমখৈ-লৈতনা মুংঙাইবমদে।

মূল ২৪৪

সেইক্ষণে ধাঞা প্রভু গঙ্গাতে পড়িলা।
নিত্যানন্দ হরিদাস ধরি উঠাইলা ॥ ২৪৪ ॥

শব্দার্থ

সেই ক্ষণে—খুদক্লুদা, ধাঞা—চেল্লগা, প্রভু—প্রভুনা, গঙ্গাতে—গঙ্গাদা, পড়িলা—তাখি, নিত্যানন্দ—শ্রীনিত্যানন্দ, হরিদাস—শ্রীহরিদাস ঠাকুর, ধরিঞা—পাম্বরগা, উঠাইলা—লৌথখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

খুদক্লুদা প্রভুনা চেল্লগা গঙ্গাদা চোংথখি। শ্রীনিত্যানন্দগা শ্রীহরিদাস ঠাকুরগন্না পাযরগা প্রভুবু চিংথখি।

মূল ২৪৫

বিজয়আচার্য্যগৃহে সে রাত্রি রহিলা।
প্রাতঃকালে ভক্ত সব ঘরে লৈয়া গেলা ॥ ২৪৫ ॥

শব্দার্থ

বিজয আচার্য্যগৃহে—শ্রীবিজয আচার্য্যগী য়ুমদা, সৈ বাত্রি— অহিংত্থু, রহিলা—লেল্লে, প্রাত:কালে—নোংঙাল্লগা, ভক্ত সব—ভক্ত পুম্বনা, ঘরে—য়ুমদা, লৈয়া—পুতুনা, গেলা—চৎলি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অহিং অদু শ্রীবিজয় আচার্য্যগী য়ুমদা লেল্লে। নোংঙাল্লগা ভক্ত পুম্নমক য়ুমদা প্রভুবু পুবগা চৎখি।

মূল ২৪৬-২৪৯

একদিন গোপীভাবে গৃহেতে বসিয়া।
'গোপী গোপী' নাম লয় বিষণ্ণ হইয়া ॥ ২৪৬ ॥
এক পঢ়ুয়া আইল প্রভুকে দেখিতে।
'গোপী গোপী' নাম শুনি লাগিল কহিতে ॥ ২৪৭ ॥
'কৃষ্ণনাম' কেনে না লও কৃষ্ণনাম ধন্য।
'গোপী গোপী' বলিতে বা কিবা হবে পুণ্য ॥ ২৪৮ ॥
শুনি প্রভু ক্রোধে কৈল কৃষ্ণে দোষোদ্গার।
ঠেঙ্গা লৈয়া উঠিলা প্রভু পঢ়ুয়া মারিবার ॥ ২৪৯ ॥

শব্দার্থ

একদিন—নোংমা, গোপীভাবে—গোপীগী ভাব-তা, গৃহেতে—য়ুমদা, বসিযা—ফমদুনা, গোপী গোপী—গোপী গোপী, নাম—মিং, লয়—লৌরি, বিষণ্ণ—শুকথবা, হইয়া—ওইদুনা, এক পঢ়ুযা—পডোরান অমা, আইল—লাক্লম্মী, প্রভুকে—প্রভুবু, দেখিতে—উনবা, গোপী গোপী নাম—গোপী হায়রবা মিং, শুনি—তাব্রগা, লাগিল—হৌরম্মী,

কহিতে—হায়বা, কৃষ্ণনাম—কৃষ্ণগী মিং, কেনে—করিগী, না লও—লৌদ্রিবা, কৃষ্ণনাম—কৃষ্ণনামদি, ধন্য—থাগৎনজাইনী, গোপী গোপী হায়না শোল্লগদি, কিবা—করি হুবে—ওইগনী, পুণ্য—পুণ্য, শুনি—তারগা, প্রভু—প্রভুনা, ক্রোধে—শাউহুনা, কৈল—তৌখি, কৃষ্ণে—কৃষ্ণদা, দোষোদগাব—দোষ লৈ হায়খি, ঠেঙ্গা—চৈ, লৈয়া—লৈরগা, উঠিলা—হৌগৎখি, প্রভু—প্রভুনা, পঢ়ুয়া—পড়োয়ান্, মারিবার—হৈনন্থান

মৈতৈলোন্দা ছন্দোকপা

নোংমা গোপী ভাব-তা আবেশ ওইহুনা য়ুমদা ফম্নগা শূকথববা মাযথোঙদা গোপী গোপী গোপী হায়না শোল্লম্মী। মতমহুদা পডোযান অমা প্রভুগা উনবা লাবখিবম্মী। গোপী গোপী হায়বা মিংহু তাবদা মহাক্না প্রভুদা হায়খি—কৃষ্ণগী নাম শোল্রিবা কবিগীনো? কৃষ্ণনামদি ফবনী। গোপী গোপী হায়বগা কবি পুণ্য ওইগদোবিবনো? মাগী বাহু তাবদা প্রভুনা শাউবহুনা কৃষ্ণগী দোষ পীবকখি অহুগা চৈ পায়রগা প্রভুনা পডো-যান ফুগে হায়না যম্বদগী লেংখৎলম্মী।

নৈনরোল

মতমসিদা প্রভুগী বাহ্যজ্ঞান লৈরমদে।

মূল ২৫০

ভয়ে পলায় পঢ়ুয়া পাছে পাছে প্রভু ধায়।

আস্তেব্যস্তে ভক্তগণ প্রভুরে বহায় ॥ ২৫০ ॥

শব্দার্থ

ভয়ে—কিবনা, পলায—চেল্লী, পঢ়ুয়া—পড়োযান্ পাছে পাছে—মতুঙ ইন্দুনা, প্রভু—প্রভু, ধায়—চেল্লী, আস্তেব্যস্তে—থুনমক, ভক্তগণ—ভক্তশিংনা, প্রভুরে—প্রভুবু, বহায—থাম্মী।

মৈতৈলোন্দা ছন্দোকপা

পঢ়ুযানা কিবহুনা চেল্লম্মী, প্রভুসু মতুঙ ইন্দুনা তান্নবম্মী। থুনমক ভক্তশিংন্না প্রভুবু থামখি।

মূল ২৫১

প্রভুরে শান্ত করি আনিল নিজঘরে।

পঢ়ুয়া পলাঞা গেল পঢ়ুয়া সভারে ॥ ২৫১ ॥

শব্দার্থ

প্রভুরে—প্রভুবু, শান্ত করি—ইংথহল্লগা, আনিল—পুবকখি, নিজ-ঘরে—মছাগী যুমদা, পঢ়ুয়া—পডোযান্দুনা, পলাঞা—চেন্দুনা, গেল—চৎখি, পঢ়ুয়া সভারে—পডোয়ানময়াম মনাক্তা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভক্তশিংনা প্রভুবু শান্ত ওইহল্লগা যুমদা পুবকখি। পঢ়ুয়াহুনা মমান্নবা পঢ়ুয়া ময়ামগী নাক্তা চেল্ল-চেল্ল যৌখি।

মূল ২৫২

পঢ়ুয়া সহস্র যাহাঁ পঢে একঠাঁই।

প্রভুর বৃত্তান্ত দ্বিজ কহে তাহাঁ যাই ॥ ২৫২ ॥

শব্দার্থ

পঢ়ুয়া সহস্র—পডোযান্ লীশীঙ, যাহাঁ—মযমহুদা। পঢে—লাইবীক তম্মী, একঠাঁই—মফম অমত্তদা পুন্না, প্রভুর—প্রভুগী, বৃত্তান্ত—বাবী, দ্বিজ—ব্রাহ্মণ, কহে—হায়, তাহাঁ—মফমহুদা, যাই—চৎতুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পডোযান লীশীঙ পুন্না লাইবীক তম্নিবা মফমহুদা চৎলগা পড়োযান্দুনা প্রভুনা চৈ পায়দুনা ফুগে তৌবগী বাতু ত্রাম্মী।

মূল ২৫৩

শুনি ক্রুদ্ধ হৈল সব পঢ়ুয়ার গণ।

সভে মেলি তবে করে প্রভুর নিন্দন ॥ ২৫৩ ॥

শব্দার্থ

শুনি—তাবগা, ক্রুদ্ধ—অশাউবা, হৈল—ওইখি, সব—পুম্না,

পঢ়ুযার—পডোবানশিংগী , গণ—কাঙবু , সভে—লোইনমক্ , মেলি—তিল্লগা , তাবু—অত্নদগী , করে—তৌযি , প্রভুর নিন্দন—প্রভুবু থীনা হাযবা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পাউসি তাবগা পডোবানগী কাঙস্ পুল্লপ্লা শাউথি । মযাম তিল্দুনা প্রভুগী নিন্দা তৌখি ।

মূল ২৫৪-২৫৫

সব দেশ ভ্রষ্ট কৈল একলা নিমাই '

ব্রাহ্মণ মারিতে চাহে ধর্ম্মভয় নাই ।। ২৫৪ ।।

পুন যদি ঐছে করে মারিব তাহারে ।

কোন বা মানুষ হয কি করিতে পারে ।। ২৫৫ ।।

শব্দার্থ

সব দেশ-দেশ পুম্বা , ভ্রষ্ট কৈল—মাঙ-তাকহল্ল , একলা—মংস্তনা, নিমাই—নিমাই , ব্রাহ্মণ মারিতে—ব্রাহ্মণবু যেবা , চাহে—পাম্মী , ধর্ম্মভয়- ধর্ম্মবু কিবা , নাই- লৈত্রে , পুন—অমুক হন্না , যদি—বদি , ঐছে—মাথী অত্নুম্না , করে—তৌববা , মারিব—যেগনী, হাৎকনী , তাহারে মাবু , কোন বা মানুষ—মী কনা , হয—লৈ , কি—করি, করিতে পারে তৌবা ঙমগনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দাকপা

নিমাই মংস্তনা দেশ পুম্ববু লৈখা তাহল্ল । ব্রাহ্মণবু যেগে তৌহ্রি , ধর্ম্মব কিদে । অদুম্না অমুক হন্না তৌবদি মাবু যুগনী নত্রগা হাৎকনী । মী কনা লৈদুনা করি তৌজরবা ঙমগদগে ?

মূল ২৫৬-২৫৭

প্রভুর নিন্দায় সভার বুদ্ধি হৈল নাশ ।

সুপঠিত বিদ্যা কারো না হয প্রকাশ ।। ২৫৬ ।।

তথাপি দাম্ভিক পঢ়ুযা নম্র নাহি হয ।

যাহাঁ তাহাঁ প্রভুর নিন্দা হাসি সে করয ।। ২৫৭ ।।

শব্দার্থ

প্রভুর নিন্দায়—প্রভুবু নিন্দা তৌবদা, সভার—মখোয় লোইনমক্কী, বুদ্ধি বুদ্ধি, হৈল—ওইখি, নাশ মাঙবা, সুপঠিত—নীঙথিনা তমগ্রবা, বিদ্যা- মহৈ, কারো—কনাম্নতগী, না হয় প্রকাশ- থোকখিদ্রে হায়বদি থবক্কী কান্নগদবা মতম্মদা থোরকখিদ্রে, তথাপি—অহুমক্তুদা, দাম্ভিক—নাপল চাউবা, পঢ়ুয়া—পড়োৱান্, নম্র—নো-লুকপা, নাহি হয়—ওইদে, যাহাঁ তাহাঁ—মফম অমদসু অমদস্মু, প্রভুব নিন্দা—প্রভুবু নিন্দা, হাসি—নোক্না নোক্না, সে—মহাক্না, করয—তৌয়ি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুবু নিন্দা তৌবগী ফল ওইনা মখোয় লোইনমক্কী বুদ্ধি মাঙডী। নীঙথিনা তমগ্রবা বিদ্যাহু থবক্কী মতমদা থোবকখিদে। অহুমক্তু দা নাপল-চাউবা পডোবানশিং মরু লুকথবমদে। মফম খুদিংমক্তা মখোযনা নোক্না নোক্না প্রভুবু নিন্দা তৌখি।

মূল ২৫৮

সর্ব্বজ্ঞ গোসাঞি জানি তা সভাব দুর্গতি।
ঘবে বসি চিন্তে তা সভার অব্যাহতি ॥ ২৫৮ ॥

শব্দার্থ

সর্ব্বজ্ঞ—পুংখং-খঙবা, গোসাঞি—প্রভুনা, জানি—খঙহুনা, তা সভাব- মখোয লোইনমক্কী, দুর্গতি—ফত্তবা দশা, নরক, অরাবা, ঘাব—যুমদা, বসি—ফমহুনা, চিন্তে—খল্লী, তা-সভাব—মখোয লোইন-মক্কী, অব্যাহতি—লান্নবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

পুংখং-খঙবা প্রভুনা মখোয পুম্বগী ফত্তবা দশাহু খঙবিরহুনা মখোয লোইনমক্কী দশা ফত্তবসি কবম্না কোক্কদগে হায়বহুগী মরমদা যুমদা ফমহুনা খনখি।

মূল ২৫৯-২৬০

যত অধ্যাপক আর তাঁর শিষ্যগণ।
ধর্ম্মী কর্ম্মী তপোনিষ্ঠ নিন্দুক দুর্জ্জন ॥ ২৫৯ ॥

এ সব মোর নিন্দা-অপরাধ হৈতে।
আমি না লওয়ালে ভক্তি না পারে লইতে ॥ ২৬০ ॥

শব্দার্থ

যত—অতুকথক, অধ্যাপক—ওজা, আর—অতুগা, তাঁব—মহাক্কী (মখোযগী), শিষ্যগণ—শিষ্যশিং, ধর্ম্মী—মঙ্গলচণ্ডী নত্রগা বিষহরিগী পূজা অমস্লুং মতুগীদমক জগোই-ঈশৈ তৌহুনা অহিং মিৎশেল খাণ্ডববু ধর্ম্মনী হাযবা মীতাশিং, কর্ম্মী—বর্ণাশ্রম-ধর্ম্ম-চৎপশিং, তপোনিষ্ঠ—অকন্‌বা তোপ-তৌবা নিন্দুক নিন্দা তৌগনবা, দুর্জ্জন—ফত্তবা মী, এ সব—মখোয পূম্বসি, মোব—ঐগী, নিন্দা-অপবাধ—নিন্দা তৌবগী মবম্না, হৈতে—মবম ওইহুনা, আমি—ঐনা না লওযালে—লৌহন্দ্রবদি, ভক্তি—ভক্তি, না পাবে—ঙম্মোয, লইতে—লৌবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ওজাশিং, মখোযগী শিষ্যশিং, মঙ্গলচণ্ডীনচিংবা পূজা তৌববু হিন্দুগী আদর্শ-ধর্ম্ম-নী হায়বা ধর্ম্মীশিং, বর্ণাশ্রম-ধর্ম্ম-চৎপা কর্ম্মীশিং, অকুনবা তপ তৌবিবা মীশিং—মখোয পূম্মক (ঐনা হৌদোকপা নামসঙ্কীর্ত্তনবু) নিন্দা তৌহুনা মী-ফত্ত ওইবে। মখোয পূম্বসে ঐবু নিন্দা তৌবগী মবাল লৈরব-নিনা ঐনা লৌহন্দ্রবদি মখোয ভক্তি লৌবা ঙম্মবোই।

মূল ২৬১

নিস্তারিতে আইলাঙ আমি হৈল বিপরীত।
এসব দুর্জ্জনের কৈছে হইবেক হিত ॥ ২৬১ ॥

শব্দার্থ

নিস্তারিতে—(মী পূম্মমকপু) লানবিনবা, আইলাঙ—লাকপনী, আমি—ঐ, হৈল—ওইবে, বিপরীত—ওন্নতৈনবা, এ সব—মখোয পূম্বসি, দুর্জ্জনের—মীফত্তশিংগী, কৈছে—কবম্না, হইবেক—ওইগনী, হিত—মঙ্গল।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐনা (মী পূম্মমকপু) লানবিগে হায়বতুম্না লাকপনী, অতুগদি ওন্নতৈনবা ওাক ওইরে। ফত্তবা মীশিংগী দশাসে কবম্না ফগনী ?

মূল ২৬২

আমাকে প্রণতি করে হয় পাপক্ষয়।

তবে সে ইহারে ভক্তি লওয়ালে লয় ॥ ২৬২ ॥

শব্দার্থ

আমাকে—ঐবু, প্রণতি করে—খুরুম্মী, হয—যে, পাপক্ষয়—পাপ কোকপা, তবে—অদু ওইরবদি, সে—মহাক, ইহারে—মহাকপু, ভক্তি—ভক্তি, লওয়ালে—লৌহল্লগদি, লয—লৌযি নত্রগা লৌগনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐঙোন্দা খুরুম্বা মীহুপী পাপ কোকনী, অদুনদি মহাকপু ভক্তি লৌহল্লগদি মহাক ভক্তি লৌগনী।

মূল ২৬৩

মোরে নিন্দা করে যে না করে নমস্কার।

এই সব জীবের অবশ্য করিব উদ্ধার ॥ ২৬৩ ॥

শব্দার্থ

মোরে—ঐবু, নিন্দা করে—নিন্দা তৌয়ি, যে—মহাক, না করে—তৌদে, নমস্কার—খুরুম্বা, এই সব জীবের—জীব পুম্নমকসিগী, অবশ্য—শোয়দনমক, করিব—তৌগনী; উদ্ধার—লানবিবা, লৌথৎপা,

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ঐবু নিন্দা তৌবা অদুগা খুরুমদবা জীব পুম্নমকসিবু ঐহাক শোয়দনা লানবিগনী।

মূল ২৬৪

অতএব অবশ্য আমি সন্ন্যাস করিব।

সন্ন্যাসীর বুদ্ধ্যে মোরে প্রণত হইব ॥ ২৬৪ ॥

শব্দার্থ

অতএব—মরমদুনা, অবশ্য—লেপ্পমক, আমি—ঐহাক, সন্ন্যাস করিব—লম্থোক্তগনী, সন্ন্যাসীর বুদ্ধ্যে—সন্ন্যাসী অমনী হায়বগী, খল্লদা, মোরে—ঐঙোন্দা, প্রণত হইব—খুরুমজগনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মরমন্থুনা শ্রী শোধদনমক লম্বোইরগনী। শ্রীবু লাম্বাইবনী হায়বুনা খন্দুনা মখোয়না শ্রীভোন্দা খুরুমগনী।

মূল ২৬৫

প্রণতিতে হবে ইহাব অপবাধক্ষয।
নির্ম্মল-হৃদয়ে ভক্তি কবিব উদয় ॥ ২৬৫ ॥

শব্দার্থ

প্রণতিতে—খুরুম্বনা, হবে—ওইগনী, ইহাব—মখোযসিগী, অপবাধ-ক্ষয—অয়োল-অবাল কোকপা, নির্ম্মল—মোত্তবা, অপবাধ-লৈতবা, হৃদযে—থম্মোইদা, ভক্তি—ভক্তি, কবিব উদয—থোবক্নী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মাথাযনা শ্রীভেন্দা খুরুম্লগদি মখোযগী মবাল কোকনী। মবাল বোরবা থম্মোইদা ভক্তি পোক্নী।

মূল ২৬৬

এই সব পাষণ্ডীর তবে হইবে নিস্তাব।
আব কোন উপায নাই এই যুক্তি সাব ॥ ২৬৬ ॥

শব্দার্থ

এই সব পাষণ্ডীর—পাষণ্ডীশিসিগী, তবে—অত্থু ওইববদি, হইবে—ওইগনী, নিস্তাব—লানবা, আব—অতোপ্পা, কোন—কবিগুম্বা উপায—পাম্বৈ, নাই—লৈতে, এই যুক্তি—নাইনৈসিতনা, সাব—মচিনী, আথোইবনী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অত্থু তৌববদি পাষণ্ডী পুম্বসি লানবা অতৈ ববিগুম্বা পাম্বৈ অমা লৈতবে, নাইনৈসিতনা অথোইবা নাতৈনী।

মূল ২৬৭

এই দৃঢ়যুক্তি কবি প্রভু আছে ঘবে।
কেশব ভাবতী আইলা নদীযা নগবে ॥ ২৬৭ ॥

শব্দার্থ

এই—মসি, দৃঢ়যুক্তি—অচেৎপা র।-নাতৈ, কবি—তৌতুনা হাযবদি খল্লহুনা, প্রভু—প্রভুনা, আছে—লৈ, ঘরে- যুমদা, কেশব ভারতী—কেশব ভাবতী (প্রভুগী সন্ন্যাস-গুরু), আইলা—লাকখি, নদীযা নগরে—নদীয়া নগবদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

আচেৎপা যুক্তিসি তৌতুনা প্রভুনা শংগাযদা লৈরম্মী। (মতম অতুরাইদা) কেশব ভাবতীসু নদীযা নগবদা থোরকখি।

মূল ২৬৮

প্রভু তাঁরে নমস্করি কৈল নিমন্ত্রণ।

ভিক্ষা করাইয়া তাঁরে কৈল নিবেদন॥ ২৬৮॥

শব্দার্থ

প্রভু—প্রভুনা, তাঁরে মহাকপু, নমস্করি খুরুমজরগা, কৈল—তৌবম্মী, নিমন্ত্রণ- বার্ত্তোন, ভিক্ষা—চাবা, করাইয়া—তৌহল্লগা, তাঁরে—মঙোন্দা, কৈল—তৌখি, নিবেদন—হঙ্গৎপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রভুনা মহাকপু খুরুমজুনা বার্ত্তোন তৌখি। পীজ-পীথক তৌবগা মঙোন্দা প্রভুনা হঙ্গৎখি।

মূল ২৬৯

তুমি ত ঈশ্বর বট সাক্ষাৎ নারায়ণ।

কৃপা করি কর মোর সংসার মোচন॥ ২৬৯॥

শব্দার্থ

তুমিত—নহাকমক্তি, ঈশ্বর বট—ঈশ্বরনী হায়বদি জীবগী সংসার কোকহনু-ঙম্বগী হাযরগদি ঈশ্বরগীগুম্বা শক্তি লৈবনী, সাক্ষাৎ—চঙচংবা, নারায়ণ—নারায়ণ, কৃপা করি চানুবিদুনা, কর—তৌবিযু, মোর—ঐগী, সংসার-মোচন—সংসার কোকপা, অপাম-হুংশি কোকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(প্রভুনা কেশব ভারতীদা হায়রম্মী)—নহাকম্ভুক্তি ঈশ্বরনী অদুগা সাক্ষাৎ নারায়ণ হাযবদুনী। চান্‌বিদুনা ঐগী সংসারগী অপাম্বা হায়বসি কোক্‌হনবিবো।

মূল ২৭০

ভারতী কহেন—তুমি ঈশ্বর অন্তর্যামী।

যেই করাহ সেই করিব স্বতন্ত্র নহি আমি॥ ২৭০॥

শব্দার্থ

ভারতী কহেন—ভারতীনা হায়, তুমি—নহাক, ঈশ্বর—ঈশ্বরনী, অন্তর্যামী—জীবগী মন্নুংদা লৈবনী, যেই - মদু, করাহ—তৌহল্লু, সেই—মদু, করিব—তৌগনী, স্বতন্ত্র—নীঙতম্বা, নহি—নত্তে, আমি—ঐ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ভারতীনা খুম্লকয়—নঙদি ঈশ্বর অন্তর্যামীনী। নঙনা তৌহন্‌বদুদা ঐনা তৌগনী, ঐদি ইনীঙ তম্বা উমাদে।

মূল ২৭১

এত বলি ভারতী গোসাঞি কাটোয়াতে গেলা।

মহাপ্রভু তাহা যাই সন্ন্যাস করিলা॥ ২৭১॥

শব্দার্থ

এত অসিথক বলি—হাযবগা। ভারতী গোসাঞি—কেশব ভারতী, কাটোয়াতে—বর্দ্ধমানজিলাগী কাটোয়াদা, গেলা—চৎখি, মহাপ্রভু—মহাপ্রভু, তাহা—মফমদুদা, যাই—চৎলগা, সন্ন্যাস করিলা—সন্ন্যাস লৌখি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসিথক হাযবল্লগা কেশব ভারতী কাটোয়া চংখি। মহাপ্রভুনা মফমদুদা লেঙলগা সন্ন্যাস ধর্ম্ম লৌখি।

মূল ২৭২

সঙ্গে নিত্যানন্দ চন্দ্রশেখর-আচার্য্য ।
মুকুন্দদত্ত এই তিন কৈল সর্ব্বকার্য্য ॥ ২৭২ ॥

শব্দার্থ

সঙ্গে—লোয়ননা, নিত্যানন্দ—শ্রীমন্নিত্যানন্দ, চন্দ্রশেখব আচার্য্য—শ্রীচন্দ্রশেখব আচার্য্য, মুকুন্দদত্ত—শ্রীমুকুন্দদত্ত, এই তিন—অহুম-সিনা, কৈল -তৌখি, সর্ব্বকার্য্য—থবক মবম পুম্নমক ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীনিত্যানন্দ, শ্রীচন্দ্রশেখব আচার্য্য অমসুং শ্রীমুকুন্দ দত্ত প্রভুগা লোয়মনরম্মী। অহুম অসিনা প্রভুগী সন্ন্যাসগী থবক মবম পুম্নমক শীল্লাওখি।

মূল ২৭৩

এই আদিলীলাব কৈল সূত্র গণন ।
বিস্তারি বর্ণিলা ইহা দাস বৃন্দাবন ॥ ২৭৩ ॥

শব্দার্থ

এই—মসি, আদি লীলার—আদি লীলাগী, কৈল—তৌজাব, সূত্রগণন—সূত্র থীবা ; বিস্তাবি—শন্দোক্না, বর্ণিলা—বর্ণনা তৌবম্লে, ইহা—মসি, দাস বৃন্দাবন—বৃন্দাবন দাসনা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মসি আদিলীলাগী সূত্র থীবনী। মসিবু শ্রীবৃন্দাবন দাসনা শন্দোক্না বর্ণন তৌরম্লে।

মূল ২৭৪-২৭৫

যশোদানন্দন হৈল শচীব নন্দন ।
চতুর্ব্বিধ ভক্তভাব করে আস্বাদন ॥ ২৭৪ ।
স্বমাধুর্য্য রাধাপ্রেমরস আস্বাদিতে ।
রাধাভাব অঙ্গী করিয়াছে ভাল মতে ॥ ২৭৫ ॥

শব্দার্থ

যশোদানন্দন—যশোদাগী মচানুপানা, হৈল—ওইখিবনী, শচীর—শচীগী; নন্দন—মচানুপা; চতুর্বিধ—মখল মরিগী, ভক্তভাব—ভক্তগী অমাং করে—তৌখি, আস্বাদন—মহাও তংবা, স্বমাধুর্য্য—মশাগী মাধুর্য্য, রাধা-প্রেমরস—রাধানা কৃষ্ণবু নুংশিবগী মহাও, আস্বাদিতে—তংগে হায়দুনা, রাধাভাব—রাধাগী ভাব, অঙ্গী—মছাদা পুবা, করিয়াছে—তৌবে, ভালমতে—ফজনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

যশোদাগী মপারিনা শচীগী মপাবি ওইররে। অদুগা মহাক্না ভক্তগী ভাব মখল মরিদুগী মহাও তংঙী। মছামক্কী মাধুর্য্যনে অদুগা রাধানা মাবু নুংশিবা (প্রেম) অদুগী মাধুর্য্যনে অমীসি মহাও তংগে হায়দুনা রাধাভাব অদু মছানুংদা ফজনা পুখি।

নৈনরোল

প্রেমগী আশ্রয় (তুংঙফম) ওইনা শ্রীরাধানা তৌখিবা প্রেমদুগী রস অদুগা কৃষ্ণ মছামক্কীসু মাধুর্য্যগী মহাও তংগে হায়বগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাগী ভাব অমসুং কান্তি (কুচু) লোয়রগা শ্রীচৈতন্য ওইনা অবতার তৌখিবনী। মসি মহাক্না অবতার তৌরকপগী মরু ওইবা (মুখ্য) মরম্নী। মহাক্না অবতার তৌবকপদা দাস-সখ্যানচিংবা মখল মরিগী ভক্ত লোয়নরকখি। মরম অসিনা মহাক প্রেমগী বিষয় (নুংশিফম) অমা ওইনা মখল-মরিগী ভক্তশিংগী ভাব অদুসু আস্বাদন তৌখি। দাস-সখ্য নচিংবা মখল মরিগী বিষয় ওইনা শ্রীমন্মহাপ্রভুবু উপাসনা তৌবদি যাই হায়ববু কান্তা-ভাবকী (রাধাপ্রেমগী) আশ্রয় (তুংঙফম) ওইনা মাবু উপাসনা তৌবমা মাগী অবতার তৌবগী থোইদোকপা মশক্নী (বৈশিষ্ট্যনী) হায়বদি মরু ওইবা মরমদা (মুখ্য উদ্দেশ্যবোমদা) লৈইশল্লী (অনুকূল ওই)।

মূল ২৭৬

গোপীভাব যাতে প্রভু ধরিয়াছে একান্ত।
ব্রজেন্দ্রনন্দনে মানে আপনার কান্ত॥ ২৭৬॥

শব্দার্থ

গোপীভাব—রাধাভাব ; যাতে—অসিমা, প্রভু—প্রভুনা, ধরিয়াছে—লাযখি ; একান্ত—অতুমতনা মরোইরবা ওইনা, ব্রজেন্দ্রনন্দনে—ব্রজেন্দ্রগী মপাবিবু ; মানে—লৌযি, আপনার—মহামকী. কান্ত—মপুরোইবা (ওইনা)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোক্‌পা

রাধাভাব-পু প্রভুনা অতুমতনা মরোইরবা ভাব-নী হায়না লৌখিবা মরমনা ব্রজনিংথৌ মপারি শ্রীকৃষ্ণবু মহামকী মপুবোইবনী (কান্তনী) হায়না লৌখি।

লৈনরোল

শ্রীরাধাগী ভাব-তা আবিষ্ট তৌখিবা মহাপ্রভু শ্রীচৈতন্যনা মহাপ্রভু রাধানী হায়না খল্লী অদুগা শ্রীকৃষ্ণবুনা মহামকী মপুরোইবনী (কান্তনী) হায়না খল্লী।

মূল ২৭৭-২৭৯

গোপিকা ভাবের এই সুদৃঢ় নিশ্চয়।
ব্রজেন্দ্রনন্দন বিনা অন্যত্র না হয় ॥ ২৭৭ ॥
শ্যামসুন্দর শিখিপুচ্ছ-গুঞ্জা-বিভূষণ।
গোপবেশ ত্রিভঙ্গিম মুরলীবদন ॥ ২৭৮ ॥
ইহা ছাড়ি কৃষ্ণ যদি হয় অন্যাকার।
গোপিকার ভাব না যায় নিকট তাহার ॥ ২৭৯ ॥

শব্দার্থ

গোপিকা ভাবের—গোপীভাব হায়বদি রাধাভাবকী, এই—মসিনা, সুদৃঢ়—ফজনা চেংলবা, নিশ্চয়—অরেপ্পা (লক্ষণ), ব্রজেন্দ্রনন্দন বিনা—ব্রজনিংথৌ মপারি নত্তনা, অন্যত্র—অতোপ্পা মফমদা, না হয়—ওইদে ; শ্যাম-সুন্দর—শংবানবা কুচুনা ফজরবা শ্রীকৃষ্ণ, শিখিপিচ্ছ-গুঞ্জা-বিভূষণ—বাহোংগী মসে অদুগা গুঞ্জা মালানা লৈতেংলবা, গোপবেশ—শজেনবাগী কি শেৎলগা, ত্রিভঙ্গিম—মাথেক অহুম যেকপা (ভক, খাও

অমসুং খুৎকী)—মকম অহুম লৈইরগা (লৈরা); মুরলীবদন—চিনফাদা মুরলী থম্লা ; ইহা—মসি , ছাড়ি—থাদোক্লগা , যদি হয়—ওইরবদি , অন্যাকার - অতোপ্পা মওংগী ; গোপিকার ভাব—গোপীশিংগী কান্তাভাব , না যায় চত্তে ; নিকটে—মাস্তা ; তাহার—শকখম অমগী।

মেত্তেলোন্না হন্দোকপা

গোপীভাবকী ফজনা-চেংলবা অয়েপ্পা লক্ষণদি অসিনী—ব্রজনিংথৌ মপাবি শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অতোপ্পা অকনবদা গোপী ভাব পোক্তে। শ্যাম বর্ণনা ফজরবা, বহিহোং মকোকতা অমদি গুঞ্জা মালানা লৈলতেংবা, গোপগী বেশ থোক্লবা, শাখোক অহুম্না লৈতেংবা বাঁশীনা লৈতেংবা চীনবান্না মাপী ওইবা শ্রীকৃষ্ণবু (শ্রীরাধাবা মাপী রাজনী হায়বা ভাব অমত্তু পুরেং)। হায়রিবা রূপ (শকখম) অসি থাদোক্লনা অতোপ্পা শকখম অমা শ্রীকৃষ্ণনা লৌরবদি মাপ অমগী মতমদা শ্রীরাধাগী কান্তাভাব পোক্তে।

মূল ২৮০

গোপীনাং পশুপেন্দ্রনন্দনজুষো ভাবস্য কস্তাং কৃতী
বিজ্ঞাতুং ক্ষমতে দুরূহপদবীসঞ্চারিণঃ প্রক্রিয়াম্ ।
আবিষ্কুর্বতি বৈষ্ণবীমপি তনুং তস্মিন্ ভুজৈর্জিষ্ণুভি
র্যাসাংহন্ত চতুর্ভিরদ্ভুতরুচিং রাগোদয়ঃ কুঞ্চতি ॥ ২৮০ ॥

শব্দার্থ

গোপীনাম—গোপীশিংগী , পশুপেন্দ্র-নন্দন-জুষ—নন্দনিংথৌগী মপাবিবু চেংনা নীওবা ; ভাবস্য—ভাবকী , কঃ—কনানা , তাং—মহু , কৃতী—থবক-ওম্বা মী , বিজ্ঞাতুম—খংবা , ক্ষমতে—ক্ষমগনী , দুরূহপদবী-সঞ্চারিণঃ—চৎপদা য়ানখাই ওইবা লম্বীদা চংলিবা , প্রক্রিয়াম—ওইবকপগী মওং , আবিষ্কুর্বতি—পুথোক্লিবা , বৈষ্ণবীম—বিষ্ণুগী ওইবা , অপি—সু ; তনুং—হকচাওবু , তস্মিন—মতুদা , ভুজৈঃ—পাম্বামশিংনা , জিষ্ণুভিঃ—জয় তৌগনবা ; যাসাং—মখোয়গী , হন্ত—অহেকপনী , চতুর্ভিঃ—মরিনা , অদ্ভুতরুচিং—ওক্লা ফজরিবা , রাগোদয়ঃ—অনুরাগ (প্রেম) পোকপা , কুঞ্চতি—হন্দোকয়ি।

মেত্তেলোন্না হন্দোকপা

নন্দনন্দনবু চেংনা নীওবা অমুম্না চৎপদা য়াবা লম্বীদা মাপী ওইবা

অহুগুম্বা গোপীভাবকী ওইরকপা মগুং (প্রক্রিয়া) অহুবু কনা থরক-পাংথোক-ওম্বা মীনম্ব (কৃতীনা) খঙবা ঙমগদগে ? (হায়বদি কনামত্তনা ঙম্দে)। মরম্দি, অঙকপা ঋ হায়ববু অশ্লিনি , (মহাগী রূপ লোংকে হাযহুনা, মত্তৌ শেংহুনা লুংঙাইগে হায়বগীদমক্ক) নন্দনন্দন অহুমক্কা জয তৌগনবা মপাম্বোম মবিনা শবফম্ববা শ্রীবিষ্ণুমূর্ত্তি উৎলবদি মাঙান্দস্থ (শ্রীকৃষ্ণদস্থ) মখোযগী (গোপীশিংগী) পোক্লম্বা রাগহু হনজনখি।

নৈনচৈরোল

নৈনবিবা শ্লোকসি ললিতমাধব কৌরা লাইরীক্কুগীনী (৬/১৪)। মতুদা যাওবি—কবিগুম্বা কম্ম অমদা মাথুরবিরহদা থাঙবা ঙমত্রহুনা শ্রীরাধা যমুনাদা চোংথরম্মী ; মহু উবদা বিশাখানচিংবা সখীশিংস্থ যমুনাদা চোংখে। সূর্য্যগী মচানুপী যমুনানা মখোযবু পুহুনা সূর্য্যলোকদা চৎলগা সূর্য্যদেবদা শিন্নখি। মফমহুদস্থ শ্রীরাধাহু শ্রীকৃষ্ণ কায়নবগী মৈচাক থাঙবা ঙমখিদে। মতৌহু উবদা শ্রীরাধাবু থেমজনগে হায়হুনা সূর্য্যদেবগী তালোই ছায়াদেবীনা উপায অমা পুথোকখি। সূর্য্যমণ্ডলদা লৈবিবা নারায়ণহু স্বরূপকী হায়রুরগদি শ্রীকৃষ্ণগা করিমতা খেন্নদে হাযহুনা সূর্য্যমণ্ডলগী নারায়ণবু শ্রীরাধাগী মুংশিবা মবুংঙোনী হায়না ছায়াদেবীনা খনখি। মরমহুনা সূর্য্য-মণ্ডলগী নারায়ণগগা মিলন ওইরগদি শ্রীরাধাগী মপাক নেমথখিনী হায়না ছায়াদেবীনা খন্খি। মরমসিনা মহাক্কা শ্রীরাধাদা হায়রম্মী—"রাধে, নহাক পাখংলগনু। নঙগী থরাইগী মবুংঙোহু সূর্য্যমণ্ডলসিদা লৈ।" ছায়াদেবীগী রাসি তাবদা বিশাখানা মঙোন্দা হায়খিবা রাহু নৈনবিবা শ্লোকসিদা হায়রি।

মূল ২৮১-২৮২

বসন্তকালে রাসলীলা করে গোবর্দ্ধনে।
অন্তর্দ্ধান কৈল সঙ্কেত করি রাধা সনে ॥ ২৮১ ॥
নিভৃতনিকুঞ্জে বসি দেখে রাধার বাট।
অন্বেষিতে আইলা তাহাঁ গোপিকার ঠাট ॥ ২৮২ ।

শব্দার্থ

বসন্তকালে—বসন্তগী মতমদা, রাসলীলা—রাস জগোই, করে—তৌরি, গোবর্দ্ধনে—গোবর্দ্ধনগিরিগী মনাক্তা রাস্লোলি কৌবা মফমদা,

অন্তর্দ্ধান কৈল—মাঙথোকখি, সঙ্কেত—ইঙ্গিত, কবি—তৌদুনা, রাধা সঙ্গে—রাধাগী মফমদা, নিভৃত—মী লৈতবা অচৌকপা, নিকুঞ্জে—নিকুঞ্জদা, বসি ফমগা, দেখে—য়েংঙি, রাধার—রাধাগী, বাট—লম্বী, অন্বেষিতে—থিবা, আইলা—লাকখি, তাহাঁ—মফমদোমদা, গোপিকার ঠাট—গোপিকাশিংনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বসন্তগী মতমদা গিরি গোবর্দ্ধনদা রাসলীলা শান্নখি। শ্রীকৃষ্ণ রাধাদা ইঙ্গিত তৌবদগা মাঙথোকখরে। অচৌকপা নিকুঞ্জদা ফমগা রাধা লাকপগী লম্বী য়াবকৈ য়েংলুনা লৈখি (শ্রীকৃষ্ণ)। মতমঅদুদা গোপী পুম্নমক শ্রীকৃষ্ণবু থিবকপা লাকখি।

মূল ২৮৩-২৮৪

দূরে হৈতে কৃষ্ণে দেখি কহে গোপীগণ।
এই দেখ কুঞ্জের ভিতর ব্রজেন্দ্রনন্দন ॥ ২৮৩ ॥
গোপীগণ দেখি কৃষ্ণের হইল সাধ্বস।
লুকাইতে নারিলা ভয়ে হইলা বিবশ ॥ ২৮৪ ॥

শব্দার্থ

দূরে হৈতে—অরাপ্পদগী, কৃষ্ণে—কৃষ্ণবু, দেখি—উদুনা, কহে—হায, গোপীগণ—গোপীশিংনা, এই—অসি, দেখ—য়েংঙু, কুঞ্জের ভিতর—কুঞ্জগী মনুঙদা, ব্রজেন্দ্রনন্দন—ব্রজনিংথৌগী মচানুপা, গোপীগণ—গোপীশিংবু, দেখি—উবদা, কৃষ্ণের—কৃষ্ণগী, হইল—ওইখি, সাধ্বস—কিবা, লুকাইতে—লোৎপা, নারিলা—ঙমখিদে, ভয়ে—কিবনা, হইলা—ওইখি, বিবশ—তৌফম খঙদবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অরাপ্পদগী শ্রীকৃষ্ণবু উরদুনা গোপীশিংনা হায়রম্মী—য়েংঙু নেসে, কুঞ্জগী মনুঙদা ব্রজনিংথৌ মপারি লৈরে। গোপীশিংবু উবদা কৃষ্ণসু পাখৎলম্মী। লোৎপা ঙমহৌদরে, অদুনা পাখৎথিবনা তৌফম খঙলমদরে।

মূল ২৮৫

চতুর্ভুজ-মূর্ত্তি ধরি আছেন বসিয়া।

কৃষ্ণ দেখি গোপী কহে নিকটে আসিয়া ॥ ২৮৫ ॥

শব্দার্থ

চতুর্ভুজ মূর্ত্তি—খুৎ-মরি-লোংবা মূর্ত্তি, ধরি—লৌদুনা, আছেন-লৈ, বসিয়া—ফমদুনা, কৃষ্ণ—কৃষ্ণবু, দেখি—উরগা, গোপী—গোপীনা কহে—হায, নিকটে—নাক্তা, আসিয়া—লাক্লুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণনা চতুর্ভুজ মূর্ত্তি লৌরগা ফমদুনা লৈ। কৃষ্ণবু উরগা নাক্তা লাক্লগা গোপীশিংনা হাযবকখি।

মূল ২৮৬-২৮৭

ইহো কৃষ্ণ নহে ইহো নারায়ণ মূর্ত্তি।

এত বলি তাঁরে সভে করে নতি-স্তুতি ॥ ২৮৬ ॥

নমো নারায়ণ দেব, করহ প্রসাদ।

কৃষ্ণ-সঙ্গ দেহ মোর খণ্ডাহ (ঘুচাহ) বিষাদ ॥ ২৮৭ ॥

শব্দার্থ

ইহো—মসিদি, কৃষ্ণ নহে—কৃষ্ণ নত্তে, ইহো—মসিদি, নারায়ণ মূর্ত্তি—নারায়ণ মূর্ত্তিনী, এত বলি—অসিথক হাযবগা, তাঁরে—মঙোন্দা, সভে—লোইনমক্না, করে—তৌখি, নতি—খুরুম্না, স্তুতি—স্তব; নমো নারায়ণ দেব—নারায়ণ দেবদা খুরুমজে, করহ প্রসাদ—চানবিয়ু, কৃষ্ণ-সঙ্গ—কৃষ্ণগা লোয়নবা, দেহ—পীনবিয়ু; মোর—ঐগী, খণ্ডাহ—ককথৎপীয়ু, ঘুচাহ—কোকহনবিয়ু, বিষাদ—অরাবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(গোপীনা হাযখি)—"মসিদি কৃষ্ণ নত্তে। মসি নারায়ণ মূর্ত্তিনী।" অসুম্না হায়রগা মঙোন্দা (নারায়ণ মূর্ত্তিদা) মখোয় লোইনমক্না খুরুমদুনা স্তব তৌখি—হে নারায়ণ! হে দেব! নঙবু খুরুমজরি, ঐখোয়বু চানবিয়ু। কৃষ্ণ-সঙ্গ পীবিয়ু, ঐখোয়গী অরাবা কোকহনবিয়ু।

মূল ২৮৮

এত বলি নমস্করি গেলা গোপীগণ।
হেন কালে রাধা আসি দিলা দরশন ॥ ২৮৮ ॥

শব্দার্থ

এত - অসিগুক, বলি—হায়রগা, নমস্করি—খুরুম্নরগা, গেলা—চংখি, গোপীগণ—গোপীশিং, হেন কালে—মতম অসিদা, রাধা—শ্রীরাধা, আসি লাকুনা, দিলা—পীরবে, দরশন—দর্শন (উবা)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অসি হায়রুনা গোপীশিংদো খুরুম্নরগা চংখরে। মতম অসিদা শ্রীরাধা লাকুনা শক উৎলবে।

মূল ২৮৯-২৯১

রাধা দেখি কৃষ্ণ তাঁরে হাস্য করিতে।
সেই চতুর্ভুজ-মূর্ত্তি চাহেন রাখিতে ॥ ২৮৯ ॥
লুকাইল দুই ভুজ রাধার অগ্রেতে।
বহু যত্ন কৈল কৃষ্ণ—নারিল রাখিতে ॥ ২৯০ ॥
রাধার বিশুদ্ধ ভাবের অচিন্ত্য প্রভাব।
যে কৃষ্ণের করাইল দ্বিভুজ স্বভাব ॥ ২৯১ ॥

শব্দার্থ

রাধা—রাধাবু, দেখি—উবদা, কৃষ্ণ—শ্রীকৃষ্ণনা, তাঁরে—মাবু, হাস্য করিতে—নোকহনগে হায়রুনা, সেই—মদু, চতুর্ভুজ-মূর্ত্তি—খুৎমরি-লোঙবা মূর্ত্তিদু, চাহেন- পাম্মী, রাখিতে থম্বা, লুকাইল—লোৎখবে, দুই ভুজ—পাম্বোম অনী, রাধার—রাধাগী · অগ্রেতে মাঙদা, বহুযত্ন—য়াম্না কম্না হোৎনবা, কৈল তৌবনী, নারিল—ঙমখিদ্রে, রাখিতে—থম্বা, রাধার—রাধাগী, বিশুদ্ধ—মক্তবা ; ভাবের—ভাবকী, অচিন্ত্য—রাখন্না লাম্বা যংদবা, প্রভাব—মথাই, যে—অদুনা, কৃষ্ণেরে—কৃষ্ণবু, করাইল—ওইহনখি, দ্বিভুজ স্বভাব—পাম্বোম-অনী-লোঙবা মূর্ত্তি।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বাধাবু উবদা শ্রীকৃষ্ণনা রাধাবু নোকহনগে হায়দুনা চতুর্ভুজ মূর্ত্তি অদুম ওইদুনা লৈগে নীঙখি। অদুবু খুং অনী লোংখরে বাধাগী মমাঙদা। কৃষ্ণদো য়াম্না কন্না হোৎনবনী, অদুবু য়াথিদরে। মরমদি বাধাগী মক্তবা ভাবকী রাথম্না লাম্বকংদবা ময়াই (প্রভাব) অদুনা কৃষ্ণবু দ্বিভুজমূর্ত্তি ওইহনখি।

মূল ২৯২

বাসারম্ভবিধৌ নিলীয বসতা কুঞ্জে মৃগাক্ষীগণৈ
দৃষ্টং গোপযিতুং স্বমুদ্ধবধিযা যা সুষ্ঠু সন্দর্শিতা।
রাধাযাঃ প্রণযস্য হন্ত মহিমা যস্য শ্রিযা রক্ষিতুং
সা শক্যা প্রভবিষ্ণুনাপি হরিণা নাসীচ্চতুর্ব্বাহুতা॥ ২৯২॥

শব্দার্থ

বাসাবম্ভবিধৌ—বাস হৌববা মতমদা, নিলীয়—লোৎতুনা, বসতা—লৈবম্বা, কুঞ্জে—কুঞ্জদা, মৃগাক্ষীগণৈ,—শজীমিৎতা-তাবী গোপী-শিংনা, দৃষ্টং—উবা, গোপয়িতুং—লোৎকে হায়দুনা, স্বম মছাবু, উদ্ধবধিযা অথোইবা বুদ্ধিনা, যা—মদু (পাস্বাম-মবি-লোঙবদু), সুষ্ঠু—নিংথিনা, সন্দর্শিতা—উৎলবনী, রাধাযাঃ—শ্রীবাধাগী, প্রণযস্য—প্রেমগী, হন্ত—হা ওস্থোকপনী, মহিমা—মাহাত্ম্য, যস্য—মদুগী (বাধা প্রেমগী), শ্রিযা—মযাইনা (প্রভাবনা), রক্ষিতুম—ঙাকপা, সা—মদু (পাস্বোম মবি পানবদু), শক্যা—ঙম্বা, প্রভবিষ্ণুনা—পূঙঙম ঙম্বা, অপি—সু, হরিণা—হবিনা, ন আসীৎ—লৈরমদে, চতুর্ব্বাহুতা—পাস্বোম-মরি ওইবদে।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

গোবর্দ্ধনগিরিগী তম্পাক্তা রাসৌলী কৌবা মফমদা বসন্তরাসগী মতাঙদা বৃন্দাদেবীনা পৌর্ণমাসীগী মফমদা হায়খিবা রাদু শ্লোকসিদা য়াওরি। শ্রীকৃষ্ণনা গোপীশিংগী মতৌ য়েংগে হায়দুনা লৌখিবা চতুর্ভুজরূপ অদু গোপীশিংগী মমাঙদা অদুম লৌবা ওয়্যবসু শ্রীরাধাগী মাঙদদি ঙমখিদে, মরমদি শ্রীরাধানা শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিবদুগী (প্রেমগী) অঙকপা ময়াই (প্রভাব) লৈবননী।

মৈননরোল

শ্লোকসি উজ্জ্বলনীলমণিগী নায়িকা-ভেদ-প্রকবণ-দা য়াওবনী (৬-)।

মূল ২৯৩-২৯৫

সেই ব্রজেশ্বব ইহাঁ – জগন্নাথ পিতা।
সেই ব্রজেশ্ববী ইহাঁ—শচীদেবী মাতা ॥ ২৯৩ ॥
সেই নন্দসুত ইহাঁ—চৈতন্যগোসাঞি।
সেই বলদেব ইহাঁ—নিত্যানন্দ ভাই ॥ ২৯৪ ॥
বাৎসল্য দাস্য সখ্য—তিন ভাবময়।
সেই নিত্যানন্দ কৃষ্ণ-চৈতন্য-সহায ॥ ২৯৫ ।

শব্দার্থ

সেই ব্রজেশ্বর—ব্রজনিংথৌ নন্দ অহুনা, ইহাঁ—অসিদা (নবদ্বীপতা), জগন্নাথ পিতা—মপাবুংগা জগন্নাথ মিশ্র, সেই ব্রজেশ্ববী—ব্রজবাণী যশোদাহুনা ইহাঁ—অসিদা, শচীদেবী মাতা— মমাবেম্মা শচীদেবী, সেই নন্দসুত—নন্দগী মপাবি কৃষ্ণহুনা, ইহাঁ—মফমসিদা, চৈতন্যগোসাঞি—শ্রীচৈতন্য প্রভু, সেই বলদেব বলদেব অহুনা ইহাঁ—মফমসিদা, নিত্যানন্দ ভাই— মযাম্বুঙ নিত্য নন্দ 'বাৎসল্য—মচা ওইনা নীঙবা, দাস্য—মনাই ওইনা নীঙবা, সখ্য—মমান্নবা ওইনা নীঙবা, তিন ভাবময়—ভাব অহুম্না তিনবনী, সেই নিত্যানন্দ—নিত্যানন্দ অহু, কৃষ্ণ-চৈতন্য-সহায—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী সহায।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ব্রজনিংথৌ নন্দহুনা মফমসিদা মপাবুঙ জগনাথ মিশ্রনী। ব্রজবাণী যশোদাহু মফমসিদা মমাবেম্মা শচীদেবীনী। নন্দগী মপাবি শ্রীকৃষ্ণহুনা মফমসিদা শ্রীচৈতন্য প্রভুনী। বলদেব অহুনা মফমসিদা শ্রীমননিত্যানন্দনী। শ্রীনিত্যানন্দদি বাৎসল্য, দাস্য অমসুং সখ্য হাযবা ভাব অহুম্না তিনবনী। নিত্যানন্দহু কৃষ্ণচৈতন্যগী সহায়নী।

মূল ২৯৬

প্রেমভক্তি দিয়া তিঁহো ভাসাইল জগতে।
তাঁহাব চবিত্র লোক না পারে বুঝিতে ॥ ২৯৭ ॥

শব্দার্থ

প্রেমভক্তি—কৃষ্ণবু হুংশিনা নীঙবা, দিয়া—পীদুনা, তিঁহো—মহাক্না (নিত্যানন্দনা), ভাস ইল—তাউহনখি, জগতে—জগৎপু, তাঁহাব—মহাক্কী (নিত্যানন্দগী), চবিত্র—মতৌদি, লোক—মীনা, না পাবে—ঙমদে, বুঝিতে—খঙবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীনিত্যানন্দনা কৃষ্ণপ্রেমভক্তি পীদুনা জগৎপু তাউহনখি। মাগী মতৌদি মীনা খঙবা ঙমদে।

মূল ২৯৭-২৯৮

অদ্বৈত-আচার্য্য গোসাঞি ভক্ত-অবতাব।
কৃষ্ণ অবতাবি কৈল ভক্তিব প্রচাব ॥ ২৯৭ ॥
সখ্য দাস্য দুই ভাব—সহজ তাঁহাব।
কভু প্রভু করেন তাঁরে গুরু-ব্যবহার ॥ ২৯৮ ॥

শব্দার্থ

অদ্বৈত-আচার্য্য গোসাঞি—অদ্বৈতাচার্য্য প্রভু, ভক্ত-অবতাব—ভক্ত ওইবা অবতাবনী, কৃষ্ণ—কৃষ্ণবু, অবতাবি—অবতার তৌহন্নগা, কৈল—তৌখি, ভক্তিব—ভক্তিগী, প্রচাব—শন্দোকপা, সখ্য—সখাগী ভাব, দাস্য—মনাই ওইবগী ভাব, দুই ভাব—ভাব অনী, সহজ—পোকপদগী লোয়মিন্নরকপা, তাঁহাব—মহাক্কী, কভু—কবিগুম্বা মতমদা, প্রভু—মহাপ্রভুনা, করেন—তৌযি, তাঁবে—মহাকপু, গুরু-ব্যবহাব—গুরুদা তৌবা মতৌ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্য গোসাঞিদি ভক্ত ওইনা অবতাব তৌবনী। শ্রীকৃষ্ণবু অবতার তৌহল্লগা ভক্তি প্রচাব তৌখিবনী। মাগী লোযনবকপা ভাবতি সখ্য-দাস্য কোবা ভাব অনীনি। কবিগুম্বা মতমদা শ্রীচৈতন্য প্রভুনা শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যবু গুরু ওইনা ব্যবহার তৌয়ি।

মূল ২৯৯

শ্রীবাসাদি যত মহাপ্রভুর ভক্তগণ।
নিজনিজ ভাবে করেন চৈতন্যসেবন ॥ ২৯৯ ॥

শব্দার্থ

শ্রীবাসাদি—শ্রীবাসনচিংবা, যত—থিথিক অদু; মহাপ্রভুর - মহাপ্রভুগী, ভক্তগণ—ভক্তশিংনা, নিজনিজ ভাবে—মছা মছাগী ভাব-ডা, করেন—তৌযি, চৈতন্যসেবন—শ্রীচৈতন্যগী সেবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীবাসনচিংবা লৈবক্না মহাপ্রভুগী ভক্তশিংনা মছা মছাগী ভাব-ডা শ্রীচৈতন্য প্রভুগী সেবা তৌযি।

মূল ৩০০

পণ্ডিতগোসাঞি-আদি যাঁর যেই রস।
সেই সেই রসে প্রভু হন তার বশ ॥ ৩০০ ॥

শব্দার্থ

পণ্ডিতগোসাঞি—শ্রীগদাধর পণ্ডিত আদি—নচিংবা, যাঁর—মহাক্কী, যেই—মদু, রস—ভাব, সেই সেই রসে—রস অদু অদুদা, প্রভু—প্রভুনা, হন—ওই, তার—মাগী, বশ—মখাপানবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীগদাধর পণ্ডিতনচিংবা ভক্তশিংগী মছা মছাগী রসদদা প্রভুবু সেবা তৌযি অদুগা প্রভুস্থু রস অদু আস্বাদন তৌবগা ভক্তশিংগী মখাপোল্লী।

মূল ৩০১-৩০২

তেঁহো শ্যাম বংশীমুখ গোপবিলাসী।
ইহোঁ গৌর—কভু দ্বিজ—কভু ত সন্ন্যাসী ॥ ৩০১ ॥
অতএব আপনে প্রভু গোপীভাব ধরি।
ব্রজেন্দ্রনন্দনে কহে—প্রাণনাথ করি ॥ ৩০২ ॥

শব্দার্থ

তেঁহো—মহাক (কৃষ্ণ), শ্যাম—কুচু মুই, বংশীমুখ—চীনবান্দা, বাঁশী থম্বনী, গোপবিলাসী—গোপ (শাঞ্জেন্নহা) ওইনা শান্নবা, ইহোঁ—মসিনা (চৈতন্যনা), গৌব—ঙৌম্বি, কম্বু—করিগুম্বদা, দ্বিজ—ব্রাহ্মণ, কম্বু ত—করিগুম্বদা, সন্ন্যাসী—লম্বোইবা, অতএব—মরমদুনা, আপনে—মশামক্না, প্রভু—প্রভু, গোপীভাব—গোপীগী ভাব, ধরি—লৌদুনা, ব্রজেন্দ্রনন্দনে—ব্রজনিংথৌ-মপাগি শ্রীকৃষ্ণবু, কহে—হায়, প্রাণনাথ করি—থব্বাইগী মবুংঙো ওইহন্দুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহাক্না (কৃষ্ণনা)-কুচুমুবা, বাঁশী-খোংবা, শঞ্জেন্নহা ওইনা বিলাস তৌযি। মসিনা (চৈতন্যনা) বচু ঙৌবনা, করিগুম্বদা ব্রাহ্মণ ঙই কবিগুম্বদা সন্ন্যাসী ঙই। মবমসিনা প্রভু (কৃষ্ণ) মশামক্না গোপীভাব লৌবগা ব্রজনিংথৌ-মপাবি কৃষ্ণবু প্রাণনাথ (থবাইগী মপু) হাযনা কৌযি।

মূল ৩০৩

সেই কৃষ্ণ সেই গোপী পবম বিবোধ।
অচিন্ত্য চরিত্র প্রভুব অতি সুদুর্ব্বোধ ॥ ৩০৩ ॥

শব্দার্থ

সেই কৃষ্ণ—কৃষ্ণ অদুনা (শ্রীবাধা প্রেমগী বিযয হাযবদি শ্রীবাধাগী মুংশিকম ওইবা অদুনা), সেই গোপী—গোপী অদু (মাদন কৌবা প্রেমগী অমতা ভাযবা আশ্রয হাম্নবদি শ্রীকৃষ্ণপ্রেমগী তুংফম অদু), পবম—যৌনা ওইববা, বিরোধ—নাতৈ-হূন্দবা, অচিন্ত্যচরিত্র—বাখল্লা লাম্বা ফংদবা চবিংনা মাগী ওইবা, প্রভুর প্রভুগী, অতি—য়াম্না হেন্দোক্না, সুদুর্ব্বোধ—ফজনা খঙঙমদবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

(বাধাগী মাদন-কৌবা প্রেমগী বিষয়—মুংশিকম ওইবা) কৃষ্ণদুনা (প্রেমগী আশ্রয তুংফম ওইবী) গোপী অদু ওইবা—মসিদি যৌনা নাতৈ হূন্দবা জাৎনী। অদুবু থ্বাইগী বাখল্লা লাম্না ফংদবা চরিত্তনা প্রভুগী ওইবনী, মাগী মতৌসে খঙঙমদবা ওইবদা কাহেন্না ফজবমথৈ ওইবনী।

মূল ৩০৪

ইথে তর্ক করি কেহ না কর সংশয়।
কৃষ্ণের অচিন্ত্য-শক্তি এইমত হয় ॥ ৩০৪ ॥

শব্দার্থ

ইথে—মসিদা, তর্ক করি—মরৈ য়েংতুনা, কেহ—কনামত্তা, না কর—তৌগনু, সংশয়—চিংনবা, কৃষ্ণের—শ্রীকৃষ্ণগী, অচিন্ত্যশক্তি—খাখন্না লাম্ব-ফংদবা শক্তিদি, এইমত—মস্মম্না, হয়—ওই।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

হীরম অসিদা তর্ক তৌতুনা কনামতনা চিংনবা তৌগনু। কৃষ্ণগী অচিন্ত্য-শক্তিদি (মীওইবগী বাখন্না লাম্বা ফংদবা শক্তিদি) মতৌ অস্মম তৌবনী।

মূল ৩০৫

অচিন্ত্য অদ্ভুত কৃষ্ণচৈতন্যবিহার।
চিত্র ভাব, চিত্র গুণ, চিত্র ব্যবহার ॥ ৩০৫ ॥

শব্দার্থ

অচিন্ত্য—রাখন্না লাম্ব-ফংদবা, অদ্ভুত অঙকপা, কৃষ্ণচৈতন্যবিহার শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী লীলা, চিত্র—অঙকপা; ভাব—ভাব, চিত্র গুণ—অঙকপা-গুণ, চিত্র ব্যবহার অঙকপা মতৌ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভুগী লীলাদি রাখন্না লাম্বফংবদবনী অমস্যুং অঙকপনী। মাগী ভাব, মাগী গুণ, মাগী মতৌ—লোইনমক অঙকপনী।

মূল ৩০৬

তর্কে ইহা নাহি মানে যেই দুরাচার।
কুম্ভীপাকে পচে তার নাহিক নিস্তার ॥ ৩০৬ ॥

শব্দার্থ

তর্কে—মরৈ য়েংতুনা, ইহা রাসি, নাহি মানে—য়াস্রে, যেই

ছুবাচাব লমচং ফত্তবা মীতুনা, কুম্ভীপাকে—কুম্ভীপাক কৌবা নবক অত্তুদা, পচে—পৎতুনা পুমগনী, তান্ন - মহাকী, নাহিক - লৈতে, নিস্তার—অবান-খুভম।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

লমচং-নাইদবা কনানা রাফমসি যেৎতুনা লৌত্রবদি মহাক কুম্ভীপাক কৌবা নবক-কোমদা পৎ-পুমছুনা লৈগনী, মহদেগী কাখৎলোকপা খুকতম ভমোই।

মূল ৩০৭

অচিন্ত্যাঃ খলু যে ভাবা ন তাংস্তর্কেণ যোজয়েৎ।
প্রকৃতিভ্যঃ পরং যচ্চ তদচিন্ত্যস্য লক্ষণম ॥ ৩০৭ ॥

শব্দার্থ

অচিন্ত্যাঃ - রাখন্না লাম্ব-ভমদবা, খলু—লেপ্পমক, যে—মহুশিং, ভাবাঃ—পোৎ, ন—নত্তে, তান—মখোযবু, তর্কেণ—তর্কনা, যোজয়েৎ—চঙহনগদবা, প্রকৃতিভ্যঃ—প্রকৃতিগী (প্রকৃতিগী মওং পুম্নমকী), পরং—রাংমদা লৈবা, তৎ—মহু, অচিন্ত্যস্য—রাখন্না লাম্ব-ভমদবহুগী, লক্ষণ—খুদম।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

বাখন্না-লাম্বা-ফংদবা ভাব নত্রগা পোৎশিংহুবু তর্কনা হাপচনগদবা নত্তে (হায়বদি মহু পুম্নমক্কু তর্কগী বিষয় ওইহনবা চুমদে), প্রকৃতিগী শকওং পুম্নমক্কী বাংমদা লৈবা অহু রাখন্না লাম্ব ভমদবনী (অচিন্ত্যনী)।

নৈনরোল

শ্লোক অসি ভক্তিরসামৃতসিন্ধুগী দক্ষিণবিভাগ অত্তুদা য়াওবা স্থায়িভাবলহরীদগী লৌখোরকপনী (৫১)।

ঐখোয়দি প্রাকৃত জগৎকী মীনি, ঐখোয়না খঙ-উরিবদি প্রাকৃত বস্তুদনী। ঐখোযনা যুক্তিতর্ক তৌবা মতমদা প্রাকৃত জগৎকী রাহু পুশন্দুনা শীজন্নৈ। প্রাকৃত ওইবা পোৎকী মরম নৈনরকপদা প্রাকৃত জগৎতা

খঙঙু-তাকবা রাহু পুশন্দুনা শীজন্নগদবনী অহুগা পুশন্দবস্থ য়াদবনী। তৌইগু-স্মুং প্রাকৃত-নত্তবা চিন্ময জগৎকী অরমদা নৈনরকপা মতমদদি প্রাকৃত জগৎকী রাহু চঙদে, মহুগী মরমস্ক লৈতবা নত্তে। প্রকৃতিগী নত্তবা, প্রকৃতিগী রাংমদা লৈবা অহুদি অপ্রাকৃত (প্রাকৃত-নত্তবা) নী। অপ্রাকৃত ওইবা পোৎ পুম্নমক্কি চিন্ময়-নী (চিং হায়বা পোৎতুনা শাবা ওাক্কী)। চিন্ময ওইবা পোৎপু প্রাকৃত ওইবা মী ঐগোযনা থক উদে, উবস্থ ওইথোক্তে, মবমদি অপ্রাকৃত ওইবা পোৎতি প্রাকৃত ইন্দ্রিয়শিংনা খঙবা ঙমদে। শাস্ত্রগী রা নত্রগা আপ্তবাক্য (ঈশ্বরনা ফোংদোরক্ষা সত্য) নত্তনা অতে উপাযনা চিন্ময জগৎকী রা ঐখোযনা কবিমতা খঙবা ঙমদে, অপ্রাকৃত জগৎতু ঐখোযগী ইন্দ্রিযশিংনা খঙবা ঙমদবনা ঐখোযদদি অচিন্ত্যনী (ব,খন্না লান্থ-ঙমদবনী)। অচিন্ত্য ওইবা চিময জগৎকী বিষয বিচার তৌবকপা মতমদা প্রাকৃত জগৎকী বা পুশন্দুনা নৈনববদি চপচাবা অওইবা সিদ্ধান্ত (পোলপ ঝম) য়ংবা ঙমদে। অহুনা শাস্ত্রবাক্য নত্রগা আপ্তবাক্যদগী চিন্ময জগৎকী মবমদা খঙবা বাফমশিংতু (তথ্যশিংতু) অওইবা সিদ্ধান্ত লেপ্পগী মতাঙদা পুশল্লক্কনা শীজন্নবদি নাতৈচাদবা ওইবোই। অহুগা অতোপ্পা মওংগী তর্কদা শীজন্নবদি নাতৈচাবোই।

মূল ৩০৮

অদ্ভুত চৈতন্যলীলায় যাহার বিশ্বাস।

সেই জন যায় চৈতন্যের পদপাশ ॥ ৩০৮ ॥

শব্দার্থ

অদ্ভুত—অঙকপা, চৈতন্যলীলায—শ্রীচৈতন্যপ্রভুগী লীলাদা, যাহার—মহাক্কী, বিশ্বাস—থাজবা, সেই জন—মী অহু, যায—চৎলী, চৈতন্যের—শ্রীচৈতন্যপ্রভুগী, পদপাশ—চরণাক্তা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীচৈতন্যপ্রভুগী অঙকপা লীলাবু থাজবা মীদুদি শ্রীচৈতন্যগী চরণাক চৎলী।

মূল ৩০৯

প্রসঙ্গে কহিল এই সিদ্ধান্তের সার।

ইহা যেই শুনে শুদ্ধভক্তি হয তার ॥ ৩০৯ ॥

শব্দার্থ

প্রসঙ্গে—রাগী মতাংদা, কহিল—হায়রকবনী, এই—মসি, সিদ্ধান্তের—রারেপকী, পোলেপ্ কমগী, সার—মচি, ইহা—মসিবু যেই—মী কনানা, শুনে—তাববা, শুদ্ধভক্তি মকুবা ভক্তি, হয—শোইয়, তার—মহাকী।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

রাগী মতাংদা লাকপদা সিদ্ধান্তগী মচিসি হায়রকবনী। মসিবু মনাকোংদা তাববা মীতুগী মকুবা ভক্তি পোকনীয়ে।

নৈনরোল

সিদ্ধান্তগী সার হায়বদি মমাংগী পযার ৩০৮-দা য়াৎরিবা রাকমসিনী।

মূল ৩১০

লিখিত গ্রন্থের যদি করি অনুবাদ।
তবে সে গ্রন্থের অর্থ পাইযে আস্বাদ॥ ৩১০॥

শব্দার্থ

লিখিত ইরিবা, গ্রন্থের—লাইরিকী, যদি—যদি, করি—তৌযি, অনুবাদ শম্পাৎনা হনজনবা, তবে অদুৎইরবদি সে গ্রন্থের—লাইরিকুগী, অর্থ—অর্থ, পাইয়ে—ফংঙী, আস্বাদ—মহাও।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

ইরিবা লাইরিকী রাদু শম্পাৎনা অমক হনুজন্না হায়রবদি (অনুবাদ তৌববদি) লাইরিকুগী অর্থদু খংবা ঙম্মী।

নৈনরোল

শ্রী চৈতন্যচরিতামৃত হায়বা লাইরিকী লীলা খুদিংমকী—আদি লীলাগী, মধ্যলীলাগী অমসুং অন্ত্যলীলাগী—বর্ণনা তৌরবা মতুংদা গ্রন্থকার কবিরাজ গোস্বামীনা অরোই-অরোইবা পরিচ্ছেদদা লীলাশিংগী লীঙবা বিষয়শিংবু পুস্তকগী মওংদা অমুক হন্না ইহনা পীরি।

মূল ৩১১

দেখি গ্রন্থে ভাগবতে ব্যাসের আচার।
কথা কহি অনুবাদ করে বারবার ॥ ৩১১ ॥

শব্দার্থ

দেখি—উত্থুনা, গ্রন্থে—লাইবিক্তা, ভাগবতে—শ্রীভাগবতম্‌দা, ব্যাসের—ব্যাস মুনিগী, আচার—মতৌ কথা—ৱাব্রী, কহি—লীরি, অনুবাদ-করে—অনুবাদ তৌদুনা, বার বার—হন্না হন্না।

মৌত্তরোন্দা হন্দোকপা

শ্রীমদ্ভাগবতম্‌ গ্রন্থদা ব্যাসদেবগী মতৌ উত্থুনা অনুবাদ হন্না হন্না তৌরগা ৱাবী লীজবি।

মূল ৩১২

তাতে আদিলীলার কহি পরিচ্ছেদ গণন।
প্রথম-পরিচ্ছেদে কৈল মঙ্গলাচরণ ॥ ৩১২ ॥

শব্দার্থ

তাতে—মত্থুনা, আদিলীলার—আদিলীলাগী, কহি—তৌরি, পরিচ্ছেদ—তাংকক, গণন—মশীঙ থাবা, প্রথম পরিচ্ছেদে—অহানবা পরিচ্ছেদদা, কৈল—ইবনী, মঙ্গলাচরণ—মঙ্গলাচরণ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মবমত্থুনা আদিলীলাগী পরিচ্ছেদশিংগী মশীঙ থীরি। অহানবা পরিচ্ছেদদা মঙ্গলাচরণ ইবনী।

তাৎপর্য

তপেংবদি প্রাচীন গ্রন্থকারশিংগী অনুবাদ অসি আধুনিক যুগকী সূচী-পত্রগুম্বনী (হীরম-লমাইগুম্বনী), থোক্লবা হায়রবু অসিনী—প্রাচীনশিংগী অনুবাদ-না লাইরিককী মমৈদা হাপ্পী অদুগা আধুনিক সূচীপত্রনা লাইরিক হৌরগী মমাঙদা হাপ্পী।

মূল ৩১৩-৩১৪

দ্বিতীয় পরিচ্ছেদে চৈতন্যতত্ত্ব-নিরূপণ ।
স্বয়ং ভগবান্ যেই ব্রজেন্দ্রনন্দন্ ।। ৩১৩ ।।
তেঁহো ত চৈতন্যকৃষ্ণ শচীব নন্দন ।
তৃতীয পবিচ্ছেদে জন্মেব সামান্য কারণ ।। ৩১৪ ।।

শব্দার্থ

দ্বিতীয—অনীশুবা , পবিচ্ছেদে—পরিচ্ছেদদা , চৈতন্যতত্ত্ব—শ্রীচৈতন্য কনানো হাযবহু , নিরূপণ—লেপ্পা , স্বয, ভগবান—চংচংবা ভগবান , যেই—মহু , ব্রজেন্দ্রনন্দন—ব্রজনিংথৌ মপারি , তেঁহা-ত—মহাক্তুনা , চৈতন্য কৃষ্ণ—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য , শচীর নন্দন—শচীগী মপাবি , তৃতীয়—অহুমশুবা , পবিচ্ছেদে—পবিচ্ছেদদা , জন্মেব—পোকপগী , সামান্য—খ্বাইগী ওইবা , কাবণ—মবম ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

অনীশুবা পবিচ্ছেদদা চৈতন্যদেব কনানো হায়বা রাফমহু লেপ্পগী রা ইবি । স্বযং ভগবান ব্রজনিংথৌ মপাবি কৃষ্ণদুনা শচীদেবীগী মপারি শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্য প্রভুনী । অহুমশুবা পবিচ্ছেদদা মহাপ্রভুনা অবতাব তৌবকপগী সামান্য কাবণ অহু নৈনবি ।

মূল ৩১৫

তহি-মধ্যে প্রেমদান বিশেষ-কারণ ।
যুগধর্ম্ম-কৃষ্ণনাম প্রেম-প্রচারণ ।। ৩১৫ ।।

শব্দার্থ

তহি-মধ্যে—মহুগী মনুঙদা , প্রেমদান—কৃষ্ণপ্রেম (কৃষ্ণবু নুংশিবা) পীবিবা , বিশেষ—খোইদোকপা , কাবণ—মবম , যুগধর্ম্ম-কৃষ্ণনাম—(কলি) যুগগী ধর্ম্ম কৃষ্ণনাম . প্রেম—কৃষ্ণপ্রেম , প্রচাব—শন্দোকপা ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মহুগী মনুঙদা কৃষ্ণপ্রেমদান তৌবনা বিশেষ কারণী অমুগা যুগধর্ম্ম কৃষ্ণনাম অমসুং কৃষ্ণপ্রেম প্রচারগী রা ইরি ।

মূল ৩১৬

চতুর্থে কহিল জন্মের মূল প্রয়োজন।

স্বমাধুর্য্য-প্রেমানন্দরস আস্বাদন ॥ ৩১৬ ॥

শব্দার্থ

চতুর্থ—মরিশুবদা, কহিল—লীরে; জন্মের—মহাপ্রভুনা পোক্লক-পগী, মূল প্রয়োজন মরু ওইবা মরম, স্বমাধুর্য্য—মছামক্কী মাধুর্য্য, প্রেমানন্দরস—কৃষ্ণ প্রেমগী মুংঙাইবা রস, আস্বাদন—মহাও তঙবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মরিশুবা পরিচ্ছেদদা মহাপ্রভুনা অবত্তার তৌবকপগী মূল প্রযোজন ইরি। প্রযোজন অদুদি মছামক্কী মাধুর্য্য অদুগা প্রেমগী আনন্দ-রস আস্বা-দন তৌবনী।

মূল ৩১৭

পঞ্চমে শ্রীনিত্যানন্দ-তত্ত্ব-নিরূপণ।

নিত্যানন্দ হৈলা রাম রোহিনীনন্দন ॥ ৩১৭ ॥

শব্দার্থ

পঞ্চমে—মঙাশুবদা, শ্রীনিত্যানন্দতত্ত্ব—শ্রীনিত্যানন্দ কনানো হায়বদু, নিরূপণ- লেপ্পা, মরাল, নিত্যানন্দ—শ্রীনিত্যানন্দ, হৈল—ওই, রাম—বলরাম, রোহিনীনন্দন—রোহিনীদা বসুদেবনা পোকপা মচানুপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মঙাশুবা পরিচ্ছেদদা শ্রীনিত্যানন্দ কনানো হায়বদু (তত্ত্ব) লেপ্পগী রা ইরি। শ্রীনিত্যানন্দদি রোহিনীগী গর্ভদা বসুদেবকী ওবসদা পোকপা বলরামনী।

মূল ৩১৮

ষষ্ঠ পরিচ্ছেদে অদ্বৈততত্ত্বের বিচার।

অদ্বৈত-আচার্য্য মহাবিষ্ণু-অবতার ॥ ৩১৮ ॥

শব্দার্থ

ষষ্ঠ পবিচ্ছেদ—তরুকশুবা পবিচ্ছেদদা, অদ্বৈততত্ত্ব—অদ্বৈত বনানো হাযবগী (তত্ত্বগী), বিচাব বাবেপ, অদ্বৈত-আচার্য্য—শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্য, মহাবিষ্ণু-অবতাব—মহাবিষ্ণুগী অবতাব।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তরুকশুবা পবিচ্ছেদদা অদ্বৈততত্ত্ব নৈনবগী বা ইবি। শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্যদি মহাবিষ্ণুগী অবতাবনী।

মূল ৩১৯

সপ্তম পবিচ্ছেদ পঞ্চতত্ত্বব আখ্যান।
পঞ্চতত্ত্ব মিলে যৈছে কৈল প্রেমদান ॥ ৩১৯ ॥

শব্দার্থ

সপ্তম—তরেৎশুবা পবিচ্ছেদ—পবিচ্ছেদদা, পঞ্চতত্ত্বেব—তত্ত্ব মঙাগী, আখ্যান—বাবোল, পঞ্চতত্ত্ব—তত্ত্ব মঙানা মিলে—মিনবগা, যৈছে—অস্তুম্না, কৈল—তৌখি, প্রেমদান—কৃষ্ণপ্রেম শিবা হেনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তরেৎশুবা পবিচ্ছেদদা তত্ত্ব-মঙাগী (চৈতন্য নিত্যানন্দ অদ্বৈত গদাধব অমসুং শ্রীবাসগী) বা য়ারেবি। তত্ত্ব-মঙা তিন্দুনা কৃষ্ণপ্রেম যেনখিবগী মতং ইবি।

মূল ৩২০

অষ্টম-চৈতন্য লীলাবর্ণন-কাবণ।
এক কৃষ্ণনামেব মহা মহিমা-কথন ॥ ৩২০ ॥

শব্দার্থ

অষ্টম—নিপানশুবদা, চৈতন্য লীলাবর্ণন-কাবণ—শ্রীচৈতন্যগী লীলা ইনগী মবম, এক- অমা, কৃষ্ণনামেব—কৃষ্ণনামগী, মহা- মহা অচৌবা, মহিমা কথন মতীক মবাইগী মবমদা হাযবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

নিপালশুবা পরিচ্ছেদদা শ্রীচৈতন্যগী লীলা ইবগী মরম যাওরি। অদুগা গ্রন্থনাম অমুথকী শোনবগী মতীক-ময়াই কয়াম্মক চাউবগে হায়বগী ব্যাখ্যা যাওরি।

মূল ৩২১

নবমোতে ভক্তি-কল্পবৃক্ষের বর্ণন।
শ্রীচৈতন্যমালী কৈল বৃক্ষ আরোপণ ॥ ৩২১ ॥

শব্দার্থ

নবমেতে—মাপললশুবদা, ভক্তি-কল্পবৃক্ষের—ভক্তিগী মচুক-ওইবা কল্পবৃক্ষগী বর্ণন—বারী, শ্রীচৈতন্যমালী—শ্রীচৈতন্যনা মালী ওইদুনা কৈল—তৌখি, বৃক্ষ—উপাম্বী আরোপণ—থাবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

মাপললশুবদা ভক্তি-কল্পবৃক্ষগী বারী য়াওরি। শ্রীচৈতন্যপ্রভুনা মালী ওইদুনা কল্পবৃক্ষসি থাবনী।

মূল ৩২২

দশমেতে মূল স্কন্ধের শাখাদিগণন।
সর্ব্বশাখাগণের যৈছে ফলবিতরণ ॥ ৩২২ ॥

শব্দার্থ

দশমেতে—তরাশুবদা, মূল স্কন্ধের—(উপাম্বীগী) মরু ওইবা উপাল অমচৌবগী, শাখাদি—মাশানচিংবা, গণন—শীংথবা, সর্ব্বশাখা-গণের—শাখা পুম্নমক্কী, যৈছে—অসুম, ফল বিতরণ—উহৈ যেনবা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তরাশুবদা ভক্তি-পামেলগী মরু ওইবা স্কন্ধগী শাখানচিংবা শীংথাদুনা উৎলি। অদুগা শাখাশিংদুনা উহৈ (কৃষ্ণ-প্রেম) যেনখিবগী বাখল্ হৈরি।

মূল ৩২৩

একাদশে নিত্যানন্দ-শাখা-বিবরণ।
দ্বাদশে অদ্বৈত স্কন্ধ-শাখার বর্ণন ॥ ৩২৩ ॥

শব্দার্থ

একাদশে—তরামাথোইশুবদা, নিত্যানন্দ-শাখা-বিবরণ—শ্রীনিত্যানন্দগী শাখাশিংগী বাবোল দ্বাদশে—তবানিথোইশুবদা, অদ্বৈতস্কন্ধ-শাখার—শ্রীঅদ্বৈতনা স্কন্ধ ওইবগা মন্থগী শাখাশিংগী, বর্ণন—[illegible]।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তরামাথোইশুবদা শ্রীনিত্যানন্দ স্কন্ধগী শাখাশিংগী র্‌া ইবি। তবানিথোইশুবদা শ্রীঅদ্বৈত স্কন্ধগী শাখাশিংগী র্‌া ইবি।

মূল ৩২৪

ত্রয়োদশে মহাপ্রভুর জন্মবিবরণ।
কৃষ্ণনাম সহ যৈছে প্রভুর জনম ॥ ৩২৪ ॥

শব্দার্থ

ত্রয়োদশে—তবাহুমদোইশুবদা, মহাপ্রভুর—শ্রীচৈতন্য প্রভুগী, জন্ম-বিবরণ—পোকপগী বা, কৃষ্ণনামসহ—কৃষ্ণনামগা লোয়নননা, যৈছে—অসূম্না, প্রভুর জনম—প্রভু পোকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তবাহুমদোইশুবদা মহাপ্রভু পোকপগী বা যাওবি। কৃষ্ণনামগা লোয়নননা প্রভুনা পোকখিবগী মওদা ইরি।

মূল ৩২৫

চতুর্দ্দশে বাল্যলীলার কিছু বিবরণ।
পঞ্চদশে পৌগণ্ডলীলা—সংক্ষেপ কথন ॥ ৩২৫ ॥

শব্দার্থ

চতুর্দ্দশ—তরামবিশুবদা, বাল্যলীলার—বাল্যলীলাগী, কিছু—খরা, বিবরণ—রায়োল; পঞ্চদশে—তরামঙাশুবদা; পৌগণ্ডলীলা-সংক্ষেপ—পৌগণ্ডলীলাগী শরুক্তা র্‌া, কথন—হায়বা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তবামবিশুবদা বাল্যলীলাগী রা খরা য়াংবি। তবামগাশুবদা পৌগণ্ড-লীলাগী রা খরা য়াওরি।

মূল ৩২৬

ষোড়শ-পরিচ্ছেদে কৈশোরলীলার উদ্দেশ।
সপ্তদশে যৌবনলীলার কহিল বিশেষ ॥ ৩২৬ ॥

শব্দার্থ

ষোড়শ পরিচ্ছেদে—তরাতরুকশুবা পরিচ্ছেদদা, কৈশোরলীলার—কৈশোরলীলাগী, উদ্দেশ—মবোল, সপ্তদশে—তরাতরেৎশুবদা, যৌবন-লীলার—যৌবনলীলাগী, কহিল—লীরি, বিশেষ—থোইদোকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

তরাতরুকশুবা পরিচ্ছেদদা প্রভুগী লীলাগী বাবোল অদুগা তরা-তরেৎশুবদনা যৌবনলীলাগী বা থোইদোকপা অমা ওইনা ইরি।

মূল ৩২৭

এই সপ্তদশপ্রকার আদিলীলার প্রবন্ধ।
দ্বাদশ প্রবন্ধ তাতে গ্রন্থমুখবন্ধ ॥ ৩২৭ ॥

শব্দার্থ

এই মসি, সপ্তদশপ্রকার—মও তরাতরেৎকী, আদিলীলার—আদিলীলাগী, প্রবন্ধ—মথং মনাও কাযদবা রাবে (বচনা), দ্বাদশ প্রবন্ধ—(অহানবা) প্রবন্ধ তরানিথোই, তাতে—মদুদা, গ্রন্থমুখবন্ধ—লাইরীকী মুখবন্ধ (ভূমিকা)।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

আদিলীলাগী পরিচ্ছেদ তরাতরেৎসিদা বিষয় তরাতরেৎ নৈনবি। মদুগী মনুঙদা অহানবা প্রবন্ধ তরানিথোইদি লাইরীকী ভূমিকানী (মুখ-বন্ধনী—মাহৌদোক্নী)।

মূল ৩২৮

পঞ্চ প্রবন্ধে পঞ্চ রসের চরিত।
সংক্ষেপে কহিল অতি না কৈল বিস্তৃত ॥ ৩২৮ ॥

শব্দার্থ

পঞ্চ—মঙা, প্রবন্ধে—প্রবন্ধদা, পঞ্চ রসের—রস মঙাগী চরিত—চরিত (মও-মতৌ), সংক্ষেপে—শম্না, কহিল—হায়রী, অতি—য়াম্না, না কৈল—তৌদে, বিস্তৃত—শন্দোকপা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

প্রবন্ধ মঙাদা রস মঙাগী মচৎ মতৌ শম্পৎনা ইরি, য়াম্না শন্দোক্না ইবদি নত্তে।

মূল ৩২৯

বৃন্দাবনদাস ইহা চৈতন্যমঙ্গলে।
বিস্তারি বর্ণিল নিত্যানন্দ-আজ্ঞাবলে ॥ ৩২৯ ॥

শব্দার্থ

বৃন্দাবনদাস—শ্রীবৃন্দাবন দাসনা, ইহা মসি চৈতন্যমঙ্গলে—শ্রীচৈতন্যভাগবত-তা, বিস্তারি—শন্দোক্না, বর্ণিল—ইবয়্রে, নিত্যানন্দ-আজ্ঞাবলে—শ্রীনিত্যানন্দগী য়াথংনা পাঙ্গল হাপ্তুনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীবৃন্দাবন দাসনা বারীস মাগী চৈতন্যমঙ্গল (শ্রীচৈতন্যভাগবত) কৌবা লাইরীক্তা শ্রীনিত্যানন্দগী মযাথংনা পাঙ্গল ওইহনা শন্দোক্না বর্ণনা তৌরয়্রে।

মূল ৩৩০

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য লীলা অদ্ভুত অনন্ত।
ব্রহ্মা শিব শেষ যার নাহি পায় অন্ত ॥ ৩৩০ ॥

শব্দার্থ

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যলীলা—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী লীলা, অদ্ভুত—অঙকপনী,

অনন্ত—ওমথৈ-নাইদবনী , ব্রহ্মা—সৃষ্টিকর্ত্তা ব্রহ্মা , শিব—মহেশ্বর মহাদেব , শেষ—মকোক লীশীঙ-লোঙবা অনন্তদেব , যাব—মতুগী , নাহি পায—ফংদে , অন্ত—ওমথৈ।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী লীলাদি অঙকপনা থনবনী অতুগা ওমথৈ-নাইদবনী। মবমতুনা ব্রহ্মা, শিব অমদি অনন্তদেবনা লীলাসিগী ওমথৈ লাম্বা ফংদবনী।

মূল ৩৩১

যেই যেই-অংশ কহে-শুনে সেই ধন্য।
অচিরে মিলিবে তা'র শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ॥ ৩৩১ ॥

শব্দার্থ

যেহ—কনাগুম্বা অমনা , যেই-অংশ—বাবীগী অংশ অমা , কহে—হায , শুনে—তাকাঙনা শায সেই—মহাক , ধন্য—মহৈ-যাল্লবনী , অচিরে—খীদবমখে মিলিবে—উনবগনী , তারে—মাবু , শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

কনাগুম্বনা চৈতন্যলীলাগী মংাঙ অমত বর্ণন তৌবা নত্রগা মনাকোঙনা তবদি মহাক মতু মহৈ-যাল্লবনী (ধন্যনী)। থুনমব মহাক শ্রীকৃষ্ণ-চৈতন্যগী চনা-নেনা যংনাগনী।

মূল ৩৩২-৩৩৪

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য অদ্বৈত নিত্যানন্দ
শ্রীবাস গদাধর-আদি ভক্তবৃন্দ ॥ ৩৩২ ॥
যত যত ভক্তগণ বৈসে বৃন্দাবনে।
নম্র হৈয়া শিরে ধরোঁ সভার চরণে ॥ ৩৩৩ ॥

শব্দার্থ

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য—শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য , অদ্বৈত—শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্য , নিত্যানন্দ—শ্রীনিত্যানন্দ শ্রীবাস—শ্রীবাস , গদাধর—শ্রীগদাধর আদি—নচিনা ,

ভক্তবৃন্দ—ভক্তশিং, যত যত—কয়া কয়া, ভক্তগণ- ভক্তশিং, বৈসে—বাস তৌযি, বৃন্দাবনে—বৃন্দাবন-দা, নম্র হৈয়া—নো-নুকুনা, শিরে—কোক্পা, ধরোঁ—শোকচরি, সভাব—লোইনমক্কী, চরণে—খোঙদা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য, শ্রীঅদ্বৈতাচার্য্য, শ্রীনিত্যানন্দ, শ্রীবাস-শ্রীগদাধরনচিংবা ভক্তশিং, অদুগা বৃন্দাবন-দা লৈবা ভক্তশিং নোল্লুক্নুনা মখোয় পুম্নমক্কী চরণ অদু ইকোক্কা হাপচরি।

মুল ৩৩৪-৩৩৫

শ্রীস্বরূপ শ্রীরূপ শ্রীসনাতন।
শ্রীরঘুনাথদাস আর শ্রীজীবচরণ ৩৩৪ ॥
শিরে ধরি বন্দোঁ নিত্য করোঁ তাঁর আশ।
চৈতন্যচরিতামৃত কহে কৃষ্ণদাস ॥ ৩৩৫ ॥

শব্দার্থ

শ্রীস্বরূপ—শ্রীস্বরূপদামোদর, শ্রীরূপ—শ্রীরূপ, শ্রীসনাতন—শ্রীসনাতন, শ্রীরঘুনাথদাস—শ্রীরঘুনাথদাস, আর অদুগা, শ্রীজীবচরণ—শ্রীজীব গোস্বামী, শিরে—কোক্তা, ধরি—হাপ্তুনা, বন্দোঁ—খুরুমজৈ, নিত্য মতম পুম্বদা, করোঁ—তৌজৈ, তাঁর—মখোযদগী, আশ—অাশা, চৈতন্যচরিতামৃত—শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত, কহে—নীজৈ, কৃষ্ণদাস—শ্রীকৃষ্ণদাস কবিরাজনা।

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা

শ্রীস্বরূপদামোদর গোস্বামী, শ্রীরূপ গোস্বামী, শ্রীসনাতন গোস্বামী শ্রীরঘুনাথদাস গোস্বামী অদুগা শ্রীজীবগোস্বামী। মখোয পুম্বগী চরণ অদু মতম পুম্বদা ইকোক্তা হাপ্লগা খুরুমজৈ অমসুং মখোযদগী আশা কয়া তৌজৈ। অদুগুম্বা কৃষ্ণদাসনা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃত লৈখৈ।

ইতি শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতে আদিখণ্ডে যৌবনলীলাসূত্র বর্ণনং নাম সপ্তদশপরিচ্ছেদঃ।

শীতলজিৎকী লাইরিকশিং

উপন্যাস—ইমা, থাদোকপা, বোহিনী, নুংশিরাখৈবা।

রাবী-মচা—লৈকোম্নুংদা, লৈনুংশি।

শৈরেং—কেতুকী, বাল্মীকি, ইখৌলাংবা, শকুন্তলা,

শৈবাংবা (১বা শরুক)।

অতৈ অতৈ—

১। নেতাজী সুভাষচন্দ্র বসু অমসুং আজাদ হিন্দ ফৌজ

২। শ্রীমদ্ভগবদগীতা (মৈতৈলোন্দা)

৩। শ্রীনরোত্তমদাসকী প্রার্থনা (মূল অমসুং মৈতৈলোনগী অনুবাদকা লোনবা) মমল লুপা ১০

৪। বৈষ্ণবপদাবলীগী শ,যোন-শৈখন

৫। Friends' English to Manipuri Dictionary

৬। Friends' Pocket Dictionary (English to Manipuri)

৭। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (অনুবাদ) খণ্ড অহানবা— লুপা ১০

৮। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (অনুবাদ) খণ্ড অনীশুবা— লুপা ১৮

৯। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত অনুবাদ) খণ্ড অহুমশুবা— লুপা ১৫

১০। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (অনুবাদ) খণ্ড মরিশুবা— লুপা ৩২

১১। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (অনুবাদ) খণ্ড মঙাশুবা— লুপা ২০

১২। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিত (অনুবাদ) খণ্ড তরুকশুবা— লুপা ২৮

১৩। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতমৃত (অনুবাদ) খণ্ড তরেৎশুবা— লুপা ২৫

১৪। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (অনুবাদ) খণ্ড নিপালশুবা—লুপা ২

১৫। শ্রীশ্রীচৈতন্যচরিতামৃত (অনুবাদ) খণ্ড মাপলশুবা—লুপা ৪০